বঙ্কিম চন্দ্রগী

দুর্গেশনন্দিনী

(লানবক মপুংগী মহোমলোই)

শ্রীঅরিবম শ্যামসুন্দর সিংহ

মমল রুপা ২৫.০০

থোঙলোকপা

শ্রীমতী চন্দ্রাবতী দেবী
ইম্ফাল।

১বা থোঙবা
ডিসেম্বর ১৯৫৮ ইং
কোপি ১,০০০

২শুবা থোঙবা
মে ১৯৮৯ ইং
কোপি ১,০০০

ছাপা নম্বা
আর বী প্রিন্টিং হাউস,
নাগামপাল, ইম্ফাল।

দুর্গেশনন্দিনী

---o---

অহানবা শরুপ

অহানবা তাঙ্কক

লাইগী মন্দির

৯৯৭ শুবা বঙ্গাব্দগী কালন থা লোইশিল্লবপা অতরাইদা নোংমা সগোলদ তোংবা নিপা অমগনা বিষ্ণুপুরদগী মন্দারণলোমদা মথক্তা চৎলম্মি। কো-ইরোইহনবনা নোংচুপ চেৎনা লাংককপা উবদা সগোলদ তোংবা নিপা অদু চুমজম্মী সগোলদু থানা খোংদকই। মথুমদি, মাংদা পাক-চাউবদা লমহাং অমা লৈরি, কনানা খুত্তংগনি মতমগী হৌনবী তুংইন্না ঙমিদাবগীদ অদুদা কল্লবা নোং-চংশিং হেনক্লক্নদি, লমহাং অদুদা পুন্সম লৈতবনা হায়কম খুত্তদনা অয়াবা [illegible] অদুগুমবা লমহাং অদু নাম্বোকফাংক্রিডনা ঙমিং তাখোকত্তে, অদুদগী অহিংগী মনা অতিগাত অমুবা নোংগী মপেনা কুপশিল্লক্তে। ঙমিং তারকপদ, ঙাশিদৈ। মাংইক পুম অতুক শাখৌনা মমত্তে মতদি, সগোল খোবত্তু অমক্ননা হাত্রে। লংইক চৎপা নিপা অদুনা লাংখা কুম্মকপদ উহৌবা লৈথী অডগা তুংইনা, থর-থরদ চৎলকপতদা মডানরে।

খোইনা পংপুই-কুহুদ নাম্না থাক লাডবগা লোপনা নোংজুপিদা অকনবা নোং-চংশিং শিংপা হৌরক্লে অমসুং মতুগা লোগন লোয়ননা নোংখোং মুম্না নোংমু তাত্রক্লে। সগোলদ তোংবা নিপা অদু মানা চৎকদবা লৈথী

অমুক উবা ফংখিত্রে। শগোল চুপ্পি অদু ··· শগোল অদুনা চৎলিংব মায়কৈদা অদুমক চৎহল্লে। অদুগা ··· চৎলক্লদা। শগোল অদু মথোংদা করিগুম্বা অকনবা পোৎ অমা ··· শং-হেক নাম্নরে। তাক্লা অসিমক্তদা নোংথাং অমুক্তং কুপ্পত্তুনা, মরৈক চৎপা নিপাতুনা মমাংদা চাউ-রবা ভোম্রোক ভৌবা করিগুম্বা পোৎ অম হাইফেৎ উংতারে। অদুবা নৈপুংত্তুম্বা পোৎ অদু দোলান ওইরম্বা তাহ হাপ্লনা থরুনা শগোল তোংবা নিপা অদু শগোল থত্তগী নৈপাক্তা চোংদনে হেক চোংশক্লকপদা, মংগী মিত্তিদা নেৎলুতুনা শগোল নাম্নবনি হায়বা মহাক থম্লে, অদুনদি ইনক নক্লা থুপকম নৈরম্বা তারে হায়দুনা শগোল অদু থাদে-কক্লে অদুদগী মহাক্লা অমদতুদা য়াম্না ওপ্পা মিত্তি অদু মথং মথং ···। মিন্দনমক মহাক্ল নোংথাংগী মডালদা মাংলগী দোলাকঃ কাইগী মন্দির অমদি হায়বা থরলে, লৌমিং অমা কৌতুনা মহাক্লা মন্দির অদুগী মিক্লবা থোং অদু পোঁরক্লদা থোক্ত লোক্লুনা নৈরক্ত ···, মথুংনা ··· পোং অদু মপান্দোক্লদগী লোনবা ··· ।

মী তা-রবা লমচাংমিদা নৈরা মন্দিরবু, মতম অমিদা কনানা মক্ত-লোনগী থোক্ত কোম্লিবনো হায়নাসি হক্লুদা, ··· চৎপা নিপা অদু হাদযেঙ্ক হক্লত্তুনা, থহনিংবা অম কম্না পোংক্লে। কোম··· লোনা ··· কম্না তক-শিন্নৎপা মরম্না মন্দির মতংদা লৈজনিংবম্থ ··· হায়দুনা, মংকৈ চৎপা নিপা অদু থোক্ত অদুদা হম্না হম্না ··· ···, হৌরক্লে, অদুবু কনামত্তনা থোক্ত অদু হাংদোক্লক্লে। মহাক্লা থোংপাক্লা কাওদুনা থোক্ত অদু থুদেক্লসিন্না হায়না থরুকই, অদুনু মাইগী মন্দির ওইবনা তৌহৈবা ওইনা থোকত্রা হায়না চিংনদুনা মতৎকি তৌরে, অদুমক্তু মহাক্লা থোক্ত অদু মথৎনা শাখীনা কম্না থীনমনখিনা, উগী থোংপাকে অদু অমুক ··· শক্লকুংনা থিন্দনা পোঁরোল অদু ··· তারে। ··· হেক হাংদোকপগা ··· অদুনা মন্দির মতংদা ফৎ চংলকপগী তাক্লাদুনা, মন্দির মতংদদা কম্না ···

লাউ-থোংবগী মথোল অমা তায়, অদুবু থুদক্তদা, হাংদোক্লবা থোঙ অদুগী চংশিৎ কয়া চমজিকক্তুনা পীরবা থাওমৈ অমা থারবদু মুৎথোকখ্রে। মন্দির মচুংদুদা মীনা কনা লৈরিবা, লাইনা করি লাৎলিবা, চংলকইবা নিপাদু করিমত্তা উবা ফংখিদ্রে। মহাক্না তা-রিবা ফীভম অদু উবদা অকিবা পক্তবা পাথ অদুনা মথন্তমক নোকচরগা, অহানবদা ভক্তিগা লোয়ননা মন্দিরদা লৈরিবা মশক উত্রিবা লাই অদুবু ভাবনা থুকমরে। অদুদগী চৌগৎলক্লগা অমত্বা মরক্তদা কৌরদুনা হায়রকই, "মন্দির মনুংসিদা কনা লৈ?" কনামত্তা খুম্নক্কে, অদুবু লিক-কোল থুজিনচিংবগী মথোল অমদি তাগ। মতম অদুদা লংফে চৎপা নিপা অদুনা বা অমুক ভাংলুবগী থোইনা কাম্বক্ন লৈবে থকতুনা, নোংগা চংশিংকা হাইজনকপদু খিংনবগীদমক পোঙ অদু থিজিন্নগা, অতেকপা পোরোল অমগী মহক্তা মহাক মথানা থোঙ অদুদা ভাংশিলহুনা অমুক হয়া হায়রকই, "মন্দির মনুংসিদা কনাগুম্বা লৈরবদি চংঙ, ঐংহাক্কি চৌকিদ হংলাইগা কোয়না থোংজিনসিদা ফমদুনা লৈরবনি, ঐহাক্না পোথাদিবসিদা থুগাইবা তৌগদ্রু। খুগাসরবদি নিপা ওইরগনা অতিক চাবা মাইচ নংভগনি, অদুগা হপী ওইরগনা নিংঙাইবা লৈতনা তুম্বা নাগনি, রাজপুত্রকী মতম্তা পাং চুম্বায় পারদ্রিঙেদা নথোয়রু ন-তু তুথুম অমা কাওবা শোকপিনবা লৈতে।"

"নহাকপু কনানো?" হপীগী থোঙ্গেলনা মন্দির মনুংদগী রাহংসি হংরকই। মদু তাবদা ভকপগা লোয়ননা লংঙৈ চৎপা অদুনা খুমকই, "থোঙ্গেল তাবদা রাহং অসি কনাগুম্বী নিংথিবী অমনা হংলকপনি হায়রদা থংলে। অদুবু ঐগী ইশক ইনিং থংলগা করি কায়গদগে?"

মন্দির মচংদদগী খক্রকই, "ঐথোয় য়াম্না অকিবা অমা পোক্রে।"

মদু তাবদা পাথংদুনা হায়রকই, "ঐহাকন কনানো হায়বদু ইদ্মা ইথত্তুনা হায়থোকচবদি ঐথোয়গী চংনবী নত্তে। অদুবু ঐহাক য়াওবিঙেদা পাঙ্গল লোনবীনিংগা করিগুম্বা যত্নবা থোকনি হায়বদি করিমতো কিংনবিকদ্রু।"

হুপীহুনা খন্নকই, "ভাকপিদ্বিবা ৱাদ্ব ভাবদা ঐহাক খজিক্কং চংশা হোঙক্রে, ঙসাইমথৈ ঐখোয় কিবনা মিহুন চেঙ্ঙম চেঙ্গানহুনা লৈহৱম্বনি। হৌজিক ফাওবা ঐগী লোয়নরিবী অসিদি জ্ঞান তাবগুম তাদবগুম লৈরি। ঐখোয় হুংথিল শৈলেশ্বর শিব অসি পূজা তৌজগে হায়হুনা লাকপনি। অহুদগী নোং-হুংশিং তৌৱকপহুদা ঐখোয়গী দোলাইরেংশিং অমত্তং খোংলোয় পূন্নবা ঐখোয়বু হন্দোক্লম্লগা কদায় তাম্না চেনগ্রবা, মহুক্ত থঙজক্রে।"

পাখংহুনা হায়রকই, "মহুক্কীদমক্তদি থোইনা ৱাবিরুগন্ত, নিংথিনা পোথাহুনা লৈবিয়ু, হয়েং অমুক ঐহাক নখোয়বু যুম তাম্না থিনজগ।"

হুপীহুনা হায়রকই, "শৈলেশ্বরনা অদোম্বু মঙ্গল পীনবিবা ওইসন্ত।"

অহিং তংথায চল্লকপগী অহুবাইদা নোং-হুংশিং অহুনা লেপল্লবদা পাখংহুনা হায়রকই, "নখোয় ঙাহাক্তং মফমসিদা অকি-অথং লৈতনা লৈরম্মু। ঐহাক থাওমৈ অমত্তং মনাক নকপা খুল অসিরাইদগী থিরগে।"

ৱা অসি তাবদা হায়দগী ৱা ঙাংলক্কিবী অদুনা হায়রকই, "মহাশয় খুল তাম্না চত্তবস্থ য়াগনি। মন্দির অসিব্বু শঙবা নিপা অমথক শাম্না লক্লা লৈবনি, থাবলস্থ পোক্লক্লে, মন্দিরদগী হেক কান্নাবদা মাংগী থাংশাকপাঙ অদু উবা ফংবিগনি। নিপা অদু মথক্তা লমহাং অসিদা লৈবদা, মথুমদা, মৈ-চুথংনবা পোংচৈ ৱাত্তনবা থম্বনি।"

হায়রিবা ৱা অসিগী তুংইন্না, পাখং অদুনা মন্দিরদগী মপান থোক্লকপদা, থাবল মঙালদা, মন্দির শঙবা নিপা অদুগী মথুম অদু উবা ফংলক্ল। মাগী থোঙজিন তাম্না চৎলগা তুম্বা হৌদোকল্লুবে। মন্দিব শঙবা নিপা অদুনা কিয়দুনা থোঙদি হাংদোক্তনা, মকমদা থুগুনা লাক্লিবদু কনানো হায়না য়েংলকই। য়াম্না গুম্না য়েংলবগী তুংদা লংকৈ চৎপা নিপাদুবু হল্লান-চিম্বি তৌবা মীওং অমনি হায়নদি থনক্রে, অদুগী মথক্তা মহাক্লা পীগে হায়রিবা মনা য়ুদ্ধা অদুগী অপাম্বদু মতাক থিংবা হোৎনবা, য়াম্না ৱানা থোক্ল। তরেং তল্লাবক হল্লা শল্লগা মন্দির শঙবা নিপাহুনা থোঙ হাংদোক্তুনা থাওমৈ অমা চল্লগা পীরে।

লংথৈ চংপা নিপা অদুনা থাওমৈ অদু পুরক্লবদা উরে, মন্দির মঙংদগী অঙৌবা হংনা শাবা শিবমূর্ত্তি অমা লাংলি। মূর্ত্তি অদুগী মতুংদা হুপী অনিথক লৈরি। থরা নৌরিবী অদুদি থাওমৈ মঙাল হেক উবমক্তদা ফিরুক খুমজিন্দুনা মক লুকথদুনা কমঞ্রে। অদুমকপু মহাক্কী ফি খুমত্রবা মপাখোমদা হীরা থাম্রবা খুজি অমত্তং অঙকপা ফংনা হৎ-খোৎলবা ফিজোন, অদুগী মথক্তা মমল য়াম্রবা মণি মুক্তাগী লৈতেং, মরাম অদু উবদা লংথৈ চৎপদুনা চিংনবা লৈতনা, তনৌ-তনৌরিবী অসি ইচম-চম্বী অমা নত্তে হায়বা খঙলে। অতোপ্পী হুপী অদুগীনা শেৎলি-চারিবদু থরদং তোম্বরপ তৌবদু উবদা, লংথৈ চৎপদুনা, মহাকপু নহা ওইরিবী অসিগী থৌগল তৌবী মনাই হুপী ওইরমগনি হায়না খল্লে, অদুমদি ওইরগা চুরগী মীনাই হুপী অমদগীদি য়াম্না হেন্না শেৎ-চায়। চহিনা কুন্থ্ মঙারোম তরবী মীওংনি। ইরাম লায়না পাখং অদুনা খঙবা ঙমলে, মহাক্কা রাখি শাখিবদু অহল ওইরপ তৌবী অসিগনি। অদুগা মসিমক্ত মহাক্না য়াম্না ঙকপগা লোয়ননা উরক্লে মহুদি, মবানিমক্কা শেৎলিবা ফিজেৎ অদুগৈলেপাকসিগী হুপীশিংগী মতৌ নত্তে, মবানিমক নোংচুপ মায়কৈরোমগী, হায়বদি, হিন্দুস্থানী হুপীশিংগী ফিজেৎ শেৎলি। পাখং অদুনা মন্দিরগী মঙংদা, জুগোৎ চাবা মকম অমা য়েংদুনা থাওমৈ অদু থম্লগা, তুর্গাশং অদুগী মমাংদা লেপ্লরে। মতম অদুদা মহাক্কী মশাপুম্বদা থাওমৈ মঙাল-: য়ৌবক্লবদদি হুপীশিং অদুনা লংথৈ চৎপা নিপা অদু চহি কুনগা মঙাদগী থরদমক হেল্লিবা মীওংনি হায়বদু উবে, মরেপ অদুনা অমুক্কী মতিক য়াংগ্রে, অ'ন্ত অতোপ্পা অমনা মদুম্না য়াংলবদি ফীভম কায়রে হায়নরগদবনি। অদুবু পাখ'ংদুগী ফন্নবা মথা অমত্তং মশা পুম্না চুড-ফীরান চানা নোয়বা মরম্না য়াংলিবা অদু হুয়েঙমদনা ফজবা হেনগৎপা ওইনা থোকহল্লে। নোংজু থাদা চোংথৎলকপা অনৌব' তিংখোগা পাংথক ওইরবা নত্রগা মতুদগীম্ম হেন্না পুক্নিং তুমহৎনবগী মশক ওক্তরিবা, বসন্তদা য়েনিং হন্নকপা অনৌবা উনা-শিংগা চাংদম্নবা য়াম্নবা মচু থিবিকী কথচনচিংবনা রাজপুত অদুগী ফিজেৎ অদু নিংথিজহল্লি, মথ,াংদা পুম্নিবা খ,াংনাক্তা মখুমগা কোম্নবা থাংগাং, শাংলবা

মথুক্তা শাংলবা তা, মকোক্তা কোইয়েং, মতুগী মথক্তুদা, হীবা মতুম অমা, মনাদা মুক্তা থাম্রবা ন্মাইস, মঙকশমদা মণিগী পম্বেং পূম্মক অসিনা লৈত্তেংলি।

অমনা অমবু উনরকপদুদা মায়কৈ অনিমক অমনা অমগী শক থঙনিংদরনা য়াম্না লাংতক্ক্রক্লে, অদুবু কনামতনদ্ব অহানবদা শক-চু হংনবগী হৌনবা থঙজমা লমচং চংপত্থু হেক পায়ত্রে।

অনিশুবা তাকক

বারি শাবা

অহানবদা পাথং অদুনা মশাগী লাংতক্করিদ বাথল অদু ফোংদোক্লক্লে! থরা অহল ওইরপ তৌবী অদুবু কৌরদুনা হায়ৎকই, "ঐহাক তাবনদি, নথোয় অসি মরাইবক ফবা কনাগুম্বগী ইমুংগী মৌনি হায়রদি থগুলে। মিং-লৈফমচিংবা হংগদবসি ঐগী পুক্লিংদা চিংনবা অমা পোক্লে। অদুবু ঐগী ইশক-ইমিং তাকপদা অকায়বা লৈবগুম্বা নথোয়গীদি পোইনা লৈরম্মোইদ্রা থম্মুনা ঐহাক বাকম অসি হৌদোরকপনি।"

অহল ওইবী অদুনা হায়রকই, "হুপীগীবু মশক মমিং হায়বা করি অমুক লৈবগে? শাগৈ লেম্না য়াদবী মথোয়নবু করি করম্না মশাবু তাকচগনি? লোম্না থুম্না লৈবতনা মথোয়গী মশিঙাং ওইরবী কাংবুশিং অদুনা, করম তৌনা মশাবু ফোংদোকচগদগে? নোংদমনা হুপীবু মরু-মপুয়োয়বগী মমিং পনবা য়াত্রে হায়না থিংখিবা হুমিং অদুদগী হৌনা, মশাগি মশক মমিং তাক্লবা লৈবীম থিংবিল্লবনি।"

পাথং অদু রা অসিগী পাওখুম পীবা তৌরক্লে। মহাকী মপুংশিং অদু অতোপ্পা বাথল অমদা দুম্ভুনা লৈক্লে। চহি নৌরিবী হুপী অদুনা তপ্না তপ্না পুম্নিবা ফিক্কক অদু হাইকেক্তং হাইদোকুনা, লোয়নরক্লিবী অদুগী মতুংদগী মথিং

কুপতনা পাথং অতুবু য়েংলকই। বাখি অহুম শাবকপদা থওয়োদনা লৈফ চৎপা নিপা অহুম মাগকে অয়োমদা-থেক য়েংশিনুরে, অদুগী, মিংগম অমু হোংদোকপা অমুক ওমগ্রে, মহাকী মপুরিংদা অশিগুমবী হায়রম থওনা অমুগী শকুম অসি অমুক হুমা কৈদোমমদা উবা ফংলয়োই হায়বগুম্মা থনয়্রে। মগোচক-কায়কপী হুপী অদুগী মমিং অনিতগা লৈফে চৎপা নিপাখোই মমিংকা থওয়োদনা মিং-চানখ্রে। খুদক্মা নৌমিবী অতুমী মমিংতু লুকথগ্রে। লোয়নবী অতুনা মানা হায়র। বাগী পাওখুম পীরক্কবদা লৈফে চৎপা অদু তম্মা য়েংলকই। কদোমদা নাগী মিংকম থম্লিবা হায়মহুম য়েংলকে অতুগা মাগা লোয়নবক্কিকী অতুনা পাথং অতুদা মমিং কপ্পনা য়েংলি হায়বসিদ থওনচনা, তনৌ-অনৌক্কিকী অতুগী মনাকাং মগাদা তুমিনা হায়রকই, "কক্রি-মতৌনি হায়বগে। শিবগী মাংসিগ কুদ স্বগংবদ তৌরগেথা?"

ৰোমিংমী অতুনা মাগা লোয়নবী অতুদা খুম্রিম শিরুতনা লোম্না হায়রকই, "চলোর ৰ'দিনা।" হৈখিন্দবী লোয়নবী অতুনা মতৌ অসি উবদা মপুরিংদা থরকই, উরিবা মংরং-মতৌ অসিনদি কদিগুদা মথক থগুবা পাথং অসিগী মথৌনাগা লোয়নবা শকুম অসি উবদা, ঐগী থুম্না শিম্মরক্কিবী হুপী মচা অসি নাগী তংশি লাংদা থুপ্রবদি, মতনা অতৈ থোইদোকপা অক্কায়বমক থোরক্করম, মাগী মপুরিং হংগাইজবা হায়বতমদি পুক্কিসিমগী মাংখির তাবে, অতুনদি মগী অদু হৌজিমক থিংহোদবা য়াগ্রে। কদ্দা হায়রিবা লৈমীসিদি পাংথোকনি?

অতুনদি ইংলিংনবু ওইরবম লৌশিং তৌজবু ওইরবম পাথং অসিবু পাদোকথিবদা তারে। মসি থরকনা হুপীগী হোনশা ওইবা হৈশিংলবা বাঙাংগা লোয়ননা মানা হায়রকই, "মহাশয়। হুপীগী মিংচৎ হায়বসিদি অমুকী বুক্কিক থোং-নৌগ্রে, হংশিংকী শউম থজিজং ফাওবা থাগুবা ওমজরে। অসিগী কলবা লোং-হংশিং অসিদগী ইশা কমনবা হোৎনবসি চায়া অবাগী কথক্রি, অমুবু হৌম্মিক লোং-হংশিংম জেপখ্রবনিনা ঐথোয় থোংনা ইমুম তাদা চৎপা এমরা য়েংজবগে।"

পাখং অদুনা খুমকই, "ৱেংলবা অহিং অসিদা শোংনা চৎপিবদ, মত্যারবদি, ঐহাক মুম রৌনবা থিনজগে। হৌজিক অতিয়া অসি পুমনমক-শেংলে, ঐহাক ঙসাইনা ঐগী চৎকদবা মফম তাম্না খোংথাংগদবনি, অদুবু চংখোরবী নংগী লোয়নবী অসিবু ঙাকশেনবা যাওদনা ছদ্মোকখবু পুক্নিংসিনা পামদ্রবা হৌজিক ফাওবা লেংদনা লৈরিবনি।"

সুপী অদুনা খুমকই, "মহাশয়না ঐখোয়বু অসুক যাম্না থৌজানবিরবা অসিদা, তৌবিয়স থওদে হায়খিগত্রা থজবদগী রা পুম্বা শেংনা হায়দোকপা ঙমদ্রিবনি। মহাশয়! সুপী ওইবীনা মরাইবক থিবগী রানু ঐনা করি অমুক হায়জখিগদগে, ঐখোয় অসিমক্তবু করিস, লৈতবা থবক অমগীস, হেক্তা থাজবিদে, মহাশয়না ঐখোয়বু মুম তাম্না থিনবিবদি ইরাইবক ওহোক্লা ফবনি, অদুবু ঐগী ইবুংঙো—সুপীমচা অসিগী মপাবুংগদুনা—মডোন্দা শোয়দনা 'নং কনাগা লোয়ননা অহিং অসিদা লাকই' হায়না হংলকনি, মতমদুদা মহাক্না করি হায়না খুমগনি?"

পাখং অদুনা ঙহাক রাখল তৌকররগা হায়রকই, "মদুদা খুম্বিগদবদি, ঐহাক মহারাজ মানসিংহগী মচানিপা জগৎসিংহগা লাকই হায়রিবু।'

কথিংগী খুদকতুমক্তদা মন্দিরগী মতংদা বজ্র তারকপা শোক্লবদু, মন্দিরগী মনুংদা লৈরিবী সুপীশিং অদু অদুক শ থিনা ঙকপা পোক্লোই। মখোয় অনিমক থংহোদনা তঙ্কিং তাকংনা লেপথক্লকলে। চহি নৌরিবী অদু শিবলিঙ্গগী মতুংলোমদা চংশিনখ্রে। রাযাম ঙাংবী অহল ওইবী অদুনা মঙকশমদা ঙিজিনা কোয়শিনদুনা খুকরক্লে, অদুগা মথুং লোয়রদুনা হায়রকই "যুবরাজ, থঙজকদবদগী ইরাল কয়া লংজখ্রে, পঙলনী সুপী ঐখোয়বু নংগী ঙাকপীহৈবগুম্না ঙাকপীয়ু।"

যুবরাজনা নোক্ল-নোক্লদুনা হায়রকই, "শাখিরবা মরালশিং অসিগী ঙাকপীফম লৈতে, অদুবু নশক-নমিং তাক্লবদি ঙাকপীবা যয়াই, অদু নত্রবদি শোয়দনমক মতিক চাবা দণ্ড পীবগনি।"

খোৎ-নৌবগী বাঙাং হাংলক্লবদি ইবাংগী ইহন থঙবী দুর্গীদি মতম পূম্নমক্তা মথৌনা লৈ। অদুগী অতুনা হাইখেৎ নোক্লদুনা হায়রকই, "কবি গনি পাবিগদবা, তাকপিহু ইকোক-খোংনা য়াজরি।"

জগৎসিংহম নোক্লদুনা হায়রকই, "নোংদননা চৎলগা নখোয়বু নমুম ভায়া থিনবিবা, অসিনি।"

লোয়নবী অদুনা উঠুরু. ওয়োক্রা অবাবা ফীভমদা তারে। কবিগুপ্ত অরুবা মরম অমা লৈবনা মহাক তনৌ-তনৌবিবী অতুগী মশক মমিং দিল্লীশ্বরগী সেনাপতিদা তাকনিংঙ্গিবনি অদুবু মহাক মশামক্না মখোয়বু মমুম তাম্না থিনবিগনি হাগবসিনা অমক্না হেন্না শাকথিল্লে, মশক-মমিং তাকপদগীসু মদুনা মরম লেংবা থেনখ্রে, মরম অতনা লোয়নবী অদু মমায় লুকথদুনা লৈখ্রে।

তাঙা অসিদা খোংনদগী পোইনা পংথাপ-থাগুনা শগোল ময়াম চৎপগী মখোল অমা তারক্লে, যাং ৎমাবনা তম্নিং তফিংনা মন্দিরগী মপান্দা থোক্রক্লুনা লেংবদা শগোল তোংবা ।মী চামংবাম চৎপা উরে। মখোয়না লেৎপা কিংজোন অদু হেক উবদা মখোয়সু মহাক্কী রাজপুত লাম্মীনি হায়বা শঙলে। খোঁদোক অসিগী মমাংদা যুবরাজ অদু লানগা মরি-লৈনবা থবক অমগীদমক বিষ্ণুপুরদা চৎখুনা মাহি ... লাম্মী চামথক লৌক্লবগা মপাগী মনাক তাম্না চৎলিবান। শংখিলাদি মখোয় অতুগা লেংবু ওইনা চৎমিন্নরম্মি, অদুগী তুংদা মখোয় ময়াম্না লপী অমদা লথক্লে। লপী অমদা চৎনরকপদগী মহাক মথক্তা লমহাংদা লোং-তংশিৎ লেংনবনা অয়াবা তাখিবনি। হৌজিক মখোয়গা অমুক থেংনবে, অদুনু লাম্মীনিং থবনা মাগু উবরা উখিবরা হাংবদু শঙননবগীদমক মহাক্না হাংলক্কই, "দিল্লীশ্বরগী জয় ওইরসু!" বা অসি হেক হায়নগা শগোল তোংবা লাম্মী অমথক মহাক্কী মনাক্তা চংশিনক্লে। যুবরাজনা মহাকপু উবদা হায়রকই, "ধরমসিংহ, ... লোং-তংশিৎ লেংনবদগী মফম অসিদা তাইদুনা লৈরম্মবনি।"

ধরমসিংহনা নোক্লদুনা তদম্মগা হায়রকই, "ঐখোয় যুবরাজদু কোয়থি

থিজক্কবদগী মফম অসিদা লাকচরিবনি, শগোল অদু থোংনাং বট পাবী অসিগী মনাক্তা থেংনজন্না পুজরক্কে ।"

জগৎসিংহনা হায়রকই, "শগোল অদু পুরক্তুনা নহাক মফম অসিদা ঐবু ভাইহনা লৈয়ু, অদুগা নিপা অনিথকপু অনকপা শূল অমদগী দোলাইগা দোলাইরেংগা থিরুনবা থরা থাখো, অতে লান্মীশিং অদুনা মাং থানা চৎথৎলগ্নু হায়য়ু ।"

ধরমসিংহদু মাথং অসি তাবদা হাইরপ তুংগ, অদুবু মবুভোগী মাথংদা থোইনা হংলুফম থোক্কে হায়বসি খঙদুনা "মাম্না ফনি অজ্ঞা" হায়রগা লান্মী-শিংদা যুবরাজগী য়াথং অদু খঙহনবা চৎখ্রে । লাখী মরক্তুদা কনা কনাগুম্বন দোলাইগী মাহু তাবদা হাইফেৎ নোক্লদুনা অহোংবা অমদা হায়রকই, "মসিগী অসিদি পুংনৌ নৌবা থৌওং অমনি ।" কনা অমনা থুরকই, 'কদিগী ওইনোই-দৌরিবনো ? রাজপুতকী মদুংঙো মহারাজগীদি ওদী চান-চামনি ।"

অসোমদনা যুবরাজনা চৎথোকখিদ্রিবদা তাপ ফংলদুনা ফিরুক থুম্নিবা অদু লৌথোক্তুনা নিংথিজরবী অদুনা মাগী লোয়নবা অদুদা হায়রকই, "বিমলা, রাজকুমারদা নহাক ঐথোবগী ইশান-ইমিং কদিগীদসু তাকথোক্তি বনো ।"

বিমলানা হায়রকই, "হ্না অদুগী পা ওপুমদি ঐহাক নংগী নপাবুগী মফমদা পীগনি, ভাইথো, হৌজিক অমুক নিল-থোংবা অমা তারকইবসিনা কদ্রিগীনো ?"

নৌরিবী অদুনা হায়রকই, "রাজকুমারগী মতুংইনবা লান্মীশিংনা মহাকপ থিবা লাকপা ওইরমগনি, যুবরাজ মশামক লৈবদা কদিগী অমুক কিকম লৈরিবগে ?"

দোলাইগা দোলাইরেংগা থিবা চৎথিবা শগোল তোংবশিং অদুনা হল্লক্তি-ভৈগী মমাংদা, চুপ্পাশিং অদুবু থনম্নগা খুমক্তা নোংথুম্না চৎলুবা দোলাইঙ্কে অমওং থোংলোয়শিং অদু মফম অদু তাম্না অমুক হল্লক্কে । অরাপ্পদগী মথোম্নবু উবদুনা জগৎসিংহনা মন্দির মনুংদা অমুক হন্না চংলক্লগা ঙোম্নবী অদুনা হায়রকই,

"খুৎলাই পানবা মী থরগা লোয়ননা দোলাইরেংশিংনা দোলাই অমা পুরক্লনা লাক্লি, মখোয়শিং অসি নখোয়গী মীবা নত্রা হায়বগী মপাল খোক্লক্তুনা অমুক্তা য়েংলো।" বিমলানা মন্দিরগী থোংজিন্দা লেপ্তুনা লেংবদা মখোয়গী মীনি হায়না খংলে।

রাজকুমারনা হায়রকই, "অদুদি ঐহাক মফম অসিদা অমুক লৈরোই, ঐগা মখোয়গা উনবদা ফত্তবা থোকপস্ত য়াই। অদুনা ঐ চৎলগে। শৈলেশ্বরদা ঐনা খুরুমজরি, নখোয় য়েথায় থিনগাইবা লৈতনা যুমদা খুবা ওইরবসু, নখোয়দা ঐনা হায়জরিবনা, ঐগা নখোয়গা থেংনৈ হায়বা অসি চয়োলমুকসিদি হায়দোকদ্রিগনু, ঐবু কাউদি কাউথোকপিগনু, নিংশিংবিনবগী মরম ওইনা চয়বা পোৎ খানিমরেদি মনাক্তা থম্বিয়ু। অদুগা ঐহাক্তি, নহাক্কী নবুঙোগী মচাক্পীগী নশক-মপাং খঙবা ওয়হৌত্রে হায়বা রাখল অসিনা ঐগী থম্মোইদুদা নিংশিং থরম ওইনা লৈনা থম্বনি।" অসি হায়রগুনা কোয়লেংতগী মুক্তা মচেং অমা লাখোলগী নমনাগী খোকথক্তা হাপ্পিরক্লে। বিমলানা মমল য়ান্নবা মুক্তা মচেং অদু মথমগী লোয়ননা পায়শিন্নগুনা রাজকুমারদা নোম্নদা খুক্নরগুনা হায়রকই, "ঐনা মশক মসিং তাক্লে হায়দুনা ঐবু অমানবা রাখলদা পুবিগনু, অরুবা মরম খরদং লৈদ্রনা তোজবনি। যুবরাজনা কগিন্নবা মসিগী মরমদা য়াম্না লাংতক্নবিরবদি, ওসিদগী থা-মথায় অমগী মতুংদা ঐহাক যুবরাজবু কদাইদা উনবা ফংজগদগে তাকপিরম্মু।"

জগৎসিংহনা ওটাক রাখল তৌরগা হায়রকই, "ওসিদগী থা-মথায় অমা লৈরগ, অহিংদা মন্দির অসিগী মহুংমক্তদা ঐহাক্তা উনবা ফংগনি। মফম অসিদা উনরবদি—অদুং উনফম লৈত্রে।"

"ঈশ্বরনা যুবরাজবু কনবিয়সু" অসি হায়রগা বিমলানা অমুক হন্না থুরমলে। রাজকুমারনা অমুকহন্না পুঙমরেবা ফুংশি হৈথোলাংবগী থৌরাংবা মিৎয়েংনা মখোল থাদবী অদুগী চেংলৌবু চিংনা য়েংলম্লগা, খগোলথক্তা চোংথত্তুনা থেংখোলরে।

অহুমশুবা তাঙ্কক

মোগল—পাঠান।

অহিং অথেংবদা জগৎসিংহনা শৈলেশ্বর মন্দিরদগী খোংশায়রক্রে। তাঙ্গা অসিদা মংাঙ্কী মতুং অহুম ইমহুনা নত্রগনা মন্দির মচংদা লৈহৌদ্রিবী পুন্নি-শুমহৎনবগী নশক ওইরবী তুজাতুগী মপাও তমহনা, পাবিন্দিবা ময়ামগী লাংত্রে-বা অদু কোকহনবা ওমগ্রে। জগৎসিংহদি রাজপুতনি, কন্নি মরমদগী বঙ্গদেশতা লাক্লিবনো, অদুগা কন্নিগীদমক্তা লমহাংদুদা মথন্দা চৎলম্লিবনো, পায়বসিগী মরমদা থওংগে হায়রবদি, মতম অদুগী বঙ্গদেশকী নৈবাক ওাকপগী কীতম অদু থব থরদং শন্নপা হায়রবদা তাই, মরম অদুনা হন্দকী মতাং অসিদি ইতিহাসকা মরী থরা লৈটে। পাবিন্নিবশিংনা য়ায়মক হেক্তা লাংতক্নবিরবদি মতাং অসি হন্দোকপি হন্নম য়াই, অদুবু ইজন্নিবা ঐনা হায়জগদবদি, লাংতরবা হায়বদি অকবদি নত্তে।

ইহাং হানবদা বঙ্গদেশতা বথতিযার খিলিজীন, মতম্মন্দী লানংম ফিবাল হুংলবগী মতুংদা, মুসলমানশিংনা অশিংবা লৈতেন শতাব্দী কন্নাক লৈপান অসিদা পাটৈ। ১৫৩২ শুবা চহি অহ্নদা মথিং চৎলবা পাঠান শাবরনা লালদা দিল্লীগী বাদশাহ ইব্রাহিম লদীবু মায়থিবা পীহনা, মশা সিংহাসনদা কাথি। অদুবু মতম অদুদা বঙ্গদেশতি তৈমুরলঙ্গগী মচা-মচাশিংগী মথা পোন্না লৈবদি নত্রি।

মোগল সম্রাটশিংগী মরক্তা শাহগী মৈতাম অপাবা ওইরবা আকবরনা পান্নিবা মথৈদি, লৈবাক অসি মনিং তম্নবা পাঠানগী নিংথৌশিংনা পাক্লম্মি। ফত্রবা পুংফমদা পত্তলবা দাউদ খানা তুমহনা লৈরিবা নোংশাদা থুং থাক্করে। মশানা তৌজবা থবক্কী মতুংইন্না আকবরগী সেনাপতি মনাইম খানা লালদা

মায়থিবা পীদুনা লৈবাক অ. মাঙখ্রে। দাউদনা ৯৮২ শুবা হে: অহদা মাগী মাংশিংগা লোয়ননা উড়িষ্যাদা চেনখ্রে, বঙ্গা লৈপাক মোগল সম্রাটকী মখুৎ চনখ্রে। পাঠানশিংনা উৎকলদা খুৎকন পাঙবা পালরদা মতমখুদদি, মখোয় অতুদগী মখোয়বু তানথোয়বা হায়বসি মোগোলশিংদা অরাবা অমা ওইনা থোক্লক্লে। ৯৮৬ হে: অহদা দিল্লীশ্বরগী মহৎশিনবা খাঁ জাহা খানা পাঠানশিংবু অমক হন্না মায়থিবা পীদুনা উৎকল লৈপাক অতু মাগী মবুঙোগী রায়েন মখাদা পুরকখি। অদুবু মতুংতদা গায়া শাখীরবা থোদোক অমা থোক্লে। আকবর শাহনা বঙ্গদেশকী খাজনা লৌখৎপদা অনৌবা পথাপ অমা হৌদোরকপদু জাগীরদারনচিংবা লম চাউনা কন্দুনা লৈবা কাংবুশিংগী মথরায় হুংঙাইতবা অমা পোক্লরক্লে। মখোয়না মশা মশাগী হান্নগী অচাউরম কংবদু লেঙদনবগীদমক মথুংগা থাংশাং পায়খৎনখ্রে, অতম্না থিংবদা হায়রবা লানহৌবগী ফীভম অসি থোক্লরবদা তাঙ্গা চারদুনা উড়িষ্যাগী পাঠানশিংস্তু অমুক মখোক কাংখৎনখ্রে অমসুং কতলু খাঁ কৌবা পাঠান অমবু মখোয়গী লুচিংবা ওইনা হাপ্লদুনা, অমুক হন্না উড়িষ্যা লৈপাক মখোয়গী মখুৎ চনখ্রে। মেদিনীপুরস্থ মখোয়গী মখাদা থমখ্রে।

খরক্তা হৈ-শিংলবা, দিল্লীগী মহৎশিনবা ওইরিবা, খাঁ আজিম, মাগী মথুংদা শাহবাজ খাঁ, মখোয় কনাসতনস্থ গেরবনা লৌশিনখ্রবা লৈপাক অদু অমুক হন্দোকপা ঙমখ্রে। মমেখৎদা পাংখোকপদা হায়রবা থবক অসি পাংথোক্ক-বগীদমক লান্দা থোরবা হিন্দু অমা থারক্লে।

পুকচেল চাউরবা আকবরনা, মাগী মমাংদা ওইখিবা সম্রাটশিংগী খুৎ্াইদগী হেন্না শিংই। মাগী মপুরিংদা, লৈপাক অসিগী লৈপাক ঙাকপগী থবক্তদি, লৈপাক অসিগী মীশিংনা অ. হাঙ্গা লৈবাক্কী মীশিংদগী য়াম্না চংখোয়না হৈবা হেল্লি হায়বসি কন্না থাজে। অদুগা লানফমদস্ত লৈবাক ঙাকপদস্থ রাজপুতশিংনা খুৎ্াইদগী মকোক্কি হায়বসিস্তু শঙই। মরম অদুনা মহাক্না মতম পুম্নমক্তা লৈপাক অসিগী মীবু, মক্ক ওইনা রাজপুতশিংবু অরুবা লৈপাক ঙাকপগী থবক্তা পুহল্লি।

ইম্বিবা রাখি 'অসিগী মতমদদা, অচৌবা কল্লাইবা রাজপুত্ত কল্লাযংকম লৈবগী মহুৎদা, মানসিংহ হায়বসি অথেইবা অমনি। মহাক মথামক আকবরগী মচা লেপিরগী মমাংদা পোকখিল্লবা খাঅনি। খাজিম খাঁ অমসুং শাহবাজ খাঁনা উৎকল জয় তৌবা ওনম্রবদা, 'আকবরনা পুকচেল চাউরবা নিংগা অসিবু বঙ্গ অমসুং বিহারগী ডাকশেনবা মপু ওইনা থাম্মকই।

৯৯৬ শুবা চহীদা 'মানসিংহনা' পাটনা সহরদা লাক্তুনা অহানবদা মাগী লৈবাক মচুংদা কাং-থোং চাউরিবন্থু নৈমর্থমল্লে। 'অহুদগী মতুংগী চহিদা উৎকল জয় তৌগে থম্নুনা' মায়টৈক অমৌমদা থোংশাকল্লে। 'মানসিংহনা অহানবদা পাটনাদা পুংলরবা মতুংদা, মহাক সহর অহুদা লৈরগে 'খল্লহুনা' বঙ্গদেশ ডাক্লনবগীদমক সৈদ খাঁবু মাগী মচৎ শিনবা ওইনা ...। সৈদ খাঁনা থৌদাং ... যংবদগী মতম অহুগী বঙ্গদেশকী কোত্থং ... সহরদা লৈখি। হৌজিক লানগীদমক থোংশাকল্লবঙদা মানসিংহনা মাগী মচৎশিনবত্থু কৌরক্লে। মতুদা সৈদ খাঁনা, মহাক বর্দ্ধমানদা লাম্নীগা লোয়ননা লাক্তুনা মহাকা উনমগে হায়না চঠি থীনল্লে।

বর্দ্ধমানদ্দগী মহারাজনা উবে, সৈদ খাঁ লাক্ত্রে, মহাকী দূত অমখক লাক্তুনা, 'সৈদ খাঁদি লাম্নীনচিংবা থোক্পা হোৎনবদা য়াম্না থীরবা তাসা লৈবে, কবি অমুক হায়গনি, 'লাম্নীনচিংবদু লেম শাবা লাক্লবদা মোংঘু-থা ফাওবী মৌবগা থাই, মরম 'অহুনা' মহারাজ মানসিংহনা কমিজবা মোংঘু-থা লোইবা ফাওবতং নাংশঙ শারগা ডাইত্তনা লৈখিল্লবদি, মহাক মোংঘু-থা হেক লোইবগা লাম্নীগা লোয়ননা মহারাজগী নাক্তা থুংজরমনি হায়না পাও হায়রবে।' কীওম অদুদা মহারাজ মানসিংহমু 'মহাক্তা' হায়রকপা মতুংইন্না দাককেশরগী মপান্দা কাননডঙ শারে। মফম অহুদা সৈদ খাঁবু ডাইত্তনা লৈরে।

মফম অহুদা লৈল্লিংদা' মহারাজনা যীগী মচিন্দগী, কতলু খাঁনা মহাকী তনীজানবত্থু উত্থনা মরাই কাবা হেনগৎলক্লে, য়াম্না থৌনা 'মনা যাল্লাযগলগী থোইনা পংলাশ লাপ্তবা মফমদা লাম্নী পুহুনা লাক্লগা, লুটনচিংবা তৌরগে হায়না

তাবে। মসিদা মহারাজ অহু মপুংসিং লাংতক্লবহুনা য়েক্লবা তেঙ্গোলনা হায়া করি পাঙথোকপা লাক্লিবা, করি তৌরিবা, পাওশিং অসি অয়েক্পা থঙনবগী-দমক মহাক্না অথোইবা দাম্মী লুচিংবা অমবু থাবা চুম্মি হায়না থক্লে। মানসিংহগা লোয়নবা মহাকী চংশিজবা মচা জগৎসিংহবু লাল থাওবা লাকই। জগৎসিংহনা অসি শুবা থৌনা লৈবগী থবক অসি পাংথোক্লিংবত্ত উৎক্নবা, মহারাজনা মহাকপু শগোল তোংবা লাম্মী চামথক্কা লোয়নবা য়েক্লবগী লান-শওলোমদা থাবক্লে। রাজকুমারনা থবক অহু পাংথোক্লগা থীক্লনা হক্লপী। থবব পাঙলগা মাগী লানশঙ তাম্না হক্লকপা মতমদা, লমহাংদা, মাবু পাবিরিব-শিংনা পেংনবিক্লিবত্তনি।

মরিশুবা তাঙ্কক

নহা ওইরিবা সেনাপতি।

তৈনে শরগী মান্দংদগী থোড়লাক্লক্ত্না জগৎসিংহনা মপাগী লানশঙ য়োরক্লবদা মহারাজ মানসিংহনা মচাগী মফমদগী থওলে মত্তুদি, পাঠান লাম্মী লিশিং যাংথৈমক ধবপুর থলগী মনাক্তা লানশঙ শাক্লনা, মনাক্তা লৈরিবা খুলশিং অহুদা লুটনচিংবা য়াম্না তোৌব অমসুং মফম অযাবদা লানবল শাক্লনা নত্রগা লোৌশিন্দুনা মহুগী মতেংনা য়েথায় শিনগাই লৈতনা লৈক্লে। মসি তাবদা মানসিংহনা পাঠানশিংগী ফত্তবা থবক অতু থিন্দনমক থিংবা চুমলে হায়নসি উৱে, অত্তুবু মত্ত পাংথোকপদি তৱাক্ত তগাইবা থবক্তি নত্তে। কবি তৌসিংগে হায়বত্ত পেংপ্লবগীদমক লোতনবক্লিবা সেনাপতি পুরহু পুরপ কৌবগা রারি রাথোং পুরমক দীবে, অতুদগী হায়বকই, "নোংম নোংমগী খুল কয়া, লৈবাক কয়া, হিরীশরগী মখুত্তগী নাহোরক্তে হৌজিক পাঠানশিংবু লাকশিন্দবা চকয়া য়াত্রে, কয়ম তৌবগা মথোগবু লাকশিনবা ডমগংদগে? মথোয়না ঐথোয়গী মীপাংদগীদ হেৎথি, মহুগী মপক্তা অগুক শ্যানবক মহুংদা থুপক্তুনা লাল তৌরকনি, তাদ্দা

দায়থীবা পীবা ওয়েবস্থ মখোয়গী মাঙহনবা অমদি তাংখোলপা হায়বসি ওকচম চম্নবোই, ইবায় লাগনা লানবল মচুংদা মৈখায় খিনগাই লৈতন. কৈথিনি। অদুগা ময়ায়া থনগদবা অমনা, লান্দা কবিগুম্ব ঐখোয়না মাঘথীবা ফংলবদি, য়েন্নবশিংগী লম মচুংদা চংফম লৈতহুনা ঐখোয় পুম্নাঙ মাঙবদা ভাগবনি। অসিগুম্বা মফম চাদবদা থৌনা ফুদোক্না দিল্লীশ্বরগী অমুক য়ামথুনা লান্নীবু মাঙথা য়ানা শীনবা অমসুং উডিষ্যা জয় তৌবগী আশা মরু ফংনা মাঙহনবা হায়বসি ঐগী বাখলদদি চুমদমাল্লে নিংই, সৈদ খাঁবু ডাইবদা মতাই, অদুবু য়েন্নবা লাকশিন্নবা কবিগুম্বা পাম্বৈ অমদি হৌজিকমক লৌথৎফম পোক্কে। মসিদা নখোয়গী কবি বাখল কৈ?

অহল ওইবা সেনাপতিশিং অদু অমতা ওইনা, মতম থবদং সৈদ খাঁবু ডাইথিবনা চুম্মি হায়বসিদা লেপ্পরে। মতুদা মহারাজ মানসিংহনা হায়খই, "ঐনা খল্লিবদি, লান্নী পুন্নমক তুম্না মাঙবা য়াবগী ফীভম অমি তোক্লনা, লান্নী থবদংদা কনাগুম্বা হৈ-শিংলবা সেনাপতি অমগা লোয়নদা য়েন্নবা থেংনবা থাবা অনিনি।"

অহল ওইবা মোগল লান্নী অমথকনা হায়রকই, "মহারাজ! লান্নী লোইননক থারবা কাঙবদা চিংনবা পোক্লবা মথম অদুগ, লান্নী থজিতলনা কবি থবকপু পাংথোকপা ওয়্গদগে?"

মানসিংহনা হায়রকই, "লান্নী থবদং অদু নাগয়োবনা লান্দা চংউ হায়বগী বা নত্তে, মখোয় থবা অদু লোক্লনা কৈনগা খুন্জাশিংদা ওৎ-নৈনদবা পাঠানগী কাংবু থর থবদং অদু নৈহৎনবগী বানি।"

মহু তাবদা মোগল অদুনা হায়রকই, "মহারাজ! শোয়দনমক শিন্নগনি থঙলবা মফমদুদা কবা সেনাপতিনা চৎনিংগদগে?"

মানসিংহনা পিত্তম ওক্কোক্লহুনা হায়রকই, "কবি, লৈবা রাজপুত অমদি মোগলশিং অসিগী মচুংদা শিবা কিদবা কনাগুম্বা অমতা য়াওব্রবরা?"

বা অসি হেক তাবদা মোগোল অমসুং রাজপুত তক্কক তত্নৎথক

হৌগৎলক্তুনা হায়রকই, "মহারাজ! ননাই ঐখোয় চৎকে হায়না থোরাং তৌজরি।" জগৎসিংহসু মহুগী মরক্তা য়াওরম্মি, মহাক্না খুাইদগী নহা মওইরে, মরাম অদুগী ড়ুংগা লেপ্লদুনা হায়রকই, "য়াথং ফংজরবদি ননাই ঐহ্ন দিল্লীশ্বরগী থবক পাংথোক্নবা হোৎনজকগে।"

মহারাজ মানসিংহনা মোমোন তৌরদুনা হায়রকই, "করিগী নৈরোই? ঙসি ঐহাক থগলে, মোগোল রাজপুত্কী মিং অসি মাঙথিগদবা মতম রাংসি। নখোয় পুম্নমক লুরবা থবক অসি তৌগে হায়না চোংথোরক্লে, অদুবু অরুবদি কনাবু থামহৌরগা কনাবু থাগনি?"

ফম্নাইবা অমথক্না নোক্লদুনা হায়রকই, "মহারাজ! মী য়াম্না থবক অসি তৌগে হায়না চোংথোরকপসি ওহোক্না অফবা অমনি। মসিনা লান্মী থাবগী মশাং হুহনবা য়ারগনি। খুাইদগী লাম্মী মনীং য়ামদনা পুদুনা চৎকে হায়বা মীওদা নিংথৌগী থবক অসি পাঙথোক্নবা শিন্নবিয়ু।"

মহারাজনা হায়রকই, "হায়রিবা বাফম অসি য়াম্না ফরে।" অদুদগী অহানবা চৎকে হায়রিবা মীওদা হংলবই। "নহাক লান্মী কথামুক পুদুনা চৎনিংঙে?"

সেনাপতি অদুনা হায়রকই, "থোংগী লিশিং তরামঙা পুরগা থবক অসি পাংথোক্চরগে।"

মহারাজনা হায়রকই, "অদু অসিদগী লিশিং তরামঙা লৌথোকপ্রবদি থোইনা য়াম্না লেমহৌদ্রে! লাম্মী লিশিং তরা পুরগা লান চৎকে হাগবা কনাগুম্বা অথৌবা য়াওরিব্রা?"

সেনাপতিশিং অদু ভুমিন ভুমিন্না লৈনখ্রে। মীমথংদা মহারাজনা চাম্নবা ধশোবন্ত সিংহ কৌবা রাজপুত অথৌবা অমনা নিংথৌগী য়াথং অদু ঙাকচক্নগে হায়না য়াথং নিজরক্লে। মহারাজনা মপরায় হংদুনা মরাম পুম্নমক অদুদা কোয়য়েং য়েংলকই। কুমার জগৎসিংহনা মিৎয়েং অদু চিংশিন্নবা লেপথৎলক্লে, মঙোন্দা মহারাজনা হেক ওনশিনকপদা মহাক্না নোক্লদুনা হায়রকই, "মহারাজ!

নিংথৌগী থৌজাল ফংজরবদি ননাই ঐহাক লাম্মী লিশিং মঙাদং পুন্নরগা কত্নু থাবু স্ববর্নরেখাগী রাংমা ফাম্না ভাম্লোক্লচকগে।"

মসু ভাবদা মহারাজ মানসিংহ অহু পূমঙক ঙকখ্রে। সেনাপতিশিং অহু মুকম মুকম শোম্নবা হৌরক্লে। ঙহাক লৈরগা মহারাজনা হায়রকই,—"ইপাগী ইবুংঙো! ঐহাক থঙই, নহাক্তি রাজপুত শাগেগী থাওমৈনি, অদুবু নহাক ঙমহন্নবা থৌনাদা চংবদি চুমদে।"

জগৎসিংহনা মথুৎ লোম্নহন্না হায়রকই,—"রাশক অসি ঙাকপা ঙমদ্রনা বাদশাহগী লাম্নীবু অৱেহদা মাঙহনখিবা থোক্লদ্রি, ঐবু নিংথৌগী মতিকচাবা দণ্ড পীনবিয়ু।"

মহারাজ মানসিংহনা ঙহাক রাথল অমা তৌবগা হায়রকই,—"ঐহাক নংবু রাজপুত শাগেগী ধর্ম ঙাকপদা থৈথাম্নবা পীসনাই, নহাক থবক অসিগী-দমক্তা চংনবা থৌরাং তৌরো।"

অসি হায়রক্লনা মহারাজনা মিৎলুদা পিগী ঈনা চেম্না-চেম্না কুমাবু চেৎনা কোম্নগা বিদায় তৌরক্লে। সেনাপতিশিং অদুস্ত মাগী মাগী লানশঙদা চৎনখ্রে।

মঙাশুবা তাঙ্কক

গড় মান্দারণ।

বিষ্ণুপুরদগী জাহানাবাদ ভাম্না জগৎসিংহনা হৈক্কপদা চৎখিবা লম্বী অদুগী গুদম থম্না হৌজিক ফাওবা লৈরি। মদুগী থাগোমদা থজিক্কুং চৎলগা মান্দারণ খুল লৈ। মান্দারণ অসি হৌজিক্তি পিক্নবা খুংং মচা ওইখ্রে, অদুবু মতমতদদি মসি চংঙাই যাইফবা সহর অমা ওইরম্মি। জগৎসিংহগা মন্দির মহুৎদা উনখিবা মুপীশিং অদু, মন্দিরদগী থোক্লকগা হায়রিবা খুল অসোমদা লাক্লে।

গড় মান্দারণদা থায়নগী লানবন্দ থবা লৈরম্মি, মথম অসিদগী মসিগী

মমিং গড় মান্দারণ কৌথিবা ওইরবা তাই। সাহরকুপী মহুৎসা আমোদর তুরেল চেল্লি, মকম অমদা তুরেলগী ঈচেলদু অতক্কী মত্তিক খোয়না চেনথ্রে অহুদি, তুরেল অসিনা মপান্দা লৈব্রিবা চুথেক অহুম নাইবা লম মচেৎ অমত্তু মায়কৈ অনি থুংনা কোয়শিন্নুনা থম্মি, অহুমশুবা মায়কৈ অদোমদনা মীনা হক্তুনা শেখা চীংগী লানবল অমা লৈ, চিথেক অহুম নাইবা লম মচেৎ অসিগী মচিন্দা, তুরেলনা থেকপা হৌদ্রকপগী অত্তুবাইদা, চাউরবা লানবলগা কোয়বা দোলান অমথক ঈশিংদগী অতিযা তমা রাংখত্তুনা চীং-লেমা লৈরি। দোলান অসি মথোংদগী মতোন ফাওবা অমুবা ঙংতনা শাবনি, মায়কৈ অনিদনা করবা তুরেলগী ঈচেমা লানবলগী মথোং অহুদা য়েনা য়েনা চেল্লি। ওসি ফাওবা লম কোয়বা মীশিংনা গড় মান্দারণ খুগদা অসিগুম্বা শাবদা রানা থোক্লবা লানবল অসিগী অতেক অকাম মপৈ অহু উবা ফংরিগনি। হৌজিকসু লানবলগী মথা থংবা শরুক অদুমদি লেংদনা লৈরি, দোলানদি মতমগী থোংলৈনা উফুল থোক্লা মাঙহনখ্রে, মকম অদুদা মক্কে পাথী, মাধবীলতচিংবা উ অমসুং উরিগী মপৈনা ঊমং শেমথিদুনা লীল অমসুং শওমনচিংবা শাহিং চাবা শা কয়াগী লৈফম ওইখ্রে। তুরেল রাংমত্তুদা লানবল অতৈ থরসু লৈরম্মি।

বাঙ্গালাগী পাঠান সম্রাটশিংগী কোক্কী লৈচেং ওইরবা হোসেন শাহগী ফাওরবা সেনাপতি ইস্মাইল গাজিনা লানবল অসি শাথিবনি। অদুবু মতমগী থোংলৈ মতুংইন্না (জয়ধরসিংহ) কৌবা হিন্দু লাম্মী অমথক্লা মফম অসি মহাক্কী লম ওইনা ফংলুথি। হৌজিক্তি বীরেন্দ্রসিংহ হায়না কৌবা জয়ধর-সিংহগী মচুনিপা অমনা মফম অসিদা লৈরি।

পাথং ফারক্লখদা বীরেন্দ্রসিংহনা মপাগা তিন্নবা যায়মদে। মহৌশানা বীরেন্দ্রসিংহদি নাপল চাউই অমসুং ফিংই, মপাগী য়াগ্লং করিগুম্বা মতমদতা ঙাকই, মরম অসিনা মপা মচা মতম চুম্মদা থৎনবগী বাক্তাংদা ফাংজহুনা লৈ। মচাবু মতুম পালহন্নগে হায়দুনা অহল ওইরবা নিংথৌ অত্তুনা মনাক মদুদ্রাইদা লৈবা মজাতিগী কনাগুম্বা নিংথৌ অমগী মচানুপীবু হায়রম্মি। মপীগী মপা

অদু মচানুপা পোক্লে, মখয় অসিনা হন্দক্কী লুহোংবা অসিনা বীরেন্দ্রসিংহগী মরল-মথুমদা য়াম্না হেনগৎপা য়ানা লৈ. চপী অসু মশক ফজে, অদুগা অসিগুম্বা ফীভমগী মীগা ঙাই ওইবা ফংবসি অহল অদুনা পায়া অফবনি হায়না থল্লে. মহাক খিন্দনমক লুহোংবগী শীল-লাঙবা হৌথরে। অদুবু বীরেন্দ্রসিংহনদি শাওনিবদু কনিনভা খোশাবা তৌদনা মহাক্কী মরেক্কাইদা লৈবী মপুরোয়বনা হন্না য়েংবিরদবী লাইরবী চপী অমগী মচানুপীবু লোয়না লুহোংহনা অমুক লুহোংসি হায়বা য়াদ্রে। অহল ওইরবা মপানা শাওরদুনা মচাবু মমুমদগী তাহোকখ্রে, মপাগী মমুমদগী তাহোক্লকপদা লালগী থবক ত্রগে হায়না পাথং অদু দিল্লীয়োমদা চৎখ্রে। মহাক্কী চপী অদুদি মতম অদুদা মশা-লুম্বী অমা ওইরদুনা পুদুনা চৎপা য়াদ্রে। মহাক্কি মমাগী মনাক্তা অদুম্মক লৈহৌদে।

অসোয়দা মচানুপাবু তাহোকখরবা মতুংদা অহল ওইরবা নিংথৌ অদু মচা কায়নবগী মৈচাক্কা থম্মোইচংগী অনাবা অমা পোক্লে। মহাক্না তৌজিনবদু নিংচম্মক্তনা মচাগী পাও ফংনবা কন্না হোৎনরক্লে, অদুবু হোৎনবা পুম্নমক অরেম্বদা তাখ্রে। মচাবু অমুক হন্না পুরকপা ঙমদ্রবদুদা মাগী মচৎ শিনবা ওইনা মখোয় অদুবু, লাইরবা মমাগী য়ুমদগী তরাম তরান্না মচাক্কী মমুমদা পুশিল্লে। মতম চানা বীরেন্দ্রসিংহগী চপী অদু মচানুপী অমা পোক্লে। মচা পোকপা মতুং চহিৎ খরা লৈরগা মমাদু লোক্লাখ্রে।

বীরেন্দ্রসিংহনা দিল্লী লৌরগা মোগল সম্রাটকী মথাদা লৈবা রাজপুত লান্মী মরক্তা নাল তম্বা য়াওরে। খোঙনা শংকুচ কুতনা মপানা হৈ-শিংহবনা অচৌবা ফম ওইরে। বীরেন্দ্রসিংহনা চহি খর লন-থুম অমত্তং যিংচৎ তাহদা মতুংদা মপা লৈতবগী পাও ফংলে। হৌজিক্তি অমুক লম কোয়বা নত্রগা য়ৌগী মথাদা থবক তৌদুনা লৈবসি কায়দ্রে হায়দুনা মমুমদা হল্লক্লে। বীরেন্দ্রসিংহনা দিল্লীদগী খোংলোয় য়ান্না লোয়নরক্লম্মি। মতুগী মতংদা মাগী মনাই চপী অমগা পরমহংস অমগা য়াওরম্মি। য়াদি অসিদা মীশক অনি অসি থউবগী

কাররবা লাকনি। মনাই চুপ্পা অতুগী মমিংনা বিমলা কৌই, পরমহংস অতুগী মমিংনা অভিরাম স্বামী কৌই।

বিমলাদি ইমুং মচুংদা খবক ইংথাং তৌদুনা, মরুওইনা বীরেন্দ্রসিংহগী মচাচুপী অদু পীজ-পীথক্তুনা অমতং ভাক-লেন্দুনা লৈরে, অসি নত্তনা লানবল মচুংতুদা বিমলানা লৈবগী অতে মরম থোইদোকপা অমা উদে, মরম অদুনা মাদু মীনাই চুপী কৌবদা তারিবনি, অদুবু বিমলাদদি মীনাই চুপী অমগী মীতম হায়বদু করিমতা পক্তে। মুমগী মবেম্বা ওইরিবী অদুগা চপ মান্নবা বিমলাসু ইমুংগী মী অতৈশিংনা ইকাইখুম্নে, ইমুংগী মী পুম্নমক মহাক্না হায়বদা ইল্লি। মমায় মাগথোং অদু উবদা বিমলাবু মথোন কাররকপগী মতমদা মান্না ফজবী অমা ওইরমগনি হায়রবসি হেক্কমক খঙনৈ। অমুক্তা থাজনা নোংচুপ চীংমায় তম্নকপগুম শক্তী নিংখিজবদু চহি মতাং অসিদসু লৈরি। গজপতি বিদ্যাদিগগজ কৌবা অভিরাম স্বামীগী চেলা অমথক লৈরম্মি, মহাক অসি অলঙ্কারশাস্ত্র খঙলবসু খঙদ্রবসু তাবদা পুক্লিং ঙৈবাং হৌহনবা বাঙাং ভাংবদা মান্না পামজে। মহাক্না বিমলাবু উবদা হায়, "মপীসিদি চফুদা তুঙবা যীগুম্নে, ঙৈরাংগী মৈরিনা অতম অদুগা ইংথরমগা, হকচাং পুম্না নৌহৌনা অমুক তেকথৎলক্কে।" মতাং অসিদ হায়হৌবনা চুম্মি, গজপতি বিদ্যাদিগগজনা অসিগুম্বা ঙৈরাংগী বাঙাং ভাংবদা হৌরিবদগী হৌনা বিমলানা মহাক্কী মমিং— "রসিকরাজ রসোপাধ্যায়" হায়না থোনখ্রে।

মিৎয়ে নাংংগুত লহৈ। বিমলাগী হৌবদা থবা অমহৎ বাঙাং থোনফম চুংশিবগী মরমদা মীপুম্না, ইচাং খী মীনাইচুপী অমনা মত্তম্না থক উক্ফম পোক্কে হায়রবা মৌনা কজনা ভাংনৈ। অদুগা অগাম্বনা বিমলাদি মোগল সম্রাটকী কোচংদা লৈরবীনি হায়নসু হাবনৈ, রাজক অসি অচুম্বরা অরানবরা হায়বদুদি বিমলাতনা খঙই, অদুবু মহাক্ক মচিগী মরমদা কৈদৌঙংদা রারি অমা কাওবা শাদোক্কে।

বিমলা অসি কুম্নারা নত্রগ, মপুরোয়বা লৈবীরা? মত্তুদি কনানা খঙগনি?

মহাক লিক-কোল অহুম মশি, একাদশী চপ্পা হেন্দে, মপুরোয়বা লৈবী অমনা চৎপা শাজৎ পুম্নমক অহুমক চৎলি।

লানবল মপুগী মযোমলোই তিলোত্তমাবু বিমলানা মথৱাম্মক মাঙনা হুংশি হায়বসি মন্দিরগী মতুংদা উৎথ্রে। তিলোত্তমাসু বিমলাবু মহুগা অমহা ওইনা লুনা চান্না তৌই। বীরেন্দ্রসিংহনা লোয়নরকপা অভিরাম স্বামী হায়বহুমদি মতম পুম্নমক্তা লানবল মতুংদা লৈতে, মরক মরক্তা নম কোয়বা হেক হেক চৎলি। থা অমা অনিনা গড়মান্দারণদা, থা অমা অনিনা লংকৈদা কোয়না চত্নুনা লৈ। কোন্থং মতুংগী মীনমু অহুগা শতৈ অতোম্না মীশিংনসু অভিরাম স্বামী অসিবু বীরেন্দ্রসিংহগী দীক্ষাগুরুনি হায়না থাজনৈ। বীরেন্দ্র সিংহনা মহাকপু ইকাইখুম্নবা অমসুং লুনা লোয়নরিবা মরোমনা অহুনসু হায়রিবা ৱা অহু চিংনদম লৈতে। অমুক কনি হায়নি, ইমুং-মচুংগী থবক্তচিংবা ফাওবদা অভিরাম স্বামীগী ৱাহৈ লোয়দনা থক তৌদ্রে, অহুগা গুরুনা তাকপিবা পুরসু অয়াম্বনা মঙ্গল ওইগনি : অশুইবমক অভিরাম স্বামীদি তুংগী পোৎশম নাম্না উবা অমসুং লৌশিং মাঙ্গা লৈবা মী অমা ওইরম্মি, অদুগা মহাক মশাগী ব্রহ্মচর্যনা সংসারগী হিরম অমাম্বদা পুকচেল থাবদা, ওয়ম্মি, যৌনগী মতুংইন্না তুংঙাইতবা শাওনিংবা পুম্নমক কাংথুনা নৈনগদনা হিরমশু মপুরিং তম্না নৈনবসু ওম্মি। থীতম অসিদা, ফিংগমবা নাপল চাওরবা বীরেন্দ্রসিংহনা খনবা ৱাথলদগী, মহাক্কী ৱাথলনা হেন্না মথৈ য়ানখম পোকই হায়বদা, কম্রি ওকখম লৈ?

বিমলা অমসুং অভিরাম স্বামী নত্তবা আশমানী হায়না কৌবী মীনাইনুপী অমসু বীরেন্দ্রসিংহগা লোয়ননা লাকমিন্নরম্মি।

তরুকশুবা তাঙ্কক

অভিরাম স্বামীগা ৱাতান্নবা।

তিলোত্তমাগা বিমলাগা শৈলেশ্বরগী মন্দিরদগী মৈথায় থিজাই লৈতনা লালখন তাম্না হল্লক্লে। এল্লকুবা মতুং চমিং হুম্নি মরিনি লৈবগা, বীরেন্দ্রসিংহনা লোইনা মহারাণী দরবারগী শঙগী সিংহাসনদা ফমদুনা লৈরিঙৈদা অভিরাম স্বামী লংলকে। বীরেন্দ্রসিংহন হোৌগত্তুনা দণ্ডবৎ তৌনা থুরম্লে। অভিরাম স্বামীসু বীরেন্দ্রসিংহগী মখুৎমক্তা পাবা কুশলগী আশীর্বাদ চংতুনা ফম্লে, অদুদগী মথং খংলদুনা বীরেন্দ্রনা অনুক ফম্না ফমফমদা চংতুনা ফম্লে। অভিরাম স্বামীনা হায়রকই, "বীরেন্দ্র! ঙসি নহাক্না চাংনগদবা অরুবা ৱা থম্মা লৈ।"

বীরেন্দ্রসিংহনা হায়খকই,—'তাকপিয়ু।"

অভিরাম স্বামীনা হায়রকই, —"হৌজিক মোগলগা পাঠানগা অকনবা কাপ্প থিংদনবগী থৌনগদোইয়ে।"

বী। হোয়, মতুঙ্গ করিগুম্বা য়াম্না ফত্রবা থৌদোক অমা থোক্লবা য়ানা লৈ।

অ। অওইবনি—হৌজিক নহাক করি তৌবদা লেপ্লে?

বীরেন্দ্রনা নাপলগা লোণননা খুল্লকই, "য়েক্লবা য়েরক্লবদি পাম্বোমগী পাক্কলনা মাংখীবা পীননা হোৎনগনি।"

পরমহংসনা য়াম্না ঈংখন' হায়রকই, — "বীরেন্দ্র, হায়রিবা অদু নহাক্কা অথোবা অমগী মতিক চাবা পাওথুম্নি, অদুবু থম্মগদবা ৱাদি, থৌনা ক্ষত্রনা মাংপাকফম লৈতে, মরম চানা লৌদি তৌরগদা শকবা ওইগনি। নহাক নপ্যাদি অথৌবশিংগী চুচিংবা অমনি, অদুবু নংগী লাম্মীদি লিশিং অমরোমদনি, করম লাম্দ থৌবা মীনা লাম্মী লিশিংমুক্তং পুরগা শরুক চাম্বা হেনগ্রবা লাম্মীবু মায়থীবা পীবা ঙমগ্রবগে? মোগল পাঠান নাকল অনিমক লাম্মী মশীংদি নঙোন্দগী শরুক চাম হেনগ্রনা ফাকনি, নাকল অমগী মতেং নতুনা অতোপ্পা

নাকল অমগী মথক্তগী কনফম লৈত্রবনি। ঐনা থ' দ্রিবসিদা শা'শন। তৌগদ, পুক্লিং তপথনা মন্নুক্রা থক্কো। অদুগা বাফম অমনা, . . ক অনিমক্তা য়েংথিনবগা কদি কাম্নফম লৈ? য়েক্লবা পদা হায়বসিমক্ত থ ইঙ্গৎ ফংবগি, অদুবু য়েক্লগা অনি থক্তী মলক্তা অমতমক থবনা ফক্ত? অদুগা, ঐনা দুংথগদা অমগা মীচংদা লেপ্পনা কৈ।"

বীরেন্দ্রসিংহনা মামনা কুইনা তুমিন্না লৈক্লমবগী মতুংদা হায়রকই,—"কয়দা মায়কৈদা লেপ্পু হায়না তাকপিরিবনো?"

অভিরাম স্বামীনা খুন্নকই,—"যতো ধর্ম্মস্ততো জয়ঃ—মীচং ওইবদা মরানবা পোক্লবা মায়কৈ অদোমদা য়েংউ, নিংথৌগা য়েক্লবদি মহাপাপকী মশক্কি, নিংথৌগী মায়কৈদা লেপপু।"

বীরেন্দ্রনা অমুক হন্না মায়া রাখল তৌক্লবগা হায়রকই,—"নিংথৌ হায়রিবসিবু কনাবুনো? মোগল পাঠান অনিমক নিংথৌ ওইতম মুরাবনি।"

অভিরাম স্বামীনা খন্নকই—"খাজনা লৌরিবা মী অদো অদুনা নিংথৌনি।"

বীর। অদুদি আকবর শাহ তাবে?

অভি। মানি, মহাক্কি।

বা অসি তাবদা বীরেন্দ্রসিংহ অদু মায়পোং মকশিনক্লে, অদুদগী মমিৎ অদু ঙমুক ঙাংলক্লে। অভিরাম স্বামীনা মতৌ অদু উবদুনা হায়রকই,—"বীরেন্দ্র! শাওশিগদ;—ঐহাক্না হায়বদি নহাক দিল্লীশ্বরগী মাথং হন্নু হায়বনি, মানসিংহগী মাথং ইন্নু হায়বা বা নত্তে।"

বীরেন্দ্রসিংহনা মখুৎ য়েৎথংবদু তিংথাক্লকুনা পৃথমহংসদা উৎলক্লে, মখুৎ য়েৎ অদুদা ওইথংবগী খুদোঙ্গানা থিজদুনা হায়রকই,—"খুদা বধাল অদুগী আশীর্ব্বাদনা ঙখুৎ অসি মানসিংহগী ঈনা তৈত্তেংজনদৌরিবনি।"

অভিরাম স্বামীনা হায়রকই,—"তপথখো, শাওদনা খুমহংথিজনা নপাগী কামগদবা মাওহনশিগদ, মানসিংহনা চৎথিবা মপাক্সীদমক্তদি লোয়দনা দণ্ডি পীনবা তৌ, মদুগীদমক আকবর শাহগা লান লোক্লগা কদি কামগদগে?"

বীরেন্দ্রনা অপাংবগা লোয়ননা হায়রকই,— "আকবর শাহগী মীচংবু হুনবদি করম্না সেনাপতিগী মথাক, নৈতুনা লান শোক্লবদা তাবগে ? করম্না মোগলগী মতেং পাংগদোক্নিনা ? অনাগী মাথং তাকপদা তানিবা ? মানসিংহগী ! গুরুদেব ! খরায়মি, নোমিমদেন খবক অসি বীরেন্দ্রসিংহনা তোৌবা ওইথোক্কবনি।"

অভিরাম স্বামী অসু মখোয় হংজাইতনা তুমিন্না লৈরে। মতাক লৈরগা অমুক হংলকই,—"অসু ওইরবদি পাঠানগী মতেং পাংবনা নহাক অকবনি ওইরবা ?"

বীরেন্দ্রনা খুমকই, "মীচং থনবা অদিনা অকবরা মতাম্রবরা ?"

অ। উয়, মীচং থাগৎলবনা থুগাইদগনি নৈ।

বী। অদু ওইরবদি ঐহাক পাঠানগী মতেং পাংবনা অগানি থক্কে।

অভিরাম স্বামীনা ওপাক্লরগা মালেমগী থোক্লগা অমুক হয়া তুমিন্না লৈরে। মাগী মিৎমুদা পিগী ঈশা চেলকে। মতু উবদা বীরেন্দ্রসিংহনা হায়কম থক্লেনা চক্তুনা হায়রকই,—"গুরুদেব! নানাইবু তাকপিয়ু, ঐহাক্না থক্লবদগী করম্না ইখাল লৈতক্লবগে তাকপিয়ু।"

অভিরাম স্বামীনা এবরা কিচুম্না খিজিনা মমিৎ তৈথোক্লগা হায়রকই,- "পুক্লিং চংনা তাও, ঐনাং কমিৎ শয়ানিযুক্ত চুপ্পা পাক্কী হোৎলুনা লেংনবনি, নক্ষোকশী নংগী নচাদুগী ভাসবুনা ঐখাক্না শাম্বা চংশি, মঙ নংগী থক্লিনহনি, মচুগী ঐহাক মাগী মওয়াং মথক কগা খোক্লা হোৎলুনা লেংলে।"

বীরেন্দ্রসিংহগী মমাংদা থংমম-মকশিনরে, লাংতক্নবগা লোয়নন। —ধ্বংসদা হংলকই,—"পাক্কী হোৎশদা করি থেংনখিবগে ?"

পরমহংসনা হায়রকই —"মতম ঐনা খেংনবদি, মোগল সেনাপতিগী মচুতা তিলোত্তমা অসি থেং লৈতুনা অরাবা ফংগদবা নৈ।"

বীরেন্দ্রসিংহগী মাংথোং অদু মুক্তক মুপিনরে। অভিরাম স্বামীনা অমুক হায়রকই,—"মোগলশিংগী ঐখোয়গী মাবমোক্তা লৈরবদি মচুনা তিলোত্তমাগী

খুদোংথীবা থোকপা য়াই, অদুগ" মীচং ওইরগনা থোকহনবা য়ানা নৈ, মরম অদুদগী ঐহাক্না নংবু মোগলগী মীচংদা য়াও হায়না তকনবনি। বা অদি ঙাকথোক্তনা ঐহাক নংগী নথবাম ফংঙাইতবা পোকহনিংবনি, অদুগু মীওইবনা মনা হোৎনজহনম কারবা নৈতে; লাইবক্তা চৎনবা অদু থোকপদু মতাঙ্গবারে; নত্রবদবু নহাক কম্বিগী অদুক কন্না নপুক্নিংদু লেপখম থোকই?"

• বীরেন্দ্রসিংহ ঙুমিন্না লৈরে। অভিরাম স্বামীনা হায়রকই,—"বীরেন্দ্র, মথোঙদা কতদু থাগী দূত ঙাইহনা লৈরি, ঐহাক মাগী মশক উবদগী নংগী ননাক্তা লাক্লিবনি, ঐনা থিংলবা মতুং ইন্না থোক্পগুবশিংনা হৌজিক ফাওবা য়াহাকপু ননাক্তা থাজিন্নবিবনি। হৌজিক্কি ঐনা হায়গদবা লোইরে। চতপু কৌশিন্নগা পাওখুম পীরো।"

বীরেন্দ্রসিংহনা চংশাম্বম মশী হোন্না হোন্না মকোক থাগৎলক্তনা হায়রকই,—'গুরুদেব! তিলোত্তমাগী মশক উবগদিবমথৈদি ইহাক ইচ ওমীনি হায়হনক্ত য়াহাকপু নিংনা ফাওনা নিংশিংলমদে, হৌজিক্তি তিলোত্তমা নত্তনা ঐগী অমুক সংসারসিদা কনামতা লৈদে, তাকপীবা নগাথং কাকথক্তা হাপচবনি, ওসিদগী হৌনা মমাংঙৈগী বাকম পুন্নমক কাওথোক্চবনি; মানসিংহগী মন্নাক ইন্নগনি, থোক্পগুবশিংদা দূত পুশিন্নবা তাকপিরো।"

য়াথং ফংলক্লা থোক্পগুবনা দূত পুশিন্নরে। দূত অদুনা কতলু থানা পীবকপা চিঠি লানশিল্লে। চিঠি অদুদা ইন্নক্লিবা মপোলদি, বীরেন্দ্রসিংহনা শগোল তোংবা লাম্মী লিশিং অমগা সনা মোহর লিশিং মতাগা পাঠান লানশঙ্গা থাবিন্নরবনি, নত্রবদি কতলু থানা লাম্মী লিশিং কুন গচ্ছাপায়দা থারুলি অসিনি।

বীরেন্দ্রসিংহনা চিঠি অদু পাবগা হায়রকই,—"দূত! নঙগী নবুংহোদা, মহাক লাম্মী থাবিন্নকপা য়াগনি হায়রু।" দূত অদু মরু লুকথহনা চৎলে।

বা পুন্নমকসি মরম অমনা লৈহনা বিমলানা মকোক্তগী লোইবা ফাওবা তারে।

ওরেৎওবা তাকক

চেকশিন্দবা

লানবনগী মখোঃ চামথোক্লদুনা আমোদর তুরেলনা শ্রোং শ্রোং লাওনা চেল্লিবা শরুক অদুগী লোলানগী কা অমদা মিচ্ছৎথোও ময়াদা কয়দুনা তিলোত্তমাঃ। তুরেল ঈশিংগী ঈথক ইপোম অদু য়েংদুনা লৈরি। দুমিৎ তাররদাই য়েলিরক্লে লোংচুপ থংবা অতিয়াদা লৈথরক্লবা কোয়োৎহনবগী চায়থরক্লবা মশেন। লৈবদ। লুপা কুপোংবগুম ঙৌরবা নোংগী মচৈ অদুগা কোয়না, শংবায়রবঃ অতিয়াগী মমি অদু, ঈচেল কররবা তুরেলগী লাইজংখ্রদা তনিক তনিক্লা তারি, তুরেলগী তোর্বানদা লৈরিবা হাংলবা লোলান অমসুং শাংলবা উজাওশিং অদু'ত্তক তকররবা অতিয়াগী কিজংদা অয়েকপা লাইগুম্না উরি; লানবল মদুগা লাহোং, কাওনচিংবা খোঙেল হৌররবা উচেকশিংনা মথরায় হয়াওনা খোংলি, দুমিৎ তাশিনরকপা অদু উবদা য়ায়েককম থিরক্লবা চেক্লানা কপ্পি কপিরবা মকমদা শংবায়রব। অতিয়াগী মথাদা মখোল খোক্কনা পাইরি, হৈনৌ মমবু হাই হয়রমগা, আমোদগী লাইজগা য়াওনমিররবা ইংলবা কালেনগী হুরশিংনা, তিলোত্তমাগী চোইজাইনরবা শময়াং অদুবুসু, অদুগা লেংবানথক্কা য়াল্লিবা পাররবা নমথা অদুবুসু, তনিক তনিকহল্লি।

শক-চু চংথোররবী তিলোত্তমানি। পাবিরিবা নহাক কপিরবা মতমদা, হৈনথৎলকপা চহি মতাংদা, কনাগুম্বা য়োংহানবী, তম্বী, পুকচেল ইংলবী মখোক তাথকপী হুজাগী, নৌনা মঙাল শন্দোররক্লিবা নিংথিজবদু, হুপি মিৎয়েংনা য়েং বিথিবা য়াওরবরা? অমুক্তং উথিবদা পুন্সিচুম্না মহাক্তী নিংথিজবদু কাওবা ঙমদবা, নহা ওইথিরৈঙদা, মখোক কাবরকপদা, বাচোই ওংলরবা চহি মতাংদা, থরুক্ত গুন্নিরৈঙদা, পোথাক্লিরৈঙদা, মীরুপ খোক্লিরৈঙদা, ফুরিরৈঙদা, হয়া হয়া অকুপ্পবী ওমহৎনবগী মশক ওইরবী শক্তমদু, নিংশিং নংলদা মঙঙাঃ

ইতস্ততনা কাত্ত-কাম্লা চৎলবী, অদুম ওইত্তুনম্ মাগী মমমদা, কম্রিগুম্বা মতমদা পুক্লিংদা ফংভবা অমকপা বাখল্দি পোক্তবী, অত্রগুম্বী নোংগ্রবী হুক্তা উবিখিবা লৈরবরা ? করিগুম্বা উবিখিবা লৈরবদি, তিলোত্তমাগী মওং মতৌ অদু ময়েক লানা থম্মোইদুদা ফাওবিবা ঙমগনি। মাগী শক্তমদি ফজবগী মচাল-না মাকমনখিজ্জনা পুক্নিংবু পুমচাক চাকথেকহনবা, বাঙাং শাখেক-মিৎয়েংদা থৈ-শিংমনখিবনা থম্মোইচংদা হুগী মাখুল থবা, অদুগুম্বা শক্তম অদু নত্তে; মহাক্কীদি খোৎ-নোমবা, নিংথিজববা, নোঙ্গকপা গুম্বা থম্মোইবু অপেনবা পোকহনবা, অদুগুম্বা শক্তমি। মাচংবগী নামিবনা মৈবদা থেম্বা-নোংবা থাংজবী, বসন্তগী উবিগুম, নিংশিং ঈপাক্তা থাই হুম্নিবী অদুগুম্বা নিংথিজববা শক্তমা মহাক্কী ওইবীনি।

তিলোত্তমাগী চহি তরাত্তেক্কু হায়রক্লে, মরম অদুনা মাগী শাওং-শাদা অদু শাঙেপ ফাববী হুপীশিংগী মতৌগুম্বা হৌজিক ফাওবা মপুং নিংথিনা ফাত্রি। শাবান্দা অমম্বুং শকতমদা হাইকেৎ অঙাং ওইবগী মতৌ লৈদি। নিংথিজবা কোইরপ তোবা লাইবক অদু ঈপাক পাক্তবত্ত নত্তে, অদুগা লমহেম্বা পাকপত্ত নত্তে, অহিংগী থাজনা লৈত্তেলবা তম্বেলগুম্বা চিক-লেম্বগী মতৌ ফোংদাক্লি, মতুগী মপান্দা হৌরিবা মুরবা খোইরপ তোমবা শমলাংশিং অদুনা পিত্তমদা, লাইবক্তা, থজাইদা, লেংবান্দা ফৈক থক্তা ইশন-শন্না তাম্নি; নুখমলোমদগী মুরবা, শমলাংশিং অদুনা মুক্তা পল্লেংনা থৎলোন হৈনা লোম্নি, লাইবক্তগী হাইথমকপদা লৈখিবা পিত্তম অনিদু মুশিন মুনা, মক্তোয় মায়না লাইমেকপনা চিংবত্তম তোমবত্ খজিক্কং পিকপত্তম তোই, শম্বা এফৈ অথজং হেম্বা পাক্লমবদি কবিমতা ডাংকম লৈমখোইদবনি। শাবিরিবা নহাক, ওথক্ত ওথকপা মিৎকম শাখিবরা ? অদু ওইরবদি তিলোত্তমাদি নংগী পুক্নিং ভাবী হায়বদু ওইখ্রোইং। তিলোত্তমাগী শমিক্তি মায়া ইংই, মহুদা নোংথাংগী এক্তাশক্তমা মিৎ থকহনবা মিৎলেং লৈত্তে, মিৎ অনিদু কোয়মাওনৈ মিৎ মওং মায়া নিংথিজৈ, মায়া ইংলবা মতালনা লৈত্তেই। অদুগা মমিক অদুগী মচুনা চিংথৈ হৃদকপগী কোবৌ

মচাল ফাওরকদবা হাইকেন্থং রাংলিঙৈ, থাজনদি নোংচুপ মায়কৈ পাংলক্লবা মতমচদা অতিয়া অসিদা মেংলবা নংবারবা মচু অমা ফাওরকপা অদুগা পাংথক্লি, মথক্লবা তিলোত্তমাগী কোয়রাওনববা, নুংবা মিৎ অদুনা য়েংলকপদা করি-ত্তবা অখোয়বা মিৎয়েং অমত্তা য়াওদে, তিলোত্তমাদি হয়ানস্থলা হাইকেৎ মিৎচিনা য়েংবা হায়বসি থৈদে; মাগী মিৎয়েংদি অমকপা পকত্রবা ইচম চথনি, মিৎয়েংস চম্নি, পুক্নিংস চম্নি, অঙবু কনাগুম্বা অমনা মত্তোপ্দা য়েংশিল্লক্লবদি, পদকতুমক্তদা পাবব। মিৎপান অনি অদু তুকথখি, মতম অদুদা তিলোত্তমানা লৈমায়থক নত্তনা অতৈ অতোপ্পদা য়েংবা লৈতে। চিনবাল অনিহু তঙাং তঙাংই, চাংনপ তোনা তম্বং তবংই; হাইকেৎ হাইকেৎ, য়া কাবগুম কাদবগুম, মো-মোন মোমোনতমক নোদই, চিনবাল অদুদা নোকপা অমুকংবু উঙ্কবদি মেগীবু থইরবস, মুনিবু ওইরবস, পাখংবু ওইরবস, হত্তবু ওইরবস, কাউবা গুবা থমুক লৈত্রে। অদুগা মিনোক অদুদা ইচম-চম্বা অঙাং ওইবগী মতৌ নত্তনা অতৈদি করিমত্তা য়াওবা নত্তে।

তিলোত্তমাগী মপা অহু শাওং শাদা ফজরবস মপুং ফাবমক্তি থোকত্রি; চহি নৌরিবগী মগ্নবু ওইরবস, হৌরকপা শাওংগী কাইদানবু ওইরবস, নিংথিরবা চকচাং অসিদা অঙাংদা নত্তনা অনোয়বগী ফিতমদি তকয়াও য়াওদে। অদু পত্তনস তোদানবী শাবানত্থা মফম চানা চানা অক্লমক চুং-ফিরানদি চায়। পুথুম হয়থরকপা থুদাংদা মশিংগী থুজি, পুহুম তাবা পাযোমদা হীয়া হৎলবা পান, পুদুনবা থুদোখীদ। থুলোপ, পুহুম তাবা খাংদা মেথলা, ফিত্তম ফজরবা থবাক থক্লা সনাগী শিকয়াম, ফজরব ওকপমদা মণিগী পমেং, মফম পায়বক্তা ফজবগী ফজবা ৬ ৰু।

তিলোত্তমা মথক্তা মি-ংখাত্ত ময়াদা কমনত্থনা করিদি তৌরি? চথিৎ ৩ ঋমদাহ অতিয়াগী ফজবহ নেংনিবরা? অত্তওইরগনা লৈমায়রোমদা মিৎকয় শক্লিবদি করিগীনো? চুরেল মপান্দা হৌবা চৈ-লৈগী মনম চুমবা ইংলবা হুংশিৎ নাংলিবরা? অহু ওইরগদি নাংবক্তা হয়াং মরিক মরিক শক্লিবদি করিগীনো?

মমায়গী নাকল না-মতং নত্তনা অতৈদি ছুংশিৎ য়ৈদে। মণশিংনা শজিক চাবত্ত য়েংলিবরা? অছুম্বা নত্তে, মণবী পুদা মথং মথং শক্তোলতবা কান্নরে। কোকিলনা খোংবা তারিবরা? অঙুদি মমায় মায়থোং অতুক নাংশিল্লিবদি কল্পিগীনো? তিলোত্তমাদি কল্পিমতা শুকয়েং য়েংদে, কল্পিমতা শুকতা তাদে—রাখল তৌরি।

মনাই হুন্নীনা থাওমৈ থাকত্তুনা পুশিল্লকে। তিলোত্তমানা রাখল তৌবত্তু তোক্তুনা লাইরিক অমা পায়রহনা থাওমৈ মনাক্তা চংঙক্তুনা ফমরে। অভিরাম স্বামীগী মকমদগী সংস্কৃত তমহনা তিলোত্তমাম্ব লাইরিক পাবা ঙম্মি। মানং পায়রিবা লাইরিক্তু কাদম্বরীনি। ঙহাক পায়গা খোয়রাং খোয়মশাওরক্তুনা কাদম্বরী অদু থমে। অদুদগী লাইরিক অমা অমুক পুথোরে, মরক্তুনা লেংবা বাসবদত্তানি, ঙহাক পাই, ঙহাক অমুক রাখল তৌই অমুক পাই অদুদগী অমুক রাখল তোঙানবা অমদা লুপ্নি। বাসবদত্তা অদুম্ম পানিংঙক্তে। মহু থমগা গীতগোবিন্দ অমুক পায়রে; গীতগোবিন্দত ঙহাক পাদদা চংঙাইরে; অমুক পাথরকপদা টিকাইবগী মিনোক অমা হাইরেংৎ নোক্লহনা লাইরিক অদু লংথোকখ্রে। অদুদগী থবক তৌনিংঙাই লৈতহন ফনুং মথক্তা কাথত্তুনা ফমলে। মনাক অদুদা মুকছুগা কলমগা লৈরম্মি, মপুন্নিংদা খোইনা খোঙ্গহংলুবা তৌদনা মহু লৌরগা কাংথোলগী উপাদ অদুদা থোকউ থোকউবা "ক" "স" "ঙ" মুম, খোঙ, উ, দৌ অঙ্গিনফিরবা পংইদা ইবা হৌরক্লে. অসুম ইশিল্লকপনা কাংথোলগী মমায় অহু মুক্ত পুথৈত্তে তৈরে, ইনবা মকম লৈরক্তুবরমদি মহাক অনা তাবরক্লে। মহাক তৌনিংলছু উবদা মথক্ত হাইরেং নোক্লকে, মহাক্না ইবিরশিং অদু কল্পি কল্পিনো হায়রুনা নোক নোক্না পাব হৌরক্লে। কল্পি কল্পিদি ইবে? "বাসবদত্তা", "মহাশ্বেতা", "ক", "জ", "ই", "প", উ অমা, সে ছুতিগী শিব, "গীতগোবিন্দ", "বিমলা", উন্নি, উনা। চৌইগ্রং পাজং, লানবল—এঃ মাংলেদনা, অতৈদি কল্পি তমরে—

"কুমার জগৎসিংহ"

ইকাইখিবনা তিলোত্তমাগী মায়থোং অদু ঊচপমুক ওংখ্রে। অপঙবী! ইমুংদুদা মীতোপ বনা অমা লৈফনা ঊকাইরিবনো?

"কুমার জগৎসিংহ!" তিলোত্তমানা অনিয়ক, অহুমলক, হন্না হন্না পাবা হৌরক্লে, খোঙলোয়দা অমুক লেংই, অমুক হন্না হেক পাই; অমুকসু লেংই, অমুকসু পাই, হন্নানবনা হন্নানবা চংবদু-মথায়নে।

শাংনা কুইনা অমুক পাবা কিশিলক্লে, কনাগুম্বনা কোক চংঙক্‌না ঊবি-গদ্রা খল্লে। তমিং তক্লিংনা ঊশিং লৌকহনা ইরিবদু চামখোক্লে; চামখোক্লবা ফাওবদা মপুক্লিংদা পেল্লে, কৌনা অমুক কন্না তকখোক্লে; অদুগা অমুক পাক্‌না লেংই; মুক্তী মখি ফাওবা পকল্লে, অদুমকপু হৌজিক ফাওবা পাবা খোক্লিবগুম খল্লক্লে, অমুক ঊশিং লৌকহনা চামখোক্লে, কৌনা অমুকসু হন্না নাম্বোক্লে, অদুকাওবদা ইক্কনা লৈক্লিবগুম খল্লক্লে—

"কুমার জগৎসিংহ"

নিপালগুবা তাঙক

বিমলানা য়াতান্নবা

বিমলা অদু অভীরাম স্বামীগী থাংগোক মচুংদা লেপ্পুনা লৈরি। অভিরাম স্বামীনা নৈপাকথক্তা যোগাসনদা ফম্লি। জগৎসিংহগা মতো কয়া খিমলা অমসুং তিলোত্তমাগা ঊনখিনগে হায়বদু বিমলানা মকোক্তী লোইবা ফাওনা, অভিরাম স্বামীদা তম্লি; তথা লোইয়গা হায়রকই, "ওদি অসি তয়ামথিত্তব। তমিৎনি, হয়েংদি পক অমা ফারগনি।"

অভিরাম স্বামীনা হায়রকই—"হৌজিক করি তৌগে হায়না খল্লি?"

বিমলানা খুমলকই, "করি তৌবনা যৈ হায়রদু তাকপিনবা হায়জনা ময়কমনিংদা ঐ লাকচরিবনি।"

স্বামীনা হায়রকই, "করে অদুদি, ঐবু হায়দু হায়রবদি মসিগী মরমদা অমুক থহ্নগদ।"

বিমলা অদু মথৱায় খাম্না চংঙাইতনা ঢুমিন্না লেপ্লুনা লৈরে। মতুদা অভিরাম স্বামীনা হংলকই, "নপৱায় চংঙাইতনা উববু করিগীনো?"

বিমলানা হায়রকই, "তিলোত্তমাগী কীভমদি করম তৌগনি?"

অভিরাম স্বামীনা ওক্না হংলকই, "করিগীনো, তিলোত্তমাগী থম্মোয়দবু চংশিবা রাখল পোক্লবরা?"

বিমলানা ওহাক তুমিন্না লৈরগা হায়রকই, "ঐনা করি অমুক হানজখিগদগে? ওসি চমিং তরামন্নিনি, চুমসি ঐহাক অহিং ঙংথিল নাইদনা তিলোত্তমাগী মঙং মতৌ মুম্না য়েংলকলিবনি; ঐগী পুক্নিংদদি তিলোত্তমাগী থম্মোয়দা লায়না হৌকচিন্না চংশিবগী রাখল পোক্লমাদ্রে হায়না নিংই।"

পরমহংসনা হাইফেং নোক্তনা হায়রকই, "নখোয়না অসীদি থম্মোয়দুংদা চংশিবগী রাখল থরদু, পকপবু উরবদি হকচিন্না চংশিবনি হায়না হেক্না লৌই। বিমলা! তিলোত্তমাগী মথৱায় চংডাকনবগীদমক্তা করিমত। থবুড়। চুপীরচা লৈবগী হোৌনবা অহানবা উবদা মপুক্নিং অচৎ খোগশাংবনি, তিরম অসিদা মা অমুক কাংখোক্ল ত্ৰবদি থুনমক জগৎসিংহবু কাওজখিগদবা।"

বিমলানা হায়রকই, "নত্তে নত্তে অচৎপগী মওং অদু নত্তে। থাথাবসিগী মতুংদা তিলোত্তমাগী শাজৎ পুমচোং হোংরে। তিলোত্তমানা হায়রগুম ঐহাক্কা থমদি অহল ওইবশিংগা অহিং ঙংথিল নোক-খেহনা রাকি শাবক তৌখিরে; হৌজিক তিলোত্তমা রা ইঙাং চাংখিরে। তিলোত্তমাগী লাইরিক পুম্না কয়ুং মখাদা তাহনা পংশিন্নরে; তিলোত্তমাগী লৈ পাম্বী পুম্ জগিং চাইবিদহনা কংথরক্লে, তিলোত্তমানা উচেকশিংন অমুক চেনশিন্না য়েংবিখিরে, তিলোত্তমা চাবা-থকপা থোৌওইখিরে, অহিংদা ইতুম তুমখিরে, তিলোত্তমাদি কদৌচংদবা রাখল থম্মবনি, অতবু হৌজিক্তি অহিং ঙংথিল চুম্না চুংবংনবগুম্না লৈরে। তিলোত্তমাগী মায়থোংদা মায়হিং কায়রে।

মসি তাবদা অভিরাম স্বামী অঙ পুংমম মমঙ্গে। ওহাক লৈঘগা হায়রকই, "ঐনা খঙ্গদি, হেক উবদা য়ৌনা চংশিব। হায়বসি ওইথোক্তবনি হায়না খল্লম্মি ;· অদুবু চপীগী নমচৎ, মঙ ওইনা চপীমচাশিংগী নমচৎতি, ঈশ্বরতনা খওবদু মতাংগ্রে। অদুবু ভোগদবা কম্বিনো ? বীরেন্দ্রনদি বায়ম অসি খায়জবা লৈতে।"

বিমলানা হায়রকই, "মহাক্কী চিংনবনা ঐহাক ডসি ফাওবা মসিগী মদুমদা কবিওবা অমত্তা কাংথোক্লিবনি, মন্দির মঙংদগী জগৎসিংহদা মশক খঙ্গিং তাক্লমদে ; অদুবু হোৎজিক কবিওবা সিংহ মহাশয়না,"—বা অসি হেক হায়রকপদা বিমলাগী মায়থোং অদু হাইখেত্তুর মওং অমা তৌরকই, "হৌজিক কবিওবা সিংহ মহাশয়না মানসিংহগা মীচং ওইবদা তাবরদি, জগৎসিংহবু মম্মাক ওইবদা করি অকাখবা লৈবগে ?"

অ। মানসিংহনা করম হায়না খাক্কদৌরিবনো ?

বি। য়াত্রগনা য়ুবরাজগী মনিংনি।

অ। জগৎসিংহন্ত বীরেন্দ্রসিংহগী মচানুপীবু করম্না শুহোংগে হায়রকদৌগিবনো ?

বি। শাইগে জাৎকী মনমদা মায়কৈ অনিমক অমকপা অমত্তা থক শক্লবরা ? জয়ধরসিংহগী মপা মপুম্ব খত্ত শাইগেনি।

অ। খত্ত শাইগী নিংতোলনা মুসলমানগী মাখনা লোকপা মচানিপাগী চুপী ওইগদনা ?

বিমলানা তাবং ঈয়াং-চংজবা মী অমদা মুম্ব য়েংলগা হায়রকই, "কবিগী ওইবা য়াথোকদৌরিবনো, খত্ত শাইগেনা অতোপ্পা শাইগেবু করি অমুক তুকচক্ম খোকপগে ?"

ব্রা অসি হেক হায়বদা পরমহংস অদু শাওথিবনা মখিত্তা ঈ কায়ে, য়াক্লবা খোঙেনা হায়লকই, "পাপচেনবী। নশাগী খুগোং চাদবা বাক্য অদু অমুক হৌদোক্লিবনা ? চংথোকপ্পো চংলো।"

মাপলগুবা তাঙক

শাগৈগী থাওমৈ

জগৎসিংহনা মপাগী মনাক্তগী লাম্মীগা লোয়ননা বিদায় লৌহ্নুনা লাকপা মতুংদগী পায়থৎলকপা থবকশিং অদুনা, পাঠান লাম্মী মঙ্গৎ মায়া অকিবা অমা পোক্লম্লে। জগৎসিংহনা রাপকথি, লাম্মী লিশিং মঙাদং পুমগা মহাক কত্তুংথাগী লাম্মী লিশিং মাংথৈখ্রু স্বর্ণরেখাগী বাংমা তাম্না তাহোকখিগনি; হৌজিক কাওবা অদু মোনা থবক পাংথোক্লকপা মাবগী কীতম উৎপথক ভমত্রবস্ন, মহাক্না লানশঙদগী থোকলকপা চরোল অনিগী মঙ্গৎদা, লাহোং শীনবদা হৈ-শিংবগী মতৌ উৎলকপগী পাও তাবদা, মানসিংহনা হায়, "ঐনা অসুম থনবদা, ঐগী ইচা অসিগী হাক্তকা রাজপুত শাগৈগী থাগনগী মিংচৎশিং অদু অমুক শোয়দনা হিন্দৎলক্লগনি"। ১

জগৎসিংহনা মুম্মা থঙই, লাম্মী লিশিং মঙানা লিশিং মাথৈখ্রু মায়য়োরবা লানকমদা মায়থীবা শীবা হায়বসি কৈদৌঙৈদস্ত ওইহনরোইদবা থবক্নি, মদুদি মাথথিবা নত্রগা শিবা শোয়ব্রবনি। মথম অদুনা মায়য়োক্নবা লানদা থেংনবা কম্ম্রিমতা হোৎনদনা, মায়য়োক্নদনবা লাহোং মঙং অমা শীনবা হৌখ্রে। মহাক্না মহাকী লাম্মী থবদংদি মতম চুহদা দুমিন্ন: লুয়ম্নুনা লৈহনি; তক্নবা উহৎদা, নত্রগা লৈপাক অসিগী সমুত্রগী ঈথত্থুমা মফম অমদনা নেন্, মফম অমদনা রাং লৈরিবা,—মফমশিং অদুগী অসিগুবা মফম থম্নুনা লানশঙ শাই মদুদি, নক্না লৈরিবা অয়াংবা লমশিং অদুনা থনজিনখিহনা মায়া নক্নবা মফমদগীদ্র কনা-মতনা মহাকী লাম্মীশিংবু উবা থক মরমে। অমুমনা লেপত্তুনা লৈমগা মপীং মায়দবা পাঠান লাম্মী হেক থেংনবদা, ঈশিং চাইবীদগী তেম্বকপা ঈচেলগুম থওহোদনা লাকশিন্নুনা, মখোয়মত্তু ভূমা হেকমক মাওহল্লি। মহাকী লাঙাবা মী মায়া থম্মি। মখোয় অদুনা ঈটৈহ রাটৈহ তা-য়োনবনচিংবা নত্রগা চাহ্নিবা,

অঙাওবা, ব্রাহ্মণ, মাইবনচিংবা শাঙ্গনা মফম কয়াদা কোয়চৎ চত্থ্না পাঠান লান্মীগী চৎথোক-চৎশিনগী ময়মদা পাও হেক হেক পীরে। পাও হেক হংবগা, জগৎসিংহনা য়াম্না লোয়না অহুমদি ওইরগা য়ামনা খোংথৈ থুনা, মাগী লান্মীশিং অহু, লাক্পিবা পাঠান লান্মীশিংগী মথক্তা হৈ-শিংবগা লোয়ননা অমত্তং ইথঙ থঙহোদনা লান্দাবা য়ানবা মফম তান-চাবা য়েংঙ্গনা লৈহল্লি। পাঠান লান্মীশিং অহু কম্বিত্তদা মথীং য়াবা খোল্লগনা, জগৎসিংহনা লান্দানবা খোইনা লাংউবা তৌরে, মহমদি, মহাকী হৌজিক লৈখিবা ফীভম অহুদা লানফম অমত্তংদা মায়থীবা হেক মংবদা পুন্নমক মাঙগনি হায়বসি মহাক থঙই। অহুত্তদা ফীভমদদি পাঠান লান্মীশিংঙ্গনা চৎঙ্গবা মতুংদা, লোয়না মখোয়গী লৈফমলোয়দা চত্থ্না চানবা পোৎচৈ, শগোল, তোপনচিংবা পুন্নমক ভুমিন্না পুন্থনা লাকই। পাঠান লান্মীশিং শংয়াম য়ামত্রগনা, মানা পামলিবা থুমোং চাবা মফমহু য়োবক্তি ফাওবা, ভুমিন্না তপথনা লেত্থ্না লৈখোল্লগা, তাঙ্গা হেক চাবদা চায়ায়ববা কৈন্তম কল্লবা খোলাও লাওয়ত্তনা, তায়-তায়ত্থনা, মযাইবক থীয়বা পাঠানশিং অহু মতুপ মতুপ কক্থ্না হাংলি। ফীভম অহুদদি পাঠানশিং অহু য়েক্কবা নঙ্গা লৈরে হায়বা থঙহোদবনা লানগী শেম-শাবা কম্বিমতা নংহৌরে! ইথঙ থঙহোদনা য়েক্কবগী মংত্তা ভাহ্থনা, লান ইত্তৌ তৌদনা মথল্লায় অহুমক মাঙলৈ।

অম্মা হায়কম থঙ্গনা পাঠান লান্মী য়াম্না মাঙশিল্লক্লে। পাঠানশিং অহু য়ামনা খোয়ল্লাং খোয়শাওনবা পোল্লক্লে, মায়মোক্কবা লানফমদা জগৎসিংহগী লান্মীশিং অহুমু মক হকন মাঙহন্নবগীদমক য়াম্না চেকশিন্না লেংবা হৌরক্লে; অহুমু জগৎসিংহগী লান্মীশিং অহু কদাইদা লৈবগে হায়বতদি তকথঙ থঙবা লৈখিদ্রে, মমগী হুত্তকুম পাঠান লান্মীশিংগী শিবমদাইদতা অমুক্তং মনক উৎলবহ্থনা, শিবগী থবক পাংখোল্লম্নগা হেক্তমক মাঙখি। জগৎসিংহদি মরৌশিং চাউবা মীনি, মহাক্না লান্মী শিশিং মঙা অহু মতম অমত্তা পুন্নপনা থক থমরে, মফম অমদা শিশিং অমা, মফম অমদা চামঙা, মফম অমদা চনি, মফম অমদনা

মিশিং অনি, অহুম্না শরুক শরুক ওইনা থেংনগদৌরিবা রেরুবগী বীতম মেং-মেংচুনা থায়, থবক পাংথোকপা হেক লোইবগা মফম অচৌবা অমুক পম্বচুনা লৈতে। কমবা মতমদা কদাইদা রাজপুত লৈবা, কদাইদা লৈতবা, পাঠানশিংনা অবেপ্পা চকথঙ থঙবা ঙমদে। কত্লুখাগী মকমদা মুক্তিং থুদিংগী লান্মী শিবগী পাও লাকই। অদুক্তা, চুংথিলদা, মতম চুংদা ফত্তবা পাও অসি ভক্তনা লাকই। মতুগী মতুংদা, করিত্তবা থবক অমগীর ওইরবস, পাঠানগী লান্মীশিং অমু মশাং রায়দনা লানথলদগী চথোকপা রানা থোক্লে। লুটপাট তৌবদু পুংতোক তোকল্লে; লান্মীপুরা লানবল মহুংদা খুপ্র্না লৈল্লে। মকওইনা চানবা থিবা চথোকপদা অরুবা অমা ওইনা থোক্লে। রেরুবনা ওৎপিরবা লৈপাকপু অহুম্না মমা তপহুনবগী পাও তাবদা মহারাজ মানসিংহনা মচাদা চিঠি অসি থাকই—

"শাগেগী থাওমৈ! নংগী নপাম্না লৈবাকী মপু ওইরিবা পাঠান চুম্না মাঙলগনি হায়রা উবে; মখম অদুনা নংগী নত্তেং পাংনবা লান্মী মিশিং তগাৎকত্ন থাগ্রবনি।"

যুবরাজনা পাওখুম ওইনা ইরকই,—

"মহারাজনা অনিংবতা তৌবিরু, অতে লান্মী অমুক থাবিরক্রবস কৈ, নত্রগনা মহারাজগী খুম্না থবালগী কৃপাদগী ননাই ঐহাক মিশিং মত্তা অসিনা কত্তি মচাগী হৌনবী রাশক তাকচগনি।"

কুঁয়ারনা থোনা ফবগী মমাই কাবগা লোয়ননা অপনবা লৈতনা লানফম কমা অম তৌবা থোক্লে। শৈলেশ্বর! নহাকী মন্দির মহুংদা, নিংথিরবী অচুগী অমকপা পত্তবা মিৎলেলো মায়থীবা কংশ্রবা লান্দা থোক্লা নিপা অসিনা, লানফমগী মিত-থোংলবা মরক্তা, নিংথিবী অচুর্ অমুক্তা কাওবা নিংশিং-নজোইবা? কনিক্তা নিংশিংনমরবদি, জগৎসিংহস নথোনা মরক্তসি।

অয়াওবা তাকক

য়া তাম্মরবা তুংদা থোঁরাঙ তৌবা

অভিরাম থামীনা বিমলাবু শাওহনা ইমুংদগী তাহোকখিবা চহিৎ অমগী, মথংগী চহিৎকী চহিদাংবোইদা বিমলানা মাগী কাদা ফমদুনা ফিজেৎ লৈতেংজেনি। চহি কুম্ মশা ওয়বীনা করিগী অমুক ফিজেৎ লৈতেংলিবা? করিগী লৈতেং-লোইদগে? চহিনম্ব ইনখৎলকপগী মতৌ মাডেম্বা ওবনা? ইনখৎলকপগী মতৌ মাডেমবদি শক্তা অমম্বং পুক্লিংননি; শক কজদবা মীচুদি চহি কুম্বা তাইরিতৈদম্ব হৌবী ওই; শক্তবু কজদবদি, পুক্নি চুম্বা নত্তা ওইহৌনবা লৈ; মপুক্লিংদা ঈরাং পক্তবা মীচুদি, মতম চুম্বা অহল ওই, ঈরাং পক্লিবা মীচুনা পুক্নি চুম্বা নৌহৌনবা লৈ। বিমলাদি ঙসি ফাওবা শক্তী ইপোম্মা হকচাং পুম্বা ঈখক হৌরি। ইবাংনা মপুক্লিংদু মফা লাপ্লি। চহি য়াম্মলক্লগা ঈরাংহু মপুং ফাবা হেনগৎলকই, পাবিম্বিবা নহাক করিগুম্বা চহি থরাং হাইজিনবিরবা মীশক ওইরবদি, হায়রিবা বাক্য অসি চুম্নি শোয়দনা হায়রিগনি।

কনানা বিমলাগী অচৌশ্বরবা পানাগী ঙা-ঙ্রানরবা মচুনা লৈতেংলবা ঊনবাম্নু উবদা, মহাকপু নৌরিবীনি হায়দোইদগে? মহাকী কাজল-মুমপ-থারবা লাওনা শাংলানরবা মিৎ অদুগী তথকপা মিৎচিগী তেন উবদা, কনানা মহাকপু চহি কুনথরি হেল্লবীনি হায়গনদগে? করি মিৎনো! কয়াদা শাংনিবা, কয়াদা তথক-তথক্লিবা, কয়াদা থম্মোই হবা ওথনিবা! কনা কনাওবী ইচং থৌরী-নৌরিথী-হুপীগী মমিৎ উবদা পুকনিংদা- হুপী অসি নাপলগী মরাই অমা কায়ে, হুংডাইবগী বাখল্লা নুপলে হায়না খনবা য়াওই। বিমলাগী মমিৎহু অহুংবনি। ঐনা থাজেংশেনমক পাবিম্বিবা নঙগী নফমদা হায়জরিবনিনি, বিমলাদি ভনৌ-ভনৌরি, মথোন কাম্বকপগী ফীতম লেংদনা লৈম্রিবীনি হায়বদা অরানবা ওইরোই। মহাকী লৈহাও লৈরেন হুচুগী থোৎলবা মশা অহু উবদা,

চহি ত্তরা ত্তরক্তা তাইহিবী অমনা মক্তোনবী হেক্তা ঘোথলবগনি হায়বনি কনানা হায়গদগে ? মুখবা শমনাংগী শিঙ্কিবা চকুম মীরা খোই খোই ত্তোনা নাকোং মথাদগী চেকথিল্লক্লিবা থাওবা শক্তাইথক্তা তত্তমিন্নদ্রবা, কনানা ত্তনৌ-ত্তনৌখবা থকাইদা মখোক কাবকপীগী শকতাং তাবকপনি হায়খেহিদগে ? শাবিথিবা ! থেখোইগী খিং অদু শাওখোকপিদু ; থিবানা শকতাং থিংনেল মাংলা থাগক্না মপম হাংদীবা অমোমবা অমুকা তেংশিন্দনবিদু ; চাকবা শরাংগী চনুন অরু মথং ওইনা শারশিনগী থবাংতোনবীবা পুঁথোক্লক্‌না হাংদিবা থংতৈং মহাং অদু লৈখিবদু ; থণাগী মখোক কাকপীগী কীতত অরু উবদা মথক্তা খোযোন খোযোন লোকচশিবহ্ন লেপখিবু ; থীমক থমক্তা থীগাদু তৎকক্তবা খোক্লেননা ত্তম্না ত্তম্না হীগী তংনীশিবহ্ন তাখিবদু ; পুরবকপি থীম-ত্তারগা হায়বীদু, থিবনাবগী হেক্তা খোং-মৌতিখবা কনানা মথী শুমিং তমংপা থাওবগৌ ?

বিমলানা মপম হাংলগা শংবীদি পুনদে, মতুংলোন্দা কেনী লোয়গা থাবগে, হংশিবা মনবগী থাও চাইথবা কবাদনা থথাম অদু তৈখোক্তে, কপুর্ব-এলাচী তনা হামবা পানা চাহ্না অমুক হক্লা চিংবান অদু মচু লোকলে ; মুক্তা চংলবা কুথিং মতাং অমা শিংখিক্লে ; মশা শুখদা শনা-মণিনা টৈতেংলবা হিংবোন শেংচিক্লে ; অহ্নগী বাখল অমা থক্লক্‌না নিংজোনশিং থউগী শকপ খর, অমুক লৌখোকলগা অক্নপা মমা হংশ্বাখলবা ইনাক খবা মানশিন্নে ; মুক্তা থাম্নবা খোংখীশ ত্তোংলে অমম্বং কংনা হাংলবা শক্লানক্‌রা মুখমাখনা শিয়কপা মক্ত মামলবা মুক্তাগী শংক অহু শেখক্লে।

বিমলানা থিংবং নৈক্তবা লোইবগা ত্তিলোত্তমাগী কা ওঙনা লাক্লে। মাসু লেখ ঈখরা ত্তিলোত্তমাও পুম্নক তংখীংলা লোক্‌ লোক্‌ হায়খী, "কণিলো ত্তীথিবদ্রগী থিমলা ! অহক থাবা থিখীং টৈতেংশিবখি কর্থিখিলনা ?"

বিমলানা হায়খী, "অদু অতনগী মং শিনি কাইনখিলে ?"

"চুবা হায়হৌবা কনাইবা চঙখীনিক্কনো ?"

বিমলা। ঐহাক থবক চৎকদৌরিবি হায়বিরকু, কন্নানা মতোপা হায়রকে ?

তিলোত্তমা অহু মখোইগী ইনাইহে। মায়োক্কী ইকাইখিবহ উবা বিমলানা ইংশিনা হাইতেং নোকহনা হায়রকই,—

"ঐহাক মাংলা থাপনা চৎকদৌরিবনি।"

তিলোত্তমাগী মায়থোং অহু হুপাবনা খাংলবা থবালগুম ওর্কা লাক্লে। তমবা থোহাংনা হংলকই,—"কদায় তায়া চৎকদৌরিবনো ?"

বিমলানা হোরগুম থোরকপ নোমোন ভৌনা হায়রকই,—"অহুক তাবনা খাংদনা ?"

তিলোত্তমাহু মাডোম্দা মুখা লেংহনা লৈরে।

বিমলানা মাগী মথুং পায়হনা "তারোলে" হায়হনা মিহুং থোক মখা তায়া চিংহনা পুরগা মনাকোং মখাদা লোয়া হায়রকই ; "ঐহাক শৈলেশ্বরগী মন্দির তায়া চৎকদৌরিবনি, মরম অহুদা কনাগুম্বা নিংথৌ মচা অমগা উনবা তাবি।"

তিলোত্তমাগী মপাপুমহু তু থ্যাও চুংই। কবিতদা পাওখুম অমতা পীবা-লাকপদি ডোরে।

বিমলানা অমুক হায়রকই, "অভিরাম ঠাকুরগা ঐখোয়গা থা তাথবে ; ঠাকুরনাদি জগৎসিংহগা নংগা নুপেপোংবা হায়রবনি ঙইথোকপনি; নংগী পাবুংনা কৈরৌকংদা থাকহনাই, নপাবুংদা থা অদি হেক থোকতবা মুখা লোংলোক কাকচ্রবদি নথাইদবা মরমদি হায়।"

"মহুৎদি কদিনি চৎকদৌরিবা ?"—তিলোত্তমানা মায়থোং শাংনিবা নেত্রম লেংবাংহনা মখায় লৈখা তমলদবা য়াথং-অমদগী হায়রকই, "অদুদি কদিনি চৎকদৌরিবা ?"

বিমলা। কদিনি হায়বা ? ঐদি মালকুনাবদা অদি অমাইদগী অমা উবুনা ঐখোয়গী ঈশক ইকিং তাকনি হায়রোক্লে। ঐখোয়গী ঈশক ইকিং থবক্তা

কয়ি কারমনে ? ঐখোয় চুদা অদুমক তাকনি, অদুগী থবক চৎথগে চৎথরোই হায়বদুদি মহাক্তী পুক্লিনি। রাজকুমারনা কয়িত্তবা নংবু নিংলবা খোক্লগনা,—

তিলোত্তমানা মাগী বা অদু অমুক মথা তাহন্দনা মচিন্দা ফিনা থুমজিল্লদুনা হায়রকই,— "নবাদু তাবদা ইকাইহৈ, নংনা চৎনিংবা মফমদা অদুমক চৎচ-খো, ঐগী বা কনাদম্ব পনবিকদু, অদুগা ঐঙোন্দম্ব মীগী ম-বা ঙাংবিরগদু।"

বিমলানা অমুক হন্না নোক্লদুনা হায়রকই,—"অত্তদি, অদুক নৌম্বিবী নঙনা মপাল্ নাইত্রবা ঊপাক অসিদা চোংথম্বিবদি কয়িগীনো ?"

তিলোত্তমানা হায়রকই,— "নংদা থিৎ চৎপিদ্রো ! ঐহাক অমুক নত্তগী ন-বা কম্বিরত্তা তাজনিংদে।"

বিমলা। অত্তদি ঐহাক মন্দিরদা চৎলরোইদনা।

তিলোত্তমা। নংনা চৎনিংবা মফমদা চৎপবু ঐনা থিংজরত্রা ? চৎনিংলগা অদুমক চৎচক।

বিমলা অদু নোক্লক্লে, অদুদগী হায়রকই,—"অদুবু ওইরবদি ঐ চৎলরোইনে।"

তিলোত্তমানা অমুক হন্না মমাম্ন লুকথরগা হায়রকই,— "থিৎ চৎত্তা চৎপিকম্বো।" মদু তাবদা বিমলা অমুক নোক্লক্লে। ওহাক লৈরগা হায়রকই,— "ঐহাক চৎলুথিগে, ঐনা হৱক্তি কাওবা ফুন্নমথিগদু।"

তিলোত্তমাম্ব হাইকেৎ নোক্লক্লে ; নোক্লিবদুনা তাক্লিবদি, "কন্না ফুবা য়াগদোম্বিবনো ?" অসিনি। বিমলানা তাব অদু নিংথিনা থঙলে। চৎলম-দাইদা বিমলানা মথুৎ না-মনা তিলোত্তমাগী মকেবান্দা পায়রগা, অত্তোক্না না-মনা মথদাং অদ্ থাদৎলদ্না, ওহাক মাগী পুকচেল শেপ্ত্রবা, হৎপি বাখলনা থঙবা, মায়থোং অদ্ য়েংলগা হৎপিনা চুপক্লে। তিলোত্তমা অদ্ বিমলানা চৎলমদাইদা মহাক্তী মিৎলুদা পি মন্থিক অমা পকথিরদু তপেৎনা উহোৱে।

কা অদ্‌গী থোংজিন্দা আশমানী লাক্‌না বিমলাদা হায়রে,— "ইবুংঙোনা নংবু কৌরি।"

তিলোত্তমানা মচু তাবদা চংশিন্নক্‌না নাকোং মমাদা হায়রকই,— "ঙিজোন অচু হোংদোক্লগা চৎলু।"

বিমলানা হায়রকই,—"মাঙগীদি করিমতা চংশা থিরুহ।" অসি হায়রগা বিমলা অচু বীরেন্দ্রসিংহগী তুম্ফম কা তাম্না লাক্লে। বীরেন্দ্রসিংহদি ছিল্লনা লৈরম্মী। মীনাই ঙপী অমনা থোঙ নোইরি, অমনা হমাই হমলি। কম্‌ং মনাক য়োনা চংশিল্লগা বিমলানা হায়রকই,—"ঐঙোন্দা করম্বা মাথং তাকপিগদবা?"

বিরেন্দ্রসিংহনা মঙক হাইগৎতুনা য়েংলকপদা পুমঙক ঙকপ্রহুনা হায়রকই,—"বিমলা, নহাক থবক অতৈ চৎথোককদৌরিব্রা?"

বিমলানা হায়রকই,—"ঐজা। ঐঙোন্দা করিগুম্বা তাকপিগদবা কৈবগে?"

বীরেন্দ্র: তিলোত্তমা করম তৌরি? মশা ঙমদে হায়বত্‌ করব্রা?

বিমলা। করে।

বীরেন্দ্র। নহাক ঐবু ঙহাক্তং হমাই হম্‌, আশমানী নঙনা তিলোত্তমাবু ঐগী ইনাক্তা ল'ও হায়না কৌক।

হমাই হমলিবী মীনাই হুপীচু হমাই থমলমলগা চৎখ্রে।

বিমলানা আশমানীদা মপান্দা ঙাইহুনা লৈনবা ইঙ্গিৎ তৌখ্রে। বীরেন্দ্রনা অতোপ্পা মনাইচপীচুদা হায়রকই,—"লচমনি নহাক ঐগী পানা থম তঙ্‌চো।"

থোং নোকরবী অতুম চৎখ্রে।

বীরেন্দ্র। বিমলা, নহাকী ঙসিগী থিজেৎ অসিবু করিগীনো?

বিমলা। ঐগী থবক অমা লৈখননি।

বীরেন্দ্র। করি থবক্লো ঐহাক অতুক তাগে।

'অতুদি তাবিয়ু,' অসি হায়না হায়না বিমলানা পুক্লিং ওমহৎনবগী মগক

বীরেন্দ্র তমা য়েংলদুনা হায়রকই ''অমতি কংবিস ঐনাক তৌবা চৎকদৌরিবনি।''

তরামাথোইশুবা তাঙ্কক

আশমানীনা পাওচৎপা

অসোমদনা বিমলাগী ইঙ্গিৎ মতুং ইন্না আশমানীনা কা অসংগী মপান্দা ঙাইহৌনা লৈরম্মি। বিমলা লাক্লগা মহোন্দা হায়রে,—“আশমান নংগা ঙাংনগদবা য়াম্না অরোনবা রী অমা লৈ।”

আশমানীনা হায়রকই,—“কীংজৎ লৈতেং অহু উবদা ঐন্ত, ঙগিদি মহৌ অৎনি হায়না থাকপিবনি।”

বিমলানা হায়রকই, “ঐ ঙসি কবিগুবা অরুবা অমগীদমক থমনা থাপনা চৎপা তারি। অহিং অসিদা ইথক্তা চৎপদি ওয়ংরোই, নং নত্তুনা অতৈ কলাবুস্থ থাজবা মাওঙবনা লোয়নদুনা চৎখিবনিংদে; নহাক ঐগা লোয়ননা চৎমিন্নবা তাই?”

আশমানীনা হংজকই,—“কদাইদা চৎকদৌরিবনো?”

বিমলানা হায়রকই, “আশমানী, নহাক মমাংদৈদদি রা অহক নুপুখনা থক হংলমদবনাই?”

আশমানীনা মথবায় হাইরূপ তুংশাইত্রনা হায়রকই,—"অদুদি নহাক ঙহাক্তং ঙাইখো, ঐহাক থবক থগ্না লোইশখাকনুরগা লাক্লে।"

বিমলানা হায়রকই,—"অদুগা বা জমথক্তি লৈ, নং থম্মুনা য়েংউ, কল্লিগুম্বা নংগা চসি কনাগুম্বা মমাংঙৈদা থংনখিবা মী অমগা উনবা থোক্লবদি, নহাকপু মীয়ুনা নশক থংবা ঙমখিগদ্রা ?"

আশমানীনা ঙকত্তনা হায়রকই,—"কনানোনে হায়রিবহুবো ?"

বিমলানা হায়রকই,—"মথল্, কুমার জগৎসিংহগা কল্লিগুম্বা উনবা থোক্লবদি ?"

আশমানীনা কনা কইনা তুমিন লৈকরবগী তুংদা তনিক তনিকপা খোঙ্হাংনা হায়রকই,—"অদুগুম্দা তুমিং অদুবু লাকখিগদ্রা ?"

বিমলানা হায়রকই,—"লাকপদু মরাই।"

আশমানীনা হায়রকই,—"ঃমাদুগী ঐবু থোঙদনা শক থংগনি।"

বিমলানা হায়রকই,—"অদুদি নং চৎপা য়াত্রে, অতৈ অমা লোম্বনবা তারে, ইথঙ্গ চৎপা ঙম্মোহ্নদোরি।"

আশমানীনা হায়রকই,—"কুমারগী মথক্ত অমুক্তং উনিংবনা পুম্নিংসি দাম্না খোম্বাংনহুনা লৈদ্রিবনি।"

বিমলানা হায়রকই,—"পুম্নিং খোঙ্গাংবগী বাফমদু নপুম্নিংদা অত্থক লৈরমদু; অদুবু ঐনা হোজিক তৌগদবনি কম্নিনো ?"

বিমলানা বাথল তৌবা হৌরকই। ইথক থঙহৌদনা আশমানীনা মচিন্দু থিনা থুমজিল্লহুনা নোক্লকই। মদু উবদা বিমলানা হায়—"অগা ঙবীগিকো! নথক্তা পুক্তি তংপমথৈ নোকনিংবসিবু কল্লিগীনো ? '

আশমানীনা হায়রকই,—'ঐনা পুম্নিংদা অত্থক ঐগী নাইতোম-থোকপা-থাজ দিগগজবু নংগা লোয়ননা থাম্বদি কনদোই হায়না থল্লবগী বানিদা।"

বিমলানা মথবায় তুংঙাইনা নোক্লহুনা হায়রকই,—"হায়রিবহক্ক য়বে, রসিকরাজবু পুদ্রনা চৎলগে।"

আশমানীনা ঙক্লদুনা হায়রকই,—"কন্নিনো হায়রিবদুবো, ঐদি চুম্না ফাগৈ তৌবনি।"

বিমলানা হায়রকই,—"ফাগৈ নত্তে। অপঙবা বামোন অদুবু ঐহাক থাজদবা করিমত্তা লৈতে। মিৎতাঙবা মীগী অহিং তংথিল হায়বা অমুক লৈবা হৌনদে, মহাক করিমত তাক তারোই; অদুনা মাবু থাজদবা পোক্তে। অদুদা বামোন অদুবু চৎসি হায়বা য়াম্লোইনে।"

আশমানীনা নোক্লদুনা হায়রকই,—"মদুগী দাইদি ঐ পুগে। ঐহাক মাবু পুদুনা লাক্লগে। নহাক অথোঙ ময়াদা ভাহাক্কং ভাইরম্ল।"

অসি হায়রদুনা আশমানীনা নোক্না নোক্না লানবল মহুংদা লৈবা পীক্লবা থাংপোক অমা তমনা চৎখ্রে।

অভিরাম স্বামীগী চেলা গজপতি বিদ্যাদিগ গজবু মসিগী মমাংদা পাখিরি-বশিংনা অমুক মশক থঙবিখ্রে। বিমলানা মহাকপু রসিকরাজ হায়নৈ থোনখিবসিন্থ ময়ায়া বাঙী তাবিখ্রে। হায়রিবা মহাপুরুষ অসিনা থাংপোক অসিগী মপুনি। দিগ্‌গজ মহাশয়না য়াংঙাদবসি খুদুপ মচা মথায়রোম অচমনা ওইগনি, পাকপনা যামলবদা খুদুপ মথায় অমগা খুদোল অচমলোম ওইগনি। মখোং অনিদু মথ্‌াংদগী নৈপাক ফাওবা ওইরবদি খুদুপ মখিগা পোরা তরামরি ওইগনি, চাওবনা কাচি-কায়োং পানবা শাংজা অমগী পাংথক মওইগনি। কচুনা মুকফু মঙ্গংগী মুকা অক্ষানি, অসুম থনবদা, মৈনা শীং ওইরবোই নিংদুনা খোঙ অনিদু চাকথোক্কে হোৎনকবদা মহাও য়াওএমত্তনা তখাই অমা মৈতাল ওনহন্দুনা থন্নমাক্লে হায়না নিংই। দিগ্‌গজ মহাশয় অসি কা হেন্না বাংমনখিবনা কাবক কাবক থ্‌াং কোন্নৈ, শাবানগী মফংদা নাত্তোলনা ভঙ্গি, হকচাংগী তোং অরাংপদু মচুদা ভমনা পুনখ্রে। কোক অদু কোইবক কোয়না লংজ্রিক লংনা কোকই, থবা হৌখিবা শম অদুস্থ তেম্রিক তেম্নি, খুবাকনা মাবদা য়েত্থুম্না থিনবদোনা তৌই। শীখা অদুনা কোকতোন্দা চুমজ্রিং চুম্না হুংখন্ত্‌না লৈ।

গজপতিনা "বিদ্যাদিগগজ" হায়বা মিংথোল অসি কয়া তাদ্না ফংবা নত্তে। মতুংকি য়ামনা দৈ। অত্তাং ওইবিরিঙেদা চতুষ্পাঠীদা ব্যাকরণ তম্বা হৌই, মা শংখ্যৎথায় গুরুকপদা নহর্ণে ঘঃ হায়বা সূত্রগী ব্যাখ্যাগা কোয়না মচিন্দা পুক্তঃ ভট্টাচার্য্যা মহাশয়গী থৌজান্দগী অমসুং মী থবগী চম্যাংনবা মতমগী থেংনরুবদগী চহি তরামড়া তমলবা তুংদা শব্দকাণ্ড লোইরে। মথংদা অতোপ্পা কাণ্ড অমা হৌথত্রিঙেগী মমাংদা গুরুনা কয়া য়ামা হৈরবগে হায়বগু চাংয়েংগে থজহুনা শিষ্যদা হংলকই, "হাযধু তাদি অতো, রাম শব্দগী মথৈদা অম্ হাপলবদি করি থোকই?" শিষ্যনা য়ামা মুম্বা থম্বুরগা থুমকই,—"রামকৃষ্ণ।" মদু তাবদা গুরুনা হায়,—"অতো, নং লাইরিক তম্বা লোইরে, হৌজিক্তি নঙমদা হল্লো। মফমসিদা নংগী তমথনিংঙাই দৈত্রে। নঙোন্দা অমুক তম্বীনবা ঐগী বিদ্যা লৈত্রে।"

গজপতিনা মপুক্লিংদা য়ামনা নাপল কাবা অমগা লোয়ননা হায়রকই,—"ঐনা থজহন্দি বদি—ঐগী মিংথোলদু?"

গুরুনা হায়রকই,—অতো, নহাক্না হৈরিবা মহৈ মতা অসিগীদি, অনৌবা মিংথোল অমা থোনবা তাই। নহাক "বিদ্যা-দিগগজ" হায়বা মিংথোল অসি ফংজরো।"

মসি তাবদা দিগগজনা মথবায় হবাওনা গুরুগী থুয়াদা থকমলগা মহুমদা হল্লকে।

মধুর থোনগুগা দিগগজ পণ্ডিতনা মপুক্লিংদা অমুম খনলকই, "ব্যাকরণনচিংবদদি মিংচা কনা দৈরে। হৌজিক্তি স্মৃতি থরদং তম্বনা চুমই। ঐনা অমুম তাবদা অভিরাম স্বামীদি অচৌবা পণ্ডিতনি হায়; মহাক নত্তনা ঐবু তম্বিগদবা মীদি অতে অমুক দৈত্রে; মরম অদুনা মহাক্কী মনাক্তা চত্তুনা স্মৃতি থরদং তম্বুবদা তাই।" অমুম্বা মপুক্লিংদা লেপলদুনা দিগগজনা লানবল মহংদা চংদুনা হৌরিবনি। অভিরাম স্বামীনা অরাকপা মথৈবু লাইরিক তম্বি,

কনাবুম্ব মহাক্না তাথি-তাওইনা তৌদে। দিগগজ অদু হৈবু হৈরবসু হৈবু হৈত্রবসু, অভিসার স্বামীনা অথমক তত্তনা তখি।

গজপতি ঠাকুরদি বৈয়াকরণ অদুগা স্মার্ত্ত ওইবতা নত্তে, লৈশি-লৈথোনবসু কাবক হৈবা, ঈয়াংস্থ হাইকেৎ পাম্বা মীনি, মী চঙ্ হায়বনা মাগী হৈনবিনি হায়বসি থঙনৈ। মহাক্কী ঈয়াংগী বাডাং অসি আশমানীগী মকমদনা থম্বা থম্বা হেল্লপ তৌই। মহুগী মরমদা মচুংগী অকবা বা থমম্ব লৈ। গজপতিনা থখি, "ঐগুম্বা মীতাদি ভারত অসিদা লীলা শাম্নবগীদমক্কা লাকপনি, মসিনা ঐগী শ্রীবৃন্দাবননি, আশমানীনা ঐগী রাধিকানি।" আশমানীসু ঈয়াং হৈবীনি, অসিগুম্বা মদনমোহন অসি ফংজহনা য়োং অমা য়োকপগী হৃঙাইবহু অদুথক মফংলে। বিমলাস্থ মসি থঙলহনা মরক মংঙ্গা য়োং অগোই শাহনবা য়াওই। মহুদা দিগগজনা থঙখিবদি, "মসিমনা ঐগী চন্দ্রাবলী ওইরবনি। কবিগী শুইরোই, ঐনা মী চঙ্ হৈথখিবসি অহুম ঐনা তাবদা, লাইবক ফহনা বিমলাদি কম্রিমতা তাদে হায়।"

ওয়ানিথোইগুবা তাঙ্কক

আশমানীগী অভিসার

দিগগজ গজপতিগী মপূক্কিং ওমহৎলবী আশমানী হায়বীসি, কম্নামুক মথক মতৌ ফজবগে হায়বহু পাবিরিবশিংনা থংবিনিংবা অমা পোক্লমগনি হায়বদা চিংনফম লৈতে। মরম অদুনা নিংশিবা অহু থুংহনজগে। অহবু হূপী শুইবগী মথক মতৌ থায়কপদা লাইবিক লেংবশিংনো চৎনমক্লিবা লবী অহু, ঐগুবা কবিগু থঙহ্রবা মী অমনা মহুগী কারল বাংমা লাম্না চৎপদি, চাওরবা ইম্রাজ অমা লওজবগী মথক্কি; মরম অদুনা অহানবদা মঙ্গলাচরণ অদুক হৌজবা তাই।

হে বাগেদবি! হে কমলাসনে! শরদিন্দুনিভাননে! অমল-কমল-দল-নিন্দিত-চরণ-ভক্তজন-বৎসলে! তোমবা ঐঙোন্দা নংগী অদুগুমবা থুমা-থবাল অদুগী মমি তাহনবিয়ু, ননাই ঐহাক আশমানিগী শক-চু অদুক থাজগে। হে অরবিন্দানন সুন্দরী কুল-গর্ব্ব-খর্ব্বকারিণি। হে বিশাল-রসাল-দীর্ঘ-সমাস-পটল-সৃষ্টি-কারিণি! ননাইন্দু অমুক্তং থোংগী থুজিল মরাদা চংজফম পীনবিয়ু, ঐহাক মঙ-মতৌ থাবা হৌজরগে। সমাসকী লেবোং সম্ফিগী থাহেন, প্রমাণ-পাইহেগী লকোই অশংবা, পুম্মক অগিগী ডৌপোং থোংহনা মরাল-তুমানগী মথেল অমা নঙোন্দা লুক চনজগে। হে পণ্ডিতকুলেপ্সিতপগঃ-প্রস্রবিণি! হে মূর্খজন-প্রতি কচিৎ কৃপাকারিণি! হে অঙ্গুলি-কণ্ডুয়ণ-বিকার-সমুৎপাদিনি। হে বটতলা-বিদ্যা-প্রদীপ-তৈল-প্রদায়িনি! ঐগী লৌশিংগী থাওয়ৈ অসি অমুক্তা ওানথৎহনবীয়ু। ইমা নহাদা শক্তমদি অনিনি; শক্তম অমনা নহাক্না কালি-দাসপু বর পীবিহনা মখুগী মপাক্না মহাক্কী রঘুবংশ, কুমার-সম্ভব, মেঘদূত, শকুন্তলা পোকখিবা, অতপ্পা শক্তমবু নিংজহনা বাল্মীকিনা রামায়ণ, ভবভূতিনা উত্তরচরিত, ভারবিনা কিরাতার্জ্জুন লেংজখিবা, মাত্রগী শক্তমদুগা লোয়ননা ঐগী লেংবান্দা হোংবিহনা ঐদু অরাবা পীবিগদ্ব, নহাক্কী অতোপ্পা শক্তম অমদো, মদুবু থনজবগা শ্রীহর্ষনা নৈষধ ইখিবা, মখুগী মপাক্না ভারতচন্দ্রনা বিদ্যাগী অঙকপা হংলবা শক তাক্নুনা বঙ্গদেশকী পুক্নিং তমহংখিবা, মদুগী থোজালনা দাসরথি রায় পোকখিবা, শক্তম অদুনা ভসি ফাওবা বটতলা ভারিবা, অদুগুবা শক্তমদুগা লোয়ননা অমুক্তং ঐগী ইঙেংবান্দা ভাঙ্গোইবিয়ু, ঐহাক আশমানীগী শক-চু থাজগে।

আশমানীগী বেণী অহনা ফজবসি মহপুবী লীলগা পাংথক্নি; লীলনা মসিদা মথবায় চাকহনা থম্বকই, বেণীগী মফমদা মায়থিবা ফংলবনিনা ঐহাকী ইশক অসি উত্তুনা মীমাংদা কোয়চৎ চৎলুবগী কম্বি লেমজফম লৈরিবগে? ঐমক্তা লৈথুন্দা চংজগ্রগে। অসি থন্দুনা লীলনা লৈথুন্দা চংজে। মদু উবদা ব্রহ্মাদি অরাবা তারে, লীলনা লৈথুন্দা লৈশ্রবদি মীবু কনানা চিকপিগনি?

অসি থক্না মহাক্না লীলদু মতৈ লাক্তুনা মপান্দা চিংথোক্লক্লে, লীলনা মপান্দা থোক্লক্লগা, মীমাংদা অমুক শক উৎপা তাবেদকো থল্লবদগী পুক্নিং হুংডাইথিদবনা, মকোক অহু লৈপাক্তা চগাহল্লে, অহুম তগাশ্বকপদগী মকোক অহু পাকল্লে, মতুদগী হৌনা লীলগী মতৈ তমল্লবনি। আশমানীগী মাংথোং থাজদি মায়া শন্নে, মমম অছুদগী থা কৌবা লাইনা ভংবান্দা খোকপা ওমহুন ব্রহ্মাদা বাকং-শুরে। ব্রহ্মানা হায়রকই, 'কবিমতা হুংথা থিকনু, নং অতুম্বক হায়গুম থোকউ ভসিদগী হৌনা তপীশিংগী মমায় খুমজিনহল্লগে।' অসি হেক হায়রবদগী তপীশিংগী মালথুম ফি শিন্জিন্নবা হৌল্লিবনি। মখিৎ অনিত থাব্রাংচাককুম্থি, মতু উবদা ওচেকনা মশা ফন্দোক্তুনা পাইথোব নথিগক্রা হাযতনা লেংদনা উনাগী পোন্দা থোও পালহনল্লবনি। মনাতোম্বা গায়ওগী নাতোনডম গামেনা চাউ-শাংহ, মতু উবদা গকডনা অকিবা পোক্লদনা উথক্তা কাপ্লে, মতুদগী হৌনা উচেকপুম্বা উথক্তদা লৈল্লিবসিনি। অসিগুম্বা মওম কয়াদগী ককোইনা বঙ্গদেশ থাদোক্তুনা পাটনাদা চেন্দুনা লৈল্লে, অতুগা শানুনা মম থিংনা থিংনা ব্রহ্মদেশতা চেনল্লে, লৈহৌরিবা হায়রবু ধবলগিরিতা মভাইবে, মহাক্না থল্লি, ঐগী কোকতোন অসি ফনা নিংথিনা বাংলে, ক্রোশ অনি মথাযদগীদি থোক্লনা তায়রোই, অতবু মাগী কোকতোন অসিদি মামল্লবদা ক্রোশ অমেদি ওইগনি, মসিগী বাহল অসি হেক থনবদগী ধবলগিরিগী মকোক অত্ত পুম্বশা শাপ্লে, উন মৈতুনা থাওল্লে, মতুদগী হৌনা মথাক মকোক্তা উন হাপ্তুনা লেংদনা লৈল্লবনি।

লাইবক থিবদগী আশমানীনা দিগগজগী থাংপোক য়োম্বকপদা উবে, থাংপোকী থোঙ অহু লোল্লি, মতংদদি থাওমৈ থাল্লি। মহাক্না কৌরকই, "হো ঠাকুর।"

কনামতা থুম্লক্তে।

অমুক কৌই,—"হো গোঁসাই।"

থুম্লক্তে।

"গুহ্যাকপনিদা, চোংলম চাদবসি কম্বিবু তৌবিবনো ? হো-রসিকরাজ বন্দোপাধ্যায় প্রভু !"

মহুদম্ব খুমক্কে।

আশমানীনা খাংপোকী থোঙ অদুগী অহোবদা তুমিন্না য়েংবদা উবে, ব্রাহ্মণ অদু চাক চাখি, অদুনা বা ভাংত্রিবনি, বা ভাংথোকত্রবদি ব্রাহ্মণদি চাক অমুক চাদে। আশমানীনা খল্লকই, "মীতাসিনবু পুকচেল চেৎপন্থ শাহিবা, মৈ খঙগনি, বা ভাংলগা অমুক চাক চাত্রা চাদত্রা হায়বহ্ য়েংগে।"

"ভাগিবমা হো রসিকরাজ !"

খুন্নক্কে।

"হো রসরাজ !"

খুমকই—"হুম।"

"বামোন অসি চাক উন্ন উন্নদি খুন্নক্কে, অদুবু মসি বা ভাংবা চাংবত কৌত্রবনা"—অসি খল্লদুনা আশমানীনা হায়রকই, "হো রসমাণিক !"

খুমকই—"হুঁম।"

অা। নিংথিনা অমুক্তা খুন্নকখোবা, অদুগা অমুক চাও।

খুমকই—"হ-উ-উগ।"

অা। হাইমা, বামোন্নবু অসিগুম্বা লমচৎ চৎপা—হৌজিমক স্বামী ঠাকুরদা তাক্লুগে, ইমুংদা লৈরিবদ্র কনানো ?

ব্রাহ্মণ অদু চিংননা অহাংবা ইমুং অদুগী মায়কৈ মথিমক্তা কোয়রেং য়েংঙকই, কনাম্ব উদবত্তদা অমুক হন্না চাক চাবা হৌরকই।

আশমানীনা হায়রকই, "চপী অসি চড়াল নিঙোলনি। ঐহাক মখক খঙই।"

দিগগজ অদু পাথবত্রদুনা হায়রকই, "কনা চড়াল ? শোঙ্কশম্নবদি তৌদেকো ?"

আশমানীনা অমুক হায়রকই, "হাইমা, অমুকস্থ চাক চায়বা ? বা ভাংলগনু অমুক চাবা ?"

দি। কদায়, ঐনা কৈদৌঙৈ বা ভাংঙ্গিবা ?

আশমানী অদু ইথি-শিনা নোক্লে, অদুদগী হায়রকই,— "হৌজিকস্ত ভাংশিবত্নিদনা।"

দি। ও—চুম্বি, চুম্বি, চুম্বি, অদুদি চাক অমুক চাবা য়াদ্রেদনা।

আ। হোয়নে য়াদ্রেনে, হৌগৎত্তুনা থোঙ অসি অমুক্তা হাংদোক্লোে।

আশমানীনা অহোবত্না ব্রাহ্মণ অদু থাজেমকপেংনা চাক চাবা তোকত্তুনা হৌগৎলকপত্ব উরে,—মত্বদা অমুক হায়রকই, "নত্তে, নত্তে, থরদং লৈদ্রিবা চাক্ত, চাথোক্লগা হৌগৎলকউ।"

দি। নত্তে, চাক অমুক চাবা য়াদ্রে, বা ভাংথোকদ্রে।

আ। করিব্বানোনে ? চাত্রবদি ঐগী ইকোক চাবা শকউ ;

দি। হে মাধব-মাধব। বা ভাংলগনু চাক অমুক চাবা হৌনদ্রে।

আ। য়াদ্রেদনা, অদুদি ঐ চৎলে। নঙোন্দা ঐহাক পুকশিংগী অথোনবা হা শগা হায়নিংদ্রুনা লাকপনি, অদুবু করিমত্তা হায়দনা ত্বারে। ঐ চৎলে।

দি। নত্তে নত্তে, আশমান। শাওথিহ, যে ঐ চারবনি।

ব্রাহ্মণ অদু অমুক চাবা হৌগৎলে, চথোম অনি অদুমদ. হেক চাগ।

আশমানীনা হায়রকই, "হৌগৎলো ওকলে, থোঙ হাংলরে।"

দি। থজিক্কং লৈদ্রিবসিস্থ ভমথোক্লগে।

আ। চাবগী থনবা লৈরোইদবা পোৎনি, হৌগৎলক্লো, নত্রবদি ঐগাক বা ভাংলগা চাক চায় হায়বসি হায়দোক্লনি।

দি। হুংঙাইথিদ্রেদা, তোক্তা থিৎ তোকচরগে, হৌগৎলবসিনিদে।

ব্রাহ্মণ অদু মথরায় য়ামনা হুংঙাইতনা, চাক চাবা তোক্তুনা আচমন তৌরগা হৌগৎলক্তুনা থোঙ হাংলরে।

তরাহুমদোইগুবা তাকক

আশমানীগী নুংশিবা

থোঙ হাংদোক্লগা আশমানীনা ইনুংদা হেক চংলকপদা দিগগজগী থমোইদা চাম্নথোইরবী লাকচবনিনা! তরাম তরাম্না ওকক্তম থোকই হায়রবসি থংকাওফাওরকই , মসা ওতনা মথুং থাজিংনরুনা হায়রকই,—"ও আয়াহি বরদে দেদি ।"

আশমানীনা হায়রকই, "মহাদি য়াংনা যম চেন্নবা থৈরক্লেনিনা, কদাইদগী থজেই ?"

দি। নংগীদমক, ঙুসি ঐনা খেমহনা থম্নি ।

আ। মসিদু মৌলংদুনা নংদু থুনিংবক হায়না হেক কৌনিলগা কদাইদগী শুইগনবে ।

দি। সিংসিংনা, মসু ঐহাক ফংদনা হায়দোক্লুখিগে ।

আশমানীনা নমুথিংতা তাগুম থম্নবই, "লাইওবা ! নং নথুং হায়লগদবা ঐহাক নংবু মুথাক থাংগা লৌরগনি ।"

কোংনা হায়রবা, 'করিমনা হায়রিবহবো, থুং হায়লগদবা ? চাক অদি চাথোদনা ।"

গজপতিনা হায়লমই, 'করি হায়নেদা, চাক চাবা লোইরহনা হৌগৎলম্লিবু, কয়মা অদুক হন্না চাথিগদগে ?"

আ। করিগী চানেইদোরিবনো, চাক লৈমিবসিদি ? পুক থজনা তোক্লগদ্রা ?

দিগগজনা নথল্লগা থাংনেম্লে, তুংজাইতনা হায়রকই, "করমদি তোগনি, নংনদি তহা তহানা তৌনবা ।" অদুগা চাক্নাগী মায়না মিতাবা মিৎয়েংনা চাকলোমদা য়েংলকই ।

আশমানীনা হায়রকই, "অদুদি অমুক চাবা ডারে।"

দি। হাথ মাধব! আচকন তৌরে, হৌগৎলে, অনুকা হক্কিদুনা চাবা?

আ। "হোয়, চাবা তাক্লেনা। ঐগী অরেবা চাগদবনি।" অসি হায়রদুনা আশমানীনা পুথম অদুগী চাক চপোম অমা লৌরদুনা চারে।

ব্রাহ্মণ অদু চংঙরুনা য়েংদুনা লৈরে।

আশমানীনা হকথিবগী অরেবা চাক অদু পুথমদা অমুক হাপ্লগা হায়রকই, "চারো।"

ব্রাহ্মণ অদু হা ঙাংবা থোকখিদরে।

আ। চারোনে, ঐহাক কনামতনম নহাক ঐগী অরেবা দুথাক চায় হায়বসি হায়দোক্লোই। মী অতৈনবু থঙরবদি করি দোষ লৈবগে?

দি। অদুবু হৌনবা থবরনে?

অদুবু দিগগজগী পুক মতুংদদি কাবা মৈরিনা অদুমক চাক্নুনা লৈরি। মহাকনা মপুকনিংদা খল্লকই, আশমানীসি ফনা ফজবী অমা ওইরবস্থ লৈবাক লৈমনা মাসু পুংগ্রোৎ মোৎশ্রনম্ব, ঐহাক ভুরিম্ না মানা লেহা চাকসি চাথোক্নুনা লায়লবা পুক অসি চংহনজরগে।

আশমানীনা মাগী ভাব অদু থঙলদুনা হায়রকই, "চাবরম্ব চাদ্রবস্থ, চাকলুক মরাদা অমুত্তংলদি কম্মু।"

দি। কম্বিগীনো, মতুনা কৈদোদোরিবনো?

আ। ঐনা পামজবগী বাদনি। নংবু ঐনা পামজবা অসিমতম্ব পুংহনবা ওয়রোইড্রা?

দিগগজনা হায়রকই, "চাকলুক মপান্দা অদুক ফম্বু কৈদোবগে? মত্রদি করিস্থ দোষ লৈতে। নংনা হায়বস্থ তৌরবনিসে!"

অসি হায়রদুনা দিগগজ পণ্ডিতনা আশমানীনা হায়বা মতুং ইন্না চাকলুক মপান্দা চংদুনা ফমলে পূক মতুংদদি অরাবা মৈচাকনা চাক্লি, মাংমতদা চাকস্থ লৈ, অদুবু চাবদি ফংদ্রে। দিগগজ অদু মমিত্তা পিগী ইবা চেন্নরে।

আশমানীনা হায়রকই, "শূদ্রনা লেহত্ত ব্রাহ্মণনা শোক্লবদি করি হৌবা হৌনে ?"

পণ্ডিতনা হায়রকই, "ইকজথোক্তদবনি।"

আ। নংনা ঐবু কন্নামুক হুংশিবগে হায়বত্ত ঙসিদি ঐ মুন্না খঙদোকলগা চৎকনি। নহাক ঐনবু হায়রবদি অহিং অসিদা ইকজকবা ঙমগদ্রা ?

দিগগজ মহাশয়গী থুরবা-খমিত্ত, চংশি-রাখলনা উইথরপ তৌরদ্রনা হাংলবা মনাতোম্দুহ পৈথরদুন', চংশি মিনোক্না নাখোং তান্না পেথোক্লুনা নোকলগা হায়রকই, "মহুবু কৈদোই হায়বগে ? হৌজিকমক ইকজকবা ঙমগনি।"

আশমানীনা হায়রকই, "ঐহাক নংগী লুকফমদগী প্রসাদ থজিন্তং ফংজবা ওহোকনা পামদ্রে। নহাক নথুংমকনা ঐবু চাক চথোম অনিদং তোংলগা ইনবিয়ু।"

দিগগজনা হায়রকই,—"মহাগীব, করি চিংনফম লৈবগে ? হেক ইক-জথোক্লগ' শেংবা পোংনি।" অসি হায়রদুনা অবেদা চাক অহু থোমজিলগা তোংপা হৌরক্লে।

আশমানীনা হায়রকই, "ঐহাক থামনগী রাম্নী অমা লিগে, অহুম তাও। ঐনা রাদ্রি লিবা লোইত্রি ফাওবা, নহাক চাক অহু অহুমক তোংকদবনি, নত্রবদি ঐ চাথোই।"

দি। হৈ।

আশমানীনা নিংথৌ অমগা অমতং মহাক্কী জুয়ো ভয়ো কৌবী মহারাণী অনিগগী রাদ্রি লিবা হৌগৎলক্লে। দিগগজনা মতোন্দা মুন্না য়েংলগা মন্না কারদুনা তা-বা হৌরক্লে—অহুগা চাকহ অহুমক তোংলক্লে।

মথং মথং অমম তাথরকপদা দিগগজগী পুক্নিং অহু আশমানীগী রাম্নিদা লুপক্লে—আশমানীগী মিনোক, মিৎয়েং অমস্তং নাসিকাগী মহাই অহু উবদা পুংপং পংথক্লে। চাক তোংপা লেপক্লে। চাকলুক্তা থুংতুদি অহুমক লেঙদনা

লৈ—অদুগ্‌ লাপনা মৈচাক্তি থক কোক্তে। আশমানীগী বাক্সি অদু মায়া চংশাইথৎলক্লবা তাঙ্গাঙদদি দিগগজগী পুক্তিং অদু চায়না মতম ৭' লুপ লুপক্লে—মতম অদদা দিগগজগী মথৎ অদুনা লৌনম লাক্সৎ চৎলক্লে। চাকলুক্তা থম্লিবা ঃ৮ৎ অদুনা মনাক্তা লৈপ্লিবা অতোৎপা চাক অদু থবাম অমা থাঙ্গৎলক্‌লা লাক্সনা তুমিম্মা দিগগজগী মচিন তাম্না পুথৎলকলে। মচিল্‌না কাথোরক্‌লা মত টেম্মশিনক্লে, মম্যাল লোইনা বেল্লা-লেম্মা তৌদনা মত শায়বা হৌগৎলাক্ল। মরৈনা মচুগ মথনাও তাম্না থাদক্লে। পুমনমক অসি মথাল লৈজবা দিগগজদি ক্ষিমতা থঙজক্লবা লৈতে। মচু উবদা আশমানীনা হুশি-শিনা লোক্লে। অদুদগী মানা হায়খকই, "অদু ওটেম লৌনম চাওব, ঐগী মুথাক চাংশাইকাকা হায়বদুদে ?"

মশি তাবদা দিগগজ অদু জ্ঞান তাবদলে। তুকিং তুফিংলা চংথাম অমগা অমক ডকচিদগা, অদু লোৎথ-থোৎথনা চাক তৈগৎ মথৎ ... আশমানীগী মথাংদা কোনশিল্লে। চাক্কু লাইনা লায়না কদওগী হায়...,"ঐবু কন্দিম্লু আশমানী। কনামতদন্ত হায়লোকশিগনি।"

ত্রয়োবিংশ তাক্কক

দিগগজ-হুরানবা

দিগগজনা অদুম্না তৌরিঙৈ তাঙ্গাশিদা বিমলা লাক্কু... থপাকলামদগী ... থিক্লে। বিমলাদি খোঙজিন মনাক্তা ওদাইমথৈ মুমতনা থোকাম্লবা লৌরোক পুম্মক্কু উত্‌বনি। খোঙ থীনবগী মথোলদু তাবদা দিগগজ অদু থাই লাথৎক্লে। আশমানীনা হায়খকই, "মাঙলেদনা। বিমলা লাক্লে—লোৎলো, লোৎলো।"

দিগগজ ঠাকুরনা কপ্লহনা হায়রকই, "কদাইদা লোৎকখগে ?"

আশমানীনা হায়রকই, "অদোম্না অমম্বা কাচিন অসিদা অনুবা চক্ অমা কোক্তা উপশিন্দগা কম্মুচো—অদম্বিদা নংদু উবা ঙমলোই।" দিগগজনা হায়রিবসি তোঙ্গনবা চংলক্নে—আশমানীগী মথৌশিং য়াম্না লৈবগ উবদা মহাক ঙকল্লে। শাস্ত্রদা পৈদগী তম্লিং তক্লিনা ব্রাহ্মণ অদু হায়রোংবা খোংবা চক্ অমা কোকখক্তা উপশিল্লগে, মতুঙ্গী মতংদা চক্ তংখাইনুক অথোংবা [illegible]—দিগগজনা চক্ অদু [illegible] মমাং [illegible] উপশিনখক্লে, আশমানীগী [illegible] চাবা ফাংনা [illegible]—[illegible]—[illegible], [illegible], [illegible] চৌদগী তম [illegible] [illegible] [illegible] থোক্কলে, হাংদবা মনাতোন [illegible] হায়রোংবীগী [illegible] [illegible] লৈতেংলকলে। অদুগা অমিদা বিমলানা [illegible] দিগগজগী কজরবা শক্লমদু মিৎ থেম্না [illegible]। দিগগজনা [illegible] উবদা কপ্লক্লে। মদু উবদা বিমলা অদু [illegible] [illegible]—"কপকদু, কন্তুবা নহারা লেমলিবা [illegible], ঐখোয় [illegible] চাবিশিং অদু [illegible]।"

মদু [illegible] হবাঙ হবাওনা অমুক হন্না [illegible] তৈরীবা মায়রোংবী অদু তৈতোনলি [illegible], অদুগা মদু [illegible] অফিদা অমা থোক্লে। আশমানীনা [illegible] চাক অদু মহাক চানে; [illegible] মপুম্বিদা [illegible]। চাবা [illegible]। আশমানীনা মাংদু [illegible]। [illegible] হায়রকই, "বসিক ! [illegible]।"

বসিকনা [illegible], "[illegible]।"

বি। নং ঐখোয়বু হুংশিববা ?

দি। করিগী হুংশিদদগে ?

বি। ঐখোয় অনিমকপু ?

দি। অং, নখোয় অনিমকপু।

বি। অদুদি ঐখোয়না হায়রবা থবক নং পাংথোকপা ঙমগদ্রা ?

দি। করিগী ঙম্মোইদদগে ?

বি। হৌজিকমক ?

দি। হৌজিকমক।

বি। মিকুপসিমক্তদা ?

দি। মিকুপসিমক্তদা।

বি। ঐখোয় অনি লাক্লিবসি করিগীনো থঙ্ব্রা ?

দি থঙদে।

আশমানীনা হায়রকই, "ঐখোয় মংগা লোয়ননা চেক্লগে লাক্লবনি।"

বাদু ভাবদা ব্রাহ্মণ অদু ঙকপ্রতনা মরা কায়ন্ননা যেংদুনা লৈরে। বিমলান" মায়া বানা খোঙেল খোক্লা নোক্লিংবা থাংলদুনা' হায়দুনা, "বা! ভাংব্রবদি কৈদোরে ?"

"ধা ধাঁ,—মদু-মদু-মদ,—" বা মথা ভাবা ঙমদ্রে। আশমানীনা হায়রকই, "অদুদি ঙমদোই হায়রিবরা ?"

"ধা ধা-ধা-মদ, ওইরবদি স্বামী ঠাকুরদা হায়কথিগে।"

বিমলানা হায়রকই,—"স্বামী ঠাকুরদা করিগী অমুক হায়কগদৌরিবনো ? মসিবু নংগী ইমাগী শ্রাদ্ধবা, স্বামী ঠাকুরদা কথম তৌগদগে হংলুগদৌরিবসিনো ?"

দি। করে করে, ঐ ভাল্লগ্রোই, অদুদি কৈদৌঙৈ চংগদা ভারিবা ?

বি। কৈদৌঙৈ হায়রবু করিনো ? হৌজিকমক চংলগদবনি, উরবদুনে, ঐদি লৈজবা লিক-কোল্ থ্রেমক পুদ্না খোল্লবনি।

দি। হৌজিকমক্কু

বি। হৌজিকমক নত্তবনে। ঙমখোই হায়রগা হায়রো, ঐখোয় মী অতোপ্পা অমা থিজ্গগে।

বা অসিদা গজপতি থাঙবা অমুক ঙমলক্লে, হায়রকই, "চৎলি চৎলো।"

বিমলানা হায়রকই, "নখ্রি-নবোন ঙোয়শিল্লো।"

দিগগজ অদু নামাবলী য়ানশিল্লে। বিমলানা মাং থাবগা ব্রাহ্মণনা ভুং থংলদ্দুনা খোংশালগে হেক তৌরকপদা দিগগজনা হায়রকই, "নিংখিরবী"।

বি। কম্বিনো?

দি। অমুক কৈদৌঙৈ হন্নকনি?

বি। কপ্পিগী অমুক হন্নকংদৌরিবনো? পুমচৎ চৎলবনে।

হন্নাও মিনোক্না দিগগজগী মায়খোং অদু পুমথন থনম্লে, হায়রকই,— "কোন-লিক পুম্নক্তি লৈহৌরেম্লো?"

বি। লৈজহৌরসনু, ঐনা অমুক লৈবিগনি।

ব্রাহ্মণগী মথৱাসদা কয়াদি হংডাইত্তে, অদুবু কপ্পদি তৌনি, তুপীশিং অসিনা মখোয়বু ভুংশিন্নমাম্লে হায়না থনম্লনি, চিথবা পোৎ অমত্তংদি হায়রকই,— "কোর্কেকশিং অসিদি?"

বিমলানা হায়রকই, "মত্তদি পুজেম্লো।"

বিদ্যাদিগগজগী লৈজবা হায়রবু কোর্কেক অনিত্তনি,—ব্যাকরণগা স্মৃতি অমত্তগনি। ব্যাকরণ অদু পায়থৎলগা হায়রকই, "মসিমদি কম্বিন কায়কন লৈরে, ঐহাক চিক্ক চমনা পুরে।" অসি হায়রদুনা স্মৃতি অদুতমক পুরে। 'দুর্গা শ্রীহরি' হায়না শোক্লদুনা বিমলা অমম্বং আশমানী পুরদুনা খোংশাল্লোম্লক্লে।

আশমানীনা হায়রকই,—"নখোয় মাং থারম্লো, ঐহাক তুংদা তারক্লে।"

অসি হায়রদুনা আশমানীদি মহুৎদা হলহৌরে, বিমলাগা গজপতিগা লোয়ননা লাক্লে। অমহদা মখোয় অনিমক মী উহন্দনা লানবলগী খোঙ অদু লাম্লোম্লক্লে। থথা চৎলগা দিগগজনা হায়রকই,—"কৈদৌরবনো আশমানীদু লাক্লেনা?"

বিমলানা হায়রকই, "মহাক্তি লাকপা ঙমমদবা তারে। মহাক মাঙত্রবস্ত তোকচসহ্ কৈদোগে ?"

রসিকরাজ অহ্ রা মথা অমুক তাখিল্রে। ঙহাক লৈরগা চুপাম্বর মপী হোমহ্না হায়রকই,—"কোল-লিক অদো।"

তরামঙাশুবা তাকক

দিগগজগী মরিংজেল

বিমলানা থোংথাং কয়া চক্‌না থিন্দনা মান্দারণগী ভুংঙাকননা থনমলে; তুক্সা মন্নবা খঙিংনি, থরানমিচাক্কী গঙালতদা য়ামনা তেকশিন্না চংপা হৌরক্লে। লমহাংগী লমেল অহ্ হেক য়ৌরকপদা বিমলাগী মংনুম্রিংদা চিংনরপ তৌবা অমা পোক্লকই; লোয়নবক্লিবা অঙত ভুমিন্না ভুংদা অহুমক ইল্লি, রা মচেং অমা কাওবা ঙাংখিল্রে। অখিন্তবা মতমদদি মীগী মথোল তারগা পোনা পরক্ ফগৎলকই, তাস্ত তানিংই। মহুম থঙনা বিমলানা গজপতিদা হংলকই, "রসিকরতন! কদি রাথল তৌবি ?"

রসিকরতন্না হায়রকই,—"ঐনা থক্সিবদি; কোল-লিকখিং অদো!"

বিমলানা মহুগী পাওখুমদি পীবা তৌদনা মচিন্দা কি থুনঙিহ্ননা নোকপা হৌরক্লে।

ঙাহাক লৈরগা বিমলানা অমুক হন্না রা ঙাংলকই, "দিগগজ, নহাক ভুত কিথরা ?"

"রাম! রাম! রাম! রাম শোন্ন" অসি হায়রহ্ন। দিগগজ অহ্ বিমলাগী ভুংদা থুম্প অনি নকখিল্লরে।

বিমলানা অপাবা অহুমক থোক্লে। মহাকনা হায়রকই "নথী অনিদি ভূত থোকপনা মহানি।" দিগগজ চংখিন্নক্‌না বিমলাগী। খি পায়ররে।

বিমলানা ৱা মথা তাগৎলকই,—"ঐখোয় নহাক অমুক শৈলেশ্বর পূজা তৌবা লাকপদা, লমখাংদা খোংনাং বট মখোংদা অকিবা ফংলবা মূর্ত্তি অমা থেংনৈ।"

ঋজি কল্লা কল্লা চিংলকপদুদা বিমলানা ব্রাহ্মণ অদু কিবনা মথা থক থক নিঙ্গে হায়রবা থওলে। অমুক ৱা মথা তাখরবদি মহাক মখোং থাংবা ফাওবা চুপক্লবা তারে হায়বদি বিমলানা উরে। মখল অদুনা ৱাৈ অমরোমদা ঙাংবা হৌরক্লে, "রসিকরাজ নং ইশৈ শকপা হৈব্রা?"

চংশি-চংওনগী রাঙাং পাদা মীনবু ইশৈ হৈতবা থোইনা যাওবরা?

দিগগজনা হায়রকই, "হৈবদি হৈ।"

বিমলানা হায়রকই, "অদুদি ইশৈ অমতা অদুক শকউ তাসি।"

দিগগজনা শকপা হৌরকই,—

"এ কর—উ, কম—ইতা করদা কেনফমদা ইজুনরবা প্রাণবু কদদগী উশাদা।"

লমী অঙ্গগী মগা, পণী অমথৎ কুহুতনা শঙ্গুপ শায়দনা লৈরম্মি, অদুকপ খোক্লেনত চাবদা পিন্না হৌমংলগ, চিংখৎতুনা চেনখ্রে!

রসিকনা ইশৈ লেপ্তনা অদুম শকথরকই।

চগিত্রদগী হোংগ্র লাইবক থিবগি ঐহাক্কী—

মকহক্লে সিংচত্না শাটেগগী

"কোক্তা চুড়া খুজ্জা শাখী, ডাংবদা নোম্বি নোম্বি,

হায়দা গোয়াল নিঙ্গোল পুগাইদনগে চন্ অদো"

দিগগজ অদু ইশৈ মথ। অমুক শাপশিত্রে, থঙ্গোদনা নাগী মনাক্কোই অদু পুমক্কুম ভুমহৎলক্লে, ফংশিনরবা, পুক্কিং হৃরবা, অপ্সরানা থোংবা বীণাগী খোক্লেনজুম নিংথিরবা ইশৈগী খোংনাং অমা মহাক তাবা ফংলক্লে। বিমলা মথাখক্লা লৈরবা খোঙ্গংদা ইশৈ শকপা হৌরক্লে।

চিক্লদা নমহৎ অদুনা অদিগী অপিম্বা শিন-খুংনা অদৎদৎবা খোঙ্গাং-তরেৎনা মপুং ফাদনা, খোইদনা অদু নো মদোন তমলক্লে। ওনাংথাগী ইংলবা চংশিংকা ইংরেয়েননা খোঙ্গাং অদু শক্লোক্লকে।

দিগ্ গজনা ঘর ফাওবা হোন্দবমশৈ তুমিন্না তাবা হৌরক্লে। বিমলানা ইশৈ লোইরক্লবা মতম অহান্না গজপতিনা হায়রকই, "অমতগা।"

বি। করিনো ?

দি। ইশৈ অমতগা শকথো হায়বা।

বি। করি শকউগে ?

দি। বাঙ্গালাগী অমা শকউ।

"শক্নে শক্নে" অসি হায়রদুনা বিমলানা ইশৈ অমমুক শকপা হৌরক্লে।

ইশৈ শক্লা শক্লা বিমলানা মাগী ফিজিদু য়াংগা কয়া চিংলকপা অমা থেংনবদগী তুং হন্না য়েংথোরকপদা গজপতিনা মাগী মথোং ময়ামক্তদা কুহুরদুনা মথক্তায়মক য়াওনা ফিজি শাক্ত্না চিংলবদু উরে। বিমলানা ঙক্লদুনা হায়রকই—"করি তৌরবগে ? অমুক ত্তু শাক্লবরা ?"

ব্রাহ্মণ অদু বা ঙাংবা ঙোকখিদ্রে, মথুদোনবীদমক থিরদুনা তাক্লকই,—"অসে।"

বিমলা অদু চম্মরদুনা মায়কৈ অদোমদা য়েংলক্লে। হুংশাথর ফুন্না ফুন্না হোনবগী মথোল অমত্থু তায়ক্লে অমসুং হায়খিবা মায়কৈ অদোমদা লৈবী মমাদা পোৎ অমথক লৈবা উরক্লে।

অকি-অথং পুম্নমক থাদোক্ত্না বিমলানা মনাক চংশিন্দুনা য়েংবদা, মজবরা শগোল অমথক শাবলনচিংবা লৈতেং পুমত্ত ত্তনা শিরমদাইগী মৈচাক থাংবগী হুংশাথর ফুন্না হোত্তদুনা তুদুনা লৈরবদু থেংনরে।

বিমলানা লবী অদু অমুক চৎপা হৌরকই। লৈতেং ত্তথবা লানগী শগোল অমা লবী মমাদা শিরমদাইগী ফিত্তমদা থেংনবত্তদা মহাক মপুক্লিংদা রাথল মণ্ডল মণ্ডল থনবা হৌরক্লে। মামনা কুইনা বা মচেৎ অমতা ঙাংখিদ্রে। অমত্তা ক্রোধ মথায়মুক চৎলক্লবা মতুংদা গজপতিনা অমুক মাগী ফিজিদু শাক্ত্না চিংলক্লে।

বিমলানা হায়রকই, "করিনো ?"

গজপতিনা পোৎ অমা থিলহনা তাক্লকই, বিমলানা মহু উবদা হায়রকই,—"মাসিদি লাম্মীগী কোয়েৎমি।" বিমলা অহু অমুক ,হয়া রাথলগা কুপখ্রে, মথক্তা হায়জয়রকই, "ভসাইগী শগোল অহু তোংবা মীগী কোয়েৎলা ? নত্তে, মলিদি খোংমীগী কোয়েৎনি ।"

ওহাক লৈরগা থা খোয়ক্লে। বিমলা অহু অমুকা হেক্তা মপুক্লিং লৈতারক্লে। মতম থরা লৈরগা গজপতিনা লৈজবা মক্লিংজেল পুরা হুদোক্ত,না হংলকই,—"নিংথিরবী, হা-লাং অমুক ওাংথিত্রবদি কৈদোরে ?"

বিমলানা হায়রকই,—"লম্বী মথক অলিদা করি করি থুদম তাবি উবত্রা ?"

গজপতিনা য়ামনা থরাম য়াওনা লম্বী মথক অহু য়েংলগা হায়রকই,—"শগোলগী খোঙ্,ল য়ামনা তাবদি উই।"

বি। অশিংবনি নংদি—মসিদগী মহাক করি থজবা ওন্দি ?

দি। করিমতা থজদে।

বি। আদা অশিবা শগোল, অহুদগী অমুক কোয়েৎ অসিগনা শগোলগী খোঙ্,ল মমাম, অসি কাওবদা করিমতা থজদবা ?—অহুদি করি অমুক তাকফম লৈরি।

দি। করিনো হায়রিবহবো ?

বি। খৌজিকবাইদা লাম্মী মমাম অমা লম্বী অগোমদা চৎখ্রে।

গজপতিনা কিয়হুনা হায়রকই,—"অহুদি থগা তপলপ চৎসি মখোয় অহু ঐখোয়গী মাং য়াম্রা থাখিনবা।"

বিমলানা নোকহুনা হায়রকই,—"অপত্তবা! মখোয়না করম্না মাং থাগদগে ? করোমদা শগোলগী লোংথুম মমায় ওনথগে হায়বসি উত্রিবমা লাম্মী মমাম অসিদি গড়মান্দারণ লোমদা চৎখ্রিবনি।"—মসি হায়রগা বিমলা অহু মায়খোং মক্না লৈখ্রে।

খোইনা পংকুই হুইদনা লৈমেনবা মশিংগী অতোবা ক্হু অহু মক্না উবরে : বিমলানা-খল্লকই, রাজকুমারগা আবন অশিগী উনবগী করিহ কায়কম লৈত্তে,

মতুনদগী থোইনা কত্তবা থোকপা য়াই। অতুনদি করম্না যাবু চংহনখিগদবগে হায়রবসিগী মরমদা বাখল তৌবা হৌরকই। অদুগ গজপতি মশানা মচুগী লংজিন অমা পুথোক্লে।

ব্রাহ্মণ অদু অমুক হৌরা বিমলাগী মনাক য়োনা চংশিল্লক্‌না ফিজি পায়রগে, মতমদা বিমলানা হংলকই,—"অমুক কৈদৌরে ?"

ব্রাহ্মণ অদুনা লোয়না শেংলম-শেংফাংডনা হায়রকই,

"মহুবু য়োদোবা কমা য়ায়া হাংলিবগে ?"

বি। কদিবু য়োগদবনোনে ?

দি। খোংনাং বট পাখী হায়রবদো ?

বি। করম্বা খোংনাং বটনো ?

দি। হেয়া, নখোয়না নোংমা মতমদা উপি হায়রবত্রুনে ?

বি। কদি উখিবা ?

দি। অহিংদা মমিং পলহৈরেদা।

হায়রিবসি থঙলহনা বিমলানা তাঞ্জা চাবে হায়রুনা য়াম্না অথুকপা খোঞ্চাংদা হায়রকই,—"ইঃ।"

ব্রাহ্মণ অদু অমুকা হেন্না মিপাইরুনা হায়রকই, "কমদৌরবগে ?"

বিমলানা শৈলেশ্বরগী মনাক্তা হৌখিবা বট পাখী অদুদা খুদোক্তুনা থিল্লহুনা লোয়শনা হায়রকই,—"অদুগী অসিনিসে বট পাখী হায়রবদো।"

দিগ্গজ অদু খোংথাং চপ লেপখ্রে—। লেঙ-খোৎপা ঙমদ্রবা খোংনাং মনাক্তুম থক থক নিকপা হৌরক্লে।

বিমলানা হায়রকই, "লাকও।"

ব্রাহ্মণ অদু মকমদাক থক থক নিক্লুনা হায়রকই,—"ঐ অমুক চংশিনবা ঙমদ্রোই।"

বিমলানা হায়রকই, "ঐহাক য়াম্না কিরবা পোৎনি।"

মসি তাবদা ব্রাহ্মণ অদু ভুংলোয়দা হন্নুনা চেনগদবগী শৌথাং তৌরক্লে।

বিমলানা উ হৌরিবা অদোমদা য়েংলকপদা উথাদা অঙৌবা শোংশক অমা লৈবদু উরক্লে। উথাদুদা শৈলেশ্বরগী কাও অদু কুন্নুনা য়ামনা লৈগনি হায়বসি মাদি থঙই ; অদুবু গজপতিদদি হায়রকই, "গজপতি ! নিংগম্বা লাই নিংউ। উথাদা লৈরিবসি উরবরা ?"

"হরে হরে ইমাইপেম্মা—" হায়না কপ্পা লাওরদুনা গজপতি অদু কল চোংথৎলগা শাংলবা মথোং অনিদুনা লাওনা লাওনা কাল্লদুনা মিকুপ অমগী মতুংদা ক্রোশ তম্মাই অমা থাপনা চেল্লোকখ্রে।

বিমলাদি গজপতিগী শাজৎ থঙবনা শোয়দনমক মহাক চুমহ্রিং লানবগী থোঙ তাম্না চেনখ্রনি হায়বসি থঙলে।

অদুদগী বিমলানা নিংঙাইবা লৈতনা মন্দিরতম্মা লাক্লে।

বিমলানা মায়কৈ খুদিং থকগা লাকপনি, অদুবু ফিরম অমদি শুকথঙ থলহৌল্লে। রাজকুমার অদুবু মন্দিরদা লাক্লব্রা ? চিংনবা য়াথল অসি হেক পোক্লকপদা বিমলাগী মথরায়ত শাথীনা অবাবা অমা ওইরক্লে। মহাক্না খল্লুনা য়েংবদা রাজকুমার লাক্তনি হায়বা করিগুম্বা অথেক্না য়া হায়রবস্থ লৈতে, চুমতমক হায়রম্মি, "মকম অসিদা ঐগা উনগনি, মকমসিদা উনদ্রবদি উনফম অমুক লৈত্রে।" অদুনদি লাক্লবস্থ য়ানা লৈ।

করিগুম্বা লাক্লবদি অমুক য়ানা হোৎনকরিবা অসি অবেমদা তারে। বিমলা অদু মথরাথ ছংঙাইরক্লদুনা মথক্তা মুকম মুকম শোক্লরকই, "য়াকমগী হায়না করিগী থলহৌদ্রবনো ? ব্রাহ্মণ অদুবু করিগীম্ব ভায়োকখ্রিবা ? কুপ্পা ইথক্তা অধিং অসিদা করমনা হুনগনি ? শৈলেশ্বর ! নংনা শিনবিগদবা মঙাম্রবে।"

বট পাম্বী অদুগী মপাদা শমচুনা শৈলেশ্বরগী মন্দিরদা কাথৎকদবনি বিমলানা উথা অতদা অহুম লাকপদা উরে, মকম অদুদা কাও কুমহ্রে ; উ মথোংদা অঙৌবা পোং অমা উথিবদুম্ব লৈরমগে। বিমলা অদু হাইফেং ঙক্লে : কাও অদু হৌগদুনা মফম অতৈদা চৎখ্রবস্থ লমহাংদুদদি উবা ফংগদবনি।

বিমলানা উগী মথোং অদু তম্না অহুম মুক্না য়েংশিল্লকপদা উ মরুম

মপোমদা কনাগুম্বা মী অমগী অচৌবা ফিজোলগী শনক থক্তিজং উবগুমা তৌই। মপুক্সিংদা থামনা চিংনবগা লোয়ননা তঙ্কি তঙ্কিনা মন্দির তাঙ্কা চংলগা থোঙ অতদা শংনা থীল্লুরে।

থোঙ লোক্তি।

মচংদগী চৌং-লেমলবা খোঞ্জাংনা হংলকই, "কনানো ?"

অহাংবা মন্দির মতুংদা লূপলবা খোঞ্জাংনা অমুক খোঞ্জাং থৈরকই—"কনানো ?"

বিমলানা মথক্তায় থুবাক্তা হাপ্‌না লৈরবা মফিংজেল মথৈ পুথোকচরনা হায়রকই, "লখী চংশদা য়াবরী ছপীনি।"

থোঙ অহু হাংদোক্লে।

হেক হাংদোকপদা উরে, মন্দির মতুংদা পাওমৈ থাদলি, অহুগা মমাংদা থাংশাং পায়রম্না বাং চাওরবা নিপা অমম লেপলি।

বিমলানা খুদক্‌তা থইলে, কুমার জগৎসিংহনি।

তরাতরুকশুবা তাঙ্কক

শৈলেশ্বরগী মমাংদা

বিমলানা মন্দির মতুংদা চংলগা অহানবদা নিংথিনা ফমথক্তনা ওহাক মপুক্সিং অমুক তপথরমে। অদুদগী য়ায়া নোলশুম্না শৈলেশ্বরবু খুকয়গা যুবরাজদা অমুক খুকরে। মবানিমক ওহাক তুমিন তুমিনা লৈনরে, কনানা কপি য়াহৈনা মপুক্সিংগী য়া কোংদোক্লগদৌরিবনো ? কয়া য়া হৌদোকলগে খল্লবদা মবানিমক অকবা কীওমদা ওয়ে। বিমলাদি অসিগুম্বা কীওমদা লাংবাই লৈবদি মপা লৈতবনি, হাইকেৎ মোমোন তৌরদুনা হায়রকই, "যুবরাজ! ঙসি শৈলেশ্বরগী কৃপাদগী যুবরাজবু উনবা ফংজরে। অদুং অসিদা ইথত্তা লমহাংদা লাকপনা

ওয়োল্লা কিকওর্দনি, অদুবু হৌজিক্তি মন্দির মঙ্গলা যুবরাজবু উমবদা অকিবা পুয়মক কোক্লে।

যুবরাজনা হায়রকই, "নখোয় য়াইকয়িদনা ?"

বিমলানা পাল্লিবদি—অহানবদা রাজকুমারনা শাইলেশনমক তিলোত্ত-মাবু ফংশিন্না ফংশিদন্না হায়বনু খঙদোক্লগা, মতুংদা অসি না ঙাংলবা থমিনি। মসি খল্লদুনা হায়রকই, "য়াইকনবনু মিঙগে হায়রদুন, শৈলেশ্বরদা পূজা তৌবা পাকচবিবনি। হৌজিক্তি খঙজরে, যুবরাজগী পূজাদা শৈলেশ্বর পুক্নেন পনবিগ্রে, অদুনা ঐগী পূজা অমুক হৌবিনিংলরোই, য়াখং পিনবিয়নদি মনাই ঐ অমুক হল্লখিনবা তৌরগে।"

যুব। মশা হল্লো। অদুবু নখপা চৎপদি চুমদ্রে, ঐহাক নংবু নম্বুম তাগা পিনবিগে।

মসি তাবদা বিমলানা, রাজকুমারগী অসি মপুংদি চুম্না পুৎলাইত্তা অথবা নংলমদ্রে হায়বা খঙনে। মহাক্না খুমকই, "মখৌ চৎপা চুমদে তাকপিগ্রিবসিবু কবিগীনো ?"

যুব। লম্বী-শমশংদা খুদোংথীবা থোককদ্ব য়ামনা লৈ।

বি। অসু পইরবদি ঐহাক মহারাজ মানসিংগী মনাক তাদ্না চৎচগে।

রাজকুমারনা হংলকই, "কয়িগী ?"

বি। কাদ্রগী হায়রবু, মতোন্দা হাকৎচবা তারে। মহাক্না হাদ্দিয়ক্লিবা সেনাপতি অসি- ঐখোয়বু লম্বী লমথাংদা চৎপদা অকিবা পোক্কনবা শীনখিবা ঙমদ্রে, য়েক্সবা মাংহনবা ঙমদ্রে হায়না।

রাজকুমারনা নোক্ত-নোক্লদুনা হায়রকই, "সেনাপতিনা মথক্তা থুমগদবদি, ক্লেকনবা মাংহনবা হায়বসিদি লাইমক্তা ঙমথিরবনি, মীওইবনদি কয়ম হায়না ঙমকদ্ব থোকপগে ? মতুমী খুমদি, মহাদেব মনামদ্বা মহাক্কী তপোবনদা কামদেব কৌবা হংকনববু উৎ ওইনা মাংচনগ্রবনি, অদুবু হনজমা থাথাময়ুক

অসিগী মহুৎদা কামদেব অচুম্বা হন্দিনু অসিগী মহুৎমক্তদা মামনা ওৎ-নৈবনচিংবা তৌরগে।"

বিমলানা মোমোন নোক্লদুনা হায়রকই, "অদুক মামনা ওৎ-নৈবদি কনাদা থোকখিবনো ?"

যুবরাজনা হায়রকই. "সেনাপতি অদুবক্তদনি।"

বিমলানা হায়রকই, "মহারাজনা অদুগুম্বা ওইথোক্তবা বাহুব্ কররা থাজবিগদগে ?"

যুব। ঐগী সাক্ষী নৈ।

বি। কনানো সাক্ষী অদুদে ?

যুব। লমচৎ-ফজরবী অসিমক—

রাজকুমারীগী বা অদু মথা তারম তাবাৎত্রিঙৈদা বিমলানা হায়রকই "ননাই ঐদি লমচৎ মামা ফজবী গুপীনি, ঐবু বিমলা হায়না কৌবিয়ু।"

রাজকুমারনা হায়রকই, "বিমলাহৈনা মচুগী সাক্ষীনি।"

বি। বিমলাদি অদুম সাক্ষী পীবদি তৌজরোই।

যুব। মতুম ওইবা মযাই, করিনা হায়রবনু থাথায় অমগী মতুংদা মথাগী রাশক কাউব' গুহা মীচনব্, কররা অদুবা সাক্ষী পীকম থোকপগে ?

বি। যুবরাজ ! করি রাশকথিবা লৈরবগে অমুক্তা তাকপিয়ু।

যুব। নংগী লোয়নবীগী মথক-মমিং।

থওহৌদনা বিমলা অদু কাগীগী বাঙাং তোক্কনা চাং-লেমলবা থোঙাংদা হায়রকই, "যুবরাজ ! পাষিম্বিবদু থওলগা যুবরাজগী পুক্লিংদা হুংঙাইতবা অমা পোকখিগদো হায়বগী রাথলনা হায়দোকদবসি চিংনবা অমা পোকচরে।"

রাজকুমার অদু ওহাক তুমিন্না লৈরে, মহাকমু কাগীগী বাঙাং থাদোক্লদুনা রাথল তৌরগা হায়রকই, "বিমলা ! থাদৈদোংবা শকমিং অদু তাকপদা ঐগী থবায় হুংঙাইদোইদবা করিগুম্বা মরম লৈরা ?"

বিমলানা হায়রকই, "লৈ যুবরাজ।"

রাজকুমার অদু অমুক হন্না রাখলগী ঈপাক্তা তাওরে, ওহাক লৈবগা অমুক হায়রকই, "করে, লৈরবদু লৈরসঙ নহাক ঐনা নিংলিবসি খুংহল্লো, ঐগী থম্মোইহুংগী থাংওমরবা থৌরাং মৈচাক অসিদগী অতৈ অমনা ঐহোন্দা কবিস্ত' হেন্না অহাবা থোকহনবা ঙমগনি উদে। নংনা চিংনরিবহুনা অচুবা ওইরমবস, মহগী অরাবহনা হৌজিক্তা মৈচাক অসিদগী হেন্না শাকরগনি। খুঙ্গিং কাখনবা রাকম অমদি মওইরগনি। বিমলা ! ঐহাক চুমনগী ঊরাং অমদগী নহাক উনবা লাকপা নত্তে; ঊরাং তৌনবা ঐগী হৌজিক মতম লৈত্তে, ওদি থারথারা অসিমা শগোল মথক্তা লেনবা নত্তনা কমুংথক্তা অমুক্তা মাতাবা কংলক্লবনি ; ঐগী থম্মোই অসি লাংতক্নমনহুনা ঐহাক লাক্লবনি।"

বিমলানা বা অসিডা থঙগে হায়হুনা মচেক মান্না হোৎনরম্লিদনি, অতৈ থরদুংগা থঙদোক্লবা মহাক্তা হায়রকই, "যুবরাজ ; যুবরাজদি রাজনীতিদা মামনা লৈরবা অমনি, খল্লহুনা অন্যক্তা য়েংবিয়ু, লালগী মতম অসিদা কবখা বানা থোক্লগদবা ভগীগী রাখলদা লুপ্লনা লৈবসিদু অচুবা থবক ওইগদ্রা ? অনিমক্তী মাইকনবা হায়জগ্নিবনি, ঐগী লোয়নবী অহ্নগী রাখল থাদোকনবা তৌবিয়ু, মহুনা লালগী মায়কৈগোমদা লোয়দনবক মদল ওইগনি।"

যুবরাজগী চিনবান্দুদা থম্মোইহৎদা চাকপগী মীনোক অমা নোক্ল-নোক্লহুনা হায়রকই, "কনাবু কাউথিনবা হায়দ্রিবা ? নংগী লোয়নবী অহ্নগী চেংলো অহু অহানবা হেক ঊবমক্তদা ঐগী থম্মোইহৎদা মথেক লানা য়েক্লনা লৈরবনি, থম্মোই অসি মৈনা চাকখিদ্রিবমথৈদি কোকদবা অমুক লৈত্রে। মীপুমনা ঐগী থম্মোইদি হৎনি হায়নৈ, হৎদা হকচাংবা মহিডিদি চং অদু হেক মকুপ মকুপ থোক্লা মাঙহল্লিবমথৈ কোকদবা লৈত্রবনি। লালগী বা নংনো হায়রিবহুদি, বিমলা ! ঐহাক নংগী লোয়নবী উবা হুমিত্তগী লাতা তৌহনা লৈরম্লিবনি। লানকমদা থঙদে—লানশঙদা থঙদে মিকুপ অমা কাওবা শক্তম অহু কাওবা ওমলক্লবনি ; ইচেক অসি ককে হায়হুনা পাঠাননা খাং খাংগথক্লবা মতমদগী ঐ শিখ্লবদি চেংলো অহু অমুক হন্না উবা ফংলমোই, অমুত্তং উথিবহু নত্তনা অতৈ

অমুক উবা ফংজ্রেদকো হায়না গুংথনসিনা ঐগী থম্মোয়দা ইহান চায় ফাও-থক্লবনি। বিমলা।। মথম কৈদা চৎলগা নংগী মরুপ অদু ঐ উজবা ঙমগদগে ?"

বিমলানা মসিদগী মথা অমক কপি শঙনিংঙাই লৈতে। মতাকনা হায়খকই, "গড়মান্দারনদা লেংলগা ঐগী লোয়নবিযু উবা ফংবিগনি, নিংথিরবী তিলোত্তমাদি বীরেন্দ্রসিংহগী মচানুপীনি।"

মসি হেক তানদা জগৎসিংহ অদু মহ পুরা লীমা চিকপগুমনা তোক্লে। শাংলাংদ্রদা লোয়ন্নবা মমায় লূকথনা ভুমিন্না শম্বুনা লৈথে। অদুগা মাগী কঠনা লৈবগী মতুংদা মংশাবন মপী হোল্লদুনা হায়খকই, "অদুনা হায়বদুমক চন্নে। তিলোত্তমা ঐগী ওইফম লৈত্রে। ঐহাক লানফমদা চৎলগে, অক্লবগী ইনা ঐগী খুংঙাইবগী পোলোইফম ওইকগে।"

বিমলানা রাজকুমারগী মথমায় চংঙাইতবগী উবদুনা হায়খকই, "যুবরাজ! শংলবগী কমিগুনা থনা ফংকম লৈবরদি যুবরাজনা তিলোত্তমাবু লোয়দনমক লংবিকম থোকই। কমিগীদমক্তা নিংবা পুমকাই হেক কায়বিবগে? অমি লোংদবনা য়েংবা ওইবিরিবসি, হয়েং থোক্তানবিরকনি হায়বগী পাউ থংবা ঙম্বগে?"

রাথল লাইরেম্বীদি রাঙাং থুম্বীনি। রাগবা তথিন্নবা মতমদম্ব মীওইবগী মাকোংদা লোয়না লোয়না হেক হায়বৈ, "নোং-ঙ্গংশিং হায়বসি কৈ পুনা থক লেগদবা নত্তে, কমিগী বাক্কিবি? ঐগী রা লোই।" অদুগা বিমলাগী চিন্দা তাংদুনা আশা লাইরেম্বীনা হায়রক্লি,—"কমিগী বাক্কিবি? ঐগী রা লোই।"

জগৎসিংহম্ব আশা লাইরেম্বীগী রাহু লোয়ে। ঈশ্বরগী থোপিনবু কনানা থংবা ঙমগদগে? নোংদবনা ইমথবু কনানা মাংজোননা পাকবা ঙমগে? ভংবান অসিদা থোকফদবা থৌদোক কবি লৈ? তেংবান অসিদা থোকফদবা থৌদোক কয়া লোকথিদবা য়াওবরা?

রাজকুমারনা আশা লাইরেম্বীগী মরা তারে। মহাকনা হায়খকই, "অদুম অদুম ওইনমক, ঙসিদি ঐগী থরায় অসি লাংতক্লবা অমা লোক্লে. হোনবা

হৌনদবা কথিমতা থম্বা ঙমদ্রে। লাইবক্কা তমলখা অদুদি অদুম্বক থোকচ-রকনি, নোংদবগী খুজিনবু কনানা ককদুগনি ? হৌখিকমক্তি ঐগী পুক্নিংগী বা হায়দোকপদা অকায়বা কখিন্ত নৈতে। শৈলেশ্বরগী মমাংসিমতম্দা ঐ রাশকুনা হায়খিবসিনি, তিলোত্তমাবু নত্তনা ঐ কনাবুত্ত হুংশিবা তৌরবোই। ঐনা নংগী নফমদা নিজখিবদি, নহাক ঐগী বা পুথসি নংগী লোয়নবীগী মফমদা তখিবু. অদুগা মসিমত্ত হায়বিবু, ঐহাক অমুক্তংদগা মহাকী চেংলো অত্ত উজনিংবগী রাখলদা থোরাংনা ঙাইজখি, অনিরকতনা রাকম অসি নিজরোই হায়না।"

বিমলাগী মায়থোং অত্ত হয়াওখনা মকা লামলক্রে। মহাক্না হায়রকই "ঐগী লোয়নবীগী পাওখুমদি যুবরাজনা করম্না ফংখিগনি ?"

যুবরাজনা হায়রকই, "নংথ, হয়া হয়া রাহনবদি ঐগী ইতিক নত্রে,. অত্তুবু নহাক্না কখিতখা অমুক্তংদগা হয়া মন্দির অসিদা ঐথু নশক উহনখিরবদি ঐহাক নংগী নফমদা শিংতমত্রবা লম্মন তৌরি হায়না লৌগনি। জগৎসিংহ-দগীত্ত কখিতখা মত্তম অমদা মত্তুক্ত মতিক চাবা লম্মন মশিংত্ত মফংলকনি।"

বিমলানা হায়রকই, "যুবরাজ! ঐদি যুবরাজগী রাথংতা ইম্ববানি ; অদুবু ঐহাক ইথত্না অহিংদা লখী অসিদা লাকপসি ওত্তোক্না কিজত্রে, শকখিবা রাশক ঙাক্তবদি গাদবনিনা ঙসিদি লাকচবনি। হৌজিক্তি নৈপাক অসি য়েক্কবশিংনা পুমকোয় কোয়ত্রে, অমুক হয়া লাকপসি ওত্তোকনা অকিবা অমা ওইগদৌরি।"

রাজকুমারনা ঙহাক রাখল তৌরগা হায়রকই, "নহাক্না কখিতখা ফত্তবনি হায়না থত্রবদি, ঐহাক নংগা লোয়ননা গড়মান্দারণ তাত্না চংলগে। ঐহাক মফম অত্ত য়োরগা জুগোৎ চাবা মফম অমা য়েংত্থনা নংবু ঙাইহনা লৈরগে, অদুগা নহাক ঐঙোন্দা পাও অত্ত হন্দোক্নরো।"

বিমলানা মথরায় হয়াওনা হায়রকই,—"অত্তুদি লেংলসি।"

মখোয় অনিমকনা মন্দিরগী থোক্নকপা তাক্নাত্না, মন্দির মপান্দা য়াম্না

চেকশিন্না থাংবা মীগী খোংথাংগুবা অমা তায়। রাজকুমারনা হাইরেং ওক্লদুনা বিমলাদা হংলকই, "নহাক কনাগুম্বা লোয়নখ্রবগে?"

বিমলানা হায়রকই, "লোয়নজরক্নে।"

"অদুদি কনাগী খোংথাং মখোনগনা? ঐহাক পুক্নিংদা, কনাগুম্বা অমনা নুমত্তুনা ঐখোয়না ঙাংনরিবসি তাথিবা মাওঙমাদা হায়না চিংনবা অমা পোক্লে।"

অসি হায়রদুনা রাজকুমারনা মপান খোক্লগা মন্দিরগী মায়কৈ মরিদ্দু কোয়চং চংদুনা লেংলক্লে, অদুবু কনামতম্ব থেংনদে।

অহুমশুবা তাকক

বীরপঞ্চমী

মখোয় অনিমক শৈলেশ্বরগু থকপগা মপুম্নিং চিংন চিংননা গড়মান্দারণ তমনা খোংনারক্লে। ঙহাক রা মচেৎ অমা ফাওবা ঙাংনদে। থবা থাপনা চৎলক্লবা মতুংদা রাজকুমারনা হায়া রা ঙাংলকই,—"বিমলা, ঐহাকনা চিংনবা মরম অমা লৈরে। নংনা কদি হায়রকপগে খন্দুনা হায়রোকপদি ঙমগে।"

বিমলানা হায়রকই, "কদি মরমলো রাজকুমার?"

জ। ঐহাকী পুকনিংদা, নং অসি কৈদৌঙৈদা মীনাইদুগী ওইরমোই হায়না কয়া থাজে।

বিমলানা হাইরেং লোক্লদুনা হায়রকই, "মসিগী মরমদা চিংনবদি রাজকুমারগী পুক্নিংদা করম তৌরগী পোক্লক্লো?"

জ। বীরেন্দ্রসিংহগী মচানুপীনা অমম নিংথৌগী মমৌ ওইবা হায়ে

হায়বনিগী মরম অদুবা অমা লৈ। মতুংদি মায়না অপোনবা য়াকয়নি, নত্রগা মীনাই হুদী ওইরগদি অন্তঃপুরগী অপোনবা য়ারী অদু করম্না থম্লকপা লৈ ?

মসি তাবদা বিমলা অদু চৎপাক্তা মথং অমা হোন্নকই। হাইরিপ মতম্দা হুংগাইডবা খোল্লাংনা হাঙ্দকই,—"রাজকুমারনা থনবিরিবতমক অচুম্বনি ; ঐহাক মীনাইচম্বী নত্তে। লাইবক থীবদগী মীনাইসুম লৈবদা তাত্রবনি। লাইবক্কী তাইনফমশ্রু খোঙ্গে, ঐগী লাইবক্কি খোইনা পাংখৎ-কত্তবস্ত নত্তে।"

মা অসি হায়রকপদা বিমলাগী মপুৎকনিংদা নীংথমদবা মৈচাক কাওরকই হায়বসি রাজকুমারনা উরে, মরম অদুনা য়াকয় অসিগী মথা অমুক তাথত্রে।

বিমলা মথানা অত্তমক হাংদরক্লে, "যুবরাজ, ঐগী অপেংবা ইনক-ইখিং হৌজিকমক্তি তাকচগিম্রোই, মতুংদা লোংমা তাকচগে। এঃ কম্নিংনা মখোল অমা তাথিরসে ? ঐখোয়গী দুংগা কনাগুম্বা মী ইমরকপকা য়াওরবা ?"

তাঙ্গা অসিদা তুং ওইরপনা মীগী খোংথাং মখোল অমা তশেংনা তাথরক্লে। মী অসি য়াম্না লোম্না মা ঙাংনবগুম্বসু ভোঁই। হায়রিবা মতম অসি মন্দিরদগী ক্লোশ মথায় অমথোয় চৎখোকলক্কবা মতমদনি। রাজকুমারনা হায়রকই,—"ঐহাক য়াম্না কম্না চিংনরে, অমুক্কা কোয়রোং য়েংলুখিগে !"

অসি হায়রদুনা রাজকুমারনা লম্বী অদু থম্না অমুক হল্লা চৎদুনা লম্বী মপালনচিংবদু কোয়রোং য়েংলুরে, অদুবু কনাগুম্বা অমত্তম থেংনত্রে। অমুক হল্লকপা বিমলাদা হায়রে,—"ঐখোয়গী ইতুংদা কনাগুম্বা ইমবা য়াওরমাদে হায়না ঐ কম্না চিংনরে। মা চাংবদা থম্নাং চেকপিনবা তাই।"

অদুগীদি মখোয় অনিমক য়াম্না লোম্না য়াথি পাবদুনা অমুক চৎলক্লে। মমৈথংদা গড়মান্দারগী থুন চংলকুনা লানবল মখোংদা লৌরক্লে। রাজকুমারনা হংলকই,—"নহাক হৌজিক কম্না লানবল মতুংদা চঙগনি ? অমুক খেংলবা অহিং অসিদদি মংথাওপোক্নম্না লোনশিল্লগনি।"

বিমলানা হায়রকই,—"মতুংদি কন্নিমত্তা থনবিকগনু ; ঐহাক মতুংদা হায়না খোঁয়াং ভোয়গা মুথদগী চথোকচরকপনি।"

রাজকুমারনা নোক্নদুনা হায়রকই, "অরোনবা লমা লৈব্রা ?"

বিমলাস নোক্নদুনা খুমলকই,—"হয়রানবগী লৈরবদি শগুল খোঙহৎ লৈবা মশিংদ্রি।"

মহাক লৈরগা রাজকুমারনা অমুক হায়রকই,— "বিমলা, হৌজিক্তি ঐহাক অমুক চংশিনবগী কাময়কম লৈত্রে। ঐহাক লানবল ময়াদা লৈরিবা হৈনো-বোন অসিদা নংবু ভাইদুনা লৈরমলগে, নহাক্না ঐগী ইহৎ শিন্দুনা অমত্তা চিথদনা নংগী লোয়নবীদা হায়বিয়ু, থাথায় অমা লৈরগবু ওইরবস্, থা অমগী মতুংদবু ওইরবস্, ঐহাক অমুক্তং মাগী মশক্ উজদুনা পুক্নিংশি পেজগে।"

বিমলানা হায়রকই, "হৈনোবোন অসিস অচিকপা মফম নত্তে,—ঐগী ইতুং ইনবিরকখো"

অ। কয়া থাপনা অমুক চংকদোরিবা ?

বি। লানবল মফংদা লেংশিনসি।

রাজকুমারনা হাইরপ রাপন তৌরগা হায়রকই,—"বিমলা, মহু খোনদে। লানবল মপুংদ্ধি মাথং পাওদনা ঐহাক লানবল মফংদদি চংলোই।"

বিমলানা হায়রকই,—"মহৎবু করি চিংনফম লৈবগে ?"

রাজকুমারনা নাপল তৌনা হায়রকই,— "রাজপুতশিংদি করিগুম্বা মফমদা চংপদা চিংনবা গক পোক্তে। অত্তবু নহাক শক্তদুনা য়েংউ, অদ্দয় নিংথৌগী মচানা, লানবল মপু খঙহনদনা, হয়রানবগুম লানবন্দা হেক চংবা হায়রবসি খোনবা থবক্না ?"

বিমলানা হায়রকই,—"ঐহাক্না যুবরাজবু কৌজদুন' লোয়নরকপনি।"

রাজকুমারনা হায়রকই,—"ঐহাক নংবু মীনাইগুম্পানি খন্দুনা খোওই-উৎশিত্তবনি হায়নদি খনগদ্র। অদুবু হায়দ্রু তাসি, লানবল মফংদা ঐবু কৌদুনা পুশিনবা নংগী করি নত্তিক লৈ ?"

বিমলাগী চহাক্তং হায়খল তৌরগা হায়রকই,—"ঐগী বরি ইতিক দৈ হায়বগু খঙ্গত্রবগী লৈংশিল্লরোইদবা ?"

যুবরাজ—"কৈরোঙ্গংদগু চংলোই ।"

মসি হায়রবগুলগী বিমলানা রাজকুমারগী মমাকোং মরাগা চংশিনুনা বা খরা লোয়া হায়রমে ।

মতু তাবদা রাজকুমারনা হায়রকই,—"খঙ্গদি লৈরগনি ।"

বিমলানা হায়রকই,—"যুবরাজ ! ঐদি মীনাই হুগীনি, মীনাইদদি চংনি হায়না তাকশিনু ।"

যুবরাজনা হায়রকই, "করে; যক্ত্রা হায়রগে ।"

বিমলানা যুবরাজগু পুরুনা চংলিবা লোংখোক অচৌবা অছুকি, লানথলগী যথোঙ তায়া চংবা লৌরোক্কি । লানথলগী লাকলাগা হৈজৌ-খোন লৈ, যখোঙলগীদি খোম খচু উবা ঙমই । লোংখোক খদিদনা মাঙোদম ভুমৈনা কোয়ংগী মনিংপাংনা চেলিবা অদোমদা চংলে । হায়রবাদি হৈজৌ-খোন খদি কাওহনা চংকদবনি । হৌজিক্কি বিমলানা লোংখোক অচৌবা অদোমদা চঙহনা রাজকুমারগু পুরগা হৈজৌ-খোন অহুবা চংলক্লে ।

হৈজৌ-খোন অহুগা হেক চংলকপদগী উনা অশংবা লৈবংগী মীগি খোংখাং খথোলগুবা অমা মরানিরক খতুক হনা তারক্লে ।

বিমলানা হায়রকই,—"ওলোইরগু অপূকন্থ হনা !"

রাজকুমারনা হায়রকই,—"নহাক চহাক্তংগা লৈপথো, ঐহাক অমুক্তা লেংমুথিগে ।"

রাজকুমারনা খাংগুমদগী খাংখাং শর্ত্তাংগা মথোল তাখিবা মায়কৈ অদোমদা চংশিনক্লে ; অমুমু কনাগুম্বা অমতম উবদি ঙংদ্রে । হৈজৌ-খোনগী মথা অহু মথল মথা অমাখা লমলকী উখিনা লেংশিনখিবনা অমুকী মতিক ভুকদ্রে অখগুং উশিনগী মকলনা অহিং অহূনা অমুকী মতিক মঙ্গদ্রে মহুদদি, রাজকুমারনা লৈরিবা মকথকলগী খজিতগ খাপতোকখিবদা করিমতা উবা

মংশিত্রে। মহাক্না অহম থনবদা মখোয়না তাখিবা মখোল অদ, শা-শিংনা চংপগী মখোল ওইরবা তাই হায়না নীংলে। অহুম অহুম ওইনবক, চিংনবিবহ্ পুমকোক কোয়নবা তৌবদি চুশি হায়দুনা রাজকুমার অহ্ থাং পায়না পায়না হৈনৌ পাখী অমদা মতোন য়োনা কাখন্তুনা মায়কৈ মখিবক কোয়য়েং য়েংবা হৌরক্লে। অহ্মা ফনা কুইনা য়েংলবগী তুংদা চাওখবা হৈনৌ পাখী অমগী পুঙলবা ম-শা মরক্তা মী অনিথক তোংহনা লৈবা উরক্লে; মখোয়গী কোয়েং-থক্তা থাবল মঙালনা য়ৈবা অহুতমক উবা ফংই; মশাপুম্বদি উরুমদা লোংলি। রাজকুমারনা য়ায়া চেকশিন্না য়েংলকপদা কোয়েং য়েংশিনদি মী ওইবা তাই হায়বসিদি চিংনবা লৈত্রে। মহাক্না অমুক হন্নকপদা উ অহ্ মশক থক্ননবা হায়দুনা য়ায়া কুপনা চেকশিন্না য়েংলে। অহুমগী তপনা তপনা উ অহুমগী কুমথয়রুগা হুমিন্না বিমলাগী মনাক তায়া লাক্লে। মহাক্না উব পুরমক্তু বিমলাদা শিং-শিংনা ওয়বা মখুংদা হায়রকই,—"তাক্লাসিদা তা অনিথক্তং লৈয়রক্তবা থোক্লবদি থংগদবনি।"

বিমলানা হায়রকই,—"তানা কৈদৌবিগদৌরিবা ?"

জ। মহুম তৌরবদি মখোয়সি কনা কনানো হায়বহ্ থগদবনি, তৌরিবা মতং মতৌ অসি কমা অফবা ওইগনি;হায়না নীংদে। কোয়য়েং অসি উবদা ঐনা থনবদি, ফজবা পাঠানশিংনা কহিওথা ফত্তবা থবক থবা তৌগে হায়দুনা ঐখোয়গী চুং ইরুকপা মাজি।

মসি হেক তাবদা বিমলানা লবেল মপান্দা উরকপা অশিবা শগোল, কোয়য়েং অচুগা শগোল তোংবা লাম্মীশিংগী থোংতল মথামহ্ থংনিং নিংশিং-লক্লে। মহাক্না হায়রকই,—"অহুমিঙহাজং মফম অসিদা লৈবিরমু; ঐহাক মিৎন-কুমা অমগী মখুংদা তা পুজরকে।"

অসি হায়রগা বিমলা অহ্ তফিং তফিংনা লানবল মথোং তায়া চংত্রে। মহাকনা হুমিং অহুগী হুমিদাংবাইদা কমদুনা রথম-মনা হাংথিবা কা অহুগী মথা থংবদা লৈবা কাগী মিংথোক অমা, হৈনৌ-বনলোমদা ওম্মুনা পাজি।

বিমলানা ফিজিদগী শো অমা লৌথোক্লগা মচুগী মথুন অচুদা থিংজিনদুনা লৈরম্লে, অদুদগী মিচৎথোক অদুগী মচৈ অদু পাম্মংগা চেকপললোমদা কমা চিংশিল্লে, খুৎলৈবনা বাখল লৈনা শাবা ওইবনা মিচৎথোক্তুগী থোঙবা, থোঙ-শাক, মচৈনচিংবা পূম্মক চেকপলগী মচৎদা লৈবা অহোবা অমদা পুরপ ওইনা চংল্লে; বিমলানা কা অত্তদা চংনবা লম্বী অমা ফাওরে। কা মচুং মোমগা বিমলানা চেকপল মচুংদা লৈবা মিচৎথোক অদুগী থোঙবা অদু পায়দুনা চিংথোক্লক্লে; মিচৎথোক অদু থোক্লক্লনা অমুক হন্না হাম্মগী মফমদা লৈরম্লে। থোঙশাক মচুংলোমথংবম্বদম্ব হাম্মগুম শো মথুন অমা লৈরম্মী. বিমলানা ফিজিদগী শো অদুনা অমুক মদু লোনশিল্লে। মিচৎথোক অদু মাগী মফমদা চেৎনা লেংদনা লৈরম্লে, মশাকলোমদগী ছাংদোম্বকপা মাদগী কবিগুদা ফাওব অমত্তা লৈখিল্লে।

অদুদগী বিমলানা থুনা মাংনা লানবদগী খুংলাই শঙ তাম্মা চত্তুনা থোঙশঙবা অদুদা হায়পরে—“ঐনা নঙোন্দা নিম্বিবসি কনাদম্ব তাকথোকতু। ঐঙোন্দা তা অনিথঙ্গং শীমু—অমুক থিন্দনা পুম্লক।”

থোঙশঙবা অদুনা ঙক্লদুনা হায়রকই,—“ইমা, নহাক তা পুবগা কৈদোনগদৌম্বিবনো?”

পাইরকী লৌশিং লৈরবী বিমলানা হায়রকই,—“ঙসি ঐহাক বীরপঞ্চমী ব্রত কৎলি, ব্রত অসি তৌরবদি ইচা অকনবা পোকই, মতুংদমক্তা অহিং অসিমা খুংলাই পূজা তৌগদবনি। ঐহাক ইচা হুপা অমত্তু পোকচগে হায়দুনা লাই নীংজরি। মসি কনাদম্ব হায়দোক্নপদি তৌগদ্ব।”

থোঙশঙবা অদু হায়খিবা বাফমসি অচুম্বা ওইনা অদুমক লৌম্লে। লানবদ অত্তুদা লৈরিবা মীনাই পূমনমক বিমলাগী মাথং ইনবা ঙাক্তনি; মরম অদুনা বা মথা তাবা তৌদনা পোমথা তা অনিথক শীম্লে।

বিমলানা তা অদু পুরগা হায়রগুম থুনা মাংনা মিচৎথোক ময়াদা অমুক লাক্তুনা মচুংলোমদগী থোক অদু হাংদোক্লক্লে অমসুং তা অদু পুদুনা থোক্লগা মুগৎলিংদগী মনাক তাম্মা চৎল্লে।

থিংথিবনীগী ওইরবস্ মতমগা ইনক মরা নৈগদবনি অথুবদ্ খুদকা অনুই হৌরকদবনি হায়না কোয়থোকপা অমদগী ওইরবস্, বিমলানা মপান থোক্লকপা মতমদা মিহৎথোক্তগী লম্বী অদু হাইগ্দবা থিংজিনখ্রে। মদুনা অহানবা তানবা মথম অমা থোকখ্রে। মিহৎথোক্তগী মনাকমতুদা হৈনৌ পাখী অমা লৌই, মদুগী মকমদা খুৎলাই পায়বা নিপা অমথক লুপ্লদুনা লৈরম্মি; মহাক্তা বিমলাগী অশোয়বা থাঁসি উখ্রে। বিমলনা থিংকদগী হাংবা হেক লানফিদবে খুৎলাই পায়বা নিপা অদু উ মকথদা অতুঙক খুৎতুনা লৈরগা, বিমলাগী মথক উথিল্লবা মতমদদা নিপা অদুনা মখোল হৌবা শক্তিনগী থোরক্তনা অদু উপোক্লে অনমগা, থোংখাং তপনা তপনা খাংলদনা মিহৎথোক্ত মথাদা চংলক্লে। অহানবা মানা মিহৎথোক্তগী অহোবদুদা খী মঙংদু, কোয়নেং লেংথোকপা কনাদ নৈতওবদু উতুনা তুমিনা চংলক্লে; অদুগী কা অদুগী থোক লাথোক্লনা কোয়ুং মথং তাপ্না চংখ্রে।

অসোয়বা রাজপুত অদুনা বিমলাদগী তা অদু লৌথতনা হায়রম উথক্তা কাখৎলে অমসুং হায়া উথিবা উ অসোয়দা লেংলকপদা হৈনকি কোয়নেং অকতবক উরে, অতোপা অমদি মকম অদুদা লৈরমদে, অদুদগী রাজকুমার অদুনা তা অমনা মথুং ওইনা পায়শিনগা অতোপা অদু মথুং লেপনা পায়থদুনা উথক্তা উহ্নিবা কোয়নেং অদুগী মপা লাক্তুনা কনবা শাগুগা লোয়নননা তা অদু লংলক্লে। খুদক অদু মতমদা অহানবদা তৌনা মরামগী ত্রো ত্রো লাওবা মখোল থোক্লক্লে, অদুগী হেক মতুংদা লৈবাকথক্তা শুম্লবা পোৎ অমা তারকপগী মখোল তারক্লে, কোয়নেং অদু উথক্তা অমুক উথিখ্রে, মদুদা রাজকুমার অদু মপুম্নিংঙা, মাগী লোয়বা মাইক্রবা খুৎহনদা কোয়নেং লেৎপা নিপাদু উশাদগী নাবদুনা লৈমায়থক্তা তাপ্পু হায়রসি খল্লে।

অগৎশিনবিনা তক্তিং তথিনা উথকগী কুমথরকলগা অশোকপা মী অদুনা তাথিবা মকম অদু তায়া চৎলে, মকমদু মৌবগা মহাকনা উরে, লাইরিক

,মীয়েং শেংবা পুংলাই পাম্বা মৃগনয়ান অমথক অশিবদোরা টিলোত্তমাগী থাক্লা টৈদি। তা অতুনা মহাক্তী সিংগান্না কাওনা লেপ্লে।

রাজকুমারনা অনিকুম টৈরিবা মী অতুমী মপা অমু পায়খ্রবা থেংনা মথবায় পুম্বা থারে হায়বগু খঙলে। তা অতুনা মিংপাক্লগী লেংথিরবা অরেংবা কাওখোকলে। শিখিবা নিংথিজবী পুন্সিং মতুংদা চিঠি অমা থাক্লমি। মতুংগী মতেং থমিকং মপাল্লা থিল্লাকত্না লৈরগু ঊরুবা, লেপ্থংলিন্নবা লৌরগা থাদনা মতাংদা থোক্তনা পারে, মতুদা ইবনিমতি থমিতি—

"কতলুখাগী মাখং ইনবা মী গুপ্তনা চিঠি অমি হেক ঊবদা, চিঠি পুথিবা মী অমিগী মাখং তাক্লা চৎকদবনি।

কতলুখাঁ"।

বিমলাদি মথোল মথৈতা ভাবনি, অতুংগা এবোনদি একুথিরতা থকলে। রাজকুমারনা মাগী মনাক্তা হুরুপ্পা মথোল পুম্নক চপাইনা ভমলে। মতু ভাবদা বিমলানা হায়রকই, "যুবরাজ! ঐহাক অদুম ভৌথনি থকচরমলবদি যুবরাজদা তা পুরক্তনা পীজরোইদবনি, ঐহাক অদি লাথিনা পাপ চেনবী হায়বগু ওইরে, ঐনা অদি ভৌকখিনা থবক অসিদি হরেং তুংনাওবা কোকথম টৈরবা ইবানি।"

যুবরাজনা হায়রকই,—"মেরুবা হাংপত্ত কদি ইবাদ টৈথম থোকপগে? মেরুবদি হাংকদবনি হায়বসি থপদগু হায়রিবনি।"

বিমলানা হায়রকই,—"মতুদি লামীশিংগী হাথলনি, ঐথোয় দুগী ওইবীদদি মতু ওইবা যাবা থবক নত্তে।"

ওহাক লৈরগা বিমলানা অমুক হায়রকই,—"রাজকুমার! অমুক থিমথবদি অযাওবা করা থোকপা যাই। লানবদ মতুংদা লেংশিনসি, ঐহাক থোও লাংঙাক্তনা থম্লিবনি।"

মথোয় অনিমক পুনা মাংনা লানবল মথোং ভাগা লাক্পা অহানবদা তিল্লুরা অরাই মতুংদা রাজকুমারনা মতংদা চৎলে। মেক থোং থাংথিনবা

মতম্মদা রাজকুমার অছু নিংথোল শিং শিং চোংই, মকমনাক নিকই। দাদী লিশিং লিশিংগা মায়মোকনরবা মতম্ম কাওবদা, শনা অমা কাওবা কেৎ হাইরকপ্রবা মহাক অদুনা, ওসি হুৎজাইরবা মকমসিদা চৎলকপদা কাম্বিনী নিংথোল চোংলিবনো ?

বিমলানা হায়ত্তম মিহৎখোঙ দবী অছু থিংজিনে, অদুদগী রাজকুমারবু মাগী তুকচম কা ভাম্না পুন্নগা হায়রকই, "ঐহাক খুনা লাকচগে, অহাক্‌ কন্দু মথকসিদা পোথাদুনা লৈবিয়ু। হাখল শেম্নারকখোমদা পুবিদুনা তাইবং মপু ওইরিবা ভগবানগী কিদা কাওবা কম্বিয় লৈক্রবা খোংনাং মনাদা ওইথি হায়বগোমদা খঙ্গোকপিয়ু।"

বিমলা চৎপ্রগা খিঙ্গনমক থংনবদা লৈরিবা কা অদুগী থোঙ হাংথোক্লক্‌না হায়রকই,—"যুবরাজ, মকমগোমদা লেংশিলক্‌না হজচবা অমত্তং তাবিয়ু।" যুবরাজ অছু অমুক নিংথোল শিং শিং চোংলক্লে, মহাক্না কমুদগী হোৎশনক্‌না অভোঙ্গা কা অদুদা বিমলাগী মনাক ভাম্না লাক্লে।

থুদক অদুমক্তদা বিমলাদি নোংথাং কুক্তম মকম অদুদগী চেংথোকক্লে, অদুদগী যুবরাজনা উমক্লে, নিংখিনা লৈত্তেংলবা কা, দুপানা দুথোংখত্তম তাজবা থাওবৈ, কাগী কাচিন অমদা কিকক থুমলিবা দুগী অমা—মহাক অছু অতৈ কনা নত্তে ভিলোত্তমানি।

অমাজিপালতবা তাকক

অশিংবগা অশিংবগা

বিমলানা মাগী কাদা লাক্লগা কমুং মথকা কমলথে। বিমলা ওসিগি মায়থোং মকা শাযলে, মহাক্না শীনবা খোঙম বহৈ মাক্লে। কা মচুদা থাওবৈ থাম্লি, মাংদা শকরেং মিৎশেল লৈবি, হুমিদাংবাই শেৎখিবা কিজেৎ অমতা

থুংবম কারব্রি, বিমলানা মিংশেলছন্দা মাগী মরি তাবদু হাইবেংতং য়েংলকই। মাচংবা মতমদা খুৎলোল হৈনা লোনখিবা শমজৌ অচুম্বক কায়দনা লৈরি, মাওরম ভোবা মিংশাঙ্গা কাজলগী মতাম, চিনবাঙ্গা পানাগী তাংগ্রাংবা মচু, নাইরা চুবা থরা হাই-হবা পূরমক লেংদনা অচুম্বক লৈরি। বিমলানা কমুৎতকা লেরা তাখহনা ভংথার অমনা হিপথবতম, ভংথার অমনা কক্কা লৈরি, মীংশেলদা তাবা মথাগী কজবা শকক অমু য়েংলহনা লেপ্লি। বিমলানা লোক্লিবগী মরমদি দিগগজ পণ্ডিতনা মরম ইচা চাদনা থুম থাম্নাক্‌না কোক হেক চৎলি মায়কপদি নত্তেদনা হায়বসি থমুবদগীনি।

বিমলানা জগৎসিংহ অমুক হন্নকপা চাইথনা লৈরি, তামা অসিদা হৈনৌবোন মচুৎলোমদগী হৌবরা বেজ্‌ল অমা থোংলকলে। মচু হেক তাবদা বিমলা অদু ইথক থকৎল্লে, অমসুং মগুম্লিংদা থকিবা অমা পোল্লে, মথোঙ্গা নত্তনা হৈনৌবোন্দদি কৈনৌছুংবা বেজ্‌ল থোংবা ভৌনে, অদুগা অদুক থেংলবা অহিংদা বেজ্‌ল থোংলিবসিনা কনিগীনো? মতম অদুদা মহাক মন্দির তামা চৎপদা অমসুং হন্নকপদা অহিং অদুদা থেংনখিবা পূরমক নিংশিংলক্লে। বিমলানা থুমক অদুমক্তদা বেজ্‌লগী মথোল অদু কয়িত্তবা কত্তবা থৌনোক অমা থোক্লকদবগী থুমম ওইরবা তাই হায়বসি মগুম্লিংদা চপ হুংনা নিংলে। মরম অদুগী মহাক চিংনরুনা মিহুৎথোক অমাদা অকুপা হৈনৌ-য়োনলোমদা থুমা য়েংবা হৌখ্রে। হৈনৌবোন মচুৎপদি কয়িত্তবা অমতা উবা ফংদে। বিমলানা মথবায় শৗনা কা অদুদগী থোক্লে। মাগী কা লৈরিবা পক্কে অদুগী হেক লোইরকপদা মাথোল অমা লৈ, মাথোল অদুদা হেক থবদা কা পক্কে অমা অমুক লৈ, পক্কে অদুদা দলান মত্তোল য়োনা কানবা সিড়ি অমা লৈ। বিমলানা কা মচুৎদগী থোক্লগা সিড়ি অদু কাখত্‌না ত্বেক য়ৌক্লে অদুগা মায়কৈ মখিমক কোমপৈ লৈতনা য়েংলক্লে, অদুবু থোন অদু তম্না মরখিবনা কয়িত্তা উবা কোবা লৈখিদ্রে। বিমলানা অমুকা হেন্না লাংতক্কবগা লোয়ননা ত্বেক অদুগী য়েনৌং মনাক তামা চংশিন্নক্লে, য়েনৌং অদুদা মথবাক্কা তাখহনা মথায়

মূখথনা [illegible] [illegible] কাওবা লোৎখয়রে, [illegible] কবিনবা উবা [illegible] খংবানেশা [illegible] উনা-উরা খুমক লোংবা থাবগী মচাননা খুমলং [illegible], অদি [illegible] [illegible] [illegible] হবদা নাগু মচু মাননা উদি, লোন মখাইনা [illegible] [illegible] মকক মবক্তা উনা-উশানা নুমশিংকুন্দা থাবল মচান ত্তারম হাওদি, [illegible] [illegible] [illegible] অথংবা [illegible] লোইনা থাবগ [illegible]- শিংগী লোমরুগু মদি মতিদি, থাগনা [illegible] [illegible] উনখিবা মুমা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], মচুগী [illegible] মচুগা [illegible] লোংশনবিশিংগী মওং [illegible] মদি কবিনবা উদি। অদি মতমা [illegible] [illegible] উবা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চৎলগে [illegible] হেক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থুংনা [illegible] [illegible] লোংলকই। [illegible] [illegible] [illegible] মমাং [illegible] লোখাকপদা থংনাই পাসবা মমক থংবা নিপা অমা লেপ্লু না [illegible] লোংনরে। মচু উবদা নিমদা অচু [illegible] [illegible] [illegible] লেপ্লু না [illegible]।

থংনাই পামজনা হায়নকই, [illegible]-থোংবা তৌগদ্রু। [illegible] [illegible] হুদিনা [illegible]-থোংবা শকদ্রে।"

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নিপা অদিগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তৌই। [illegible] থেং-চাদিনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অচু উবদা নিপা অদি [illegible] [illegible] অমনি হায়বা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ওদি। [illegible] [illegible] [illegible] চহিনা [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] অদৈ, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থেংলি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], নিপা অদি-[illegible]- [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়বা নিংথিজনা [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] নিংথিবা থাবদি।

মহাক্কী মমল য়াম্নবা থ্ংলাক্তা মণি থান্নবা থাংগুমদা লাবাকী চুপি য়াদি, মথুত্তনা শক্তোক্লবা থাংশাং শাতপি। অতৈ থুংলাই খোইনা য়াওরে।

লাম্মী অহুনা হায়রকই, "লাউ-খোংবা তৌগদ্রু। অহৌব তৌরবদি নহাক অহাবা তাগনি।"

পাইরকী লৌশিংদা মশা লৈত্রবী বিমলা অদু মিকুপ "খৱাৎতক চুপি চমররদি, থুংলাইশাবরদ্রি অনিৱক তরকপা হাত্তারো" মানো পাত্নিকহু কপিরো হায়বা মহাক তাৎ তারে। বিমলানা লেপ্পিকহু চুৎপকী চিংইরুরবনি, মমাংদা থুংলাই পামবা লাম্মীম্নু লেপ্পি, চুমথক্কী মাদু মথাক্তা কৌক ইহ্নকপদা কপিমত্তা অরুবা থবক অমা ওইনা খোক্লে। মপি খত্তাক্তুনা লৌশিং চাউবী বিমলানা হায়রকই, "কনানো নহাক।"

লাম্মীনা খুম্মকই, "ঐহাক্কী ইশক ইমিং থম্মগা নং কনি কাম্নগনে?"

বিমলানা হায়রকই, "নহাক লানবদ মক্তংশিদা কপিশিনক লাক্লিবনো? চুম্নানবদি তানা লেংলুনা হাৎলি হায়বনি নং তাত্রা?"

লাম্মী। শকতেনবী! ঐদি চুম্নানবা নত্তে।

বি। অদুদি নং কমদ তৌনা লানবদ মক্তংশিদা চৎলকই?

লাম্মী। নংগী খোঙ্গাম্পদী। নংনা মিহৎখোঙ হাংদোক্লুনা থমলবা তাক্লুবা ঐ চংলকপনি, নংগী নতুং ইমুনা চুৎথক অশিদা কাম্নকপনি।

বিমলা লক মথক্তা মমাইবক্তা খুত্নুনা তত্তরক্লে। অদুগী অমুকম্ হন্না হংলকই, "নং কনানো?"

লাম্মী অহুনা হায়রকই, "নত্তোন্দা হৌজিক ইশক তাকপদু কদি অকায়বা লৈদ্রি? ঐহাক পাঠাননি।"

বি। মহুদি থাউনশেংবা নশক মমিং হাকপা হায়রদু নত্তে, নহাক পাঠাননি হায়রদি খত্তলে ;—অদুবু নহাক অসিমু কনানো?

লাম্মী। ঈশ্বরগী খোঙ্গাম্পদী তোংবা ঐগী ইমিংনা ওসমানখাঁ কৌই।

বি। ওসমান খাঁ হায়বদি কনানো, ঐহাক মিং খঙি তাদ্রি।

লাক্নি। ওসমান খাঁদি কতলুখাগী সেনাপতিনি।

বিমলাগী মীনা অহ্ পাখংপা হাওনা নিক্লে। মহাক হৌজিক কন্থজনা হওং থবা তৌরগা চুনেমক চৈংথপা খিৎকাসিংদা পাওজেল তাক্লিংবনি, "অচুম্বা মতৌ লমদম্ পাংথোকনবা পাথৈ লৈখিদ্রে। মথংমকদা সেনাপতি অমনা নাগী লমদা থিংলগা লৈত্রে। কনিঙবা পাথৈ। নঙনা উত্রবা মহারাজ মপুন্সিংদা সেনাপতি অহুম্ বাগি তাঙ্জাম পাহনা 'থবা ঙম্লিবা মতম অহুক্কী মথৈ অকবা উইকলি হাংবনি থরক্লে। 'মমক অর্জা লামবৈলগী কোহং চাকপা কনাওবা লমদম্ মথা মরকপাদ থাই হায়না থর্থলা অমক ৮০ বাগি পাখা হৌরক্লে, "সেনাপতিনা লানিকপ মফৎশিদা চংলকিবনিদি মরম কখিনলো?"

ওসমান খাঁনা খুমলকই, "ঐথোক বীরেন্দ্রসিংহদা মায় লোম্খা হুতথাকমবনি। অদুম্ মহারাজা মহাগী পাঙ্থুব ওইনা, নখোয় ঙমলগা লাখি পুন্না লানবল চংঙকউ হায়না হায়রকই।"

বিমলানা হায়রকই, "খক্লে। লানবনলিগী মপুনা নখোয়গা মরুপ ওইরম্না মোংগোলগী মীচংদা লেপক্লে হায়রবীরমক লানবল অদি লৌশিনবা লাকপনি, অদুবু নহাক নথক্ত লাকপা ওইনা উত্থিসিদি?"

ওস। হৌজিকমক্তি ঐ তাখ্তা মওমদি।

বিমলানা হায়রকই, "মরম অদুনা-নপুন্সিংবা চিনমম্না ঐবু চৎহন্রিবা বা ওইরে।"

পাংদবা মীনি হায়থগা পাঠান সেনাপতি অদু পাওরক্না, মথোনা উৎকে হায়রবীরদুক মাগী মলী পাংথোকনবা থাইকে হায়বা, অইথোক্না বাথল অদি থনবগী, বিমলানা বা অদি হায়কবনি।

ওসমান খাঁনা মহৈদুক লোম্বনা হায়রকই, "অমহৌরম্বী। মাগী নকৈনগী চিংনগরবনি নগী থিংজিন্নী তেন্ নহু মরোই। অদুবু ঐদি মহুগী মরমদি খোইনা চিন্নবা লোক্কে, নুংগোলা নিমনগবা অমক্তে লৈ।"

বিমলা অদু ঙক্লনা ওসমান খাঁদা মুম লেপ্লনা তাত্রে। ওসমান খাঁনা

হায়রকই, "নংগী কিজিদা পুন্নিবা মিহৎখোতগী পো অদু নাহোকপিরক্লগা, ঐবু থৌজাল উৎপিহ্, নপা হেক পায়দুনা হোনবা থক্তবা উৎপদি, ঐহাক্কী পুক্নিং-নিঙা চংডাইতবা অমা পোক্লে।"

মিহৎখোতগী পো অদু সেনাপতিগী থবক পাংথোক্লবগী মতমদা হায়না কাউবা পোৎশক অমা ওইনে হায়বগী বিমলাগী লৌশিং লৈবী অমনা থজবদা করিমত্তা কুইনা চংলম লৈতে, মহাক্না মহুৎ-শিনবদা থাকপদা লিংখোক্লবা পাউ অমত্তা ফংখিদে। মপাক্লনা নমথোক্না লৌবা থবা পোৎলমদু নিজবকপা হায়বসি লৎনবগুম্বনি। পো অদু হেক পীদবদা সেনাপতি অদুনা নমজনা মুন্নগদবনি অদৈত মী অমা ওইরবদি থুদক্ন মক্তা পো অদু লংখোয়রগনি হায়বদা করিস চিংনক্ন লৈতে, অদুবু হৈ-শিংলবী বিমলাদি তাথাবুদ্না হায়রকই, "মহাশয়! ঐ হৌনা পো অসি মথানথোক্লকপদি, নহাক্না করম্না লৌগনি?"

অসি হায়না হায়না বিমলানা মশাক্না ইরিবা কি অদু লৌথোক্না মখুত্তা পাংশিল্লে। ওসমানদি ইনকি অদুদা মুদা চেৎনা লৈদি। মহাক্না খুমকই, "নশানা লাথোয়রক্লবদি নংগী হকচাং পাংজবগী হুংডাইবা মরম অদু ঐহাক কংজবা ভাবে।"

"ফংবিহ্," অসি হেক হায়রগা বিমলানা মখুত্তা পাংশিল্লি কি অদু হৈনো-থনলোমদা লথক্লে। ওসমানদি কি মহুতদু হাৎনা চেকপিন্না চেৎনা লৈরম্লিবনি। বিমলানা হেক লংখোয়রকপা থুদক্না মাথ মথুং অদু পং তিংখোয়রক্না তম্বদা পাইখিবা কি অদু তাপ কাল্লে।

ওসমান থৌনা ইনকি অদু পাংশিল্লবা মতুংদা মথুং নাউনা বিমলাগী মথুং অদু খুদম চেৎনা দাগশিল্লে, অর্থাৎ মহাক্না কি অদু চিংশিনা অতোপ্পা মথুং নাউনা পো অদু লৌথোক্লনা মথি থ্রংল্লাক্কা থানশিন্নে। অদুগী মতুংদা মহাক্না তৌথোকপা থবক অদু উবদা বিমলা অদু পুক্নম থক্লে। ওসমাননা বিমলাবা লোঁয়না মশিং নাইদনা হন্না হন্না তৌরগা মথুং লোয়রক্লনা হায়রকই, "হায়োবা

তৌবিগনি।" অসি হায়রকপা ইনথি অদুনা বিমলাগী মখুৎ অনিথক অদু খেন্নিংগা শাগনা চেৎনা পুনশিল্লে। মতুংদা বিমলানা হায়রকই, "করিগী তৌখিবনে ?"

ওসমাননা খুমকই, "চুংশি-লিপুমি।"

বি। মতিক নত্তনা তৌখিবা থবক অসিগী মতেংদি খিন্দনা করগনি।

ওসমাননা বিমলাবু কীতক অকন্না থন্নগা চঙ্গে। বিমলানা কয়া কয়া লাওবা হৌরকই, অদুগা অশিবা-কায়বা লৈখিল্লে। কনাগুম্বহ মানা লাওথিবদু তাবা লৈখিদ্রে।

ওসমাননা হায়রি লবী অতোপ্পা কুমথরকপা অনুক হলা বিমলাগী কা অদুগী মথা থংবদা লৈরিবা কা অমদা চঙলক্লে। মতম অদু লোয়রগা মহাক্না বিমলানা তৌবগুম মিহৎখোঙ্গী শো অদু, হাংদোক্লগা মিহৎখোঙ অদু চেকপল মখুংদা ইনশিনখ্রে। লবী ফাওবা মতম অদুদা ওসমাননা ভগনা ভগনা হুই খোললকই। মথু হেক তাবদা উ মরকমদগী খোংউপ তোংবা লাখী অমা মিহৎখোঙ মথাদা চংলকপদা ইমুত্না চঙ্গে। লিপা অদুনা চংথুবা তুংদা অতোপ্পা অমা অনুক লাক্লে, অমম তৌবগুনা পাঠান লাখী য়াম্না লানবল মখুংদা চংলক্লে। মতৈখংদা মিহৎখোঙ মথাদা চংলকপা লিপা অমদা ওসমাননা হায়রকই, "অতৈ অনুক, চংলগনি. নখোয় মপান্দা অদুমক লৈয়ু. ঐনা তাকখিবা অয়্যানবা খুদমগী খোয়াং অদু হেক শাবগা নখোয়না মপানলোয়নগী লানবলদা লাম্নাককউ। ঐনা হায়খিবা য়াদি নহাক তাকখাদা হাইক।"

লিপা অদু হনথে। ওসমাননা মখুংদা চংলক্লবা লাম্নাশিং অদু পুরক্না অনুক হলা খোংখোং মখোল হৌব্দনা লানগী মথক তাদা কাল্লে, বিমলানা খুৎ থুংযুমখকনা কাংখ্ননা লৈরিবা চুমথক অদু লোয়রকপা মতমদা মহাক্না হায়রকই, "চুপী অসি য়াম্না লৌশিং শিংথৌনি, মায় ওকথা থাজকম লৈত্তে। মহিম লৈথ ! নহাক মায় অদুনা লৈয়ু। চেনগে হোৎনরক্লবা, নত্রগা

কাঁইয়াদুনা অমগা মা তাংনমবা মৌবাং তৌরক্লবা, অদু নত্তনঃ মা লাওনা লাওনা তাংনকনবা, অদু ওইবরদি মুশী হাংলগী চিনবা তৌকগনি ।"

মহিংনা "হকুম ইনথাংলগনি" হায়রগদুনা মকিন অতদা পত্তনা লৈরক্লে ।

পাঠানগী লামীশিং অদু মুরেম্বৰ্ক লাম লাকমদা লাকমকুনা নাকন অমলোমদা চংলে ।

তৰ্জমাগী তৌবা তাবক

মুংশিবগা মুখশিরগা

হৈ-শিংলবা ওনমানা মক্ম অময়োমদা 'চংখিকন্থ' উবদা, 'খিমলাগী মপুখিংদা লৌশিং তৌদুনা নাক্তোকপা মাংবা মমাই হাংবা মাখল অমা পোক-লক্লে । থিনবা মহুতী উপাইদু "শীসিবা হৌরক্লে ।

শঙ্গী তৌরিবা চুপা অদু উন্থিক থইনী লৈরগুনা লৈরকনবদা, খিমলানা মাখি শাবা হৌরক্লে । শঙ্গীদু ওইরগদু, মমগী চুপদু ওইরগদু, অদু অদুগী চুপীগী মাখি শানিংঙবদিদু কনা লৈবগে ? খিমলানা অহানবগী ইচম চম মরম খগী মাখি মাতাম শাবা হৌরকই । মতুংদা শঙ্গী অচুগী মমিং-মথাং, ইমুং-মহুংগী অৱা-তংতাইগী মথংদা মা কয়া হংবা হৌরক্লে । শঙ্গী অদু মহাক মশাগী মথমদা খিমলানা অদুক্কী মায়া লাংতক্লবগা লোয়ননা থকনিংবা পোকপদু উবদা মথয়ায় মায়া হন্নাওয়ে । খিমলাদু তাকা চাপে খংলদুনা মাগী তেঙ্গোংদগী যৌথ-থৌরবা খুৎলাই পূৱক মথং মথং পুথোরকপা হৌরে । খিমলাগী তাবদা থোয়দুৰ্লবা মুপি-মাখি অচুগী নথক্তা মাগী কোয়থাওনরবা থিংচিপী পোয়রবা নাইত্রবা তেন অদুনা পানবদা শঙ্গী অদু পুংলেং পেংলে । খিমলানা শঙ্গী অচুগী কীতম উবদা, মাগী মাজনথা মতম মৌশিংদদে থকনদুনা মেংদবা থোহাংনা

হায়খকই, "ঐ য়াম্না কিশিল্লকপা অমা তৌরে লেখজী। ঐগী ইনাক্তা চংশিল্লক্‌না থিং কখোবা।"

শন্ত্রী অদু মখল্লায় দুংঙাইমক্না বিমলাগী মনাক্তা কল্লয়ে। ওহাক অতে অতে য়াম্নি থবা শাবকী মচুংদা বিমলানা মায়ী হিদাক শারে হায়বদু উরে। শন্ত্রী অদুনা মনাক্তা ফমলদুনা অমুক হন্না মতোম্দা তোমনা তোমনা য়েংশিল্লক-পদু উবদুনা মহাকনা হায়খকই, "লেখজী, মহাক হমাং য়াম্না পোৎরে, য়াম্নবদি ঐখু পুন্নিবসি অমুকং লোথোকউ, ঐহাক মখু হমাই কমগে, অদুগী অমুক পুন্ন।"

লেখজীগী মমাঙদা হমাং মনিক অমা কাওবা শক্তে, অদুনা বিমলানা অওইবমক হমাং উদনদু কমমনা হায়রমগে? অদুগা নিংথিরব ৮৩ অসিনা হমাই হখিবদু কনাগী মমাইবক্তা শাক শাক হেক থোকদগে? অদুমা থরদুনা শন্ত্রী অদুনা থুদক্‌মক্তা পুন্নিবদু শাদোক্লে।

বিমলানা ওহাক মাগী ইনকী অদুনা শন্ত্রী অদুখু হমাই হন্নগা কবিদু থৌশাকবা তোদনা ইনফী অদু মগাদা অমুক ইনশিল্লে, অমুক দম্না পুনবা থোৎনগী দা শন্ত্রী অদু মচিন্দা কাপ্থোকচবা কাওবা ঙমদ্রে। মচাগী মরু ওইবা য়াফমদু লৈতবদি নত্তে; ইনফি অদু পুন্নবী থোৱী ওইবা কীতম তোক্ত্‌না, বিমলাগী মগাদা তানথোইমবা মতমবদি, মাগী কমবদু অমুক হেনগৎলক্লে। মগাগী মরুমদু শকয়েং মিংশেলদা য়েংলগা বিমলা মথক্তা হন্নাও থিনোক নোকচখিবা, অদুওবা কজবদু শকফমদু উবদা শন্ত্রী অদু পুংশং শংথক্লে।

বিমলানা হায়খকই, "লেখজী, নংগী দুর্গীদুনা নখু কগিমক্তঃ চংশিন্দ্রা?"

লেখজীনা হাইবেৎ ওয়াদুনা হায়খকই, "কগিগীনো?"

বিমলানা হায়খকই, "দুংশিন্নবদু অশিঙবা কলক মতমদা (মতম অদুমক্তি ক্লাঙলগী মক দাওবা মতমি, লোংখু থা য়েৌশিন্নকদোমগনি) কমবা থম্বোইনা নংঙবা মগুমোয়বদু থাজোকলকপা ওমগদগে?"

লেখজী অদু দুংশাবর মগী অমা শাংনা হোৎলকই।

বিমলাগী ভেন্দোংদগী অতং অথন নৈফনা ভেন কাম্না হোৎলে। "লেখকী! হায়রোকপদা ইমু-ইকাইবৈ,· অহুহ্ নহাক অসি কবিতা ঐগী ইপুরোইবকা ওইবগা থোক্লবদি কৈদৌরুবদা নংনা শান্না চৎপনি ঐ হায়গোইবনি।"

শস্ত্রী অহ্ অমুক হন্না হংশাবগ মপী হোৎলে। বিমলানা মখা তানখকই, "ওহোকপনি নংসিনা ঐগী ইপুরোইবকা ওইজগ্নবদি!"

বিমলাগ রাসি হায়বগা হাইকেদবং চংশাবগী মচা অমা হোৎলি, অদুগা লোয়ন-লোয়নবা মাঙী থোকবা, মরো চাওবা থিংচিগী ভেনহ্ কাপশিলকই। শস্ত্রী অত্ মকোক উক-উক নৈখ্রে। মহাক অদুম অদুম থবা থবা চংশিলক্না বিমলাগী মনাক অমুক হেন্না নকশিল্লে, বিমলাগ হাইকেদবং মখোনলোয়দা চংশিলক্না কয়রে।

বিমলানা শস্ত্রী অহুগী মখুবাক্তা মহাকী থোৎলবা মখুৎ অমু থমলরে। শস্ত্রী কান পুংমাং মাংশিল্লে।

বিমলানা হায়খকই, "হায়রোকপা ইবি-ইকাই, অদুবু নহাক কবিতা লাল চমকনা চৎখিবদা তারবদি, ঐবু নিংথি নিংশিংবিগদ্রা?"

শস্ত্রী। নংবু নিংশিংলোইদবা?

বি। ঐগী পুক্নিংগী বা অমা হায়বা?

শস্ত্রী। হায়হুনে।

বি। হম হায়রবোই, নংনা কবি কবিলো থনখিনি।

শস্ত্রী। থরোই, কবিয়তা থরোই, হায়রো, ঐ অসি মনাইনি হায়না থহ্।

বি। ঐনা য়ায়া কয়া থলনিবদি, ঐগী লমচৎ চুনবা ইপুরোয়বসি হন্দোক্রমলগা নংগী নচুং ইনগ্রসিয়া অসিনি।

অসি হায়বগা লোয়ননা থিংচিগী ভেনহ অমুক থাজিললকই। শস্ত্রী অত্ হথাওখিবনা মথোং মরম শংজিললক্লে।

শস্ত্রী। চংনিংঙবা?

ঙিলগঙজক্তবা পম্বিতনি ওহোহ্না মায়া তৌখ্রমলে।

বিমলানা হায়রকই, "পুক্রিবরি চৎকনি।"

শচী। মথু ঐনা পুরোইদবা? নংগী মীনাই ওইহনা লৈজখিদ্রবনি।

"নংনা চংশিনিবা অসিগীদমক ঐনা তৌগদবা থুদোলসি করিনো? মসি হেক্তনক লৌবিয়ো।"

অসি হায়রগনা বিমলানা মচকলনবা শিখিবা মাগী লিক অমু লৌখোক্না শচীগী মকুতা হকচিনখিরে; শচী অমা চেনা থগ্র কলে। বিমলানা হায়রকই, "ঐহাক্না লাক্লদি অর্মদি লিক অমা অমদা হেক হকপদা পুহোৎবা নকই।"

শচী অমু লোকখিবনা অমুবা কোইদী অমমা মথক্তী মমা চোৎখোরকে; মামা হায়রকই, "অদুমি নংগা ঐগা পুহোৎলেদনা।"

"হোৎলেদনা করমদি তৌনি?" অসি হায়রগা বিমলা অমু ওহাক তুমিন্না থাগল তৌখণ্ডা লৈরে। মহু উবদা শচীহুনা হায়রকই, "করি থাখল তৌবিবনো?"

বি। ঐনা থদ্যলিবদি, ঐগী ইবাইবকলিদা হুৎতাইবা হায়রবদু তমলমত্র-মাত্রে, নখোয়না লানবক অসি লৌবা ওবগনি হায়রবা উংদে।

শচী অমুনা নাপলগা লোয়ননা হায়রকই, "মদুগীদি করিমতা চিংমকম লৈতে, ওলাইনা লৌবু লৌররিনি।"

বিমলানা হায়রকই, "হঁম, মসিগী মরমদা অরোনবা বা অমথক লৈরি।"

শচীনা হায়রকই, "করিনো?"

বি। মতোন্দা বা অসি তাকখোরগে, মহাক্না করিগুম্বা লানবল অসি অব তৌহনবা ওবু। মরোংউ।

শচী অদু মমা কাক্নহুনা তাসিংবনা তাইহনা লৈরে। বিমলাদি বা অদু হায়রোকপদা থৌদক-থৌদক চাহনা লৈরে। শচী অদু থোরগাৎলদুনা হায়রকই, করি মরমো?"

বিমলানা হায়রকই, "নখোয়নদি থওত্রিবা, লানবল অসিগী মনাকনক্তদা

ফংবশিংহেন্য ম খী, লিপিং ভগা পুরুষনা দুমহনা লৈরিবনি। নখোয় ভুরিব্য লাকনি হায়বদি পাও ফংলহনা মহাকনা হায়া ভাইহনা লৈরবনি। হৌজিক্তি কবিদ তৌদিংশাই, হোমেল নখোয়না লানথাদ অসি লৌবগা নিংভাইদনা পোথাহনা লৈংশাকপা মতমদা, মথোয় হোৎচিনকত্তনা কোয়শিনবগদবনি।"

শস্ত্রী অদু ওহাক চমমহনা লৈরুবে, অহুকী হায়বকই, "নংনো হায়রিবা হাগিবু অচুবর ?"

বি। থা অসি লানবলসিদা লৈরিবা মী পুম্বক থঙলবনি, অদুনা ঐখোয়বু ভায়বনি।

শস্ত্রী অদু হয়াওবনা দুভোন কাখিদুনা হায়রকই,—"গ" খঙত্রিবা, ঐবু নংনা অসি অচৌবা মী অমা ওইবরে। ঐহাক থুদকপিমগদ, চৎদুনা সেনা-পতিদা পাও অসি তমলুবগে, অসিগুবা অথুবা পাও অসি হেক ফাবা লিবোশা ওইবগদবনি। নং মকথসিদা কময়ুনা লৈয়মু, ঐহাক মাবনা থুনা অমুক হলকে।"

শস্ত্রী অড্‌গা মপুন্নিথা বিমলাবু থুজিন মকৈ অমা হাপবা থাদবা পোকে।

বিমলান হায়নকই, "নং হনি হলকনিদনা ?"

শস্ত্রী। কদিগুই হলকগে, খিল্লনা হেক্তা লাকবনি।

বি। ঐগু কাওবদি কাওবিয়োইদনা ?

শস্ত্রী। ক শরাই-কাওরোই।

বি। শ্যামল, মহুম তৌরবদি ঐবু হাৎপা থাপ্পু পুগাদবনি।

"কদি থ ? চিংনকৃবিবনো ?" অসি হায়রগা শস্ত্রী অদু ওলহনমতৈ হাউনা চেনে।

শস্ত্রী অদুগী মথক হেক উঙিরবগা বিমলাদ হৌগৎলুনা চেংশ। ওসমাননা হাচিনদু খুমবনি, "বিমলাগী মিৎকি ভেলি থাখীনা ফিকদ।"

কুমন্তবা তাঙ্কক

পান্থোমগা পান্থোমগা

বিমলানা হেক নাহোকপগা ইহান য়ানা তৌগদবা মথৌদি বীরেন্দ্রসিংহনা পাও পীবনি। অদুনা ওন্নবমখৈ য়াওনা বীরেন্দ্রগী ফুংকম কাওরোমদা চেলক্লে।

নবীচ্ছ ওংখায় কাওবা চরম-চনকাংজিল্লো "আনা-মাহো" হায়বা পাঠানশিংগী লানাও অদু য়ানা হোৌনা মহাক তাবা হৌদক্লে।

"কদায়নোসিদে পাঠানশিংগী লানওন থোক্লেন?" অসি হায়রগনা বিমলা অদু থাই পাখংখ্রে। অদুগী য়াম্না নিংথোংবা মথোল অমত্ত তারক্লে— মতম অদুদা বিমলানা লানকলগী মীপুম হোৌগৎলক্লে হায়বা খঙলে।

থোকখাংবগা লোয়নদা মহাক্না বীরেন্দ্রসিংহগী কা তাম্না চেল্লকপা মতমদদি পাঠানশিংনা কাদী শোঙ অদু থুনেংনা মহুৎদা চৎলগা য়াম্না নিল-থোংবত্ত লেংনরে। বিমলানা ফুরিম্না নুংফনা লেংবা, বীরেন্দ্রসিংহগী মথুক্তা খুক্তন চেংনা থাংথাং পাখৎলুনা মপাদা ঈ মরি মরি শিংথিবা কীতমত্ত উরক্লে। মহাক অনাওবগী মত্তোয়ন থাংথাং অদু কোঁয়হাইহাইবি। অদুনু মহাক্না শোকনরিবা লান অদু অরেবদা তারে; মপাকদা কল্লবা পাঠান অমখক্কী থাংনবা থাংথাংনা য়াম্নবকপদা বীরেন্দ্রগী থাং অদু মথুক্তগী মীরোক্না থাপনা তাখ্রে; বীরেন্দ্র-সিংহ বদি ওইরে।

মসি পুম্নমক্সি মরিংমক্না উবদুনা বিমলা অদু নিংবা কায়বগা লোয়নন মকন অদুগী চৎখোরক্লে। হৌজিক্সাওবা তিলোত্তমাদু খল্লবা মতম লৈখি, মহাক্কী মনাক তাম্না বিমলা চেল্লক্লে। লমথাং য়োম্বকপদা মহাক্না তিলোত্তমা কা তাম্না হনবা হায়দুনা ওইথোকপা থবক অমা ওইরে হায়বা উরে; মখ পুম্নমক্তা পাঠান জাতীনা 'পুরুষন-শম্না' লৈরে। পাঠানশিংনা লানবল অ তৌরে হায়বদা কদিমতা চিংনবা লৈরে।

তিলোত্তমাগী কা তাম্না চৎপদা লোয়বনা পাঠানশিংগী কনুজা তাখ্য তাই হায়বসি বিমলানা উরম্লা অমুক হয়রে। মহাক খুমোং 'শিনবা মতম্দিদা জগৎসিংহগা তিলোত্তমাগদা কপ্না পাও পীরগদগে থনখদা অবাবা-'অমা ওইরে। বিমলানা কা অমদা চঙ্লা অহমবা কাখল তৌখৈরল,' পাঠান লান্মী থম্না অতোপ্পা কা অমা লুট তৌবা লোইরম্বা-কা অমা লুট অমুক তৌবা কুম্নরে হায়বসি উরে। মহাক্না পাখঙ্গদা লোয়নদা অদুং তখিনদা কা অহুম্ মহুৎদা লৈবা উপু অমগী নাকন্দা চংলা লোৎলে। লান্মীশিং অহ চংলক্লা কা অতদা লৈবা পোৎচৈ পুম্নমক থোরলবে।' বিমলানা উরে, মহাক লিংকম কদিরতা লৈরে, লুট তৌরিবা কাংবুম্না উপু অহ হাংদোকপা চংলকপদা মহাক লোয়বনা কাঙ্গলনি অদুমকপু মহাক মপুঙ্গিং তপখনা [illegible] থৈরম্না উপু নাকন্দগী মাম্না লোয়্না লান্মীশিং অহ্ কদি কদি তৌরিবগী [illegible] [illegible]। বিমলাদি মমীংজেল লৈবী চুপীনি ; খুদোংখীবা তারম্[illegible] [illegible] অহ্ অমুক ফবা হেনগৎলরে। লান্মীশিং অহ [illegible] হোৎনবদা মথবাগ লুপ্নি হায়বহ্ থৈরমা, [illegible] তপনা উপুগী নাকন্দগী মপাললোমদা চেনখো[illegible] [illegible] মতুংতা অওখিবনা, মহাকপু উহৌবা কনাহ মাওরে-[illegible] [illegible] খোঙ অহ্ হেক লাহোয়কপা তাকম্না লান্মী [illegible] তাপ কাম্নরে।

বিমলানা হন্না য়েংলকপদা উরে, মহিম লেপলি। মহাক্না হায়রকই, "কথেদা হন্নাম্লা চেনবী ! নং হৌজিক কদাইদা অমুক চেনগনি ?"

অমুক হন্না মহিমগী মখুবাকা তারবদুনা বিমলা অহ তিন-বার [illegible] কম্নে। অদুগু মহু তাহাকচদনি ; চৎখোলনবা লৌশিংগী মপাম্না মাগী [illegible] অহ্ হংতাইবগী মকা লাম্নলরে। বিমলানা মপুঙ্গিংদা, মহাকী মপাম্না তৌপদবা থবক পুম্নমক পাংখোক্লবা পীরগে হায়বসি খল্লে, মহাক্না খুম্লকই, "তুমিম্না লৈম, তপনা মপাললোমদা থোক্লকউ।"

অদি ছাত্রকপা বিমলানা রহিম সেখকী মখুদাং শাম্বহনুবা অমাদা চিংথোক্লকে ; রহিমনা থাংবা-লাকপা তৌরদনা অচুম্বক লাক্লে। বিমলাবা হুচিকপা মরম অমা য়েংলক্লবা হায়রকই, "ওয়োকপা মতৌ হায়রক্নি ! নং অহুম চৌকথোকনবা ? ঐখু ইথবা হন্দোক্লগা কদাই তাম্না চঙ্লুবিগনো ? ঐনা নংবু য়েংলগি-লিবনা য়ৌদনা মকম অমুক লৈত্রে।"

অদুগী হাকনা হাকনা বিমলানা সেখজীদা থাম্বী হায়রকী থিংজিনী ত্তেন অদু অমুক থাদিরকে।

সেখজীনা অনাতবা-মদু লেনখত্ত্র ; হায়রকই—"ঐহাক সেনাপতিদা অপৎলিবগী। পাও অদু অম্রুগে হায়দনা কোরমি থিকবিবনি ; অদুগ সেনাপতি থিবা কুবক্তনা নংগু অমুক থিবা হায়রবনি ; নহাক চুবকা ঐহাককনবা, কনক অত্তৈবা কোয়চৎ চত্নুনা থিকবনি।"

[illegible] হায়রকই,—"ঐহাক্কি নহাক-মনা কুইনা লাক্কহনা, ঐখু কা[illegible] অমু থিবা চংখোয়রবনি। হৌজিক অমুক [illegible] অখোয়দা লানবা কৌরে, তাক্তাদিদা লেনখো-কবা [illegible]।"

[illegible],—"অসিদি কত্তে, হরেং অমুক চৎলি ; ঐহাক ইত্তোক তা[illegible] ! হরেং অমুক সেনাপতিদা তাক্লগা চৎলি।"

বিমলানা হায়রকই,—"অত্তদি চৎলি, হৌজিক ঐগী লৈজবা থিক-কোন পূরমক্ক, লৌশিনহৌকলি, নত্রবদি অত্তৈ লাম্মীদা লুট তৌগনি"।

লাগীনা হায়রকই,—"মরে চৎলো।" রহিমবু লোয়নবকপগী মরমদি, মহাক্কী, বিমলাবু অত্তৈ লাম্নীশিংগী মখুত্তী কনশনবগীদমক্কনি। বিমলানা চেকশিন্নবনা, [illegible] থোক্তে। মথোয়মনা পংলাথ-লম্বনা চথরক-চৎকদবা [illegible] কাংবু মমথা কোক থেকনরে।

বিমলাবু [illegible] মথাং অদু "ঈস মরম রাকলম, লোৎ থেংনরেহাই" হায়দুনা কোয়মাং লাংবা হৌরকে।

মহুধা রহিমনা হায়রকই,—"নখোয়গী নখো অদুমক তৌ ইচিন-ইনাওনা লাংথাযদা বেংশিনকত্ত।"

লাম্নীশিং অদু ভাব খোংথবদুনা তুমিন্না লৈনখ্রে। মখোয়গী মরক্তগী অমনা হায়রকই,—"রহিম! নপ্পাইবক কৈ হাই। হৌজিক্তি নবাবনা নখয়াংতগী মুনখিদনবা চেকশিনখ্রো।"

রহিমগা বিমলাগা চংখ্রে। বিমলানা রহিমবু মাগী তুম্ফম কাগী মথা চৎনা লৈবা কা অতুদা পুরক্লগা হায়রকই,—"মসি ঐগী মথাগী কা নি; কা অদিদা লৈরিবা পোৎ-চৈশিং অদি নংনা পুনিংবমথৈ থোমজিনো; মসিগী মনাক্তন ঐগী তুম্ফম কা লৈ, ঐহাক মতুংদগী লিক-কোল পুম্নমক লৌথরগা পুনমক লাক্লগে।" অসি হায়রদুনা মতোন্দা পো মপুন অমা লংশিনখ্রে।

রহিমনা কা অদুদা পোৎ-চৈ যামনা লৈবদু উবদুনা মথৎতা চংবা ওনা উপুনচিংবদু হাংদোকদুনা কোয়থি থিবা হৌখ্রে। বিমলাবু মহাক শন্না মতৈ অমা ফাওবা থাজদবা লৈখিদ্রে। বিমলানা কা অতুদগী থোকলগা থোক্ত অদু থিংজিল্লুনা পুনা শাবগা থাংথ অমনা পো লোনশিখ্রে। রহিম মতু কা অদুদা বন্দী ওইদুনা লৈখ্রে।

অদুদগী বিমলানা মথকী কা তাম্না ডমজবমথৈ হাঙনা চেখ্রে। বিমলা অমত্তং তিলোত্তমাগী কাঙ্গি লানর্বলগী অমোইবা চিদাইদা লৈ, মকম অতুদদি হৌজিক ফাওবা ওৎ-নৈবতা পামলবা লাম্নীশিং অদু মৌযক্তি; তিলোত্তমা অমত্তং জগৎসিংহ অনিমক নীর্ন-থোংবদু তারমগন্না ভারমোইজ্রা চিংননিং-চাইনি। বিমলানা শাক হেক তিলোত্তমাগী কা অদুদা চংলদুনা য়েংনিংবা হাথল অমদগী থোঙদা লৈরিবা পিক্রবা মথুল অমদা লোম্না তিলোত্তমা অমত্তং জগৎসিংহগী মতৌ অদু য়েংলকই। মী মীগী মথমচৎ হায়রবসি অচেৎপনি! মতম অসিদদু বিমলা অদু য়েংনিংবা পোক্লি। মহাক্না উৎকরিবা মতৌদু, মতাক হাইকেৎ চংক্লে।

তিলোত্তমানা কথুংদা কমলি, জগৎসিংহনা ১-ক্তা ভুমম্না লেপলদুনা

মাগী মায়থোং অদু যুমা য়েংলি, তিলোত্তমা হিক্রা হিক্রা কপলি, জগৎসিংহগী মমিত্তগী পিগী ঈরা তৈথোক্লি।

বিমলানা খল্লকই, মসি কায়নবমদাইগী কপনবা ওইরবা তাই।



কুনমাথোইশুবা তাঙ্ক

থাংগা থাংগা

বিমলাবু উবদা জগৎসিংহনা হংলকই, "নিল-খোংলিবসি করিগীনো?"

বিমলানা হায়রকই, "পাঠানশিংগী লানঙম খোল্লাওনি। য়াম্না ... উপায় অমা তৌবিহোরো, খিল্লনবক য়েক্নবশিং কা অমিদা য়ৌরক্লগনি।"

জগৎসিংহনা ওহাক্তং রাখল তৌরগা হায়রকই,—"বীরেন্দ্রসিংহ হৌজিক করি তৌবি?"

বিমলানা হায়রকই,—"মহাক্তি য়েক্নবগী মখুত্তা বন্দী ওইরে।"

মসি হেক তাবদা তিলোত্তমা অদু মকম মরাং থঙদবা খোল্লাও অম লাওরমগা কমুংথক্তা বাহল্লনা তারে।

জগৎসিংহ অদু মায়থোং থংলাং-লাংশিনখিল্লনা বিমলাদা হায়রকই,— "চংউ, তিলোত্তমাবু অদুক য়েংউ।"

খুদক্ মক্তদা বিমলা হোৎচিল্লুনা গোলাবজল থমফমদগী গোলাবজল লৌরগা তিলোত্তমাগী মমায়দা, মখনাওদা, মকোক্তা থিল্লে অমসুং মথক্তায় রানা হমাই হমলক্লে। য়েক্নবশিংনা লাও থোংবদু অমুক্তা হেন্না নকশিল্লক্লে। বিমলানা কপনিং কপনিং তৌরদুনা হায়রকই,—"অসে য়ৌশিল্লক্লে, রাজকুমার হৌজিক কদায় তৌগনি?"

জগৎসিংহনী মমিৎ অনিদু মৈরিওম্মা লংথৎলক্লে। মহাক্না হায়রকই, "ঐ

টথত্তনদি করি তৌবা ঙমগনি ? অদুবু নংগী নবেমবু কয়বগীদমক্তা থরাম্‌সি থাগনি ।"

য়েক্কবশিংগী কয়বা থোক্লাও অদু অমুক্তা হেন্না নকশিল্লক্লে। খুৎলাইশিংগী মখোলমু তাশিল্লকলে। বিমলানা থরাম্‌ শোক্লা লাওরকই,—"তিলোত্তমা ! তাঞ্জাসিদা নংনা কশিগীদমক জ্ঞান মাঙহনা লৈরিবনো ? নংবু করম্‌ হায়না কনশিগে ?"

তিলোত্তমাগী মমিৎ অদু পাংথোক্লক্লে। মহু উবদা বিমলানা হায়রকই,— "তিলোত্তমা জ্ঞান লাক্লে ; রাজকুমার ! রাজকুমার ! হৌজিকমক তিলোত্তমাবু কয়নবা হোৎনবিয়ু ।"

রাজকুমারনা হায়রকই,—"ইমুং অসিদা অমুক্তক লৈরবদি কনানা ঙম্‌বা কনবা ঙমগদগে ? হৌজিকসু ইমুং অসিদগী মপান্দা থোকপসু ঙমলবদি, ঐহাক্‌ নথোয়বু লানবল মতুংদা পুত্তনা চৎপসু ঙগা য়াই , অদুবু তিলোত্তমাদি চৎপা ঙমগনি হায়বা থাজদে। বিমলা ! অসে পাঠানশিং সিডিদা কায়ক্লে। ঐহাক শোয়দনা থরায়দি হান্না থারগনি, অদুবু নিংঙমহৌদবা অমদি, থরায়সি থারবা ফাওবদা নথোয়বু কনবদি ঙম্লমদ্রে ।"

খুদক্ক মতুদা বিমলানা তিলোত্তমাবু পময়থৎলগা হায়রকই, "অদুদি লেংলসি , ঐহাক তিলোত্তমাবু পুরগে ।"

বিমলাগা জগৎসিংহগা থোংকাপ অতমলক্তং চাওগান-চাওগান কায়ক্‌না কাগী থোঙজিন য়ৌরক্লে। পাঠান লাম্মী মরিথকসু তাঙাঙদা কয়া চেক্তনা থোঙজিন অতদা থুংলরে। মতুদা জগৎসিংহনা হায়রকই,—"বিমলা, কায়ঙে, নথোয় ঐগী ইতুংদা লৈশিন্দুনা লেপ্লো লাও ।"

পাঠানশিং অদু য়ুথোয়না অপাবা পোৎ থেংনরবতুদা "আল্লা-ল্লা হো" লাওরক্লনা হিংচাবগী মতৌত্তম চোং কনবা হৌরক্লে। মথংদা রাজিবা খুৎলাইশিং অদুগী হৌরবা মখোলসু থোরক্লে। লাও-থোংবতু লোইরম লোইকাজিংঙোনা জগৎসিংহগী থাংশাংনা পাঠান অমথকী মথবাক্তা থুং

থিংজিললকই। অকিবা খোলাওগা লোয়ননা পাঠান অহু মথরুমে থাগ্রে। শিংবিবা পাঠান অহুগী মথবাক্কী থাং শক্তোক্তি ঙৈগী মমাংদা অতোপ্পা পাঠান অমগী তা-মতোমা জগৎসিংহগী লেংবান তমনা থিংজিল্লক্রে। তা অহুনা গ্রীবর-গ্রোকারিরিবৈদো নোংথাংগ্রমলবা খুৎলোয়া কুমারগী ওয়থংবা খুৎনা তা অহু শাগ্রে অমম্বং খুদক্কু মকদা তা অহুমক্তা হম্না থিন্দুনা, তা থিরকপা নিপা অহু লৈমায়থক্তা তুহনগ্রে। লৈহৌথিবা পাঠান অনিনা মিৎল-কুমগী মতংদা পুন্নপনা জগৎসিংহগী মকোকক্তা থাংনা য়াম্বগ্রে, জগৎসিংহন্ন থিৎকুপ্পা নম্নুনা মখুৎ-স্নেৎতা পায়রিবা থাংশাং অহুনা পাঠান অমগা থাংগা কোয়না মথুৎ কক্কুনা লৈবাক্তা থাদগ্রে, অতোপ্পা অমহুনা য়াম্বকপাদদি থিংবা ঙমজৌত্রে; হাইথরক্লিবা থাং অত মকোকতদি পাগ্রে হায়বত্ মঙ্গেবাম্দা শাথৌনা য়ানগ্রে! কুমার অহু লৈনাচুখোল মংলবন্দা শাদানবগী তেন্না পায়বা কৈথম, শকক অনি হেন্না ম্যুত্তপৎলক্লে, পাঠান অহুনা থাং থাজত্তুনা অমুক হন্না থাহনরা তৌবনে তৌবাংৎজিবৈনা, কুমারনা মখুৎ অনি চংহুনা চাউরবা থাংশাং অহু খুনুম ফেৎনা পায়রগা চোংশিন্দুনা. মত্তোন্দা য়ানথিবা পাঠান অহুগী মওক তমনা য়াম্বগ্রে, কোইয়েংকা কোয়না পাঠানগী মকোক অহু লৈমায়থক্তা কেনগ্রে। অহুন্না তাম্নক ফৃসিদা মথুৎ ককথিবা লাগ্নী অদুনা ওয়না মথ্থংদগী ছুরি শক্তোক্কনা রাজকুমার তমনা লংলক্লে, রাজকুমারগী চোকথরক্লবা মখা অদুনা লৈমায় তমনা [illegible] মতম্দা, ছুরি অদুনা পাইশিনক্কুনা নোয়-পেক্কবা শাহোমন্থ্রা খুয়া [illegible]। রাজকুমারনা শোক্লিবা অদু মেত্তুনা থিনবত্তম থক্লোক্কুনা, পাঠান অহুগী [illegible]নগদা মক্লা মায়মবা খোংপাক্লা তিংথত্তুনা কাওক্লে—মবন অহু থাপন[illegible]থরো থরো ওন্দুনা তুপ্পে। রাজকুমারনা অমুক খুনা য়াংনা হোৎচিন্দুনা মাগী মতক্[illegible]কক্পো হায়না থৌরাংলকপা তাংগাহুনকদা হৌরবা খোল্লাওনা "আল্লা-হো-আকবর" হায়না লাওরুনা মশীং লাকতমন্নবা পাঠান লাশিনা কা মহুৎতা [illegible]। মতৌ অদুদা রাজকুমারনা. লাল লেংনবাগী থরুম মাছুরবত্তা [illegible] হায়রমু উরে।

মশা অদু অমুম অমুম চোকথরক্লে। তিলোত্তমাদি হৌজিক ফাওবা জান য়াওদনা বিমলাগী মতম্বাক্তা তাদুনা লৈরি। বিমলানা তিলোত্তমাবু চেৎনা কোমদুনা কপলি। মহাক্তী মফি মরোনথ রাজকুমারগী 'ঈনা পুমচোৎ চোৎলে।

কা অদু পাঠান লাম্মীনা পুমথন থনল্লে।

মতম অসিদা রাজকুমারবদি থাংশাং অদুদা শোয়দুনা হুংশাংপী হন্দোক্লি। পাঠান অমথক্না হায়রকই,—"হায় হয়ানবা। থুৎলাই অদু থাদোকউ, অদু ওইরবদি নথবায় লৌবিরোই।" রাজাং অসিনা মুৎথরকবা মৈরিদা ঘী হৈজিলকপগুম থোকল্লে। মৈরিনা লায়কপগুম ফল লাওনা চোংশিলক্ল্না কুমায়না নাপল তৌরবা পাঠান অদুগী এডক কক্ল্না মথোং ময়াদা থাদল্লে। অদুদগী থাং অদু লাইর-হাইরদুনা পোক্লেল রাংনা লাওরকই,—"যবনশা! রাজপুত্রশিংনা কয়দা মথয়ায় থাবগে হায়রদু নমিৎ পেন্না লেংজহৌ।"

অরেপ্পা লৈতনা কুগায়গী থাংশাং অড লোংখাংগী মস্তৌগুম ইরং ইরং লংলক্লে। রাজকুমারনা উরে, মথক্তনা লাল শোয়বা হায়বসি অরেপ্পা, অদুগী শরুক্তা হেক ওমদিবমথৈ য়েক্লবা হাংকফলগা শিথিগে হায়না মহাক্তী মপুক্লিংদা থলক্লে। হায়ব্রিবা রাকম অসিদা লেপলত্তুনা মহাক ময়রবা টেনাক্তা মরায়দা চোংশিন্দুনা থুদুম চেৎনা মথুৎ অনিনা থাংশাং অদু পায়রদুনা কোয়াইর লৈদুনা হাইবা হৌরক্লে। মশা কয়রগী মথমদদি কবিমত্তা হোৎনক্লে, ওমলিরমটৈপ থাং অদুনা শংরাক্তা মাপ্পরক্লে। অমা, অনি, অহুম—থাংমান থুদিংদা পাঠান অমা মথয়ায় হেক লৌবা নত্রগা মথুৎ হেক ককপা অয়বা তৌরক্লে। রাজকুমারগী মশা তমনা মাঢৈক মরিমক্তগী নোং চুবগুম থুৎলাই লংশিলকপা তৌরক্লে। মথুৎ হাইবা ওমশিলক্লবে, অমম অমম শাক্ক করা করা মাহুরকপত্তদা, মশাদগী ঊগী ঊচেল অদু লেপত্তনা চেয়রক্ল্না, মপারোম

চোকথনরে, মকোক ভাওরে ; মথিৎতা রুপেন-মরাং উশিনরে, মনাকোংদা শেংলাৎতব, মিল-শোংবা মখোঙা তাশিনরে।

“রাজকুমারমহুগী মথরাবমক্তি লৌগম, হিংনা হিংনা কৈ অচৌ শাবংদা ফাগদবনি।” হায়রবা রাহৈ খুদিদগী হেন্না অতোপ্পা মথা তাবা রা রাজকুমারমহু তাখিরে, লাওরক্লিবদি ওসমান খাঁনি।

রাজকুমারগী মপাক্তোম অনিত্ত হিকথদুনা লৈরে, পাক্লদ মাওরুবা পুহুমচংদগী পাংপাং অচত্ত থ্রেং থ্রেং লাওনা লৈরামথক্তা তারে, রাজকুমার অত্ত জ্ঞান মাঙলক্লদুনা মথুৎমক্তা হাৎখিবা পাঠান অদিবা অমগী মথথাক্তা রাখিডনা তুথরে। পাঠান কুনদোম রাজকুমারগী কোবেৎতা থেৎলিবা মণিশিং অত্ত লৌগে চেনশিনকপদা ওসমাননা কপবা খোললাওনা লাওরকই, “কনামত্তা রাজকুমারগী মশা শোকত্ত।”

মথাম অত্ত হদোক্লরে। ওসমান খাঁগা লান্মী অমথকনা মাবু কোন-থত্তুনা কয়ুং মপক্তা থাজৎলগা হিপহল্লে। জগৎসিংহনা মুথক মথিয়োমগী মমাংদা, তিলোত্তমাবু লুহোংলগা নোংমা কয়ুং অসিদা তিলোত্তমাগা লোয়ননা ঙ্গাও-ভাবমশিংগনি হায়না থনখিবা কয়ুংত্ত হৌজিক্কি মহাকী শিরমদাইগী কয়ুং ওইবদা তারে।

জগৎসিংহবু হিপহল্লগা ওসমান খাঁনা লান্মীশিং অদুদা হংকেই,—“তুগীশিং অত্তদি কদায়?”

ওসমাননা বিমলা অমত্তং তিলোত্তমাবু উবা অমুক ফংখিরে, কা মঙ্গংদুদা অমুক লান্মী খোমজিনকপত্ত উবদা, বিমলানা খোক্লজাবা থবক পুমমক হায়না থঙলদুনা অতৈ উপায় লাবা ফংদবদগী, তিলোত্তমাবু পুদুনা কাংলোন মথাদা চংদুনা লোৎখি, মত্ত কনায়ত্তনা উহৌরে। ওসমাননা মংপাযগী মথক উদবদুদা হায়রকই, “তুপীশিং অত্ত কদাইদা চৎরে? নখোয় মরাম চত্তুনা লানথল মঙ্গশিদা কোয়থি থিয়ু। মীনাই তুপী অত্ত অওকপ ফংনা হৈ-শিংবনী। মহাক কবিয়ুথা চেনখিৎলা খোক্লবদি, ঐগী পুক্নী

অসি তুকইং ইংবা লৈরোইদৌরিবনি, অদুবু নথোয়না চেকশিনগদবনি, বীরেন্দ্রগী মচানুপী অদুবু ওং নৈবনচিংবা কৰিমত্তা তৌবা যাদে।"

লাম্নীশি অদু কা'লুপ কাংলুপ থাম্নদোক্লনা লানবল মখুংছু কোয়থি-থিবা চৎখ্রে। মাখোগ অমা অমিনা কা মতংছদা থিবা হৌরকই। নিপা অমখক্তা মায়কৈ অংগোমদা য়েংলুবগা থাওমৈ পুরক্লনা কাংথোল মথাছদা য়েংলরে। থিরিবা মীশক, থেংনরুনা লাউরকই, "অসিদা লৈরে।"

ওসমানগী নায়থোং অদু মকা লামলে। মহাকনা হায়রকই, "নথোয় মপালদ থোক্লকউ, কঙিমত্তা কিরুগম্ল।"

বিমলানা হায়' থোক্লরগা তিলোত্তমাবু পুথোক্লনা কমছললে। মতম অদুদা তিলোত্তমা জ্ঞান তাদে—মঙা ওমলে। মায়া তপনা মহাকনা বিমলাদা হংঙকই,—ঐথোয়না লৈরিবসি কদাইরাইদনো?"

বিমলানা নাপনাং মথাদা তুমিন্না হায়রকই—"কৰিমত্তা কিরুদু, মায়পুম মি চিংথরগা তুমিন্না অতুথক যম্মু"।

কোয়থি-থিবগা পুথোরকপা নিপা অদুনা ওসমানদা হায়রকই, "জনাব! ননাইনা থিত্তনা পুথোকচরকপনি।"

ওসমাননা হায়রকই,—"নহাক মনা পিদু অমিয়া? নমিংদি করি কৌই?"

মহাকনা হায়রকই, "ননাইগী মিংদি কৰিমবল্ল কৌই। অদুবু কৰিমবল্ল হায়রগদি কনাম্ত্তনা থঙবিদে। অহানবদা ননাই ঐ মোগল লাম্নীদা মাণ্ডলরম্মি, মরম অদুনা এথাম্না ঐবু লংনবোই কৰিবোই তৌদুনা মোগল সেনাপতি হায়না কৌবি।"

মসি তাবদা বিমলা অদু থাই পাথৎখ্রে। অভিরাম স্বামীনা হোৎথিবা পাঞ্জীগী মরোল অদু নিংশিংলক্লে।

ওসমাননা হায়রকই,—"কৈ, ঐ কাউরোই।"

অনিশুবা পন্দুপ

অহানবা তাঙ্কক

আয়েষা

জগৎসিংহনা মমিৎ পাংখোক্লকপা মতমদদি, মহাক ফজরবা মলান অমগী মরক্তা, হিত্তুনা লৈরমলে। মহাক্না হিপ্লিবা য়ুম অদুদা মহাক অমুক্তং লাকখিদ্রিবাদে হাধনা নিংই। কা অদু য়াম্না পাক-চাওই, অঙকপা কংনা লৈতেংই, লৈমায় অদু ফজরবা ফুংনা ইঙি্‌ শিৎলি, খোঙনা হেক নেৎপদা খোন-খোন লাওরবা গালিচানা পুমথন শম্না থাবি, অদুগী মথক্তা গোলাবজল থফমনচিংবা সনা-রুপা শামু মরানা শাথা মমল য়ামলবা পোৎচৈশিংনা মফম চানা চানা লৈরি। কা অদুগী খোংজা ও মিহুৎখোঙনচিংবা পুম্নমক অশংবা য়ুথলনা লৈতেংলি, মরম অদুদগী ফংথিলগী ফুংশা মঙাল অদু যাম্না মেংনা কা মতুংদদা চংলক্লি। কা অদু মথল মথলগী ফুংশিরবা মনম্না পুমথন থল্লি।

কা মতুংদু পুমচিক চিকই, কনা অমত্তা লৈতবগুম তোই। মীনাই ফুশী অমথক্না মনম ফুংশিন্নবা পাও চাইবা ফমাই পায়রজনা তুমিন্না রাজকুমারদু ফমলি, অত্তোঙ্গা অমনা খরা লাম্লপ লোন-খোক্তবা মেক-খোৎলবা লাইফদিবীদম লেংনা লৈরি। রাজকুমারনা হিপলিবা শামু মরানা হজ্রনা শাত্রবা ফম্‌ং অদুগী মথক্তা ফুশী অমথক রাজকুমারগী মনাক্তা ফমলজুনা, অপোকপা মফমশিং অত যাম্না চেকশিন্না হিদাক তৈরি। লৈবাম্নথক্তনা, গালিচাগী মথক্তা, নিংথিনা শেৎ-চায়না পাঠান অমথক, পানা চায়দুনা ফমলি অমতং পাবসী লাইদ্বিক অমত্ত পারি। কনামত্তা ব্রা মচেৎ অমত্তা ঙাংদে, মশাল অমা থাওবা খোকহন্দে।

রাজকুমারনা মখিৎ পাংথোক্লগা কা অদুগী মাথৈক মখিদা কোয়েং-য়েংলকই, মাওনগে হায়দুনা হোৎনবদা থজিক্কা ফাওবা লেডবা ওমত্রে, মশা পুম্বা পুমথিৎ থিৎখ্রে।

ফমুংথক্কা ফমলিবী তুপী অদুনা রাজকুমারনা হোৎনরিবদু উবদুনা, য়াম্না মেওলবা বীণাগী হংশিরবা খোঞ্জেলদুনা খোম্বাংনা হায়রকই "তপাক-বিথো, ফিংগৎপিথিগনু।"

রাজকুমারনা পিক্লবা খোম্বাংনা হায়রকই –"ঐনা নৈরিবসি কদাইদনো?"

খুমলবা খোঞ্জেলদুনা খুমলকই–"রা ডাংবিথিনু, যুবরাজ চৌথিক নৈথায়-থিনগাইবা নৈত্রবা মফমদা নৈবিরি। কবিমতা চিংনবিনগনু, রা ডাংবিথিনু।"

রাজকুমারনা অমুকহন্না শোন্নবা খোম্বাংনা হংলকই "মুমিৎ অসি কয়া থেডখ্রে?"

রাডাং খুমলবী অদুনা অমুক হন্না লোয়্লগা খুমলকই, "হংশিকদি, অমুক্তা তপথবিথো, রা ডাংলবদি অনাবসি ফজবা তাবে। যুবরাজনা তুমিন্না নৈবিরোইদবা নৈরবদি, ঐখোয় চৎথিবদা তাই"।

রাজকুমারনা য়াম্না রানা হায়রকই,—"রা অমতংদগা, নহাক কনাগে৷ "

তুপীদুনা খুমলকই,—"আয়েষানি"।

রাজকুমার অদু রা ডাওবা তোঙনা আয়েষাগী মায়থোং চিংনা য়েংলম্মী। মহাকপু করিগুম্বদা উবরা? উথিদ্রি, অমক্তম উথিদ্রি, মরম অদুগদি শোয়্দবা অচুম্বমকনি হায়বা থাজৈশেংনা থওলে।

আয়েষাগী চহিদি 'কুনিথোইরোম 'তরে। মহাক য়েংবদা য়াম্না ফজবী তুপীনি. অদুবু অদুগুম্ব মফম অদু রাডৈ অমি মখিনা হেক লোংদোকপা হায়বসি ওইথোকপা থবক্কি। তিলোত্তমাগী মশক য়ামনা ফজৈ, অদুবু আয়েষাগী মফমদি অদুগুম্বা নত্তে; মথোক কারিকপগী ফীডম লেংজবা

বিমলাস্ত হৌজিক ফাওবা শক্তী মঙালনা মীগী পুক্নীং তমহৎপী ওইবি; অদুবু আয়েষাগী ফজবা শক্তমদি অদুগুম্বা নত্তে। কনা-কনাগুম্বী মখোক কায়কপীবা নকপদি, বসন্তগী মল্লিকাগুম মোমৎপাণৈ, নাগিবগী ইপোম্বু কিনা লোৎচৈ, পোৎলি, নোং, মনমতনা থল্লি। তিলোত্তমাগী মফমদি অদুগুম্বনি। কনাগুম্বী তম্বাগী মফজনা, থমিদাংবাইগী স্থলপদ্মগুম মায়কৈ ঙালি নুকলপ তৌই, দৈ-না ক'ই অদুবু য়াম্বনদি নীংথিজৈ, মকা ফয়া শাৎলি, উখাং য়াম্না পোকহল্লি লৈহিনা চোল্লি। বিমলাগী মফজনা অদুগুম্বনি। আয়েষাগী মফজদি, চন্দ্রোদয়কপদা ঙাউরিবা কোয়ৌ মথেক্না লৈবদ। তনৌ তনৌ শাৎকায়বকপী থবাল লৈয়াংগুম লৈকা ফয়া শাৎলি, হুংশবা লৈনমং। থল্লি, পুম্নাং মকা লামহনবা তুংশা মঙালগুম্বি, কিনম্ব লোয়ক্তে কংবস্ত তৌদে, পোৎলি অদুবু লংই, অমোবা তিংপৌখক্তগী চুমিৎ মঙাল শক-লোঙ্কপগুম্বি, অদুবু মায়থোংদা থোয়কম মিনোক্তি তত্তনা অচুম্বক লৈতেংই। পাবিরিবা নহাকপু শক্তী মঙাল হায়বদু করিগুম্বদা উবিথিবা পাওরবগী? উবিবমতবস্ত, তাবদি মঙাবিরমলগনি। ফজবী কয়ানা "মায়কৈ দ্রা ঙাল্লি" হায়নে। অকুপম্ব তাম্ব, মী কয়াগী ইমুংগী মৌনা ইমুং অদুবু ঙালহল্লি। ব্রজধামদা অদুগা নিত্তজী লালদা অমুবা শক্তমনম্ব ঙালহনখি। থাঙ্গলোংনমক পাবিরিবা নহাক্কি "শক্তী মঙাল" কদাযবু কৌবগে হায়বদু পাউবিরমলগনি। বিমলাগী ফজবা শকফয়া পুমঙাল ঙাল্লি, অদুবু মফমদু খাওযৈ মঙালগুম্বি, য়াইফেং তনিক তনিকট, থাও হাপ্তবা য়াদে, নত্রবদি চাক্কে, ইমুংগী শবক-হৈংখাং নিংথিনা তুই, য়ুমপানবা নিংথিনা থাগনি, চাক থোংহবু, ফমুং থাহবু, পুম্মক ঙমগনি, অদুবু হেক পোকলুবদি চাকথেক্কুনা লিগনি। তিলোত্তমাস্ত শক্তী ফজবনা মায়কৈ ঙাল্লি অদুবু মফমদুদি পানথৎলকপা থাজগী মঙালগুম্বনি; মেঘকৈ, নোংই, ইচেল, অদুবু মুস্থানলোনদি চৎনবা য়াদে, মৈপা অতক কয়া য়াক্কে অদুবু থাপনদি মঙাল শন্দোকই। আয়েষাস্ত মাগী ফজবা শকফয়া মায়কৈ শীঙা ঙাল্লি,

অদুবু মতদি অমুকী হৃমিৎ মশেকুমনি ; য়াম্না ঙাদি, পুরলং লাই, অদুমকপু মথুনা তাকবা মফমদুদি মকা লাম্না নোক্তবা লৈতে।

লৈকোয়্দা থবাল লৈরাংনা ওইবা ফিভমদু, বারী অসিগী মহুৎতা আয়েবানা ওইরি, মবম অদুনা মহাকী মওং-মতৌ পাবিদ্বিবশিংগী বাথল লাইয়ুমদা তক্ক তক্কনা তাহল্লিংই। ঐহাক অসি লাইরেকপা অমা ওই-রমদুনা তুরি শিজিন্নবা ৈহৈৱম্লবা, মহৈগা কুচু অদু পুথোক্নুনা উহনবা ঙম্লম্রবা, লৈহাও লৈরেনগী মচুস নত্তবা, অহৈগা মঙাংবম্ নত্তবা অঙৌবা থবালগী লৈরিক মচুম্ নত্তবা, অদুমকপু অদুম অসিনা পুরপ তিম্নবা মচু অমা পুথোকপা ঙম্লম্রবা ; লাইবক মতাফবদু মতৌ অদুগুম্না কোকমপতি তৌরগা, কামদেবগী শাম্রফম ওইনা পাক্লপ তৌনা য়েকপা ঙমলমলবা, মদুগী মথক্তদা থোই থোই তৌবা শমলাংগী হৌফম পথেং অদু চপ চানা চিংবা ঙমলমলবা, পথেং অদুম্ লৈরিবা অদুগুম্না তক্ক তক্কনা লাইবকী কোয়রিবা মঙং মতুং হম্না না-প য়োনা চিংথিবা ঙমলমলবা অমুক না-প-থক্তা লৈরি অমুনা চৎথিবা মতৌ অদুম্না কোয়্দনা গেৎথিবা ঙমলমলবা, অমুবা রেশমগী মতৌগুমলবা শমলাংশি অদুমু য়েকপা ঙমলমলবা, শমলাংলেক্নদা উরিবা অদুগুম্না লাইহক্তগী শিংথ্রে থাম্নিংনা ঙমলমলবা মতৌ অদুম্না য়াম্না তক্ক তক্কনা পুপনা, তৌরিবা অদুগুম্না শমলাংশিং অদু মুতুক মুনা লংহনবা ঙমলমলবা, মতৌ অদুমনা পুংলোল হৈনা লোম্নবা শত্তাজোং অদু পুনবা হৈংগ্রমলবা, অদুগুমলবা নুতুক মুরবা পিতুম অনিদু য়েকপা ঙমলমদুনা, অহানবদা অসি অদু অমগা অমগা থেংনবরবগুম তৌরগা, চান্না থেংদি থেংনদবা মফম অদুদগী অমুক থরা থপা অম্লম নৌথৎলক্নগা, অংথাম চন্নম-চনফাত্রিবৈতেগী মপোবা লৈদি অমা ওনশিবা অদুদুগী অম্লম অম্লম মথং মথং পিকশিনদ্দুনা নাংদা নাক্তা, লৈথিজনা হাৎলবা শমলাং মনাক মৌরক্নুনা, মেতুম মতৌলম্নক তুমনা লেংথিবা অদুবু উৎপা ঙমলমলবা ; অদুগা লোংথাং মঙালনা থলবা নোংগুম তথক্লবা, মেঙলবা, মিৎপান অদু,

য়েকপা ওয়লময়লবা ; মিৎমা অনিদ্গী পাক-চাউবগী মওং মতৌ ওন্নহ্ ওয়লময়লবা, মচুগী থক থাগী ফজরবা কোন্নপ তৌবা পা পম্বেং মিৎ-মহুৎশী-শংবান্নবা মকোয়গী মডাল মচুগী ময়ায়দা লৈরিবা মুশিন-মুয়বা মিৎ-নহা অদুবু য়েকপা ওয়লময়লবা, অচুম্বগী অত্তওয়লবা নাপননা কয়প তৌরবা ফজরবা নাত্তোন, চংশি-চংডোনগী তুংনফম ওইরবা চিনবান, শমজীনা থা-থেংহুনা শান্নরিবা ভৌরবা হুংগুমলবা থৌরি, নাদগী নাইননা শোকচগে তান্নরিবা থোৎলবা থজাই, পুম্মুম তাররা, থোৎলবা মুক্তাগী লৈজেনা ভাগবা পাথোম, মণি হৎলবা খুদোপমক্কা মকশিন্নবগী মশক ওইরবা খুৎশা ; থবাল অডাংবগী মচু মালবা থোৎলবা খুবাক ; মুক্তা পম্বেং পম্বেংনা হয়াওনা ভাগোইজন্দিবা তোংলপ তৌরবা থবাক, হাইরপ জোদানরবা শাবানগী পুক্কীং ওয়হৎনবগী মশক ওইরবা শাথেক,—পুয়নমক অদি অমত্তা কায়দনা য়েকপা ওয়লময়লবস্ত্র, ঐ তুমি কৌবদা তকলোক শোকচরমোই। আয়েষাগী ফজবা পুবগী মক ওইরিবা, মপাল নাইহবা ঊপাক অদুগী কৌস্তুভমণিদি, মাগী মিৎচিগী মেঙলবা মিৎয়েং অদুনি। হুন্নিদাংবাই-নাম্বিবগী ইপোমদা হবাও মিনোক-নোকচবা নৌরবা-অশংবা ঊনাওয়লবা মোং-হাদবা পুগীং হুরবা মহাক্কী মিৎয়েংনি। অদুবু ঐনা কয়বা লোলনা লৈশি-লৈথোনগদগে ?

রাজকুমারনা আয়েষাগী মাথথোং অদু ফনা কুইনা চিংনা য়েংলদুনা লৈরকই। মাগী তিলোত্তমাবু মহাক নিংশিংলক্লে। মচুগী রাথল হেক তৌকবদা মহাক্কী থম্মোইডু কাপ্পাত্র, ইকচাংগী শিংজিপুরদা ঊগী ঊচেন কয়া চেনবা হৌরক্লে, শাথীনা শোক্ববা মফমদগী অমুক হন্না ঊ শিন্নরক্লে, অমুক হন্না রাজকুমার অদু জ্ঞান মাডদুনা মগিৎ ঊইশিনক্লে।

ফমুংদা ফমলিবী নিংথিরবী অদু খুদক্তা ন্নিপাইবগা লোয়ননা হৌগৎলক্লে। পালিচা মথক্তা ফমলদুনা লাইরিক পারিবা নিপা অদুনা, মথক মথক্তা লাইরিকগী 'মমিৎ লৈথোরক্তনা হুংশিন্নবা মিৎয়েংগা লোয়ননা

আয়েষাদা য়েংলদি, অমুক করি হায়গনি, মথোক কায়কপী অহুনা কনুংদগী হৌগৎলকপদা মাগী মনাদগী নাইমনা হাই হয়লিবা অহ্ন কাওবা পাঠান অহুন' খিৎকম হোৎদনা মিৎ পেন্না য়েংজরি। আয়েষানা হৌগৎলক্লগা খোংথাং ওপনা থাংলদুনা পাঠান অহুগী মনাক্তা চংলক্লগা লোয়শ হায়রকই, "ওসমান, য়াম্না খুনা মাইথা কৌক্লবা মী অমতা থাখো।"

গ'নিচাদা কয়লিবদু লানবল অম ওৌবকপা ওসমান খাঁ মথায়রি, আয়েশাগী বা ওাবদা মহাক হৌগৎতুনা মপান থোকখ্রে।

আয়েষানা লুপাগী ফাল মথক্তা লৈবা পাত্র অমদগী ঈশিংওবা পোৎ অমা লৌরগা অমুক হন্না হায়রবা রাজকুমার অহুগী মকোক্তা, মমায়দা থিরুবে।

ওসমান খাঁনা খিন্দনমক মাইবা পুরক্নুনা লাক্লে। মাইবহুনা য়ামনা য়ানা হোৎনহুনা থোয়গ্রিবা ঈ অহ থিংলে অমসুং হিদাক মথল কয়া আয়েষাদা পীবহুনা লোয়া লোয়া মহ পীজনবগী মথম ওাক্লে।

আয়েষানা ওপনা হংলকই,—"হৌজিক কৌতমদি কয়ম ওৌবিবগে?"

মাইবনা হায়খকই,—"লায়হৌসি ওহোক্লা কয়া হৌখ্রে।"

মাইবহুনা হনগে হায়হুনা থোক্লবা মতমহুদা ওসমাননা থোওজিন কাওবা ঈরক্কনা লোয়া হংজকই,—"হিংদি হিংগদ্রা?"

মাইবনা খুমকই,—"নীংথা থোইনা কায়কখদি লৈতে, অমুক ফৌওম ফৎলক্কবদি ঐহোক্লা পাওখুনা থাবিরকউ।"

অনিশুবা তাঙক

লৈয়াং-মুংদা নূং

তুমিং অতুদি অহিং য়ামনা থোঙবা ফাওবা আয়েশা অমং ওসমান অনিমক জগৎসিংহগী মনাক্তা লেংদনা লৈয়ে। জগৎসিংহদি অমুক য়ান তাই, অমুক য়াদে, অমুমা মাইবক্ত য়ামনা তোয়না কোৎহনা য়ানা লাইয়েংবা হোৎনরকই। আয়েবাগী পোথাবা নাইদনা কুমাবৰু কাইদরদুনা । অহিং মুথক অনি লৌবকুবা মতমদুদা মীনাই-তুবী অমা লাক্নুনা আয়েষাদা হায়ৰে, "বেগমনা ইবেম্বু কৌরি।"

"চৎলসি" হায়রদুনা আয়েষা হৌগৎলক্লে। ওসমানসু হৌগৎলে। মহু উবদা আয়েষানা হংলকই,—"নংস্ব চৎলগদ্রা ?"

ওসমাননা হায়রকই,—"অহিং অসি ফনা থোংঙ্লে, চৎলসি নংবুস্থ থিরমলগে।"

আয়েষানা লৈরিবা মীনাই-তুপী-নিপা ময়ামদুদা য়াম্না কুপনা য়েংনবা য়াথং পীরমমগা মমা ইবেমগী মুম তাম্না লাক্লে। লমীদা ওসমাননা হংলকই,—"নহাক ওসি অহিংসি বেগমগী মনাক্তা লৈরগদ্রা ?"

আয়েষানা হায়রকই,—"লৈয়োই, ঐহাক তম্না অমুক রাজকুমারগী মনাক্তা হল্লকনি।"

ওসমাননা হায়রকই,—"আয়েশা ! নহাকী নগুণসিদি চাংদমনিংঙাই লৈতে, নহাক্না, শাথীনা য়েক্লবা নিপা অসিবু অমুক মুনা লাইকরবসিদি, মচম্না মমুংদা ফাওবা অম্মা তৌরোই। নহাক্না মাগী মথক্তা কনবিয়ুবনি।"

আয়েষানা তাইবং ওমহৎপা মায়থোংদুদা হাইজেং মোমোন লোক্লদুনা হায়রকই, "ওসমান। ঐদি তুপী ওইনা পোক্লকবনি, অশোক-অনাবু লেবা তৌবা হায়বসি ঐগী অথোইবা ধর্মনি। তৌত্রগদি লোবকী মথক্তি,

তৌরগনু থাগৎফম থোক্তে, অতবু নংনা হোৎনরিবসিদি করি মরমগীনো?
নংগীদি শাথীনা য়েন্নরনি,—লানফমদা নমায় থীনবদা হোৎনববা মীনি, নখুৎমক্ত অসিগুম্বা দশা অসি তাহল্লবনি, অদুমু নংনা হুরিৎ চুম্না নশানা কোয়চেন-চেন্দুনা মাগী সেবা তৌরি. মাগী অনাবা ফনবা হোৎনরি, মরম অদুনা শাকৈশেংনমক থাগৎফম থোকলিবদি নহাকপুনি।”

ওসমাননা হাইকেৎ মথরায় চুংঙাইতবগী মখোদা হায়বকই,—“নংদি আয়েশা, নংগী নংশংচল নত্তবদোনা পুম্নমক্ত উই। ঐগী পুকচেলদি অদুক য়োনা ফব্বগী বা নত্তে। নহাক খঙব্রা, জগৎসিংহনা হিংলবদি ঐখোয়দা করা কামবা ওইগদৌরিবা? মহাক্না হৌজিক শিবা থোক্লগনা কমাদা শাথীবা ফীভম তাবগদবা? লানফমদদি মানসিংহ, জগৎসিংহ থোইনা পংথেন-থেনবা নত্তে, অথোবা অমগী মহক্তা অথোবা অমা লাকদবতনি। অদুগা করিগুম জগৎসিংহসি হিংহুনা ঐখোয়গী খুত্তা বন্দী ওইনা লৈরবদি, মানসিংহবু থং চয়বগুবনি, মহাক শোয়দনমক চুংশিন্নবা মচাবু কন্নবগীদমক ঐখোয়গী যাইফগদবা হীরমদা সন্ধি তৌসি হায়বা যারকনি, আকবরনু অসিগুম্বা হৈ-শিংলবা সেনাপতি অমা অমুক হন্না ফংনবগীদমক শোয়দনা সন্ধিগী হাফমদা মপুক্লিং চংলকনি; অদুগা জগৎসিংহবু করিগুম্বা ঐখোয়না ফজবা লমচৎ চত্তুনা মপুকচেল কাবা ওমলবদি, মহাক্নু ঐখোয়না পাম্বা সন্ধি মওংদা পুরকনবা অঙম্বা মথৌ হোৎনরবা য়াই; মহাক্না হোৎনবদু তন্নাই-তন্নাইবা অমা ওইনা থক লৌমোই অদুগা হায়রিবপুরসি ইথোক-মথোক্ত বম্, জগৎসিংহবু থাদোকপগী মমল ওইনা মানসিংহদগী লন-থুম যাম্না ফংবনু য়াই। মায়মোক্নবা লানফমদা নোংমেতং মায়পাকপদগী জগৎ-সিংহগী মথৱাদনা ঐখোয়দা যামনা হেন্না কান্নে।”

ওসমাননা পুম্নমক্তসি থম্মুনা রাজকুমারগী মথরায় হিংনবা হোৎনবনি হায়বসিদা করিম্ন থোইনা চিংনফম লৈত্তে, অদুবু অতে মরম থমম অমুক লৈরি। অসিগুম্বা মীতা থরম্ন লৈ নত্তুদি, মহাকপু মীনা থোজাল হৈ

হায়খিনি হায়বগী হন্দোইদুনা মপুকচেন কনবা শাখিদৈ অমমুং দান তোঙনবদি হৌগী পুকচেলনি হায়না নোক্লা-নোক্লা অতৈগী মতোং অহুমক পাংই। মীনা হংলগা খুবদি, মহুৎতা ঐগী কায়বা অমা লৈদ্রনা তৌবিবনি হায়না। ওসমানদ অঙ্গুৎবা মীভানি হায়বা আয়েষানা হায়না মুখা থগই। মহাক্না নোক্ল নোক্লদুনা হায়রকই, "ওসমান! মী পুম্নমকদি নংগুম্বা ইশাগী ওইবনবা লমীয়োমদা তুংগী কাওবা উবা ঙমলবদি, ধর্ম্ম হায়বদু লৈকবগী খোইনা অমুক কায়কম লৈক্রেদনা।"

ওসমাননা হাইরপ চঙক্লদুনা লৈকখগা খোয়োক তপনা হায়রকই, "ঐহাক অসি ইশাগী কায়বতা য়েংবা মীনি হায়বদুদি প্রমাণ অমম্ব পীগে।"

আয়েষানা মাগী নোংখাং মডাল মৈরবা নোংডগা মমিত্তুনা ওসমানগী মায়থোং তমনা মুখা য়েংলকই।

ওসমানদা হায়রকই, "ঐহাকনা আপাগী উন্নী চেৎনা কোপ্পুনা লৈখি-বদিবু কয়া হুইনা অমুক উশিং চাইদুনা লৈখো হায়বগে?"

আয়েষাগী থাজ মায়থোংদু খংমক মকশিনম্রে। ওসমানদি ওনখিবা মীতম অমিদম অলোবা করবা অমা ওইনা উঁখি। আয়েষানা হায়রকই, "ওসমান! ঐহাক মচিন মৌপবাগী তাবতা নংগা তোৎনদুনা লৈমক্লিবনি। মহুৎতী য়েনজিনরবদি নংগা অমুক উনদনবা তৌবগনি।"

ওসমানগী মকা লায়লমলবা মায়থোং অদু মকশিনম্রে। মহাক্না হায়রকই,—"পুন্নিচুমদা মাতাং অসিতমক! হে লৈশেংবা মপু! লৈবাংগী হকচাংসিদা নংনা নুংগী থমোয় হাপ্পিরমলববা?"

ওসমাননা আয়েষাদু মমাগী মুখ কাওবা খিনখিরমলগা মথয়াম হুংডাইত-হুংডাইতনা মহুম তাম্না হল্লে। অদুগা জগৎসিংহদি? করবা লাইহৌ য়োখিদনা আন মাঙলদুনা কমুৎতা মাম্ভাদুনা লৈম্রে।

অহুমশুবা তাঙ্কক

নহাকপু তিলোত্তমা নৎত্রা ?

থংনবা চুমিৎকী চুমিদাংবোইদা জগৎসিংহনা লৈরিবা কা অতোপ্পা মচুংদা আয়েশা, ওসমান অমগা মাইবা মথোয় পুন্নমক হায়রগা মতৌশুম ভুমিন ভুমিন ফমডুনা লৈরি, আয়েশাদি কমুংদা ফমলদুনা মথৎমকনা হুমাইনচিংবা হুমদুনা সেবা তৌরি, মাইবনা তোয়না তোয়না জগৎসিংহগী মিহুন পায়দুনা য়েংলি, জগৎসিংহ জ্ঞান ডাথিজে। মাইবনা হায়, অহিং অমদা ল্যাইহৌ থাবকপা মতমদা জগৎসিংহ শিবা গ্লানা লৈ, মতম অচনবু হিংহৌরবদি অমুক কিরকম লৈজে—শোয়দনমক হিংলগনি। ল্যাইহৌ থাবকপগী মতম য়ৌশিনখ্রে, মরম অদুনা মী পুন্নমক মামনা লাংতক্লে, মাইবনা কুপনা কুপনা মিহুন পায়দুনা য়েংলি, "মিহুন ওহোক্লা পিরে।" "অমুকম্ব হেন্না পিকথরক্লে"—"থজিক্কং কনথৎলে" অশিনচিংবা শেংলম-শেংক্রঙবা থোহাংনা তক্তুনা হায়রি। অক্তোইদনা মাইবগী মায়থোং অমত্ত থংময় মর্শিনখ্রে। মানা হায়রকই,—"মতম য়ৌরক্লে"।

আয়েশা অমসুং ওসমান মথোয় অনিমক চুংশা থিবগা লোয়ননা পুন্নমকশি তাদুনা লৈরি। মাইবনা মিহুন অমত্ত পায়রি।

ওহোক লৈবগা মাইবনা হায়রকই,—"ফিভম কৎলকএ্রে।" মসি তাবদা আয়েশাগী মাথথোং অমদু হেন্না মকশিনখ্রে। অক্তোইদনা জগৎসিংহগী মমায়দগী অহিবা মতৌ ঊরক্লে, মমায় অমদু তাইহেৎ-তাইরক্লে। থুডুম অনিকুমা পাম্শিনক্লে, মখিৎ অনিকুদা হৌনজবা ফীভম তৌরক্লে, আয়েশানা থক্লে, থাওইমে মুৎকদবা মতম পুংকুই কুইজে। মাইবত্ত মথুক্ত হিদাক হাম্না পাত্র অমা পায়রক্তুনা লৈরম্মী, মহাক্না ফীভমশিং অক্তিহেক ঊরকপদা মথুদোনবীনা অনাবগী মমা অমত্ত ফাকতোক্লগা হিদাক অমত্ত পীথক্লে, হিদাক

অদু অয়াবা মচিনবান্দগী চেহক্না ভায়রে, খজিক্তংদদি পুক্সুংদা চংখ্রে। পুক্সুং হেক য়োঁথিবগা অনাবগী ফীভম অদু পূমহোং অমুক হোংলক্রে, মমাংদা উৎমলিবা অকিবা মতৌ অদু অহুম অহুম কখিক্না ফীভম কায়দনা লৈরক্রে, কুচু ভাইবেং ভাইরবদু ভোকখিদ্না উ মচু কাওরক্রে; কয়া পায়শিন্নবা থুঙম অদু ভিংথোক্লক্রে; মখিৎত হায়ঙুম মওং চুমা অমুক হয়া উইশিন্দুনা লৈখ্রে। মাইবক্না মপুক্সিং য়াম্না চংনা মিহন অদু পায়দুনা য়েংলকই। ফনা কুইনা য়েংদুনুবগী মতুংদা মথবায় হয়াওনা হায়রকই— "অমুক বাকফম লৈরক্রে- হিংদগান"।

ওসমাননা হংলকই, "দাইহৌ পুনশা থাবগা" ?

মাইবনা খুমকই, "থারে"।

আয়েশা অমত্তং ওসমান মথোয় অনিমক মায়থোং মকা দায়রে। মাইবনা হায়রকই, "হৌজিক্তি কখিমতা কিকম লৈরে, ঐহাক অঙম লৈবগী থোইনা কায়রে, হিদাক অসি অচিং মুথক অনি য়োঁবকপা কাওবা পুংদা খুদিংগী পিথকপীয়।" অসি হয়রগা মাইবা চৎখ্রে। ওসমানসু পুং অনি অহুম ফমলগা ময়ুমদা হনখ্রে। আয়েশাদি হায়ঙুম ফমুংদা ফমলদুনা হিদাক-লাংথক্কচিংবদু পীথক্কুনা লেংদনা লৈরি।

অহিং মুথক অনি য়োঁগদবা ওহাক্তং মাংলিংদা রাজকুমার অদু ম খিৎ পাংথোক্লক্রে। হেক পাংথোক্কপগা আয়েশাগী হয়াও মকা লামলবা মায়থোং অদু উৎখ্রে। মহাক্না মিৎয়েং অদু উবদা আয়েশানা মহাক্ত আন ভারে, করিগুম্বা অমা হাইবেং নিংশিংনবা হোৎনবদা নিংশিংকদ খোক্কবগুম ভৌরে হায়বা খঙলে। ফনকুইনা লৈবা মতুংদা আয়েশাদা ওনশিনক্লদুনা হায়রকই, "ঐনা লৈরিবসি কদাইবাইদনো ?"

ক্লমিৎ নিনিগী মতুংদা রাজকুমারনা হৌজিক ভাংলিবা য়া অশিনা ইহান হানবনি।

আয়েশানা হায়রকই, "কত্তলু খাঁগী লানবলদনি"।

রাজকুমারনা অমুক হায়রগুম নিংশিংনবা ল্যাক্লরকই, অদুগী কনা দুইনা লৈরগা হায়রকই, "ঐহাক্না মফমসিদা লৈরিবসি করিনীনো" ?

অহানবদা আয়েষা অদু তুমিন্না ঙহাক লৈ; অদুগী হায়রকই, "যুবরাজ হৌজিক শাণীনা শোক্লি"।

রাজকুমার অদু রাথল তৌনা তৌনা মতক হাইরদুনা হায়রকই, "নত্তে, নত্তে, ঐহাক বন্দী ওইরবনি"। অসি হায়রগা লোয়ননা রাজকুমারগী মায়থোং অদু মওং অমা ওনখ্রে।

আয়েষা কৰিমতা থমদে, রাজকুমারনা পুন্নমক নিংশিংবা ঙমদে হায়বা মহাক থগুলে।

ঙহাক লৈরগা রাজকুমারনা অমুক হাংলকই,—"নহাক কনানো"।

"ঐহাক আয়েষানি।"

"আয়েষা হায়বদি কনানো ?"

"কতলু খাগী মচাতনুপীনি।"

রাজকুমার অদু ঙহাক অমুক তুমিন্না লৈখ্রে।

পরিং ওইনা রা শাংনা ঙাংবা ঙমদ্রি। ঙহাক তুমিন্না পোথায়বা তুংদা হায়রকই,—"ঐহাক মফমসিদা লৈকা কয়ানি ওয়ে" ?

"মরিনি ওয়ে।"

"হৌজিক কাওবা গড়মান্দারণ নথোয়গী নথুম্না লৈরিবরা ?"

"লৈরি।"

জগৎসিংহনা ঙহাক অমুক পোংথারগা হায়রকই,—"বীরেন্দ্রসিংহদি করম তৌরে" ?

"বীরেন্দ্রসিংহদি কৈথেলগী লৈ, হয়েং মাগী বিচার থোকই।"

জগৎসিংহগী মকশিনবা মায়থোং অদু অমুক্তা হেন্না মকশিনখ্রে। মহাকনা হংলকই, "অতৈ মাগী ইমুংগী তপী নহাশিংদি করম তৌরি ?"

আয়েষা অদু মপুক্কিদা হুংডাইডবা অমা পোক্লে। মহাক্না হায়রকই, "বা পুম্নমক ঐদি নিংখিনা মুন্না থত্তে।"

রাজকুমার মতোমত্তা বা থবা মুকুম মুকুম খোল্লকপদা মিং অমা পল্লকই, মদু আয়েষানা শেংনা তাংহৌখে "তিলোত্তম"।

আয়েষানা তপনা তপনা চৌগৎলদুনা পাত্রদগী মাইবনা পীরবা হাওরবা হিদাক অমা লৌরুনবা চৎল্লে, মতম অদুদা মাগী মনাদা হাই-হয়না শাম্নিবা নাইনগা কোরব্বা পুক্নিং ওববা শাবান অদু রাজকুমারনা চিংনা চিংনা য়েংলকই। আয়েষানা হিদাক অদু পুরক্লে, রাজকুমারনা মচু থরুবা তুংদা হায়রকই, "ঐহাক অনাবনা জ্ঞান মাঙদুনা ম'ঙম-থাংম দৈবিদ্দা, স্বর্গগী লাইরেম্বী অমন' ঐগী লুখ্রমদা ফমদুনা ঐবু অনাবা লাইকন্নখিরমগি মচুবু নংলা, নত্রগা তিলোত্তমাবা"?

আয়েষানা হায়রকই 'যুবরাজনা তিলোত্তমাবু মঙদা উবা ওইরমগনি"।

মরিত্তুবা তাঙক

ফীরুক খুমালবী

লানবল লৌরবা তুমিৎ নিনিগী মতুংদা, তুংখিল মুথক অমরোম য়োম্মকপা মতমদা, কতলু খানা যাগী লানবল মচুংদা দরবারদা ফমলি। নাকল অনিদা পরেং ওইনা অওম অথৌ মযাম লেপ্লি। মা'দগী লমহাংদনা মী লিশিং লিশিং চেক-মোক লাওদনা লৈরি। ওসি বীরেন্দ্রসিংহগী বিচার তুম্মিংনি।

খুৎলাই পায়রবা লাম্মী কয়াদুকনা বীরেন্দ্রসিংহবু য়োংখিলিং চল্লদুনা দরবারদা পুখোরক্লে। বীরেন্দ্রসিংহগী শকখম অদু ঈওয়া চাংল্লে, অদুবু

অফিবগী মতৌদি মচেৎ অমত্তা পক্তে। লংলবা, মখিৎ অহুদগী থৈখি কামথোক্লকপগুম উরি। মনাতোন অহু কন্দোক্লদুনা খর হ্বনা হ্বনা হোল্লি, মমানা মচিনবান ক্রক ক্রক চিল্লি। কত্তলু খাগী মমাং য়োমক্লবদা কত্তলু খানা বীরেন্দ্রদা হংলকই, "বীরেন্দ্রসিংহ! নংগী নমালগী মতৌক চাবা চৈরাক পীবা তাই। নহাক কবিগীদমক ঐগী মাময়োক্তা লেপ্পিবনো?"

বীরেন্দ্রসিংহনা মাগী মৈগুমনা পায়বা অপাওবা অত্ত ফাখরদুনা হায়রকই, "নংগী মাগগোক্তা ঐনা কবি থবক তৌরে, মহু হায়না হায়খো"!

মন্ত্রী অমনা হায়রকই, "নোল্লক্লা য়া তাংউ"।

কত্তলু খানা হায়রকই, "কবিগীদমক্তা ঐনা হায়খিবা মতুং ইন্না, ঐগী ইফমদা লেপ, অহুগা পাম্মী থারকউ হায়বা য়াব্রিবনো"?

বীরেন্দ্রসিংহনা কখিমত্তা তুকুংবা লৈতনা হায়রকই, "নংদি নিংথৌপেখা হরানবনি, কবি মরমগী নঙোন্দা লেল পীগনি? কবিগীদমক নঙোন্দা লাম্মী পীগনি"?

য়েংলিবা মী পুমহু, বীরেন্দ্রনা মপাগী মতক মপানা ককচনবা থৌরাংবরে হায়বা উরে।

কত্তলু খা অহু পাওখিবনা মপা অহু থক থক নিক্লরে, অদুবু মহাক অসি পাওনিংবপুম্বা থংক্লা হেক ফাখবা ওয়া নিপা অমনি, "নহাক ঐগী ইথাদা লৈবগা কবিগী মোগলগী মীচং চংলিবনো"?

বীরেন্দ্রনা হায়রকই, "নংগী নথাদা ঐদি কদাইদা লৈখিবা"?

কত্তলু খা অহু অয়ুক্পা হেন্না পাওগৎলক্লদুনা হায়রকই, "তাও হায় পুক্চেল ফজবা, নপানা তোংবদা থবক্তৌ মতৌক চাবা মহৈ ফংলগদবনি। হৌজিক কাওবা নং নথরায় লিংজনবা অপা লৈরব্দি, অদুবু অপঙবা, নপাগী নাপলতনা নথরায় মাঙজনবা থৌরাং তৌজরে।"

বীরেন্দ্রসিংহনা নাপলগা লোয়ননা খাক্লা নোক্লকই; অদুগা হায়রকই, "কত্তলু খা—ঐহাক নংগী ননাক্তা য়োৎক্লিং চন্নদুনা লাকপা মতমদা, থৌজাল

নিজকুগে হাঁয়বা হাথলসি কৈদৌঙ্গদা থরক্তে। নংগুবা য়েক্কবগী খৌঝাননা ছিংজবা ফংবা পুন্সিচদি—অরেবা কাম্ভরবনি। ঐহাক নংবু আশীর্বাদ তৌনা তৌনা থবায়সি থাম্মগদবদা, নংনা ঐগী শাটেগদা অসকপা মিংচৎ থোকহল্লে, নংনা ঐগী থবায়দগী হেন্নবা লনবু—"

বীরেন্দ্রসিংহ অস্থ বা মথা ভাবা অমুক ঙমল্লে, খব কল্লে, মমিত শিগ্না ঈবা চেল্লে, অকিবা পঙ্কবা নাপল চাউরবা বীরেন্দ্রসিংহ অছু মমাং লুকথরক্তনা কপল্লে।

কতলু খাঁদি মংহৌশানা ফংশি-হৈতবা মীনি, মহাক অসি অমক্কী মতীক ফংশি হৈতে মত্তদি, মীবু ওৎ—নৈবগা মাপী মথয়াম ফংঙাইবা ওই। নাপল চাও-রবা য়েক্কবত্নগী অচুওবা মথয়াম শোকপা ফীভম অসি উবদা মহাক্কী মায়থোংদা হৃয়াও মীনোক নোক্লক্লে। মহাক্না হায়রকই, "বীরেন্দ্রসিংহ। নহাক ঐতোন্দা কখিপ্পগা অমতা নিজরগোইরা? মুম্না অমুক্তা থমু, নংগী মতম মৌশিল্লক্লে।"

পুন্নমক্রবা নিংঙমদবা মৈচাকনা বীরেন্দ্রগী থমোয়ঙ্গংদা ওমহুনা চাক্লমহ, মিংকি লাইজ থবদং শিম্থিবদগী থবদং নেমথরে। হায়দগী হেন্না চীং-লেমলবা ফীভমদা খুমলকই, "ঐ কখিমতা পামদে, ঐনা নিজরিবদি, ঐবু হাংপগী পোম্বাংছু থুনা পাংথোকহনবা, অসিতনি"।

ক। মহুবুদি পোয়রগোই, অতৈদি কল্লি নৈরি?

বী। মপোকসিম্গী হায়গদবা নৈতে।

ক। শিরমদাইদা নংগী নচা ফুপীগা উনবরোইরা?

হাহং অসি ভাবদা য়েংলিবা মী পুম্নমক ফংঙাইতবনা তুমিন তুমিন্না নৈতৈ। বীরেন্দ্রগী মমিংতু অমুক মৈরিগুম্না লংথৎলক্লে।

"কখিপ্পবা ঐগী ইচাম্নপীদু নংগী নমুমসিদা ছিংডনা লৈরবাদি ঐহাক উনবোই। কখিপ্পবা শিবা থোক্লগনা, পুম্নকউ, ঐ মাবু ইতম্মাক্তা কোল্লগা শিখিগে।"

য়েংলিবা পুম্নমক্ চেক-ৱোক কাওবা লাওথিল্লে, অদুক হায়রবা মীয়ামক

অঙ্গোঁনী মতীক চিকল্লে, মতদি লৈমায়র্থক্তা য়েক্তুম থম্না তাঁবঁদা কাওঁবা মথোল তাবা য়াই। নবাবকী ইঙ্গিত মতুংইন্না ওাক্লিবঁশিং অহুনা বীরেন্দ্রসিংহবু মী-হাৎপুং তাদ্রা পুত্তনা লাক্লে। মফম অদু লৌগদবা থক্তিকা ওায়রবদা মুসলমান অমনা বীরেন্দ্রগী মনাক্কোং ময়াদা কল্পিস্তবা অমা হাযবৈ, হায়রিবদু বীরেন্দ্রদি কবিমতা থডবা ওমথোক্লে। মুসলমান অহুনা মাগী মথুক্তা চিঠি অমম্থ পীবৈ। বীরেন্দ্রনা কবিস্তম্না বাখল অমা ভৌনা ভৌনা চিঠি অদু ফাক্কোক্ক্‌না য়েংলুবদা বিমলানা চয়কপা ওইরমলে। বীরেন্দ্রনা মপুক্লিংদা য়াম্না শাওনিংবগা লোয়ননা চিঠি অদু তক তক নৈহৎলগা থাপনা লংথোকল্লে। চিঠি পুরকপা নিপাদুনা চিঠি অদু থুক্তগা অমুক চৎল্লে। মনাক অহুবাইদা লেপ্পা কনাগুম্পা অমেংবা নিপা অমনা, বীরেন্দ্রনা ভৌম্বিবা মতৌ অদু উবদা, অত্তোম্পা অমদা লোম্লপ হায়রকই, "মচাক্তপীগী চিঠি ওইরমাক্লে" ?

য়া অদু বীরেন্দ্র তাহৌবে। মহাক্না নিপা অহুগী মায়ৈকেয়োমদা মমাই ওন্নকুনা হায়রকই, "কনানো ঐগী ইচাক্তপীননি হায়রিবা ? ঐদি ইচাক্তপী পোক্কে"।

চিঠি পুররকপা নিপা অহুনা চিঠি পুত্তনা চৎলমদাইদা শত্রীশিংদুদা হায়রম্মি, "ঐহাক হ্রকত্রি ফাওবা ওাইররথো"।

শত্রীশিং অহুনা থুম্মকই, "য়ামনা ফনি হুজুর"।

চিঠি পুম্বিবা নিপা অসি ওসমান মশামক্কি, মরম অহুনা শত্রীশিংনা "হুজুর" হায়না কৌরিবনি।

ওসমান্না চিঠি অদু পুরক্তুনা লাম্বলগী চেকপান মহুংদা চংল্লে, মফম অহুদা বকুল পাম্বী অমগী মরুমদা মায় ফাওবা ফীকক থুঁবী হুপী থঁমা লেম্ন্দ্রুনা লৈরম্মী। ওসমাননা মাগী মনাক তাম্না চত্তলগা, মায়কৈ মমিমক কোম্লৈম্নে লৈক্তুনা অমুক্তং য়েংলম্লগা থোকক্লিবা থৌদোকপুদা উমলমে। ফীকক থুম্বিবী অহুনা হায়রকই, "সেনাপতিম্বা য়ামনা ওৎলে, অহুবু ঐথোয়না

হাঞ্জিবা পুৎলিদি সেনাপতিনা থোকহনবনি। চানবিদুনা ঐগী থবক অসি-মতদি পাঙথোক্নবা ঙৌবিয়ু"।

ওসমান তুমিন্না লৈরে।

কীরুক থুমলিবী অদুনা মথবাম চংঙাইতবগী ভনিক ভনিকপা থোঙাংদা হায়রকই,—"পাংথোকপিনিংঙ্গবসু ঙোকপিয়ু, ঐথোযদি হৌজিক চংজফম লৈজবীনি। অদুবু ঈশ্বরদি লৈরি"। ওসমাননা হায়রকই, "হৈমা! নহাক ঐবু করামুক পাথীনা লুপ্নবা থবক্তা থৌদাবিরবনো হায়বত্তু থঙঙ্গমাদে? বাকম অসি কতলু খাঁনা শউম অমতং কংখিবদা ঐগী থবাম মাংগদৌরিবনি"।

হুপীদুনা হায়রকই, "কতলু খাঁ? ঐঙোন্দা করিগী অমুক নখাক ঙৌবিরবনো? নংগী নতু-তুরুম অমা কাওবা থোক্নবা কতলু খাঁগী মতীক লৈতে"।

ও। নহাক কতলু খাঁবু মথক খঙজ্রি, অদুনা অম্না হায়রিবনি।—কয়ে অদুমকপু চৎলি চৎলো, নংবু মীহাৎপুং ভান্না পুরগে।

ওসমানগী মতুং অমম ইরদুনা কীরুকথুবী হুপী অচু মীহাৎপুংদা লাক্লগা তুমিন্না লেপ্লরে। বীরেন্দ্রসিংহদি মঙোন্দা লেংলকপা ঙোদনা ভিকারীগী কিজেৎ শেৎপা ব্রাহ্মণ অমখক্তা বারি পাবি। কীরুকথুবী অদুনা মাগী কীরুক মহৎদগী উবে, ভিকারী অদু অভিরাম স্বামীনি।

বীরেন্দ্রনা অভিরাম স্বামীদা হায়রকই, "গুরুদেব! ননাই ঐদি চৎচরম-লগে। ঐহাক্না নংগী নফমদা করিগী মরমদা অমুক হায়রমকম লৈরি? হুন্দকী মপোকসিরুনীদি ঐনা হায়জগদবা করিমতা লৈত্রে। ঐনা কনাগীদমক্তা নঙোন্দা মিরখিগনি"।

অভিরাম স্বামীনা পুদোনবী থিন্দুনা মতুংদা লেপলিবী কীরুকথুবী অদুবু ভাক্লরে। বীরেন্দ্রসিংহস্ত মায়কৈ অদোমদা মথায় লৈথোরক্রে, ভাঙাদু-মক্তা হুপী অদুনা মথায়দগী কীরুক অদু থাপনা হন্দোকখিদুনা বীরেন্দ্রগী

মোংঙ্গিং চাংনা থোংখক্তদা ওন-থোকনা ভুররে। বীরেন্দ্রনা মখোল নিরুপ চেনা কৌরকই, "বিমলা।"

"পুক্নিং দাইনিং ওইজরগা। থবাইগী মবুঙো।" অসি হায়না হায়না অন্তাওবীগী মপোম্ভম থোংঙ্গল বাংনা বিমলানা হায়রকই, "ওসি ঐহাক জগৎপুরগী মমাংদা চেনা হায়গনি, কনানা ঐবু থিংলগনি? থবাগী মবুঙো। পুক্নিং নল! কদাইদা চংখদোবিবনো? ঐখোয়বু কনাদা শিন্নবিরমগা চংখদোবিবনো"?

বীরেন্দ্রসিংহগী মখিত্তা পি চক্থম চক্থম শিন্দরক্লে। বিমলাগী মখুৎ পাইরগদুনা হায়রকই, "বিমলা! মংশিখোইবরো! মতম অসিদা ঐবু করিগীদমক অমুক কপহল্লিবনো? য়েক্কবশিংনা উপ্রগা ঐবু শিবা কিরবাক্লে থমগনি"।

বিমলা অদু ভুমিন্না লৈরে। বীরেন্দ্রনা অমুক হায়রকই, "বিমলা! ঐদি চাহমলগে, নখোয় ঐগী ইতুং ইরকউ"।

বিমলানা হায়রকই, "ইরকনি"।

অতৈনা তাবা ফংলোইদবা খোমাংদা হায়রকই, "ইরকনি, অদুবু মতুগী মমাংদা মৈচাকশিংগী লম্বনদি খুমমথিগনি"।

যুৎলমদাইগী থাওমৈগুম বীরেন্দ্রগী মায়থোং অদু মকা থংলায় লামলক্লে; মহাক্না হায়রকই, "ওযগন্না?"

বিমলানা মখুৎ গুৎ থংখতদা খুদোনথীনা থিরদ্‌না হায়রকই, "খুৎ অসি-মক্না। হৌজিকমক খুৎ অসিদা শিন্নিবা মনাগী লৈতেংপুনা লোখোক্লবশিনি। মশিনা কদি তৌনবগদগে।" অসি হায়রদুনা খুজিনচিংবা পুন্নমক লোখোক্লগা থাপনা ভন্দোক-হন্দোক্না হায়রকই। "খোয়বা মোং নত্তনা খুৎ অসিদা লৈতেং অমুক শিরমোই।"

বীরেন্দ্রনা মথবান হবাওনা হায়রকই, "মহাক পোয়দনা ওমগনি, ঈশ্বরনা নংনা নিংশিংবা খুদোনবিবা ওইসহ"!

শঙলীংবনা লাউরকই, "অমুক তপথবা চুমগ্রে।"

বীরেন্দ্রনা বিমলাদা হায়রকই, "অদুদি অতৌ কঙ্গি নৈ... হৌজিক্তি নহাক চৎলো"।

বিমলানা হায়রকই, চৎলোই, ঐগী ইমিৎসিমক্তা ঐহাক লুপ্তাবী ওইবদো য়েংথিগনি। নংগী অমা অদু উরগা পুক্নিংগী নিংঙ্গবা পুন্নমক কোকহনগনি"। অসি হায়বা মতমদা বিমলাগী খোঙ্গেল অদু অকিবা ময়না চীং-লেমলকই।

"হরে, মচমক খোক্লসু" অসি হায়রগা বীরেন্দ্রসিংহনা শঙলীংবা অদুদা ইঙ্গিত তৌরকে। বিমলা ঐমিৎমক্তা উরে, থাজৎলক্নিবা শীংজং অদু চুমিৎকী মঙালনা পুমনাং-লংলক্লে, মতম অদুদা মহাক্কী মমিৎ অদু মিকুপ অমতং মতোমতা হেক উইনিংথি। অমুক পাংথোক্লকপা মতমদদি, বীরেন্দ্রসিংহগী অককপা মকোক, অদু ঊনা পুমচোৎ চোৎলবা উক্লথক্তা ওন-থোইনা তান্থনা লৈরবদু উরক্লে।

বিমলা অদু ভংনা শাবা মুক্তিপুম চুমন্ত্রিং লেপ্লনা লৈরম্লে। মাকোক-থক্কী শগ্রা অমা ফাওবা হুংশিংনা হুদুদা লেঙ্খিদ্রে। মমিত্তা পি লিক্তা অমা ফাওবা তাখিদ্রে। মমিৎ কুপখিদ্রে, মিৎকম হোংদনা অককপা কোক অদু য়েংদুনা লৈরম্লে।

মঙাশুবা তাঙ্কক

লুপ্তাবী

তিলোত্তমাদি কদাইদা, লৈরম্লে? মপা লৈরম্লবী মবাইবক থিৎবী হুপী মচাত্তুদি কদাইদা চৎলে? বিমলানা কদাইদা? কদাইদগী লাক্লনা বিমলানা

মপুম্বাইববু মীৎাৎফমদা লাক্ত্না উনরম্বিবা? অদুদগী অমুক কদাইদা চৎখ্রবা?

কশিগীদমক্ত, বীরেন্দ্রসিংহনা শিরমদাইদা চুপশিন্নবী মচা-চপীগা উনখি-ফিবা। কদি মরমদগী মশিংত্তা ভাকদা অচাকপা মৈদা দী হৈজিনবগুম থোকখিবা। কশিগীদমক্তা মানা হায়রম্মিবা, "ঐ ইচা চপী পোক্কে?" কদি মরমদগী বিমলাগী চিঠি অদু ঊপ-পাদনা থাপনা লংথোকখ্রিবা?

কশিগীনা। কতলু খাদা বীরেন্দ্রনা চৈথিবা মীচৈ অদু অক্কুক নিংশিংউ, কয়াদা শাখীরবা থোদোক থোক্লদা য়াদ্রিবা।

"লেংলবা শাগৈগী মিংদঃ অমকপা থোকহল্লে"—য়াহৈ অসি হায়রদুনা য়োৎফিনং চল্বা কৈ অদুনা থাক্লা ঙংখি।

তিলোত্তমাগা বিমলাগা কদাইদা লৈ হায়না কোয়থি থিরিবয়া? অদু ওইরবদি কতলু খাগী লোয়বী চপীশিংগী লৈফমদুদা চত্তনা থিদু্ লোয়দনা থেংনগনি। ", "

অসিয়া তাইবংগী থোংচৎ। অম্বক তগথীনা শুনবরা নোংদমগী থোংলৈ! শক্তী নিংথিবা মপাক কারকপা অভিংবা পুকচেল, মক্তবা লমচৎ পুমমক নহমগী কম-কহনা থোংলেংলা নৈহৎপা ঙাক্তরা।

কতলু খাগী ভাসিংদা নিয়ম অমা লৈ মহুদি, কবিগুল লানবল নত্রগা লম অমা জয় হেক তৌবদা, মফম অদুদা কনাগুম্বী থোইদোক হেল্লোক্পা কজবা লৈরমলবদি, চপী অদু মাগী লেবা তৌনবা থারকদবনি। গডমান্দারণ জয় তৌরবা মতুং নোংমা কোনবদা কতলু খাঁ লাক্তনা বন্দীশিং অদুগী মতিক চাবা য়ায়েননচিংবা তৌনবগী অমম্বং ভুংদা লানবল অদু ভাক-শেয়বগী মরক্দা লাখী শীথোক শীনজীন তৌনবগী থবক পায়থৎ-লম্বে। বন্দীশিংগী মরক্তা বিমলা অমম্বং তিলোত্তমাদু হেক উবমক্তদা মাগী হয়াও-ভয়ামশংগী লৈতেং ওইনবা, মথোক্ষু মাগী কোম্বংদা থারক্লে + অদুবগী লতৈ লতৈ থবক্তা মপুক্সিং চত্তল্লে। অদুগা অমনা রাজপুত লামীশিংনা

জগৎসিংহ কাপ্রে তাবদা অনকপা অত্তরাইদগী লান্দাবকননা হেৎনরি হায়রবা পাওনিংখোল অমম্ব মহাক তাম্বনী। মসম অহুনা মখোয়গী অহুবু মায়থিনা শীনবীদমক লানথোংনচিংবা শীনবা হোৎনবদা মহাক মথবায় পুনলম্মি, অহুনা ওসি ফাওবা কতলু থানা অনৌবা মনাই-চপীশিং অহুগা হয়াও-তয়ায় তৌবগী মতম ফংলমদে।

বিমলা অমম্বং তিলোত্তমাবু তোঙান তোঙানবা কাদা থমলম্মি। অপোকপা কাম্বনমবী, তনৌ-তনৌজবিবী অহনা মণাপুর, উফুল-রাইফুল তৈরহনা লৈমায়থক্তা তাহনা লৈখিবা মফমহুদা, পাবিখিবা মহাক চংলুহংগী থোইনা কায়কম লৈতে। করি কায়গনি ? তিলোত্তমাবু হৌজিক কনানা যেংবিবা য়াওরিবগে ? লৈহি চেজিবী লৌগিবী উখিরেনা মালং শউক ফংহুনা লৈহি চাইথরকপা মতম অহুদা, লৈহিগী থাথম্দা লাওহুনা মনাক্তা কনানা লেপনিংদবা য়াওবগে ? অহুগা নোংজুগী অকনবা নোংশ্মংলিৎনা হমহুনা তাংজবিবা উপালগা ,কোয়না লৈম,মখক্তা ভুগকরবা মতমদদি, থোংনা থুৎনা লাথা ফংলবা পোৎচৈ মরক্তুদা, উ অহুবু থাদোক্তুনা কনানা উখিহুবু মিহৌবিকবা য়াওবগে ? শীংজনবলিংনা উ অহু শাঁং ওইনবা ফক্তুনা পুখি, উখিহুবুনা থোংপাক্তা লৈহক্তুনা থখিরম্মি।

চৎসি কায়দে, ঐথোয় তিলোত্তমাবু হন্দোক্লমলগা মফম অমদা চৎসি। হৌজিক্তি ঐথোয়, তথক তথক্রবী, হৈশিংলবী, জঙাং পামলবী থাঙাং হৈরবী বিমলাগী মহক্তা চাং-লেহলবী থাকনা থখোয় শোক্লবী, চযোৎনবী লুগ্রানা যমিতা কীজিনা থুমলহুনা কমলিবা মফম অহুদা চংলসি।

অসিবু বিমলা অহুয়া ? মহাকী মিংথিরবা শমহাৎক্ত অমুক লৈখিরে। কোকথক্তা উফুল চাক্তা ওয়রে, কজনা হৎ-থোৎলবা ইনফী অহু য়াওখিরে। মণি হৎলবা ফুরিৎ অমুবা লিৎখিরে, মখি-মযোল শুংনোৎ-থোৎখ্রে। শেৎলিবহু শেগাম্মবা পিক্লবা কৌনি। লিক-কোল মপৈ অহুনা কদাইদা চৎখ্রে, লেংহুরবক শোকে তামজম্বা নাইনবা কদাইদা

লৈরে ? মসিং অসিনা পোমখংলিবসি করিগনো ? মীংচিগী থৌদবা তেন অথনা কিদায় ? মযাইবক্তা থোবাংপা মফম লৈরিবসিনা করিগনো ? হৌজিক ফাওবা ঙ চেৎলি।

বিমলানা ওসমানবু ঙাইরি।

ওসমানগি পাঠান পাগৈগী লৈতাদ থরাবনি। লায়া মাগী পুন্সিগী অপাম্বনি, মথৌনি অমস্তং নর্থনি। মমম অতনা লাল ঙমনবগীদমক্তি ওসমাননা কহিত্তবা থবক অমতা হঙোইবা পোক্কে। অদুবু লাম্দা কায়বদু পাংথোকপ্রবদি, মায়থিরবা মায়কৈগী কনাগুম্বদা, মহাক্কা কৈদোম্বংদা, কাংমদথদা, লমনা মথে অমা ফাওবা ওৎ-নৈহন্দে। কতলু খাঁ মশামক্কা বিমলা অমস্তং তিলোত্তমাগী মফমদা চংশিনৈজবা রাখেন অসি পীরমখ্রবদি, ওসমানগী থৌজালনা মথোম কৈদোম্বংদা বন্দী ওইরমলোইদবনি। মহাক্কী মপাম্মা বিমলানা মপুম্বোয়বা লিরমদাইদা উনবা ফংজহোৎলিবনি। মতুংদা ওসমাননা বিমলাবু বীরেন্দ্রসিংহগী চপীনি খঙলকুবা মতম অদুদগীদি মহাক্কী থৌজাল হৈবা খঙ্গোইত্ত অমুক্কা হেন্না পেৎখিরমই। ওসমান খাঁ হায়বসি কতলু খাঁগী মমাখনা পোকপা মচানি *, মমম অসিনা কোম্বং মচুংগী চপী-নহা লৈফমদন্ত মহাক্কা কোয়চঙ চঙবদা থোইনা থিংবা লৈতে, মতুদি ঐথোম হায়না মথক্তন্ত খঙ্গ্রবদ্রনি। কতলু খাঁগী লোয়মবী চপীশিংনা লৈরিবা হবাঙ-তমাম শঙ অদুদদি, কতলু খাঁগী মচাশিং কাওবা চঙবা যাদে, ওসমানস্থ যাদে। অদুবু ওসমান্দি কতলু খাঁগী য়েং থংবা পাযোম্নি, ওসমানগী মপাম্মা মহাক্কা আমোদরগী ডোর্খান থৌনা উৎকল জয় তৌবা ঙমক্লিবনি। মমম অদুনা কোম্বংগী মী পুম্বনা কতলু খাঁগী হুকুম ইনবগুম ওসমানগী ইল্লি। মমম অসিদগী ওসি অদুক বিমলানা হায়জবা মতুং ইন্না, দুর্গা মতমদা মপুম্বোয়বা উনবা ফংজল্লিবনি।

---

* ইতিহাসতদি মচানিপা হায়না লৈ।

লুপ্তাবী ওইরবা মতুং চুমিৎ নিনি তুবদা বিমলানা লিককোল থরদং মশাদা পকচহৌবদু, অমতা চিথদনা কতলু থঁানা মাঙাদমক থমলিবা মীনাই চপী অতুদা পীথোক্লে। মহু ফংলবতুদা মীনাই চপী অতুনা হায়রকই, "ঐঙোন্দা করম্বা য়াথং তাকপিগদবা লৈবগে ?"

বিমলানা হায়রকই, "নহাক ওয়াং ওসমানগী মনাক্তা চৎলুবা অতুমনা ওসিন্থ অমুক্তগা চৎলু। মঙোন্দা, ঐনা অমুক্তগা উনজনিংই হায়না হায়ক। অতুগা মসিমক্ত হায়রু, হন্দক উনবসিনা অরোইবনি মতুংদা অমুক হায়জবরয়োই"।

হায়রিবা অতুমক মীনাই চুপী অতুনা তৌরে। ওসমান্না পাও থারক্লে, "লৈরিবা মফম অতুদা ঐনা হন্দৎহন্দা চৎপসি মায়কৈ অনিমকী থুদোংথীবা থোকপা য়াই ; অতুনা মহাক্না ঐগী ইয়ুমদা লাকপনা নৈ হায়রু"।

বিমলানা মীনাই চুপীতুদা হংলকই, "ঐদি করম্না চৎকনি ?" মীনাই চুপীতুনা খুমকই, "মতুগী উপায়দু মহাক্না শীলকনি হায়রকই।"

য়াচংবা মতুংদা আয়েবাগী মনাই-চপী অমা লাক্তুনা থোঙলওবশিং অতুগা য়া অমা অনী ওাংনবগা বিমলাবু পুতুনা ওসমানগী মনাক তান্না চৎলে।

মাবু উবদা ওসমান্না হায়রকই, "হৌজিক নংগী কপ্পবা থবক্তা ঐনা নত্তেং পাংবা ঙম্বা লৈরিবগে ?" বিমলানা হায়রকই,—"ইচম-চঙ্গা করিম্থ লৈতবা থবন্নি, রাজপুত-কুমার জগৎসিংহ হৌজিক হিংলিবরা" ?

ও। হিংলি।

বি। থাদোক্তুনা পমলবরা নত্রগা বন্দী ওইনা লৈবরা ?

ও। বন্দীদি বন্দীনি, অদুবু হৌজিকমক্তি কৈগুমশঙ্দা লৈত্তে। মাগী মশাদা শুৎলাইনা শাথিনা শোকখিবদগী মশা ওমদদুনা কন্না লাইয়েংলি। কতজ্ঞ থ। থওহন্দনা মাবু কোমুংগী চপী-নহা লৈফমদা থমলি। মফম

অহুদা সেবা-লাংবাগী ময়মদা থ্ৱাইদগী থুদোংচাবা হেনগনি হায়দ্রনা থমলিবনি।

মদু তাবদা বিমলানা হায়রকই, "লাইবকথীরবী ঐখোয়গা হেক খেংনরুবমথৈ অরাবা দশা ওমনা তারে। মসি পূয়মকসি লাই-না তমশ্রবা হায়বদুনি। হৌজিক ঐনা হায়জগদবদি, রাজকুমারনা করিগুম্বা হিংলকপা থোক্লবদি, মহাকনা মশা পুক্ষরবা মতমদা চিঠি অসিমতা মঙোন্দা পীবিয়ু; হৌজিকমক্তি সেনাপতিগী মফমদা অদুমক থম্বিখো। মসিতনি ঐনা নিজরিবা ময়ম হায়ববু"।

ওসমাননা চিঠি অত অমুক হয়া পীরক্লগা হায়রকই, "মহু ঐনা তৌবা য়াদবা থবক্লি, রাজকুমারনা কৌতম অমদম্ব লৈরবম্ব, অমদম্ব লৈরবস্ত, মহাকপু বন্দীগীশীংদা চনগদবনি। বন্দীশিংগী মফমদা করিগুম্বা চিঠি অমতা, ঐখোয়না হায়া পাদনা পীবা হায়বসি নিয়মদা য়াদে, অহুগা ঐগী ইবুঙোগী য়াথংনম্ব থিংই"।

বিমলানা হায়রকই, "চিঠি অসিগী মমুংদা সেনাপতিখোয়গী যাওনবা ময়ম করিমতা য়াওদে। অদুনা নিয়ম কায়বা থোইনা ওইরোই। অদুগা ইবুঙোগী য়াথং হায়বদুদি মহাক নশানা অদুমক মবুঙোনি"।

ওসমাননা হায়রকই, "অতৈ অতৈ হিরমদি ঐহাক ইখুডাগী য়াথং কায়ল-লায়া চৎপা ঙমই, অদুবু মসিগী ময়মদদি চৎপা ঙম্মোই। মহাক্না চিঠি অসিদা ঐখোয়গী অকায়বা য়াওদে হায়রিবদু ঐহাক থাজদবগী বা নত্তে, য়ামনা ওাইজ, অদুমু হিদম অসিদদি ঐহাক নিয়ম থুগাইবা থক ঙম্মোই। ঐনা থবক অসি পাঙথোকপা হায়বদুদি ওইরম্মোই"।

বিমলানা মথরায় চংঙাইতনা হায়রকই, "অদু ওইববদি সেনাপতিনা পাথোকপিরগা পীবিয়ু।"

ওসমাননা চিঠিত্থু অমুক লৌরদুনা পাবা হৌরকই।

তরুকশুবা তাঙক

বিমলাগী চিঠি

"যুবরাজ! ঐনা নঙোন্দা রাশকখি, নোংমা ঐগী ইশক ইথিং তাকানি হায়না! হৌজিক মদুগী চপ-চাবা মতম্দু য়োরক্লে।

ঐহাক, ঐগী তিলোত্তমানা অথবগী সিংহাসন কায়বা মতমদা তাকৈ হায়না খল্লম্নি। অদুগুম্বা ঐগী রাখল পুম্নমক, হৌজিক্তি মরু ফংনা মাঙখ্রে। ছুমিৎ খরদংগী মমংদা তেংবান অসিদা তিলোত্তমা কৌবিরু বিমলা কৌবিরু অমুক লৈখ্রে হায়রবসি তাবা ফংবিয়গনি হায়না নীংই। ঐখোয়গী পুন্সি লোইশিল্লক্লে।

মথম অহুনা হৌজিক চিঠি অসি যুবরাজদা ইথিবনি। ঐদি পাপ য়াম্না চেন্নবীনি, হোনদবা থবক কয়া তৌরবীনি। ঐনা শিল্লবা ফুংদা মীনা থীনা ঙাংনগনি, তাবদা হংদোহয়রবা রাকম কয়াম্ব পুথোরকনি, মতম অহুদা কনানা ঐগী তুকচয়বা মিংথোল অহুদগী অমকপা অহু যুংলবা হোংনবিরকদগে? অহু য়োনা ঐবু ছুংশিবিবা কনা লৈরিবগে?

ঐবু ছুংশিবিবা অমতংদি লৈ, অহুম্ব মহাকম্ব থিন্দনমক মীয়ামলতা লৈখসি থাদোক্নুনা লাই-নিংবা চৎখ্রগনি। অভিরাম য়ামীনা মীনাই ছুগী অসিগী থবক পাংথোকপীবা হায়বত্তুদি ওইয়রোই। রাজকুমার। ঐ অসি নোংমতংদা ওইরবম্ব নংগা ঙাই-শেল ওইবা ফজরগান হায়না খল্লম্নি। নোংমতংদি রাজকুমারনা ঐগীদমক ঙাই ওইবগী থবক তৌবিনু। অহুম্ব কনাদনো ঐনা রা অসি হায়কবিরবসি? লাইরকখিবীসিং অসিগী ময়াইবক থিবগী মতৌদি কন্নবা হৈরিগা পাংথক ওইয়রনি, ইনাক্তা লৈবিরবা মরূপ ফাওবা হৈদা লাংলৎনি। অহুম ওইনমক, ননাইদা

নিংথিবশিনবতনি কাওবা তৌবিগদবু, মীপুম্না বিমলাদি লমচৎ চুমদবীনি মীনাই শাক্সিন্নদুনা ওক্ক-লমচৎ চৎপীনি, হায়নয়রুবা মতমদা অমুক্তা ডাংশানা হায়বিদু, বিমলা অতোনবা ভাত্তা পোকপীনি, বিমলা লাইরক চাওবীনি, বিমলা মচীন ফাবা ওবদবী ওইদুনা ময়াম চাম-চাম লংঅরবীনি, অদুমকপু বিমলা ওক্কবী অমদি নত্তে। বিমলাগী মগ্রাহবক ফবদগী, হৌজিক স্বর্গ তাম্না খোংশানগ্রবা নিপা অগিমক্না, শাস্ত্রগী নিয়ম কায়দনা দুঃখ সংখিন্নমকবীনি। লোংমতম্ব বিমলানা মাগী মমুত্তোগী মকমদা মীনম-শাজৎ চংথিবা লৈতে।

অদুগা চুইবনাদি কনাগুম্বা হাকচাংদি হায়দোক্কে অদুনা ওসিদি কনাগী খঙ্গবিগদবগে? ঐহাক্ন অসি মাঙ্গী চপীদি ওইরগা, কবিগীদমক মীশিঙ্গ [illegible] তৈবদা তাক্লবনো হায়বত্তু, অমুক্তা তাবিয়ু—

গতপাক্লাবণগী মনাক্তা লৈবা খুল অমদা শশিশেখর ভট্টাচার্য কৌবা নিপা অমা লৈরম্মি। মহাক—মঙ্গল লৈবা ব্রাহ্মণ অমগী মচানি, মখোক কাবকপা মতমদা হৌনবী মতুংইন্না লাইরিক লাইঙ্ক তম্লম্মি। অদুবু লাইরিক তম্বনদি কনুবা লমচৎ কোকহনবা ওমদে। ঈশ্বরনা শশি-শেখরবু মথল খুদিংমক্তা ওননা লৈতেংবিরব্বস্তু, লোখ অমথক্তি চাওনা য়াওহনবিরম্মি, মতুদি মখোক কায়কপগী অচৌবা লোথতুনি।

গড়মান্দারণদা জয়ধরসিংহগী কনাগুম্বা মনাই অমগী ইনুংদা মপুরোয়গা কায়নরবী চপী অমা লৈরম্বী। মহাক অদু মপাদৈথনা ফজবী অমা ওইরমই, মপুরোইবত্তদি নিংথৌগী লাম্গী মগুক্তা য়াওই, অদুনা মতম কুইনা মযুম থাদোকপদা তাশিন্নম্মি। নিংথিরবী অদু শশিশেখরগী মিত্তাফম অমা ওইরম্মে। মতম শঙ্খদংগী মচুংদা মহাক্কী [illegible] মপু খ্বাঙ্গদা কায়নরবী অদু থোইনি মিচন লাংরে।

মৈগা পাপকন্দি কুইনা থক তুমিন্না লৈতে। শশিশেখরগী [illegible] মপা তাবরে। মচানা তৌরবা মীগী-শাগৈ-মরুহনবা [illegible]

কোয়নবগীদমক শশিশেখরগী মপানা চিঠি পাড়না মীংশিরিবী অংগী মপুরোয়বত্ত মহুমদা হল্লকহল্লে। ওক্লুপা মচা অচবু শপীনা কু-চৈতন্না চায়ক্লে। মীনা পীনা ওাংনবকপতু তাবা ভগদতুনা শশিশেখর মহৈরোক থাদোক্নুনা চৎখ্রে।

শশিশেখর মপাগী মহুমদগী থোরক্লগা কাশীধামদা লাক্লে, মফম অদুদা কনাগুম্বা য়াম্না হৈবা পণ্ডিত অমগী মখুৎ তাবদুনা মহৌশা চংজদুনা লাইরিক অমুক তম্বা হৌরে। মতুংদা য়াম্না চঙথোনবা মীনি, দর্শনশাস্ত্রদা নিংথিনা অহৈবা হায়বগী শকরক্লে, পাণ্ডিত্যগী মদম-দম মপা লৈত্রবা মহোপাধ্যায় ওইরক্লে। গুরু অদুনা য়াম্না পেন্দুনা মথাকপু মথবায় য়াওনা তম্বিবা হৌরকই।

শশিশেখর অদু শূদ্র নিঙোল অমগী মহুম মনাক্তা লৈরম্মি। শূদ্র নিঙোল অসিগী মথোক কায়রবী মচাচপী অমা লৈরম্মী। তাম্বগদা ভক্তি লৈজবনা মথোক কারকপী অসিনা শশিশেখরগী চানবা শিক্ষা-দানবগী চংবা ইমুংগী থবক পুম্বা তৌরম্মি। মপা মমানা লায়চ চুমদবগী ফিরংদি থাম্না চিংথোকখিবনা কৈ। অমুক কদি হায়বিগে? শূদ্র চপীমচা অমুক গর্ভদা শশিশেখরগী মচা ওইনা লাইরক থীনী ঐহাক পোকপনি।

পাণ্ড অসি হেক তাবদা গুরু অদুনা পক্কনাদা হায়রকই, "শিষ্য। ঐগী ইনাক্তা মরমচৎ চুমদবা মীনি লাইরিক তমহল্লে। নংঙ্ক কাশীধামদা অমুক লৈরগন্ত"।

মসি তাবদা শশিশেখর অদু ইকাইবদুনা কাশীধাম থাদোক্লে।

ইমাবুদ্ধ ঐগী ইমা-পোকপী ইবেমা পমচৎ চুমদনীনি হায়না চৈবদুনা দুমদগী তাংদোক্লে।

মতাইবক থীরবী ইমা অদুনা ঐবু পুরদুনা থাংপোক মচা অমদা মপুঙ্গি লেম্লে। মশানা কম্না নোমজদুনা মশাগী হিংননবা হোৎনরকই, কনাবতনমু লাইবকথিবী অমুবু চম্না তংবিবা লৈতে। ইপাগী পাঞ্জ

কথিমতা তাবা লৈখিদ্রে। চহি খম্না লৈরগা ইনাক খুল্লবা পাঠান অমথক, নিংথম থাদা, বঙ্গদেশতগী দিল্লী তাম্না চৎপদা, কাশীধামবোমদা লাক্লখি। লেংলবা অহিংদা নহনদা থুংলবহুনা থুংফম থিবা ময়ত্রে; মহাক মহাক্কী গত্তুম পিক্লবা মচা অমম্ভ লোয়নরকই। মখোয় অহু ঐগী ইমানা লৈরিবা থাংলোক অহুগী মনাক্তা লাক্লহুনা, অহিং অহুতং থাংলোকশঙ মচংদা লেনঙবা য়ানবা হায়রকই, "অহিং অসিদা হিন্দু খুলক্তদি কনামতনা ঐখোয়বু চংজকম পীদ্রে। হৌজিক নিপা মচা পিশক অসিবু পুতনা ঐখোয়না চৎকদবনি কদাইদনো? মহাক্কি ইংলবা উন অসি থাঙবা ওমলহোই। ঐখোয় মী পংগাম য়াম্না নত্তে, থাংলোক মচংসিদা ইকোয় কোয়্না চনগনি। ঐতাক মহুথীদমক মতিকচাবা মমল পীজগে"। অওই-বমক্তি পাঠান অহু কবিঙ্গুদা অকুবা থবক অমগীদমক, খাম্না থুনা দিল্লীদা চৎপা হৈদ্রাখি, মহাক ... অমতমক লোয়নরকই। ঐগী ইমাহু লাখরকপ য়াম্না ... চাটপা খিগি, লৈশা পামহুনবু ওইরবম্ব নত্তগা পিখিবা ... পাঠান অহু থাংলোক অহুদা চংজখম পীরি। পাঠান অহু ... অহিং অহুমা, থাংলোক অহুগী কা অমদা ... লেত্রে—অতোপ্পা কা অমদা ঐখোয় হিপলে।

মতম অহুদা ... ভবানন্দগী মনমদা গাগা ... ঐগী চহিদি মতম অহুদা ... ঐতাক লোহনমক নিংশিংবদি থোক্তে। ইমাগী তাবা ... ঐনা তমজিবনি।

অহিং লেংলিরবদা থাওমৈ অহু থাম্না থাম্না, ভবানবা অমথক, উনাগী থাংলোক অহু হোৎনরক্তুনা, পাঠানগী মচানিপা পিশক অহুবু ভবানন্দনা চৎকে লৌমখি, মতম অহু ঐহাক্তা মিকপ থোক্লকপগা তাক্তা হেক চাকহুনা ভবানবহুনা তৌরিবহু উরক্তে। ভবানবহুনা অঙাং অহু পুহুনা চৎখিবহু উবদা ঐতাক থামনা হৌনা কোয়বাও লাওরখি। ঐনা লাওবহুদা মনাক্ক মিকপ থোক্লরক্তে।

পাঠানগী ছপী অহুনা মচা কমুংদা লৈরমদবহুদা থোক্লেম য়াংনা কপলক্লে। ছয়ানবহুদি মতম অহুদা অঙাং অহু পুরহুনা কাংথোকপ মথাদা লোত্তুনা লৈরি। পাঠান অহুনা মশমহু লাক্কুনা চিংথোরকপগা অঙাং অহু য়ুক্লে। মমৈথংদা ছয়ানবা অহুনা য়াম্না হায়জ থোৎচ হৌজরকপদগী, থাংনা মনা অহু ককথৎলপা থাদোকপিশ্লে।"

মতাং অসি যাওবা পারগা ওসমাননা য়াৎল অমা হৌনা হৌনা বিমলাদা হায়রকই, "নহাক মতম অহুদা নমিং অতোপ্পা অমা কৌরমত্রা?"

বিমলানা হায়রকই, "কৌরম্মি। মহু যবনগী মিংদনি হায়দুনা ঐগী ইপানা ওহোকখিবনি"।

"মিং অদুবু করি? মাহক হায়বা নত্রা?"

বিমলানা ওকলদুনা হায়রকই, "সেনাপতিদি কয়ুমগা শঙবিক্কিবনো।"

ওসমাননা হায়রকই, "ঐনিনে হয়াল্লুবা অঙাংদো।" বিমলা অদু অমুক্কা হেন্না ওকল্লে। ওসমাননা মথা অমুক পাখবা হৌরকই।

মথংগী তুমিত্তা পাঠান অদুনা চৎলমদাহৈদা মমাদা হায়রকই, "নঙগী নচা ছপীনা ঐগী ইতেং পাংখিনা অসিগীদমক, হৌজিকমক্তি লথন লিংনব ঐগী পাথৈ লৈত্রে, অদুবু নঙনা অপাম্বা কথিবা লৈরবদি ঐহোন্দা হায়দু, ঐহাক দিল্লীদা চৎলিবনি, ঐহাক মফমদু য়োরগা নঙগী অপাম্বদু থারক্কে লন-থুম পামলবর থাবক—"

ইমানা হায়,—"ঐহাক লন-থুমগী থোক্তনা মিংহোজকবা লৈতে। ইশানা নোমজরগা ইবায় লাংনা হিংবা ওম্মি, অদুবু বাদশাহনা নহাকী বা তাবিবা মীশক ওইরবদি—"

বা মথা অমুক তাবম তাকাৎঙ্গিংঙেনা পাঠান অদুনা হায়রকই, —"মদুদি য়ামনা তাবি, ঐহাক রাজদরবারদা যাওবা নঙগী কনবা শীনবা ওয়গনি"।

ইমানা হায়,—"অদু ওইরবদি ফপীমচা অসিবু পোকপদু অমুক্তা কোয়থি থিবিয়গা পাও থজহনবিয়কউ।"

বা অসি পাংথোক্লবা হোৎনগনি হায়না পাঠান অদু বাশকলমলে। ইমাদা মনা থবা পী, মত্ত ইমানা লৌ হায়বা য়াম্রে। পাঠান অদুনা বাশকখিবা মতুংইন্না নিংথৌগী মী থাদুনা ঐগী ইপাবু কোয়থি-থিংনবা হোৌরকই। অদুসু থিবা-ফংবা কৌবা লৈখিদ্রে।

অদুদগী চহি তরামথি লৈরগা নিংথৌগী মীশিং অদুনা ঐগী ইপাদু থিবা ফংলদুনা হায়না লাএথোকখিবা নিংথৌগী য়াথং মতুংইন্না ইমাদা চিঠি পীরক্লে। হপাঁ চি, মতমদুদা দিল্লীদা অদুমক লৈরম্মী। শশিশেখর ভট্টাচার্য্য কোয়গদু তেংক্তনা অভিরাম স্বামী হায়না থজনরম্মি।

পাও অসি লাকপা মতমদদি ঐগী ইমাদি নোঙ্গাম্রে। মক্ত শোন্দ্রবম চুমনা লুহোংবা মীশিংনা স্বর্গ কাবা য়াবা থোক্লবদি ঐগী ইমাদু স্বর্গ মৌরমগনি হায়বদা চিংনফম লৈতে।

ইপাগী পাও ফংবদগী ঐহাক অমুক কাশীধামদা লৈনিংঙকদ্রে। তেংবান অ'সগী মতংদা ঐগী হায়বদু ইপানা লোইজরবনি, ইপানা দিল্লীদা লৈরগা ঐনা কবিরীদমক কাশীদা লৈককম থোকই, বাথল অসি থরদুনা ঐহাক ইথস্তা ইপা উনবা থোংশাকক্লে। ঐগী ইপানা ঐহাক চৎথিবদুদা অহানবদা য়ামংা শাওরম্মী, অদুবু ঐনা কপ্পুনত্তা লৈরক্লবদুদা, ঐবু মাগী সেবা তৌদুনা মনাক্তা লেংদনা লৈহনবিরে। "মহাক" হায়বা ইমিং অদু হোংদোক্তুনা 'বিমলা' হায়না থোনবিরে। ঐহাক ইপাগী য়ুমদা লৈদুনা, ডমজবমথৈ হপাগী সেবা পুক্রিং চংনা তৌজরক্লে: মহাক্কী মথবামদা পেনবিগদবা থবক্ক অদু থরায়মক যাওনা লুনা তৌরৈ। ঐগী নিংবা অমা থুংনবা নক্তগা হপানা কংশিবিনবা হায়দুনা, ঐহাক অদুমা তৌবা নত্তে। থাক্লেশেংনমক ইপাগী সেবা তৌবদা থরায়দা হৎঙাইবা অমা পোকচৈ, ইপা নত্তন। ঐগী অতৈ কনায়মত্তা লৈজত্রবনি। ঐনা থনৈজ,

ইপাবু সেবা তৌজবদগী হেন্না চংঙাটবা সংসারসিদা অইত অমা লৈত্তে। ইপানস্থ ঐগী ভক্তিদু উবিদুনবু ওইরবস্ত, ঐবু মায়া লুনা-চান্না তৌবিরক্লে। চৎশিবা হায়বসি সমুদ্র পাংলকপা তুম্বেলগুবনি, চেক্লক-চেক্লকগা পাকথোরকপা অস্থুম হেলকই। ঐগী পুক্সিগী অনৌবা থোংলোই ফংবগী অহানবা অহিংনা নোংচারকপা মতমদা, ঐগী ইপানা ঐবু কয়ামুক চৎশিবিরবগে হায়বদু ভশেংনা থঙলকই।"

ভরেংস্তবা তাক্কক

বিমলাগী চিঠি লোইশিনবা

"ঐনা মথক্তা হায়খিবদুনি, গড়মান্দারণগী লাইরেম্বী দুর্গা অমা, ঐগী ইপাগী ওইনা থোইজি-মিঙল-লাংথি। ঐগী ইমাগী মরাইবক্তা তমলগা অচুপ্পনা মাগীদু তম্লম্লে। মহাকত্ত মচানুপী অমা পোক্লে অমস্তং মচা পোকপগা থিম্দনা দুর্গাশীংদা চদফুনা, ঐথোয়ঙ্গো মশানা নোমজনা মচানুপী অত্ত পাকপা হৌবক্লে। নোংমক্কী খুজিলদা,—খোকক্মগা চা-নবা শোংতমক খোক্কনি হায়বা লৈত্তে। চৌংজাওগী কহবা মুংপাস্ত থোংলবা লৈরাং পাখী মহোই : মম্নবা লৈচংদা লংলবা মণি মফংক ; মতুম্না লাইরবা ইমুংদস্থ শক্তা মপা লৈত্তনা ফজরবী দুর্গা মচা অমা পোক্লক্লে। দুর্গাবী মচাদু গড়মান্দারণ শিন-থুংনা ফজবদা কাওরবী অমা ওইনা থঙনবক্লে। মতমনা পুম্নমকপু মাঙহল্লি, মতমনা দুর্গাবীগী মিংদা-থিবজুক্ত মাংহনক্লে। দুর্গাবী মচা নিংথিরবী অদু লায়রনা পোকপীনি চায়বসি মী অমাবনা থঙনদে। লানবল মক্তদনা হেন্না অমুক থঙনদে। কনি অমুক হায়খিগদগে? নিংথিজরবী অসি তিলোত্তমাবু পোকপী ওইরবে।

তিলোত্তমানা মমাগী গর্ভদা লৈরিবৈঙদা, ঐগী লুহোংবা থৌরোক্লা পুন্সিসিদা থাংজদগী মরু ওইবা থৌরোক হাপবদু ওইখি। মতম অদদা নোংমা ঐগী ইপানা মাগী মঙাক অসিবু পুরক্লা আশ্রমদা লাকখি। ঐঙোন্দদি, মঙোন্দা মন্ত্র লৌরবঃ শিষ্য অমনি হায়, অদুবু নোঙাঙ্গবা ইপুরোইবদগী অরেপ্পা পরিচয়দি অদুমক থঙলে।

মহাকপু উরুবা তুমিত্তগী হৌনা ঐগী থবাথসি অতোপ্পগী ওইরে। থোকখিবা পুন্নমক অদুবু করম্না ঐনা, যুবরাজদা তম্বনসিগে? বীরেন্দ্র-সিংহনা, লুহোংবা নত্তনদি ঐবু মাগী ওইবা হায়রবসি ওইথোক্লবা থবক্কি হায়রবা থঙলে; ঐগী ইপাম্বু মরম পুন্নমকসি ভাবনা হাইফেৎ থঙলে। নোংমা মথোয় অনিনা মথাগী অদুমনা বাব্রি শাবদা, ঐহাক লুমহুনা তাকরে।

ইপানা হায়, 'ঐহাক বিমলাবু থাদোক্নবা মফম কৈদম্ব লৈবা ভম্লোই। করিগুম্বা বিমলাবু নংনা ধর্ম্মগী মতুংইন্না লুহোংহনা লৌরবদি, ঐহাক নংগী ননাক্তা অদুমক লৈগনি। অদুগা নংনা মহুদা পামত্রবদি—'

ঐগী হপাগী থা অসি লোইরম লোইকাংজিরৈঙেনা নোঙাঙ্গবা ইবুঙোনা হাডফেৎ খোয়রাং-খোয়শাওননা হায়রকই,—"ঠাকুর, শূদ্র নিংঙোলবু করম্না লুহোংগদগে?"

ইপানা কন্নেমনা বাঙাংনা হায়রকই, 'লায়রবী মচাবুদি করম্না লুহোংলুব্রি?'

ঐগী ইবুংঙোনা হাউরপ মথবায় ফঙ্ঙাইত্তনা হায়রকই, 'লুহোংবা মতমতদদি মহাকপু লায়রবী মচানি হায়রবসি থঙলমদে। তারবা-থঙলবমক্তদা করম্না শূদ্র নিঙোলবু হেক লুহোংলুগদগে? অদুগা নংগী নচাম্বুপী অহন্দি লায়রবী মচা ওইরবস্তু শূদ্রমক্তি নত্তে।'

মহু ভাবদা ঐগী ইপানা হায়রকই, 'নহাক লুহোংবসিদা য়ানিংত্রবদি, হয়ে। নহাক্না হৃদংহন্দা লাকপসিদা বিমলাগী অমাঙবা হায়বদু ওইবে,

নহাক অমুক হয়রা আশ্রমসিদা লাকপগী কান্নবম লৈত্রে। ঐগা নংগা নংগী নয়ুমদা উনবসি।'

তমিৎ অদুদগী হৌনা মহাক মতম থরা চৎথোক চৎশিন তৌবচ্ লেপত্রে। ঐহাক্তি নোক্নৌবীগী পাংথবুম তমিৎ খুদিংগী মানা লাকদবা লমীদা য়েংহনা লৈরম্মি, মহাক মতম কুইনা হৈংথনা লৈবা ওমলক্ত্রে মাক্লে, হায়গুম চৎথোক-চৎশিন তৌবা অমুক হৌরক্লে। মাবু অমুক হয়রা উবা ক'লবহুদা ঐহাক মাগী মমাংদা খোঙনা হকাই-থিবী অমুক ওইরক্লে। ঐগী ইপানা ঐগী হক্তৌ অসি উরে। নোংমা ঐবু মাগী মনাক্তা কৌশিল্লহনা হায়রকই, 'ঐহাক আশ্রম-লিংদনা থম্ম চৎলে, অহনা পুক্নচুম্না ইচাক্তপীগা লৈমিন্নবা হায়বচ্ মাক্লে। ঐদি লম লম খুদিংদা কোয়না চত্তনা লৈরগদবনি, নহাক হৌজিক কদাঙদা লৈগনি।'

ঐহাক হপা কারনগনি থনবদা বাবনা য়ায়া কপ্লম্মি, ঐনা হায়, 'ঐস্ম নংগী নতুং হন্দুনা অত্থক চৎকনি। নত্রগনা কাশীদা হৈথন্তা লৈবগুম, মসিদগী হৈথন্তা অত্থক লৈগনি।'

হপানা হায়রকই, "মচু হৌনদে বিমলা! ঐহাক হায়খিবহদগী হেন্না ফবা থৌরম অমা লাক্তগে থনি। ঐহাক্না চৎপ্রবা মতমদা নংবু নিংথিনা ঙাক-শেন্নবা শীলমগনি। নহাক মহারাজ মানসিংহগী রাণী অতো-বীগী থৌগল তৌবী ওইনা লৈয়ু।'

ঐনা কপ্ল-কপ্লহনা হায়রম্মি, 'নং ঐবু থাদোকপিগনু।' মহুদা ইপানা হায়, ঐহাক হৌজিক্তি মকম কৈদস্ত চৎথিরোই। নহাক মানসিংহগী মযুমদা চৎলো। ঐহাক মকম অসিদা অত্থক লৈনা লৈনা, তমিৎ খুদিংগী নংবু উনবা লাকনি। নহাক মকমহুদা করম্না লৈবগে হায়বচ্ নিংথিনা থঙলগা, থবক মথা লেপকনি।'

যুবরাজ! ঐহাক মতুদগী নথোয়গী শঙ্কায়দা হপী ময়ায়গী মমক্তা লৈরক্লে। লৌশিং তৌহুনা ইপানা ঐবু মাগী মক্কাকী মিৎলম রাংমদা থমলে।

যুবরাজ। ঐহাক নংগী নপাবুংগী শদায়দা মতম কুইনা রাণীগী শাগোম্নবী ওইদুনা লৈরম্মি; অদুবু শক, খঙদে। নঙদি মতম অদুদা চহি ভরাত্তা মডায়রি, অমরগী কোদংদা নমা ইবেম্মগী মনাক্ত' কেংদনা লৈ, অদুগা ঐনা নমা ইবেম্মা অত্তোম্বীগী খোগলোয় ওইনা দিয়াঁদা লৈ। লৈরাং পরেংগুম মহারাজ মানশিংহগী তকশমদা মশীং লাকডমহৎবা চপীনা কোয়শিন্দুনা লৈ। নহাক নমা পোক্তবী ময়ামচত্ন মশক লোইনা খঙব্রা? যোধপুর নিঙোল উর্ম্মিলা দেবীবু নহাক শিংশিংব্রা? উর্ম্মিলাগী মশুংদি নঙোন্দা কবি হায়না ভমসিগে। মহাক্কা ঐ অসিবু মাগী শাগোম্নবী মনাইনি হায়না খনবিদে, ঐবু হেক পোকম্নিবী মনাওগুম খনবি। মহাক্কা ঐবু ইহৈ-ইশিং কয়া ভমনবা খোন্নাংবী। মহাক্কী খোজালদগী লোন খোংপা নিংখিনা ভমলে। মাগী মপুক্তিং ছংডাইনা থমনবগীদমক ভাগোই ইথৈন্ত ভমলে। মহাক মশামক্না লাইবিকন্ত ভম্বীরে। ঐনা ডসি ময়েক থরা খোন্ত্‌না নঙোন্দা চিঠি ইবা ঙমজরিবসি, নমা ইবেম্মা উর্ম্মিলা দেবীগী মপান্দগীনি।

মরুপ উর্ম্মিলাগী কৃপাদগী অদৈ য়াম্না কান্নবা কয়াম্ব ফংজরে। মহাক মশানা ঐবু চানবিবা মিৎয়েংনা য়েংবিবা অঙ্ত্তগ্ন, মহারাজগী মফমদক্ত ঐগী মরমদা নিংখিনা হৃদংপি। ঐহাক হৈশেনচিংবদা কাবক হৈবা অমা ওইরকনা, মহারাজনা মত্ত য়েংবি-তাবিবদগীম্ন ঐবু য়াম্না চানবি। মরম অমদগীবু ওইরবস্ত অমদগাবু ওইরবস্ন, মহারাজ মানসিংহনা ঐবু মাগী ইমুংগী মী অমগুম খনবি। মহাক্না ঐগী ইপাবু ভক্তি য়াম্না ভোই, ঐগী ইপাম্ন মতম অয়াম্বদা ঐবু উনবা লাকপি।

উর্ম্মিলা দেবীগী মনাক্তা ঐহাক ওন্থোক্না ছডাইনা লৈরম্মি। মদুদা পুক্নিংসিদা নিংঙমদবা হায়রমক্তবু, মতুংলাংগী ধর্ম্ম নইনা অদৈ পুম্নমক থাদোকপদা নাচুংবা পোক্তুবা, মহাক অদুবুদি উবা ফংলিত্রে। মহাক্না ঐবু কাওবিগ্রবরা? মঙদি নত্রে; যুবরাজ! আপমানী কোবী মীনাই-মপীচ নিংশিংবিবিব্রা? নিংশিংবিরম্নবস্ত য়াই। আপমানীগা ঐগ[illegible] চান্নবা

মকপ অমা ওইরে, ঐহাক মাবু ঐগী ইবুংঙোগী মনাক্তা পাও চৎহল্লে। মহাক্না কোয়থি-থিরুড়না ঐগী পাউ হায়রুবে। মতুদা ঐগী ইবুংঙোনা পাওথুম কয়া পীরকপা, মড় ঐনা করমনা তমগনি? ঐনা আশমানীগী মখক্তা চিঠি ওইনম্ব থারে. মানম্ব মড়গী পাউথুম অড়মক পিরকই। হয়া হয়া অশুয়া পাও কপা চৎনরে। মতৌ অশুবা শক শক উনজবম্ব অমগা অমগা বাব্রি কয়া শানরে।

ফীভম অদিদা চহি অহম হোৎখ্রে। চহি অহম কায়নরবক্ত কাউবা ইডম ওমনদ্রবক্রদদি, ঐথোয় অনিমক্তা পুক্লিংদা, ঐথোগগী চংশিনবসি 'কবোকং-লৈরাংগুম লাইজথক্তা তাওড়না শাৎপা নত্তে, থম্বালশুম্বা লৈঙ্গুংদা চেৎনা মম্বা তাপ্নবনি হায়বসি থওলে।) কবি মম্বমদগীনা হায়বড়দি হায়বা ওমত্রে, অড়বু মতমথ্রদা মহাক মপুকনিং কাখবা ওগদবা মতাং অমা থোক্লক্লে। নোংমদি মহাকনা ওক্লবা থাঙরবা থৌদোক অমা থোকহল্লে। ঐ ইথক্তা ঐগী তুম্ফম কাদা থহিং অমা অড়ম তুমলদদগী, খিকপ থোক্লক-পদা, মৈওালদা ঐগী শুথুম ওইনা মী অমা লেপ্তুনা লৈরবা উরে।

চংশিনবা থোঙ্খাংদা ঐগী নাকোংদা বাহৈ শাসি তাবকই. "থরাম্বগী মবেথা, কিগম। ঐহাক নওগী নকমদা থরায় কথোক্লবা ননাইনি"।

বাহৈ অদিদা ঐনা কব্রি থুমগনি? চহি অহমগী মতুংদা উনবনি। ঐহাক জগৎ পুমনমক কাউপ্প্র—মহাক্তী মওক্তা কোইড়না হিক্লা হিক্লা কপলক্লে। ঐহাক হৌজিক ঐগী পুন্সিসি লোইগদবা কুহত্রে, অড়না ইকাই-ডকিম্ব থোইনা পক্লে—মরম অহনা বাঝম পুম্বমক লেংনা তথা ওম্রবনি।

ঐনা বাওাংবা ওমলক্লবা মতমতুদা মতোম্বা হাই, "নং করম তৌনা কোড়ুংসিদা চংলক্লিবনো?"

মহাক্লা হায়, "আশমানীনা লোইনমক শওবনি, মহাক্তা লোয়নড়না ঈশিং হোনবা মীনাই শাবড়না কোড়ং মঙ্গুংসিদা চংলকপনি, ওজি ফাওবা' লোক্ত্না লৈব্রিবনি"।

ঐনা হংই, "হৌজিক্তি করম তৌগনি ?"

মহাক্না হায়, "করিনা খঙগনি ? নহাক্না শীনবদা ইল্লেদনা"।

ঐহাক করি তৌগিদগে হায়না মঙল মঙল খনবা হৌরকই। ঐনা চৎকদবসি করম্না মাযকৈদনো ? পুক্নিংনা চিংবা মায়কৈরোমদা অপাম্বা পোল্লক্লে। অতম রাগন খনবা হোৎনরিবগী তাঙাদা ঐগী কাপ্পী থোক্ত অদু থংহাং হাংদোক্লক্লে। মাংদা থঙহৌদনা লেপলরে, মহারাজ মানসিংহ মশামক।

অমুক শন্দোকনা হায়রক্ষম করি লৈরি ? বীরেন্দ্রসিংহবু কৈতুমশঙদা ফাহুনা থম্মে। অতদগী মহারাজনা মানু হৌনবী চৈরাক পীগনি হায়না যাখং লাওরক্লে। মতম অতদা ঐগী থম্মোয়গী পোকপা রাখলহ থঙ-বিরমগনি হায়না নিংই। ঐহাক কপল-কপলত্তনা উর্মিলা দেবীগী মথোক্তদা তুরুরে, ইশাগী মরাল পুম্মক শেংনা হাপ্‌দানচরে। দোষ পুম্মক ইশাগীনি হায়না খাতরে। ইপাগা উনবা মতমদসু মথোং পায়তনা করম্না হায়জরে। মহারাজনা মহাকপু ভক্তি য়াম্না তৌই, শুকগুম্না নিংই; মহাক্না হায়জরবদি মমাগী শোয়দনা ভাকপিদক্কনি। ঐনা হায়ই—"নঙগী নচাহুপী অহনবু অমুক্তদি নিংশিংনি।" ঐগী ইপাগা মহারাজগা হায়না রা শরা তাম্নরগুম তৌমাক্লে হায়না নিংই। মহাক ঐনা কপচবত্ত না-ওইনা তাবিরে। য়াম্না শাওনা হায়রকই, "পাপচেননী। নহাক ইকাই-ইকি হায়বত্ত নশাদা করিমতা পক্তবা মীনি"।

উর্মিলা দেবীনা ঐগী থবাগী কল্পিনবগীদমক মহারাজদা হম্না হম্না কয়া হৈজৎপিরে। মহুদা মহারাজনা হায়রকই,—"বিমলাবু লুহোংগে য়াবরদি ঐহাক হরানবসিবু থাদোকপা ঙম্মি।"

মহু তাবদা ঐহাক মহারাজগী মপুম্মিং থঙলহনা তুমিন্না লৈরে। ঐগী থবাগী মবুংঙোনা মহারাজগী রা অহু তাবদা ঙমখৈ দৈতনা শাওরহুনা হায়রকই,—"ঐহাক পুক্নিচুম্না কৈতুমশঙদা লৈরবসু কৈ, হাৎপা

তারবন্দ্র নৈ; অদুগা শূদ্র নিংঙোলব, লুহোংবদি কৈদৌঙ্গদা তৌরোই। নহাক হিন্দু অমা ওইরগা কনিগী রাজম অসি হৌদোক্লরিবনো?"

মহারাজনা হায়, "ঐগী ইচলব, শাহজাদা সেলিমদা থাজবা ওবা ঐনা, নংব, শূদ্র নিঙোল অমা লুহোংউ হায়রবদা করি অমুক ওকক্ম লৈ?"

অদু থাওবদা মহাক্কি থাদ্রে. মহাকনা হায়, 'মহারাজ, খোকখি-বদুদি খোকম্রে। ঐব, হৌজিক্কি থাদোক্লো মতুংসিদা ঐহাক বিমলাগী মগিং থাওবা পনল্লরোই'।

মদুদা মহারাজনা খুম্মি, "অদু ওইরবদি নঙনা তৌখিবা নরাল অদুগী প্রায়শ্চিত্ততি কদায়? নঙনা বিমলাব, ছান্দাকপিরলদি মী অতৈনা ওক্কবীনি হায়রুনা মহাকপুদি ভুকচবনা মশক থাওবা য়েংবিরাক্লরাই"।

মসি রোইরদা থাওবদা মহাক লুহোংবগী রাজমসি ওকয়া থাদ্রে, অদুবু মমৈথংদা কৈরুমণগী অমাবস্থ থাংবা ওমলাক্ফনা, য়ানিং-য়ানিংদনা তংথায় অমা য়াবগী মঙং ওইনা হানরকই, "করিহৈরা বিমলানা ঐগী য়ুমদা মীনাই চপীওুম নৈগে য়ায়রবা, লুহোংবগী রাজমসি ঐনা থিংলিমথৈ থোংদোক্লু বা, ঐনা লুহোংড়না লোয়রবা চপীনি হায়রবসি মশক থওহল্লবা, অদু ওইরবদি শূদ্র নিঙোলসিবু লুহোংবদা ঐ য়াই—নত্তরবদি ওম্মোই"।

ঐহাক য়ায়া হরাওবগা লোয়ননা হায়রিবা রাখমচু য়ারে। ঐহাক লন-থুম-মিংচৎ-ইকাইখুম্নরবা ফংবগী মতমদা কম্রিমত্তা সিহৌবা নৈতে। ঐগী ইপাগা মহারাজপন্ত রাজমসি য়াবিরে। ঐহাক মীনাইগী মঙং ওইনা কোক্লং অদুদগী ইপুরোইবগী য়ুম তায়া লাক্লে।

মথানা ওকয়া য়ানিংদনা পাক্কল-হেনবমা-নৈবদগী মতাক্লা ঐবু লুহোংখি-বনি। কীতম অসিওুদদা লুহোংবা চপীবু কদুরা নিপানা লুনা-চায়া লোইনবিগদগে? লুহোংবা মতু'মগী দি ঐগী ইবুংঙোনা ঐ অসিব, হওয়া থাজ্রে। মমাংথৈগী চুংশিনবা পুন্নমক মতম অদুদা পুথাং য়াংল্লে। মহারাজ

মানসিংহনা পীখিবা ইকাইবা অদু নিংশিংদুনা ঐবু শাথী শাথীনা চৈথাংহল্লনত্রা লৈরক্লে।

মীচৈশিং অদু ঐনদি চুংশিনিবিবনি হায়না অদুমক থৈ। অথুমন। মতম থবা হৌরে, অসিদগী হেনবা ঐগী ইশক-ইমিং তাকহনবা কয়ি অমুক লৈরিবগে? ঐহ ইশক থজবিরে, অতৈদি হায়কদুনা কায়দে। মতমগী মতুং ইয়া ইপুরোইবগী চুংশিনবদি থরুদং মকহল্লরে, অদুবু অপর নিংথৌগী মফমদা মানা চংঙাইতবগুদি লেংদনা অদুমক লৈরে। লাইবক্কা তমপ্রবনদি, নত্রবদি কয়িগী থোদোকশিং অসি থোক্কদগে?

ঐগী ইশক-ইমিং তাকচবা লোইরে। মসি ঐগী রাশক ডাক্রবগী-দময়কুম নত্তে। মী অমাদনা, ঐ অসি ওক্তবী অমা ওইনা গড়মান্দারণগী মবুঙোগী মনাক্তা লৈবনি হায়না থজি। ঐনা লৈখিত্রবা তুংদা,- ঐগী ইমিংদা পন্নিবা মীংদা থিবসি যুবরাজনা কোকনবা হোৎনবিরক্লবগী রাথলদা, অমুক মরাক চুয়া ইজকবনি।

চিঠি অসিদা ঐ ইশাগী রাতমক ইরে। মপাও তানিংবনা যুবরাজগী পুক্লিং লাংডক্লবিবা মী অদুগী মিং কাওবসু পনত্রে। মিং অদু ঙগং অসিদা লৈত্রে হায়না থজবিরো। তিলোত্তমা কৌবী অমা লৈরমী হায়বা কাউবা কাউথিরো।"

ওসমাননা চিঠি অসি পাবা লোইরগা হায়রকই, "ইয়া! নহাকনা ঐগী থবায় কনবিরবনি, ঐহাক ওম্মিবমথৈ মদুগী লম্মন শিংবা ওইনা নংগী নত্তেং পাংগনি।"

বিমলানা দুংশাম্বর মপী শাংনা হোৎনদুনা হায়রকই, "হৌজিক পৃথিবীগী ঐগীদময়কনি হায়দুনা তৌগদবা থবকপু কয়ি লৈরিবগে? নুংশি ঐগী কয়ি ইত্তেং পাংবিকম লৈরি? অদুবু অমতংদদি—"

ওসমাননা হায়রকই,—"অহায়বা অদুমক পাংথোক্লবা হোৎনগনি। বিমলাগী মমিং অদু অমুক লংথৎলক্লে, মানা হায়রকই—"ওসমা

কহিনো নত্তনা হায়রিবনো ? চাক্রবা থম্মোয় অসিবু করিগী অমং তপাক তৌরিবনো ?"

ওসমাননা মথুক্তগী খুদোপ অমা লৌথোকচনা হায়রকই, "খুদোপ অসি লৌ, নোংমা নিনি অসিদি খোইনা পাংথোকপা ঙমখিরোই। তঙ্গু থাগা মপোক চমিৎ যৌশিল্লক্তে, অতগী চমিকুদি হয়াও-কুমৈ থামনা তৌগনি। শত্রীপুষা হয়াও-তৌবামদা মথক্কী পুংলুপ খুদলনা লৈনবগনি। অতগী চমিকা ঐহাক নংবু নাক্তোয়বা পীনগে। নহাক চমিকদা অহিং লেংলবা মতমদা কোক্লগী থোংজাও তাহা থোকলকউ। মকম অদুদা কনাগুম্বা অমনা খুদোপশিগা চপ মান্নবা অতোপ্পা খুদোপ অমা উৎলরবদি মহাক্কী মক্তুং ইন্দুনা মপাদ্দা থোরকউ, মতুদা থোইনা অপনবদি থোক্লোই হায়না নিংই। অদুমকপু ঈশ্বরগী কৃপানি।"

বিমলানা হায়রকই, "তেংবান মপুনা নত্তে পুন্সি তোলোইবা পীনবিসচ, ঐগীদি অসি নত্তনা কন্নিত্ত অমুক ও মফম লৈত্তে।"

বিমলা অদু মথৌনাও ফুক্তুনা বা মথা তাবা অমুক ঙমদ্রে। মহাক্কা ওসমানবু আশীর্বাদ তৌরগা চৎলগে হায়না তৌবকপ। তাশাত্তদা ওসমাননা হায়রকই, "রঃ অমত্তদি হায়রোগে। মথক্তমক হায়দবনি। কনাগুম্বী অমথক্কা লোয়নরক্লবদি থবক পাংথোকপদি লায়রবুনা রাতম চাওনা থোকপা য়াই।"

বিমলা অদু, ওসমাননা তিলোত্তমাবু লোয়নবক্তনবা হায়দ্রিদনি হায়রবত্ত থহেদে। মপুক্কিংদা অময় থহকই, করে, হৌবাসি চৎপা য়াজনদি তিলোত্তমা মথক্তমক চৎপা হায়রবত্তনি। অদুগী মহাক বিদায় লৌত্তনা থক্লক্লে।

নিপালজুবা তাকক

অনাবা ফবা

গতমদি হৌথিগনি, নংনা থিংনবা কনা কয়া হোৎনজনয়, মতমদি অসম হৌথিগনি, পন্দুনা থক লৈরোই। অপাম্বা মওংদা লৈনিংবা কৌতমদা লৈদুনা, মতমদি অত্থক চৎথিগনি—থক লেপ্পা তৌরোই। লংথৈ চৎপা। গাম্বা শাখিরবা নোংজ্রংলিৎ মায়থোক্নরবরা? অকিবা ফংনা কোকথক্তা থাক-লাওবা তৌরক্নবরা? নোংগী মখিক্তা পুমচোৎ চোৎনক্নবরা? কবিয় হূপ-ত্রবা হকচাংদুদা কেপ্পা থারক্নবরা? পুপযম খংদ্রবরা? অমু ওইরবস্থ হোত্নংদি নপূকনিং তপথখো, মতম অসি হৌথিগনি—কুইনা শাংথনা থক লৈরোই। ওহাক্তং ঙাইখো, বাবরা গতমসি লোইথিগনি অংচাইবা মতম অমুক লাক্নি, চুমিৎ থোক্নক্লিগনি; হৈয়ং কাওবনং ঙাইখো। কনাগী মতম লেংদনা লৈবা ঙাওবগে? কনাগী অহাবনু লেংদনা থম্বা মতম্মা লৈশিন্দুনা লৈবগে? অদুদি শিক্তি কপ্পিবনো? মতম্বা ঙাইখিবা মী লেনেবরবা? তিলোত্তমাগা উকুলথক্তা লন-লোইহনা লৈরি, অদুবু মতমদি অদুমক হৌরি।

বীরমনাগী পংলোবক্নংদা লম্মন-থুমলিংবগী মচ পুরবা লীয়া কুন্দনা লৈশিনমা মথা পুম্বা চগী মৈচাক কাংলরি, মচগী চৈনাৎথানিদি মিকুপ অমা কাওবা থাংওমক্লিবনি নোংমাই চংদা লৌবদা মিকুপ্তু কয়া য়ামগ্রবা। অদুবু মতমদি অদুমক হৌখিদে? লেক্নবনু মায়থীবা পীরবা কতনু থা, সিংহাসনদা খাক্লি! কুপ্রাইনা মতম লৌরি। মতম অহুম হৌরি,—লেংদনা লৈতে।

জগৎসিংহ অনাবা মৈচাক্তা কনুংক্তা হিপলি; অনাবগী মতমদি শাংই হায়রবসি থওদবা কনা ঙাওবগে? অদুবু মতমদি অদুমক হৌখি।

হুমিং কয়ানি হৌরে। নোংমা নোংমগী জগৎসিংহ অনাবা কয়রে।

মমগী মথায়াংতগী হেক নাম্বোরকপদগীদি রাজকুমার অসু নোংমা নোংমগী মৈথায় থিনগাইবা থোইনা কৈরক্নে। অহানবা মশা চোকথবা ফমে, অনুদগী চাব-থকপা য়াবক্নে; অংদগীদি মপান্দ কহক্নে। মমৈথংদনা রাথল কাওরক্নে।

অহানবা রাথলনা—তিলোত্তমা কদাইদনো? রাজকুমারনা অনাবা ফগৎলকপা অদুগী মতিক, লাংতয়বস্ত অতম অতম হেনগৎলক্না মরম পূরমক্তা রাহংসি হংবা হৌবক্নে। কনামতনস্ত মপুক্সিং খুংবা পাউখুম পীবিক্রে। আয়েষানা থংদে খুম্মি, ওসমাননস্ত তাকউ য়াদে. মীনাই ছপী নিপা অমত্তা থঙই হায়দে. ইদিৎনা কাওবা তাক্নে। রাজকুমার অদু তিংথংগী ফমুংথক্তা হিদংগুগ পোপাক্ষম থক্নে।

অনিতবা রাথলনা—মহাক মশাগী ভুংগী ফম। 'কদি থোক্লগনি?' মতমদুদা মশিগী পাওখুমসিবু কমানা পীবা ঙমগনি? রাজকুমারনা থক্লে, মহাক বন্দীনি। অদুবু থোজাল হৈদ্রবা ওসমান আয়েষাগী মপান্দগী মহাক কৈতমশঙগী মহক্তা, ফজরবা হৈনম-লৈনমতনা থম্বা ভুক্ষম কা অংদা লৈক্লিবনি; মীনাই ছপী নিপা কয়ানা মাগী লেবা তৌক্লিবনি, অপাবা পোৎ অদু চিন-কাথোক্তি হৈনা ফংলিবনি, আয়েষানা পোকমিয়বা মবুংদগী হেন্না ফংশিনা মহাকপু লাইকমবা হোৎনক্লি, অতম অদুম ওইনমক থোঙ-জিন্দদি শক্তী লৈক্লি; মনাগী পোম্ংদা লৈবা, অহাওবা চিক্তা চারবা চেক্লাওম কাজিন্দুনা থম্লি, কৈদৌঙৈ নীং-থা তথা ফংগবা? নাম্বোরবা কীতমদি ওইক্লিবরা? মাগী লামীপুৎনা কদাইদা লৈরে? সেনাপতি রাওৎদুনা মথোয়দু কয়বা অরাবদা তারক্লিগবা?

অহমতবা রাথলদা—আয়েষাগী মখমদা। অঙকপনা থম্বী মীগী কনবত্তা-হোৎনবগী-শক্তম-ওইরবী অসিনা, করমা মালেম থক অসিদা থোংদাক্লিবনো?

জগৎসিংহনা উম্মি, আয়েষানা পোথাবা নাইদনা, অরাবা থংদনা

কোমথোকপা লৈত্তনা অহিং তুংথিল চুপনা অনাবা লায়বকয়বা হোৎনরিগা রাজকুমারগী অনাবা অড় থরদং শেম্ভ্রিবা মতম অতকী মথৈ, তুম্বিৎ থুদিংগী নোংঙাইক্কপদা, অয়ুক্কী তমিৎকুমক্কী মঙালনা, লৈ চরোং অমা মথুক্তা পাম্বক্তনা মোং-হাদবা থোংথাংদা তপনা তপনা কা অতুদা চংলকই। নিত্তিমক্কী, ইক-মায়থজবগী মতম হেনখিদ্রি ফাওবা, আয়েবানা কা অতুদগী চৎথোক্লে, নিত্তিমক্কী ঙহাক্তং চৎদুরগা অমুক তনহন হল্লক্ননা য়াদ-য়াদবা মতাংদা অতক হৌগৎপা নম্ভনা, মমা ইবেম্মা বেগমমা মানাই চপী হেক থারক্তি ফাওবা, রাজকুমারগী সেবা তৌবদা থুৎ লেপ্পা তৌরে।

অনাবা ওইনা ফমুংদা পাক্তাক্রিবা কনা য়াওবগে? কনাগুম্বা অনাবনা ফমুংদা য়াম্বাক্তনা লৈরিঙুদা, মাগী লৎংদা নিংথিজবদী কনাগুম্বী অমনা ফমক্তুনা চগাই হমলবা য়াঙবনদি, মহাক্তনা থঙই, অনায়দস্ত হংঙাইবা লৈ।

পাবিরিবা। মহাক জগৎসিংহগী ফীভম অদু থম্মোয়চংদা অমুক্কং ফাওবিনিংব্রা? অদু ওইরবদি নপুক্সিংদা ফমুংত্রদা হিম্প্রি হায়না থদু, নশাদা অনাবগী মৈচাক ফাওরে নিংউ: নিংশিংউ, য়েক্কবগী মথুক্তা মহাক বন্দী ওইরবনি, অতুদগী হৈনম-লৈনম্মা থলবা, নিংথিরবা, ইংলবা তুক্কম কা অদু নপুক্সিংদা লাকশিন্নু। ফমুংদা হিপলগা মহাক থোংজিনলোমদা য়েংলি; থঙহৌদনা নঙগী মায়থোং অদু মকা লাম্বক্লে; য়েক্কবগী কোম্বং মহুংসিদা লওবু মবুংগুম্বা চেকশিম্মা দুনা থনবী, মহাক অদু লাক্লে। মহাক অদু হুপীনি, মথোক কায়ক্কীবীনি; মকা ফম্মা শাৎকাম্বরবা থম্বালম্নি। মহাক অদুমক হিপলদুনা মিৎয়েং অমতদা য়েংলি; উরবরা কয়াদা ফজব্রবা শক্তমনো! হাইকেৎত্তমক তোকানৈ, অদুগা মপা-চাবা শাবান্নি, ভগ-থিন্নিক্কা ভিন্নবী লাইরেম্বীগী শক্তমনি—মহৌশা লাইরেম্বীনা শেম্বী, য়ালেমথক্কী মবেম্মগুম্বীনি। য়েংউ, কয়াদা নিংথিজব্রবা থোংথাংনো! শারুগী শাজৎ হায়নবদি তাররা? কম্মি য়ানো? কাওগী শাজৎ হায়বরা? অদুদি থাংলিবা থোংথাং অদুদা য়েংলগা থঙগনি, সুন্দরী ভিনক্কমদা পুং-শেনজিং

খোংথাং অমিগী তিনফমন। নহাক্কী থম্মোয়মগী থশ্বোয়মদুংদনি। মথক্তুগী লৈরাং চরোং অসি য়েংউ, শুৎকী মতালদা লৈরংশিং অসি মফপগুম উদ্রা? ওকশংগী অরংবনা মনাগী লিকয়াম লংথংচম্লিবাস উরবরা? থমিং কুপত্রিবনা কৈদৌরে? উরবরা কয়াদা ফজবা হকচাংগী শাথেক্লো? চংডৌগুন ডৌরবা লেংজুমথক্তা কয়াদা মূক্রবা খোইরপ তৌবা শয়াংনা তাথরক্লিবনো? মতগী মনাক্তা নাইনবা হাইছয়া শায়রিবমিশু উরবরা? হাইফেৎ লৈরপ তৌনা ওক অমিনা লৈখিবমি উরবরা? মসিদি হাইফেৎ তোঙ্গামবননি। নমিত্তু না য়েক চাথোক্তদৌবগুম লেংদিবদি কখিগীনো? আয়েষাগী মপুন্নিংদা ফরি খনখিনি?

জগৎসিংহগী অনাবহ্ন লায়কয়বা কোমথোকপা য়াত্রিমথৈ আয়েষানা হুখিৎ খুদিংগী মতৌ অময়া লেপ্পা নাইদনা সেবা তৌহনা লৈ। মতুংদা রাজকুমারগী ফীওম ফগৎলক্কবা মতমদদি, আযেষানা চৎথোক চৎশিন তৌবহ্ন লৎলক্লে, পুংফ-ফবক্কবা মতমহ্নদনা আয়েশা অহ্ন জগৎসিংহগী মনাক্তা ইরাক-লাকথিজ্রে, নোংম-ফাদোক্ষ অতুক লাকপদা মডায়রে। নিং-থয়বা মীগী মথামগী তুংথিলগী চংশানা অতম অথম তায়শিন্নকপগুম, জগৎসিংহগী অনাবা ফবকপা মতমদা আয়েষাহ্ন অমম অথম পাপান্তোকপা হৌরক্লে।

নোংমা তুংথিল জগৎসিংহনা মানা লৈখিবা কা অতুগী থিহৎথোঙ ময়াদা লেপলহ্ননা, লানবল ব্রাংমগোমদা য়েংহুনা লৈ, মী কয়া অথিংবা লৈতনা মানা মানা অপাম্বা অমগুং অনিংবা মফমদা চৎনরি, মহ্ন উবদা রাজকু-মারনা মপবাদা হুংডাইতবগা লোয়নননা মাগী ফীফভগা ময়ামগী ফীতমগা চাংদমনরি। মফম অহ্নদা মী কয়ামুক ইকোয়-কোয়না লেমহ্ননা কনাগুম্বা নিপা অময়া নত্রগা পোৎ অমখুরা য়েংলি। রাজকুমারহ্ন মহ্ন উরক্লে; মী ময়াম অহ্ন কুশৈ য়েংবগা লোয়ননা কখিনো থবম্ব মপুক্লিং চংনা তারি হায়বা উরে। মহায়দা লৈখিবা মীহ্ন কনানো অমদি পোৎ অহ্ন কখিনো

হায়রন্তু কুমারদি উবা ফংদে। মহাক শঙনিংবা অমা পোক্লে। ওহাক লৈরগা তাররা মী থরা চৎলম্লে, মতদা কুমারগী খোয়রাংবা অচুম্ব কোক্লে; মহাক্না উরে, ময়ামতুগী মথাংদা নিপা অমনা কোক্কৈকপী চেনাগুম্বা থরা পারক্তনা মমাংদা কম্বি কবিনো পারক্তনা তাহল্লি। পাম্বিবা নিপা অতগী মগুং-মতৌ উবদা রাজকুমারদু নোক্লিংবা অমা পোক্লে। মহাক অদু মীনি হায়রবস্ত মমাই, নত্রগনা বক্রনা মনাপুম্না চাকথেকপ্রবা মমায়-ওইরপ রাংবা কোনা পাখী অমনি হায়রবস্ত থোইনা লালোই। মরমদি রাংবস্ত পাকপন্থ মতুগা অমহানি, খোমবা হায়রবু কোনা পাখীদি মাগী অচুঙ্ম্বা চাও-শাংলবা মনাতোন পান্দে অসিতনি। অতৈ মগুং মতৌদি অনিমক চপ মান্নে, লাতরিক পানা পানা মহাক্না চাইরিবা থুংহল্লাই, থেক্লিবা হুকথেক অত, রাজকুমারনা অঙকপা অমগা লোয়নদা য়েংলি। তাগাসিদা ওসমান ইমুং অদুদা উংলক্লে।

মখোয় অনি অমগা অমগা থুক্ষরবা মতুংদা ওসমাননা হায়রকই, "মিচৎথোকদা কম্বি থেংবিম্বিবনো ?"

জগৎসিংহনা হায়রকই, "চুমহ্রিং চুপ্পা উতুপরুম্বা অমথকপুনি। সেনা-পতিদু উবা ফংবিগনি"।

ওসমাননা, হাংদ্রবদ খেংলগা হায়রকই, "রাজকুমার মী অসিবু থক উবিথিব্রিবরা ?"

রাজকুমারনা হায়রকই, "উথিদ্রি।"

ওসমাননা হায়রকই, "মসিদি রাজকুমারখোয়গী ব্রাহ্মণ অমথক্রি। রাঙাং রাভা রামনা হুংঙাই, নিপা অসিবু ঐহাক গড়মান্দারণদা থেংনখি"।

রাজকুমারগী মপুক্লিংদা রাথল অমা পোক্লে। গড়মান্দারণদা লৈরবা? অদুবু মহাক তিলোত্তমাগী মরা-মপাও থজিন্না ফাওবা থংলমলোইদ্রা?

রাথল অসি তোকহনগী খোমবাংবা অমা পোক্তুনা হায়রকই, "মহাকী মমিংদি কম্বি কৌবগে?"

ওসমাননা বাখল তোয়গা হায়রকই "মহাক্কী মমিংদু কাবক হায়রোকপা মুই, পাক হেক নিংশিংবা থোক্তে গনপত হায়রবা। নত্তে—গণপত—গজপত—নত্তে; গজপত হায়বসিবু কদ্বিনা"?

"গজপত হায়বা? গজপত হায়বদি লৈবাকসিগী মিংদা নত্তে, অদুবু নিপা অসিদি বাঙ্গালী ওইনা উই"।

"বাঙ্গালীগুদি মানি, ভট্টাচার্য্য-নি, মাগী উপাধি অমমু লৈবনি, এলেম-এলেম হায়বরা"?

"মহাশয়। বাঙ্গালীগী উপাধিদা 'এলেম' হায়বা বাহৈ শিজিন্নবা লৈত্তে। এলেমবু বাঙ্গালা লোন্দা [illegible]। বিদ্যা ভূষণ নত্রগা বিদ্যাবাগীশ হায়বগা ওইরমগনি"।

"হোয় হোয়, বিদ্যাগী মথাংদা অমা—[illegible] কবি হায়মবগে"?

"হস্তী।"

"অতৈদি।"

"করি, দন্তী, বারণ, নাগ, গজ—"

"হো হো, নিংশিংলক্লে, মহাক্কী মমিংদি গজপতি বিদ্যাদিগগজ হায়বনি"।

"বিদ্যাদিগগজ? অঙকপা উপাধিনি! মিংদাগা চপ চাবা উপাধি হায়বদুনি। মহাক্কা বারী বাতায় ওহাক শারবদি হুংভাইগনি থদি"।

ওসমান খাঁদি গজপতিগী বাতাং বাতা হাইবৎ ভাবে, মহাক্কা থনবদা বারি বাতায় শাবদা থোইনা অকায়বা লৈগনি হায়বা উবে। অদুনা হায়রকই, "শাবিদু কৈদৌগে।"

অদি হায়রদুনা মবানিমক মনাক্কদা লৈবা মপালগী কা অমদা থোক্লগা, মীনাই অমা থাদুনা গজপতিবু কৌহনুবে।

মাপলগুণা তাক্কক

দিগগজগী মপাও

মীনাইদুগা লোয়মনা গজপতি বিদ্যাদিগগজনা কা অদুদা চংলক্লবদা রাজকুমারনা হংলকই, "অদোম্ ব্রাহ্মণলা ?"

দিগগজনা মখুৎ খাজৎলদুনা হায়রকই,—

"যাবৎ মেরৌ স্থিতা দেবো যাবৎ গঙ্গা মহীতলে।

অসারে খলু সংসারে সারং শ্বশুরমন্দিরম।"

জগৎসিংহনা মোদ্রিংবা রানা থিংলদুনা পুক্নমলকই। গজপতিনা আশীর্ব্বাদ তৌরকই, "খোদা থানা বাবুজীগী নাইফহনসু।"

রাজকুমারনা হায়রকই, "মহাশয়, ঐহাক্তি মুসলমান নত্তে, হিন্দুনি।"

মদু তাবদা দিগগজনা খল্লকই, "অপগুবা যবন ঐগোন্দা ফাগীকাম্ তৌবা শাব্রি, মহাক্দা বা অমা লৈরমখিনি, নত্রবদি ঐবু কবিগী কৌলিজ গনি"? কিবনা মায়থোং লাংশিনদুনা মানা হায়রকই,—"খাঁ বাবুজী ঐহাক মুন্না শক খঙৈজ; নচেৎ চাহুনা ইথবারসি হিংজরকপনি, ঐগোন্দা বা থোইনা তাকপিগন্থ, ঐদি মঙগী শ্রীচরণগী ননাইনি"।

মাগী মতোনুনা অকায়বা অমা ওইরে হায়বা জগৎসিংহনা উবদুনা হায়রকই, "মহাশয়, মঙনা ব্রাহ্মণনি, ঐনা রাজপুতনি, অদুগুবা বাতাংদু তৌবিগন্থ। নঙগী নমিংবু গজপতি বিদ্যাদিগগজ হায়বা নত্রা"?

দিগগজনা খল্লকই ইসে মিং ফাওবা খঙেমলদুনা পোৎসিনা। ঐহাক লোইরেদনা। মখুৎ লোয়মদুনা হায়রকই,—"তাকপীগা [illegible]খী, ঐদি লায়রবা মীনি! নখোং পায়দুনা হায়জবিবনি"।

জগৎসিংহনা উরে ব্রাহ্মণনা কিখি, মতোসিদ [illegible]গী থবক

পাংথোক্লবা হোৎনবসি অরুবা অমা ওইগদৌরি। অদুনা মা অসু লৈঙ্কে অমরোমদা চখনবা হায়রকই, "খুত্তা পায়রিবদু করি লাইরিব্রো?"

"আজ্ঞা, মসি মাণিকপীরগী লাইরিকনি।"

"ব্রাহ্মণনসু মাণিক-পীরগী লাইরিক পুরিবা?"

"আজ্ঞা-আজ্ঞা, ঐহাক ব্রাহ্মণ ওইজরম্ভি হৌজিক্তি ওইরে।"

রাজকুমার অদু ওকম ঙকলে, পাওমু পাওনিংলে, হায়রকই, "করি হায়রবা? নঙবু গড়মান্দারণদা লৈরবা নত্রনে?"

দিগগজনা খররকই, পুমমক লোইরেদনা অসিদে! ঐহাক বীরেন্দ্র-সিংহগী লানবলদা লৈরম্বি হায়রম্ব থঙলম্লেদনা। বীরেন্দ্রসিংহদা পীখিবা দশা অদু ঐতোন্দমু পীরকপদা তারে। ব্রাহ্মণ অদু সিপাইশিংগা লোয়ননা কপ্লে। মাদু উবদা রাজকুমারনা হায়রকই, "করিনো তৌরকইবনুদে?"

দিগগজনা মথুবাক থোৎল-থোৎলদুনা হায়রকই, "ভাকপীমু খাঁ বাবা। ঐবু হাৎপিগনু বাবা। ঐদি নঙগী ননাইনি বাবা। নঙগী ননাইনি বাবা"।

"নঙবু তাওরবরা?"

"তাওদে বাবা! ঐ নঙগী ননাইনি বাবা! ঐ অসি নঙগীনি বাবা"।

মতৌ অদুদা জগৎসিংহনা ব্রাহ্মণ অদু মপুক্লিং তপথনবা হায়রকই, "নহাক করিমতা বাকনু, হৌজিক মাণিক-পীরগী লাইরিক, মতাং অমতং অদুক পাও, ঐ তাগে।"

ব্রাহ্মণ অদুনা মাণিকপিরগী লাইরিক অদু ফাঙ্কোক্না মথগা লোয়ননা পাবা হৌরক্লে। যাত্রা মাওবা অভাংনা তথিথিবা ওবাগী খুজমী চাবরদা শরুকপা ইটৈওম, দিগগজ পণ্ডিতমু পেছো পেছো শরুক্লে।

ওহাক লৈরগা রাজকুমারনা অমুক হংলকই, "নহাক ব্রাহ্মণনা মাণিকপিরগী লাইরিক তমখিবদি করিগীনো?"

ব্রাহ্মণনা ঘর ৎবদু তোক্না হায়রকই, "ঐহাক মুসলমান ওইরে"।

রাজকুমারনা হায়রকই, "অ ওইবরনে ?"

গজপতিনা হায়রকই, "মুসলমান বাবুশিংনা গড়দা লাকপা মতমদুদা ঐবু কৌশিনদুনা হায়, 'লাও খামন, জাৎ ওনবিগে।' অসি হায়রদুনা মখোয় মরামনা ঐবু ফাবদুনা য়েনগী পালো থোংদুনা পীজরে।"

"পালো হায়বদি করিনো ?"

দিগগজনা হায়রকই, "চেং মচংগা যীগা চৌবনি।"

রাজকুমারনা হায়রিবা পোৎশক্ করিনো হায়বা খঙলে। অদুগী হায়রকই, "মথা হায়থো।"

"অদুগী তুংদা ঐচোন্দা মখোয়না হায়, নহাক মুসলমান ওরবনি, অদগী ঐহাক মুসলমান অদুমক ওইরে।"

তাঙ্গা অসিদা রাজকুমারনা হংলকই, "অদুগা অতৌ মীশিং অদুদি করম তৌরে ?"

"অতৌ ব্রাহ্মণ কয়া কয়াম্ব অদুমনা মুসলমান-ওমা ওনরে ?"

মসি তাবদা রাজকুমারনা ওসমানদা মুয়া য়েংলকই। ওসমানন্দ রাজকুমারনা বা ঙাংদনা চৈরিবদ্ ভাব তাবদুনা হায়রকই, "রাজকুমার, মদু তৌবদু করি দোস লৈবগে ? মুসলমানশিংগী রাখলদা মহম্মদকী ধর্ম অসিনা অচুবা ধর্মনি খনি ; পালনবু ওইববম, নমবাক তৌদুমবু ওইববম, অচুবা ধর্ম খশোকপদি ঐখোয়গী চৎনবীবা অধর্ম কৌদে মদুনা ধর্মদুম তানশিনবনি লোই।"

রাজকুমারনা হায়রিবা বা অদোমবদি খুদা তৌদনা দিগগজদা অমুক হংলকই, "বিদ্যাদিগগজ মহাশয়।"

"আজ্ঞা হৌজিক্তি সেখ দিগগজ কৌজরে।"

"করে অদুম কৌরগে, সেখজী, গড়দুগী মী অতৌ অতৌগী মরা-মপাওদি নঙ খঙব্রা ?"

ওসমাননা রাজকুমারগী পুক্নিংগী রা অদু খঙলম্মনা চৎশাখিবা লোক্লে। দিগগজনা হায়রকই, "অতে হায়রবু অভিরাম স্বামী চেনখ্রে।"

রাজকুমারনা খঙলে, অপংবা হায়রবসিদি লেংনা লেংনা চেক হংজিরমখৈ কখিরতা হায়লোকদবা লৈত্রে, অদুনা মথা হংলকই, "বীরেন্দ্রসিংহদি করম তৌখ্রে?"

ব্রাহ্মণনা হায়রকই, "নবাব কতলু খাঁনা মাবুদি মতক কক্লে।"

মসি তাবদা রাজকুমারগী মায়খোংছ ঈচশমুক তাংলক্লে। ওসমান্দা হংলকই, "হায়রিবসিবু করিনো? ব্রাহ্মণনা হায়রিবসি অচুবা রাবা?"

ওসমাননা যোং হাদনা হায়রকই, "নবাবনা বিচার তৌবদা, নিংথৌ-লেখনি খল্লুনা মথবার-হাৎপগী দণ্ড তৌখিবনি"।

রাজকুমারগী মনিংতু মৈখিগুম লংখৎলক্লে। ওসমানদা অমুক হংলকই, "রা অমতংগা খঙজবা রাগত্রা? তৌখিবা খবক্ক সেনাপতিগী রা লৌহুনা তৌখিব্রা?"

ওসমাননা খুমলকই, "ঐনা হায়বা রা লৌখিদ্রে।"

রাজকুমার অদু কনা কুইনা তুমিন্না লৈদ্রে। ওসমাননা তাঙ্গাশিদা খুমোং চাবে খঙলদুনা দিগগজদা হায়রকই, "নহাক হৌজিক্তি চৎপা রাবগনি।"

দিগগজনা হৌগৎতুনা চৎলগে হায়না তৌরকপা তাঙ্গাহুদা।

কুমারনা মথুং পায়রদুনা খারলগা হায়রকই, "রা অমতংগা তাকলম-খো; বিমলা হৌজিক কদায়দা লৈ?"

ব্রাহ্মণ অদু কুংশাখর মগী হোৎলকই। কপ্নি কপ্নিদু তৌরকই। অদুগা হায়রকই, "বিমলাদি হৌজিক নবাবকী লোয়বী ওইখ্রে।"

রাজকুমারনা খারবা মিৎয়েংনা ওসমান্দা য়েংলদুনা হায়রকই, "মসিদু অচুবরা?"

ওসমাননা করিগুম্বা অমতা থুনা তোঁদনা ব্রাহ্মণদুদা হায়খকই, "নহাক করিগী অমুক পহন্বিবনো ? চৎলো"।

রাজকুমারনা ব্রাহ্মণগী মখুৎ অদু অমুকা হেন্না কন্না পাখশিনখ্রে, অদুনা মহাক চৎপা ওৎগী পাজল লৈখিদ্রে। রাজকুমারনা হায়খকই, "মিৎকুপ অমতংগা চাইখো, না অমতংদগা হংখিগে।" মাগী তাংলব মখিত্তু দগী মৈথি শকক অনি-তেন্না কাযখোরকে, "না অমতংগা। তিলোত্তমাদি ?"

ব্রাহ্মণনা খুমকই, "তিলোত্তমাসু নবাবকী লোম্নবী-দুগী ওইরে। মীনাই দুগী-নিপানা কোয়শিন্মুনা দুংচায়না পানরে"।

রাজকুমারনা শাক্ত কন্না ব্রাহ্মণগী মখুৎ অদু ইদ্বোয়রকে, ব্রাহ্মণ অদু তুরোই চায়রোই তোঁদনা থাওদুনা লৈরে।

ওসমাননা যাম্না ইকাইবা কীভমগা লোয়ননা তপনা হায়রককই, "ঐদি দুম্বগী সেনাপতি অমতনি"।

মহু তাবদা রাজকুমারনা খুমলকই, "নহাক্কি হিংচাবগী সেনাপতিনি"।

তরাওবা তাক

মূর্তি লুপহনখিবা

অমুক হায়কবগী থোইনা কায়দে, জগৎসিংহদি অহিদু মিংকী ককপা-অমতা উইশিনবা যাখিদ্রে। কমুং অদু মৈহৌবগা চপ মায়রে, খোয়দুংদা মৈথি কংনা চাক্‌না লৈরে। তিলোত্তমা অদু শিরবদি জগৎসিংহনা জগৎ অসি অহাংবা ওইনা উপবোয়িবা, অদুগী তিলোত্তমা অদুনা শিথিদ্রিবা করিগীনো হায়বা থাখল-সিমা, মহাকী মথবায় চাং[illegible] ওইরে।

করিননো ? তিলোত্তমা শিদ্রিবা করিগীনো ? [illegible] থোৎলবা

মেংলবা তনৌ তনৌরবা মথোলতনা য়োমলবা হকচাং, জগৎসিংহনা মেংশিবা মায়কৈ পুরদা থম্মোয়গী সিৎনা তাশেংনা উবা ফংজরবা, অহুঙ্গুবা হকচাং অদুবু মোংফমগী লৈপাক শুনশিনগদবা ? পৃথিবী অসিদা—মৃণাল নাইত্রবা পৃথিবী অসিদা হকচাং অমগী থুদম ফাওবা মফম কৈদম লৈত্রমোইদবা ? রাথলসি হেক থম্নবদা, জগৎসিংহগী মিৎলুদা পিগী ইম্মা মরি মরি শিন্নরকই। অহুদগী অমুক ফজরবা কতলু খাঁগী হরাও-ওয়াম শঙ্গী রাথল অদু পংথোক্লংদা নোংথাংগুম হাইযেন্তুং তাপকপদা লৈমাংগুম থোংলবা হকচাংদুনা পাপ চেন্নবা পাঠানশিংগী নাক্তা, কয়ুংথক্তা মাতাবগী মতৌ অদু উরকপদা, অমুক হম্না লমজাউগী লম্মেগুম থম্মোয়স্তংদা শুংতনা চান্নকই।

তিলোত্তমাদি মাগী থম্মোয় লাইশংদা লাৎচরিবী লাইরেম্বীগী শক্তমনি।

অহুঙ্গুবী তিলোত্তমানা পাঠান কোম্ফংদা লৈত্রবা !

অহুঙ্গুবী তিলোত্তমানা কতলু খাঁগী লোমবী ওইত্রবা !

অহুঙ্গুবী মূর্তি অদুবু অমুকহন্না রাজপুত্রনা উরাৎথিগত্রা ?

অহুঙ্গুবী শক্তম অদু মথৎমক্না মাংহনথিবদা চিংনবা পোক্তবসি রাজ-পুত্রকী হৌনবী নত্রা ?

জগৎসিংহগী থম্মোয়স্তংদা মরা চেৎনা তাত্রবা শক্তম অদু কুপ্তোকপদা, মক শাম্বিবা থম্মোয় অদুম্ম মচেৎ মচেৎ কায়রবা শোয়ত্রবনি। করম্না মতম কুইনগীদমক অহুঙ্গুবী পুক্নিং-তমহৎনবগী—মশক-ওইরবী মূর্তি অদুবু কাওথিবা ঙমগদগে ? মদুবু ওইবা যাবা থবক্তা ? রাথলনা লৈখিবমথৈ, শু-তোং-ঈনা শাবা হকচাংনা মাঙত্রিবমথৈ, মফাক অদু থম্মোয়গী মবেম্মা ওইনা চান্দুনা লৈরগত্রা !

অসিগুম্বা তংগাইতবা রাথলশিং অমিনা রাজকুমারগী থম্মোয় অদু অইংবা পীদবতা নত্তনা, রাথল কাওবা চোইরক্লে, নিংশিংলবগী লবীদ থক-থা ওরক্লে ; অহিং লোইশিনরবা কাওবা মথুং অমিনা মকোক

পাক্সরক্তনা তুমিন্না ফমদুনা লৈক্লে, মকোক উক্ক-উক্ক-লৈক্লে, অক-ফক্ত খন্নবা কন্নিগুবা পাক্ল অমতো লৈখিক্লে।

কীতম অমতদা মতম শাংনা ফমজিনক্লবদুদা, জগৎসিংহহ্ন মশাদা চৈনাখোল অমা ফাওরক্লে, থম্মোয়ক্কংগী মৈচাক্কা হেনমনখিক্কনা হকচাংদা লাইহৌগুম মৈশা লাংলক্লে, মহাক মিচৎখোড মন্নাদা চংক্কনা লেপলুরে।

ইংলবা কাম্লেনগী চংশিং শিংকুনা জগৎসিংহগী মরাইবক্তা মৈররে। মমলবা অহিংনি, অতিয়াদা পাংবা লেইংনা কোয়পাই পাইরি, থবাম্নিচাক মন্নামক উরি, কদ্দিগুবদা অপাইবা নোংলক্কা মগুাল পিক্রবা থবাম্নিচাকন্থ উবা ফংলি, অথাক্লদা হৌরিবা উপালশিংনা অমবা অতুদা অমগা অমগা পুলপ পুনশিনখিতনা মুরবা চেকপলগুম আতিয়া মথাদা লৈরি; অনকপদা হৌরিবা উপাল খুদিংদনা তন্দন মন্নাম তোংবগী হীবা মদুপ পকপগুম লংনা উরি, মাংদা লৈরিবা থাজপাং অদুমনা, অতিয়া-উপালমচিংবগী মমি অত্তু, অমবা অত্তুদা শেংলম-শেংফাংতনা তারি।

নোং মরিক পুরবা ইংলবা অহিংগী চুংশিংনা মৈবদা জগৎসিংহগী মশাদা শাগৎলদা মৈশাত্থ কাবক ইংথক্লে। মহাক মিচৎখোঙদা মখুৎনা শোবক্কনা, মদুদা মকোক ঙাথক্কনা লেপ্পুনা লৈরে। তুমদনা মতম কুইনা চুংঙাইতবা মৈচাক থাঙ্মুবনা মশা অদু চোকথক্করবনি; হৌজিক্কি ইংলবা চুংশিংনা মৈবদা রাথল থবা কোকক্লে, পুক্নিংদু থমদং পোথাবা ফংলে। মতম অম্নক শাংনা চুরিনা থম্মোয় ফাওনা লৈরবক্থ হৌজিক্কি কখিক্কনা, মদুদগী হেন্না মচিন পংলবা নিংবা কামবগী রাথললোমদা চংশিনবা হৌরক্লে। মাশা হেক থাদোকপা হায়বসি মাম্না অরাবগী মশক্কি, অদুবু থম্মোয়দুংদা নিংবা কামবনা লেংদনা লৈরক্লবদি, অদুক মমি হকচিম্না অরাবা চৈনাখোল নংক্লে। খুৎলাইনা হেক শোকপদা চৈনাখোল বমা ফংই, অদুবগী অশোকপা মকমদুদা চৈনাখোল কুইনদি লৈ হায়বদু অদুক কনবদি নংক্লে। জগৎসিংহনা নিংবা কামবগী থোইমা হকচিন্দবা মৈচাক্ক থাংদুনা লৈবা

হৌরক্লে। মমন্দবা থবানমিচাক খোঙ্জ্‌বা আত্তিয়াতম্না য়েংলগা, হৌজিক মাগী থমোয় আতিয়াগী অদুম্না মমলবা, থবানমিচাক লৈত্রবা অমা ওইরেকো খল্লুবদা মমিৎতা পীগী-ঙৈরা চেনকই। হৌখিবপুন্দ তপনা তপনা মহাক্কী নিংশিং-লাইহুমদা মমি তারক্লে, অতোং ওহরিংডে, মথোক কারকপা মতম, পুম্নমক্ মহাক নিংশিংলক্লে। জগৎসিংহগী মপুক্কিং অদু মথুদা লূপক্লে, অদুগী বাখল অমুম য়াংবা হৌরক্লে, মতুংদদি মশাপুম্বা পুমহৈং হৈংখরক্লে, মিহুৎথোঙদা ঙাথ-ঙাথনা জগৎসিংহদু ভুমথরক্লে। ভুমজিংতৈ মতমদুদা রাজকুমারনা মত অমা মঙলকই, মহুদি য়ামনা অফিবগী মশক ওইরবা মঙনি; তুম্লিবা মমিত্ত্, পিতম তক্রক:, মাদথোংদু করবা চৈনাথোল থাংবগী কীতম; মচিনবান অদু তনিক-তনিক্না অশাওবগা মত্তৌ তৌরকই, মরায়রক্তা হমাং মপ্রিক মাপ্রিক কায়কহ, খুদুম অদু চেৎনা পাম্নশিল্লকই।

অদুদগী মিকপ থংখোক-খোক্লক্লে, যাম্না ফিংনা কুমায অদু কা মডংঙ্দা হুদৎ-হন্দা চৎতুনা লৈরক্লে; কয়া কুইনা মৈচাক অমিনা মহাক থাংকম থওখিদবগে হায়বদু অরেপ্পা হায়বা ঙমক্রে। অদুক্তা ওমিৎ মঙালনা দোলান শিঙ্‌্‌ংনা ঙাক্লবা মতমদদি জগৎসিংহ অদু লৈমারবক্তা কীরোল অমত্তা ফাওবা থা-দনা শাংনা য়াহিত্তুনা লৈরক্লে।

ওসমান লাক্তুনা মায় হৌরোকৈ। রাজকুমারনা মিকপ থোক্লক-বদা, ওসমাননা ইকাইথুম্নবা উৎলগা চিঠি অমথক লানশিল্লক্লে। রাজকুমারনা চিঠি অদু লৌরগ রা অমতা ঙাংদনা ওসমানদা চিংনা য়েংলকই। মদু উবদা ওসমাননা রাজকুমার অদু বুদ্ধি চময়বা অমা তৌরে হায়বা খল্লে। মরম অদুনা মতম অদুদা চৎনবা য়াবা রা ঙাংলকপা কায়রবোই হায়বা উবদুনা হায়রকই, "রাজকুমার! লৈমাযবক্তা [illegible] মথম ঐ খোইনা থওজনিংবা লৈত্তে। চিঠি থাবক্লিবী অদুগী মকথা ঐহাক, চিঠি অদু যুবরাজদা পীগনি হায়না য়াশকখি; চিঠি অদু মতম অদুক কুইনা যুবরাজদা পীবা য়ারমদবগী মরম পূবদু হৌখিজ্জি লেপ্লে।

যুবরাজনা পুন্নমক থঙবিরে। অদুনা ঐহাক চিঠি অসু পিজরমলবনি, অদুংবা মতমদা পাবিয়ু; ঐহাক শুমিদাংবাই অমুক লাকচগনি। করিগুম্বা পাউথুম পীবিনিংলবস্থ ঐহাক চিঠি থাম্বকপী অদুগী মফমদা লোয়মনা লৌথকগে।"

অসি হায়রগা ওসমাননা রাজকুমারগী মখুত্তা চিঠি অসু পীরমলগা চৎখ্রে।

রাজকুমার অত মথন্তা চিন্না ওহাক ফমলবগী মতুংদা অ‍ান নিংথিনা তাংক্লে, অদুগী বিরলাগী চিঠি অসু পাবা হৌরকই। মকোক্কী মতোম কাওবা পারগা মৈ হৌগত্তুনা মৈসুংদা লংশিনখ্রে। চিঠি অদুনা চাক্লিবা মতম অদুকী মথৈ, চিঠিদুদা মুৎসা শংত্রিক য়েংদুনা লৈরকই। পুমচাক চাকপা লোইশ্রবা মতুংদুদা মহাক মথন্তা হায়জরকই, "নিংশিং খুদস্থিদি মৈচংদা লংশিন্দুনা তুম্না মাংহনবা ওয়ম্লে, অদুগা নিংশিংবা বাথলম্বু থম্মোয়দুংগী মৈচাক্লা অমুক কয়া চাক্লবদা তুমদুনা মাংথিজ্রিবসি কনিগীনো"।

জগৎসিংহনা তুমিং খুদিংগী হৌনবী মতুংইমা অদুকী থবকপুম্বা পাংথোক্লে। পূজা আহ্নিকচিংবা লোইরবা মতুংদা শুফিগা লোয়ননা ইষ্ট-দেবসু খুরুমজরে; অদুদগী মথাই নোংথকলোমদা ওজাগা মখুৎ লোয়মদুনা হায়রকই, "গুরুদেব! ননাইসু খাহোকশিগন্থ। ঐহাক নিংথৌগী ধর্ম ঙাকচবা, ক্ষত্রিগী হৌনবী পাংথোকচবা, নঙগী খুয়াথাগী থৌজাল নিংজরি। ধর্ম তিন্নদবা মীগী লোয়বী চুপীসু ঐহাক থম্মোয়দুংশিনদগী তাথোকচখিগে, মচুদা ইশাগি মাংজরবস্থ, মবৈদগি নঙসু হংজগনি। মীওইবনা তো থবক্তু তৌজবনি; মীওইবনা তৌবা হৌনবস্থ তৌজগনি। মেংবিসু গুরুদেব! মহাক্তি লোইনমক থওবি-উথিরিবনি, ঐগী থম্মোয়দুং কাওবা মেংবিসু, ঐহাক 'অমুকবদা তিলোত্তমাগী মুংশি-ইখৌ লাংথা মী নত্রে; ঐহাক অমুক হয়া খাগী মাংথোং উনিংবগী বাথল পোক্লে; কন্নবা, হৌশিল্লা-থৌদোক-শিংশিংবা হায়বা বাথলতনা ঐসু মতমচুম্না চাংকহন্দুনা থবত্তা মরামরে।

মীহোৎবদু থাদোকচরবনি , অদুবু নিংশিংবা হায়বশিনবদি থক মাঙত্রবোইদ্রা ? গুরুদেব ! নঙগী খুমাথাগী থৌজাল নিজরি। নত্রবদি নিংশিং-মৈচাক অসি থাংবদা য়াদা থোক্কে।"

মূর্তি লুপখনখ্রে।

মতম অদুদা তিলোত্তমানা উকুলথক্তা লেপ্তুনা কনবা মত মতুমগনি ? তুক্কা মমলবা অহিংগিদা মহাক্না য়েংজত্তুনা লৈরিবা খরাম্মিতাক অমথক্তং অদুম্ব, অমুক মতোংদা মঙাল শীবিগদবা লৈত্রে। কনবা নোং চংশিৎ মরকসিদা মহাক্কী মথবায় ওইজববা উখি অদুম্ব হুমদোকখ্রে ; চেৎনা কোনজিনা মমুত্র ঈবানবা পোত অদুম্ব লমথাংদা লুপখ্রে।

তরামাপোইশুবা তাঙ্কক

য়ুম হোংবা

হায়খিবা মতুংইন্না ছুমিদাংবাইবদ ওসমান লাক্লুনা' রাজকুমারদা হায়রম্মে, "য়ুবরাজ, পাউথুম হনবিগে থনবিরিব্রা ?"

য়ুবরাজন হায়রা পাউথুম ইত্থুনা থনমলে, মত্থু লৌথোক্লুনা ওসমানদা পীরে। ওসমাননা চিঠি অদু লৌরগা হায়রকই, "ঐবু রাবৌবিগদ য়ুবরাজ! ঐথোকপী চৎনবীদা, লানবদ মত্থংগী কনাগুমনা অত্তোম্না মীদা চিঠি থাদা থোক্রবদি লানবদ চাকপশিংনো মত হায়রা পাথোক্কনা থাবা থক য়াদে"।

য়ুবরাজ অদু হাইমশ মথবায় লংতাইত্তনা হায়রকই, "মত্থদি অচুবনি।, চিঠি অদু পাবিবা য়াগনি, থাবা যাবা ওইমগনা থাবিগ্নো"।

ওসমাননা চিঠি অদু হাকতোরগা পারে। মদুদা ইবথিরিদি অসি-থক্কনি :—

"লাইবক থীরবী! ঐহাক নঙনা হায়জবিবসি থক কাওরোই। অছুগা নহাক্না করিগুম্বা নপুরোইবা নীংবী অমা ওইরবদি, থিজিনরক নপুরোইবগী ভুং ইন্দুনা নশাগী মিৎনা থিবহু মাঙথিনবা হোৎনজো।

জগৎ সিংহ।"

ওসমাননা চিঠি অসু পারগা হায়রকই, "রাজকুমার! নখোয়গী থখোয়সি ওয়োক্লা কনগ্রেদা"।

রাজকুমারনা ঙকথরগুনা হায়রকই, "পাঠানগী হেরদি কনে"।

ওসমানগী মায়থোংদু হাইরপ ঙাংলকই। হাইকেং খোল য়াক্লপনা হায়রকই, "পাঠাননা হিরম পূরমক্তা যুবরাজগী মরমদা হৌনদবা লমচৎ চৎলমগনি হায়বদি ঐ থাজদে"।

মহু ভাবদা রাজকুমার অঁহু শাওমিংবদা ইকাইবগা য়াংথিহুনা হায়রকই, "নত্তে মহাশয়! ঐনা হায়জবিবসিদি ইশাগী বা নত্তে। সেনা-পতিনা ঐবুদি য়ায়া খৌজানবি অমত্থং বন্দী ওইরবমক্তা থবাক্ অসি কনবি, নঙগী লাম্নী মাঙহনবা থেক্কবগী, শাথীরবা মনাবু লায়য়েংবিহুনা মনবা হোৎনবি—কৈগুমশঙদা য়োৎহিলং চন্দুনা লৈগদবা মীবু, কোৎনুংগী ফংঙাইরবা ইরাংশঙদা থম্বিদি। মসিদগী হেন্না করি ভৌবিকন লৈরিবগে? অদুবু ঐনা থজিবদি,—সেনাপতিখোয়গী ফজরবা শাজৎনা ঐবু কাজিন্দুনা ফংঙাইবা কংজিবসিগী, মটম ভাবকপদা, করি থোক্লগনা হায়বহুদি ঐহাক কজিনতা থঙবা ওয়দ্রে। ঐহাক বন্দী ওইরগনা কৈগুমশঙদা থম্বিরো। অসিগুম্বা থৌজালগী য়োৎহিলং অসিদগী ঐবু থাদোকপিরো। বন্দী নত্তগনা, ঐবু অসিগুম্বা পোম্‌ং অসিদা কাহুনা থম্বী করি কাম্বা লৈরগে?"

ওসমাননা মপুক্তিং ভাপথনা হায়রকই, "রাজকুমার! কত্তবীরনংকা করিগী অমুক লাংজরবিরিবনো? পুরাংথিমদি কৌক্কব লৈরে, মসানা -অমুক থাকচগদবনি"।

রাজকুমারনা নাপলগা লোয়মনা হায়রকই, "সেনাপতিথোয়গী অসিগুম্বা তৌগী মতুং অসি থাদোক্‌না কৈতমগভগী হৃংগী কমুংদা হিরম্‌ রাজপুতশিংনা থুদোং থীরনি হায়না খক খল্লে"।

ওসমাননা হায়রকই, "দুংগী কমুংনা থুদোংথীরগী থম থেংবা কীজরু ওইরমবদি, করিদু কিকম লৈতেনা?"

রাজকুমারনা ওসমানদা থানা য়েংলগা হায়রকই, "কতলু খাঁনু মরালগী মতিক চাবা দগী পীবা ওয়েৎহোজ্রবনিনা শিখিবনা হেন্না অকবা ওইরক্রিবরা?"

ওসমাননা হায়রকই, "যুবরাজ! থবদি চেকশিনবিয়ু। পাঠানশিংদি হায়বু হায়দোকপবদি লোইরবনি"।

রাজকুমারনা লোক্‌চুনা হায়রকই, "সেনাপতি, ঐগোন্দা অকিবা পোকহনগে হায়না লাকপা ওইরবদি, হোৎনরিবহু কায়ত্রে হায়না লৌবিয়ু"।

ওসমাননা হায়রকই, "রাজপুত, ঐথোম তোৎন-ভিরনা লৈমিয়রকপদগী অদোমদা রা চাওনা তাংবসি কনাম্ব পায়দে হায়বসি থওনরবনি। ঐহাক হৌজিক রাজকুমারগা অকবা রাকম অমা তাংনগে লাকপনি"।

মসি তাবদা জগৎসিংহহু হাইকেৎ ওকই মহাক্না হায়রকই, "কদি রাকমো তাকপীয়ু"।

ওসমাননা হায়রকই, "ঐহাক্না হৌজিক হোদোকচগদৌরিবা রাকমদি, কতলু খাঁগী রাথং মতুংইমনি হায়বসিমদি খওবিয়ু"।

জ। কৈ।

ও। অদুদি তাবিয়ু। রাজপুতকা পাঠানগা লাহেংনবসিদা নাকল অনিমক রায়না রাজনরে।

রাজকুমারনা হায়রকই, "পাঠান শাগেনু মাতহনবগীদমক্তা লাল তৌরি-বনি"।

ওসমাননা হায়রকই,"অদুবুদি অচুবনি, অদুবু নাকল অনিমক্ত রাজমবা মতমা নাকল অমতা রাজহনবা হায়বসি ওইবা রাখা থমক্কা নত্তবা

হায়বচদি উবিরিবগিনি। গড়-মান্দারণ-দোরিবা কাংবুদিস্থ মপাঙ্গল পংশোন শোনবদি নত্তে হায়বদ্র উবিরেদনা ?"

জগৎসিংহনা হাইফেত্তং নোক্লদুনা হায়রকই. "ঐখোয় মরৈ মরাদি হৈ চুপ্পি"।

ওসমাননা হায়রকই, "অমগু ওইরবস্থ অমরু ওইরবস্ত ইশা লাগৎপা ঐ কয়া পায়দে। মোগল সম্রাটকী অস্তম থৎনদুনা লৈশগা পাঠাননা উৎকলদা পানবা হায়রগি ওংঙাইফম থোক্কে। অদুগা মোগল সম্রাটনম্ন পাঠানশিংবু কৈদৌঙ্গংদা মথুৎ চনবা হায়রদুমা [ভম্নগদবা লৈতে। ঐগী রাসি ইশা থাগৎপনি হায়না লৌবিগন্ত। যুবরাজদি রাজনীতি নিংথিনা হৈরবা অমনি, থন্দুনা য়েংবিয়ু দিল্লীদগী উৎকল অসি কয়া লাপপ্রবা ? দিল্লীশ্বরনা হন্দক মানসিংহগী মপাঙ্গগী পাঠান জয় তৌরবস্ন, কয়া কুইনা মাগী লানতম কীবান্দু লৈপাক অসিদা পাইদুনা লৈগনি ? মহারাজ মানসিংহনা লাঞ্চী পুদুনা হেক হনথিবগা, উৎকলদা দিল্লীশ্বরনা মপু ওইথচ্ছন্ন অচুম্বক মাওথিগনি। অসিগী মমাংদম্ন আকবরশাহনা উৎকল জয় তৌরমদবনি, অদুবু কয়া কুইনা মরুমদুগী থাবনা লোবা ওথিবগে ? হন্দক জয় তৌরবস্ন অদুমনা মচ্ছমক থোকনি। অদু নত্রগা লাঞ্চী অমুক হন্না থাবকনি, উৎকল অমুক জয় তৌগনি, পাঠানস্থ অমুক মনিং মথা অদুমক তমগনি। পাঠানশিংদি বাঙালীগুম্বা নত্তে; কদৌঙ্গংদম্ন মীথা পোমবা হৈনদে; পাঠান অমত্তং হিংলিত্তেজা মহু থক থোক্লোই; মসিমদি ঐহাক তশেংনা হায়জরিবগিনি মদুদি রাজপুত-পাঠানগী ঈনা পৃথিবী অসি তা ওথোকহনবগী কন্নি অমুক কায়বা লৈ ?"

জগৎসিংহনা হায়রকই, "সেনাপতিনা পাম্বিরিবদি কল্লিনো" ?

ওসমাননা হায়রকই, "ঐগীদি কল্লিস্থ হায়বা লৈতে। অদুবু ঐগী ইকুত্তোলদি লম্বি তৌনসি হায়না তাকলি"।

জ। কয়বা লম্বি মত্তৌনো ?

৩। মায়কৈ অনিমক থবা থবা মাঙনবগী কীতমনি, নবাব কতলু খাঁনা মপামোম পাদলনা বঙ্গদেশকী শরুক থবা অম তৌথিবত্থ থাদোকপা, আকবর শাহস্ম উড়িষ্যা অমুক হন্না লৌনবা হোৎনবসি তোক্‌না লাগী লৌথোকখিবা, অদুগা মতুংদা লান্দায়রক্তবা অসিনি। মসিদা বাদশাহগীদি খোইনা মাঙবা লৈতে, মাঙলিবদি পাঠাননি। ঐখোয়দি বানা থুৎ চনবা অহু থাদোকপনি, আকবর শাহদি থুৎ চনবা ভমত্রিবহ্ন থাদোকপগুনি।

বা অসি মুন্না তাবগা রাজকুমারনা হায়রকই, "রায়া কবা রাক্মনি; অদুবু বা অসি ঐঙোন্দা হায়রবনদি করি কারফম লৈবগে? সন্ধি তৌথোক তৌশিনগী মপুদি মহারাজ মানসিংহনি, মাগী মনাক্তা হুত থাবিদুনা"।

ওসমাননা হায়রকই, "মহারাজগী মকমদা হুত শাকয়রনি; অদুবু ঐখোয়গী লাইবক থীবনা মঙোন্দা কনাগুম্বনা যুবরাজবু পাঠানশিংনা হাৎক্লে হায়না হায়জিনবা য়াওয়ে। মহারাজনদি মতুংগী মথক্তায় চাংঙাইথিদবনা অমদি শাগুনিংখিবনা সন্ধিগী বাক্ম অসি পনবা কাওবা য়াথিদ্রে, মুতনা হায়চবপুষম কল্লিমতা থাজবিশিদ্রে, অদুনা হৌজিক যুবরাজ নশামক্তা সন্ধিগী বাক্ম অসি হৌদোকপিক্ষবদি; মহাক য়াবিরকপা য়াই"।

রাজকুমারনা ওসমান্দা অমুক মুন্না য়েংলগা হায়রকই, "রাপুন্দা শেংনা শেংনা হেক্তা হায়বিয়। ঐনা ইব' চিঠি অমা থাগ্রবম্ব মহারাজনা পেনবিবা য়াই। অদুবু ঐ ইশামক চংলু হায়রিবশিবু কম্বিগীদো?"

৪। মতুগী মরমদি অসিনি, মহারাজ মানসিংহ মশামক্তদি ঐখোয়গী ফীভম অসি মুন্না খঙবিবা নত্তে, যুবরাজগী মক্ষমগীদি থাক্লেংবা ঐখোয়গী পাঙ্গলপুম্বা খঙবিগনি, অদুগা যুবরাজনা চিন-থেংননা হায়রবদি থবক পাংথোকপা য়ানা লৈ, চিঠি থাখিবনসি মতুমক য়োবা ওমলোই। সন্ধি হোৎকপদা কায়বা ফংবিগদবা অমনা, যুবরাজ অমুক হন্না বন্দী ওইরমোই। মরম অদুনা নবাব কতলু খাঁনা থন্নিবদি যুবরাজনা শোয়দনমক সন্ধি অসি পাংথোক্লবা হোৎনবিগ'ন অসিনি।

জ। ঐহাক ইপাগী মনাক্তা চৎলু হায়বদি য়াদিংদবা তৌদে।

ও। মচু তাজবদা য়াম্না মংঙাইজবে, অদুবু হায়জগদবা অমঙংদগা লৈ। কবিগুবা যুবরাজনা হায়রিবা মওং অসিদা সন্ধি তৌহনরিবা ভমক্রবদি, অমুক হন্না লানবন মচু অসিদা হনবিরকনি হায়না বাশকপীদবু।

জ। ঐহাক বাশক্লবগা শোয়দনা চংকনি হায়বসিবু করম্না খাজবিগদৌরিবনো?

ওসমাননা নোক্লদুনা হায়রকই, "মচুগীদি য়াম্না থাই। রাজপুতশিং হায়রিবা বা হোংদে হায়বসি মীপুম্না থজনা লৈরবনি"।

বা অদু তাবদা রাজকুমারনা মখবাদা পেনদুনা হায়রকই, "ঐহাক বাশক্লবসিনি, ইপাগা দেক উনবগা ইথস্তমক লানবন অসিদা হনকনি"।

ও। অদুগা অতোপ্পা বাক্য অমনা, যুবরাজনা মহারাজ উনবিবগা ঐখোয়না পাম্নরিবা মওং অসিদা সন্ধি তৌনবা হোৎনবীগনি হায়না বাশকপীনম্ম, অদু ওইরবদি ঐখোয় লম্মন তৌরি থকগনি।

রাজকুমারনা হায়রকই, "সেনাপতি মহাশয়! মচুগী বাকমচুমদি ঐ বাশকপা ওম্মোই। দিল্লীগী সম্রাটনা ঐখোয়বু পাঠান জয় তৌনবা থাবকপনি, অদুনা ঐখোয় পাঠানবু জয় তৌনবা হোৎনগনি। সন্ধি তৌনবা থাবকপা নত্তে. সন্ধি থক তৌরোই, অদুগা লড়িগী বাকমচু হোৎনোক্লোই"।

ওসমানগী মাংখোংদা অপেনবা অচুমবদি ওইরগা লাওনিংবা মতৌ নিনিমক পুম্না মশি তাবক্লে। মাং হায়রকই, "যুবরাজ নিংথৌমচাগী হোৎনবী শাউথুমদি পীবিক্লে, মচুম থজহনা অদুক য়েংবিয়ু, যুবরাজ নপা নাহোক্লিবা লৌমি অসি নত্তনা অতোপ্পা অমা লৈত্রবনি"।

জ। ঐহাক নাহোক্লগা দিল্লীশ্বরগী কৰি মাঙবগে? রাজপুত শাংদবা রাজকুমার য়াম্না লৈরি।

ওসমাননা মথৎতায় চংভাইতনা হায়রকই, "যুবরাজ! ঐনা হায়জরিবসি অমুক্তা তাবিয়ু, থহিবা রাখলচ থাদোকপীয়ু"।

জ। করিগীনো মহাশয়?

রাজকুমার। অশেংবা অচুম্বা হায়দোকচররবনি, রাজকুমারগী নপাল্লা থবক অসি পাংথোকখনি থম্দুনা নবাব সাহেবনা ওসি ফাওবা অঙ্গক শুনা তৌরিবনি, মসিদা করিগুম্বা রাজকুমারনা রাদবা থোক্লবদি, রাজকুমারগী হংজাইতনবত শিন্নরগনি"।

জ। অমুকন্ত অকিবা উৎপিরিবা! ঐখোয়দি হৌজিক্তা ঐবু কৈথমশন্দা থম্বিরো হায়জরবছনি।

ও। যুবরাজ। কৈথমশন্দা থমলগনা নবাবনা পেনবিররবদি, যুবরাজগী মঙলনি 'থনবিয়ু।

যুবরাজ অহু পিত্তম্ তকলকই. অহুদগী হায়রকই, "পেঠাংগনা বীরেন্দ্রসিংহগী ঈগী ঈচেল অহু ঐনা অমুক হেনগৎহনগনি"। অসি হায়না হায়না মখিৎ অহু কৈরিত্তম লংথৎলক্লে।

ওসমাননা হায়রকই, "অহুদি ঐহাক চৎচরগে। ঐগী ইথৌ ঐহাক পাংথোকচররবনি, কতলু খাঁগী মাথংদা অংতাম্না চতকী মাচন্দগী তাবা ফংবিগনি"।

মতম থবদগী মঙংদা হায়রিবা তুম্ভ অহু লাক্লে। নিপা অত্ত লাম্মীগী ফিজেৎ শেৎলি, চুমগী থোংমা অমদগী কম কাবক হাইগৎলবা লাম্মী অমম্তম তৌই। মহাক্না খুৎলাই পায়বা থোংমী মরিথক্তা লোয়নরকই। রাজকুমারনা মঙোন্দা হংলকই, "নহাক করি পাংথোকপা লাক্লিবগে?" -

লাম্মীহুনা হায়রকই, "যুবরাজগী লৈফম কোংবা তাদ্রি"।

"ঐহাক মহুগীদি শেম শাহুনা লৈরবনি, চৎলি চৎলো" হায়রহুনা রাজকুমার অহু হুতকী মতুং ইন্দুনা চৎখ্রে।

ভন্না নিথোইশুবা তাকক

অশুকপা ফিজেৎ

চাওরবা কুমৈ তুমিৎ য়োমক্লে। তুনি কত্তলু থাগী মপোক তুমিৎনি। চুংখিলদা হরাও-ওয়াম, জগোই, দান, চাবা-থকপা অমিনচিংবা পুম্নমক তৌহন্না মীপুম্বা কোয়বাৎ লাংনক্লে। অহিংদনা মসিদগী অমুক য়াম্না হেন্নি। তুমিৎ তাথিবত্তা মতামদি, অত্তবু লানবল মতুংত থাওমৈনা পুমলং লংল্লে; লাম্মী, সিপাহী, অচম-অথৌ, মীনাই, কোন্নুং মতুংগী মী, চাক্লিবা, মুত্তাওবা, জগোই শাবা, জগোই শাবী, ইশৈ শকপা, পুংয়েবা, মিজংতৌবা, লৈ য়োনবা, মনম চংশিবা পোৎ-চৈ য়োনবা, পানা য়োনবা, চান-থক্লবা য়োনবা, খুৎশা-হৈবগী অরু-অহেন য়োনবা, পুম্নমক্ক অমিনা মায়কৈ মরিমক পুমথন থনক্লে। চংখিবা, মকম পুম্নমক্কা থাওমৈ চেনক্লে, পুং-ইশৈ, মনম চুংশিবা ধুপিং, পানা, লৈ, মিজং, ওরুবী, অমিত্তা মতামক্লে। কোন্নুং মতুংদম্ম হাইরপ মমিগা মমাইনে। নবাবকী হরাও-ওয়াম-তৌকয়-শু অহু য়াম্না পাক চাওই, অহুগা হরাও ওয়ামম্ম মকমহুনা কা য়াম্না হেন্নি। কা কা খুদিংদা লুপাগী থাওমৈ, মণি মুক্তাগী থাওমৈ, মনম-চুংশিনবা ধুপ, পুম্নমক অমিনা পুল্লং-লংলি; মনম চংশিনবা দৈ চরোৎ চরোংনা লৈহাপকমদা, চুকৌদা, ফমুংদা, কমকমদা অহুগা কোন্নুংদা—লৈরীশিংগী মশাদা লৈতেংলি। চুংশিৎ য়াম্ন পোলাবকী মনম পুম্না তুমক্লে; মখোং লাকতবরবা মীনাইশিং অহু কনানা মনা চৎলবা ফিজোল, কনানা মথম্বানা তাজবা মতুং ইন্না অশংবা, অত্তাংবা, শংবাম্নবা, নাপু য়াম্ন মাময়া ফি[illegible] শেৎলহুনা, মশাদা শিম্নিবা মনাগী লিক-কোল অ[illegible] থাওমৈ ম[illegible] অমংবা মতালগা লোয়নবা কোয়চৎ চৎলি। [illegible]শীশিং অমিং[illegible]জবী

মবেম্মশিং অদুনা, মাগী মাগী কাদা কয়লদুনা য়াম্‌না চেকশিন্না কিয়েৎ লৈতেংবা হোৎনরি। ঙসিদি নবাবনা থুনৈ-শঙদা লেংঙক্‌না ময়াম অসিগা চরাও-তম্বাশিন্নগদৌরিবনি; অগোই ইথৈম্ব শকদৌরিবনি। মানা মানা নিংজবা অদু, ঙসিদি মসিং পুংহনগদৌরিবনি; কনা অমনা ঙসিদি মৌপুরাগী থবক হাপহনগনি হায়দুনা মকোক্ত শমজেৎনা কাংযুক নান্না হাৎলি। অতোপ্পী অমনা, মৌনাই হূপী মশিং হেনগৎহলবা মাদে হায়দুনা শমজী মতোন অদু মথবাক ফাওবা থাদরক্লি। কনাগুম্বী অমনা নৌনা পোকচশিবা মচাপী দান ওইনা লন-থুম থবা লৌহৌনবা হায়দুনা 'মখজাইদু ঙাংলপ তৌহন্নবা হোৎনবদা মথুৎনা তকমনশিদুনা ঈ থোকপন্থ য়াওরি। কনাগুম্বী অমনা অমুক, নবাবকী চান্নবী অমনা হূন্দকা নৌনা-ফংথিবা, মশিঙ্গী পরেং অদুগুম্বা অমা ফংনমবা হায়দুনা, 'মসিৎ মথাদা কাক্কননা নাথোঙ থেংনা চিংবা হোৎনরি। কনাগুম্বী শাওগনবী অমমু মফি শেৎপীবদা মনাহক্তপীদুনা পেশোয়াজ মথোংনা নেৎলুমে হায়দুনা, শাওগনবী অদুনা মথজাইদা থুবাক্লা কয়া থাক্লিরি। কনাগুম্বী চিনগনবী অমনা চহিপ্পী মতাংনা মশম কেনজরকপা অদুবু, মৌনাইনা মশম হাৎপিবদা শমজেৎতা য়াওরক্লে হায়দুনা মপি স্রো স্রো তানা ঙ-থোংমা কপ্লি।

লৈকোলহুংগী মলপম্মওয়, চেক্লালকী য়াহোংগুম কনাগুম্বী নিংথিবী অমদি মশম হাৎপা লোইরক্লদুনা কা কা থুদিংদা কোয়না চৎলি। কনাগু চৎনিংবা মফমদা চৎপদা ঙসিদি থিংবা লৈতে। মফম মফমগী ফজবা অমতা য়াৎতনা, নোংখবনা নিংথিজরবী অদুগী মফমদা পীনবিরকত, মকল অচা-অচাবগী লৈতেংপুবা কতক থানম্ম থোনবিরি; অদুমকপু চপী অদুগী মায়থোংদা শকী-মরাই অমদি কিয়েৎ-লৈতেংগী নাপল কম্বিরমতা পকপা লৈতে। লোক-থেবা কপ্নিরমতা তৌদে। মায়থোং থাজদু য়াম্না চৌংলেন্নি, ইংই, মমিক্তা হুংতাইতবগী মৈন্নি কাওরি।

থিমলানা অম্মমদা কোন্‌ৎ মনুংদা মথং মথং কোয়রকপনা ফজনা

লৈতেংলবা য়ুম অমদা লাক্লে; ইমুংতুদা চংলগা মহাক্না থোঙজাও অদু থিংজিল্লে। অসিগুম্বা হবাও-কুপ্লৈগী চমিং অসিদগী কা অতুগী মচংদদি থাওমৈ মচা অমত্তমক থাম্লি। কা অতুগী চিদাই অমদা কমুং অমা লৈ। কমুং অদুদা মথোংদগী মকোক ফাওবা ফৈজুপ তপচিল্লতুনা কনানো অমা তুম্লি; বিমলানা কমুং মপাক্তা চংলক্লগা তপনা হায়রকই, "ঐহাক লাক্লে"।

তুম্লিবা মী অদু থংবোই-লাকপোই মমায়দা থুমলিবা মী অদু হাং-দোক্লক্লে। বিমলাবু উৎরক্লতুনা মৈজুপ অদু লোথোক্লগা হৌগত্ত্না কমলে, বাদি কবিমতা ঙাংদে।

বিমলানা অমুক হায়রকই, "তিলোত্তমা! ঐহাক লাক্লে।"

অদু তাওবা তিলোত্তমাদু রা মচেৎ অমত্তা ঙাংদে। শংত্রিক্লা বিমলাবু য়েংতুনা লৈরকই।

তিলোত্তমা অদু হান্নগী ঈকাই থিগলবী হুপী অদু নংথিল্লে। মতম অদুদা মহাকপু মমলি মমলিবা থাওমৈ মঙাল অদুদা উবদা, চহি তরা হেন্না লিররা শকম অমত্তম উল্লে। মপা অদু কংত্রিক কংল্লে, মায়থোং অদুম্ব পুংমক মকপিনল্লে। শেংলিবা ফিজোলম্ব পিল্লবা ফি অমত্তনি। শেমজিনবিরবা শমলাংলক্তা উফুল ঙাক্তা ঙাইল্লে। মপাদা লিক-কোললি হায়বা মচেৎ অমত্তা পক্তে; মমাংদঙদা শেংলম-চায়থি হায়বতুগী থুদম লৈবত্তা মঙায়রে।

বিমলানা অমুক হন্না হায়রকই,—"ঐ লাকে হায়বন্দু লাক্লিবসিনি। নঙনা রা ঙাংত্রিবনু করিগীনো?"

তিলোত্তমানা হায়রকই,— "ঐনা হায়গদবপুবা হায়দুনা লোইল্লে, অইত্ত করি হায়থো হায়বগে?"

তিলোত্তমাগী থোক্কেল তাবদা বিমলানা কপলি হায়বা থঙলে, মকোক পায়রগা মমায় অদু থাদংতুনা য়েংবদা শিনা মমিৎ অদু পুরথুম থুমদুনা

লৈরম্মে ; কিন্তী প্পায়দুনা য়েংবদা পুমচোৎ চোত্তুনা লৈরম্বত্রু থেংনরে। মহাক্কা খাংলম্বা যোন অদু, মাদুনা লেংবদস্ত পিনা পুম্মপুপ নুপনম্মে। বিমলানা হায়রকই, "অস্মমনা অহিং কুংখিল চুপ্পা কণ্ডনতা লৈরগনু কম্বা কুইনা হকচাং খাংখিগদগে ?"

তিলোত্তমানা তকিং-ওফিংনা হায়রকই, "খাংনুদুনবু করি কাম্মখিগদগে ? হৌজিক ফাওবা খাংবিবিরবসি থম্ববদা, থোক্‌দো-চাক্তনা লৈদ্রবনি"।

বিমলা তুমিন্না লৈম্রে। মহাকম্ব মিত্তা পিগী ইম্বা চেনবা হৌরক্লে।

ওহাক লৈরগা বিমলানা হুংশাম্বর মপী হোমদুনা হায়রকই, "অসি তৌগদবা উপায়দি ?"

তিলোত্তমানা মথম্বাম শোকনা বিমলানা শেৎ-চাম্নিবা অদু অমুক হন্না য়ুম্মা য়েংলগা হায়রকই, "উপায় থিকদুনবু করি কাম্মখিগদগে ?"

বিমলানা হায়রকই, "ইবেম্মা, থৌওইদবা তৌগদ্রু, হৌজিক ফাওবা কতনু থাঁবু মশক থংত্রিবন্না ?" মহাক্কী মতমগা শংদবনে, ঐথোয়গী থবাম তংঙাইতবস্নি থম্মদং নেমথনবা মতম-তাইব-ওইনগা তৌবনে, তাম ফাওবা মত্রবা অসিনা ঐথোয়বু য়েংবিরিবনি ; তসি অসি ঐথোয়না পোখাবগী অরোইবা হুইদ্ৰনি হায়বসি হায়না হায়দ্রবনি। অদুনা তসি ঐথোবনু অগোইশঙদা শাথীনা খুদোংথীবা অমা থোকহল্লবম্ম য়াই"।

তিলোত্তমানা হায়রকই, "অসিদগী হেন্না খুদোংথীবা হায়রবু করি অমুক লৈরিবগে ?"

বিমলানা হাইরপ মপুক্লিং ফাথরদুনা হায়রকই, "তিলোত্তমা, করিগী অদু য়েনা নিংবা কায়রিবনো ? হৌজিক ফাওবা ঐগোম হিংরি, মর্দ কাম্মত্রি, থম্বায়না চেক হিংলিবম্মথৈ ধর্মন্ত লেংদনা থমগদ্রবনি"।

মদু তাবদা তিলোত্তমানা হায়রকই, "অদু ওইরবাদি ইম্বা মঙনা শেংজি-চর্থিবত্র থাপনা' হলোকম্মো ; নঙনা মাম্মনা শেৎ-চাবসি উবদা ঐহাক খ্বিৎ-নাবা অমা পোক্লে"।

বিমলানা হাইখেৎ মোক্লহুনা হায়রকই, "ইবেম্মা, ঐগী ফিজোনপিং অসি নিংথিনা গ্রেংদনা হেক চৈবা ঙোগন্ত"।

অসি হায়রগ্দুনা বিমলানা মাগী শেঙ্খুলিবা ফিজংদা হুমদুনা থমলিবা খোরবা চুমি অমা পুখোক্লক্লে; থাওয়ৈ মঙালদুদা মাগী লংনা ফেংলবা মম্না অদু নোংথাংতুম্ন ইরং লংলক্লে। তিলোত্তমানা ওক্না অমম্ং হংশাথীনা হংলকই, "মচাদি কদাইদগী লোক্লই ?"

বিমলানা হায়রকই,—"ঙরাংদগী কোজং মঙ্গংসিদা মীনাই হুপী অনৌবা অমা চংলকপদু, নহাক উরবরা ?"

তিলোত্তমা। উরে—আশমানী লাক্লে।

বিমলা। আশমানীবু থাদুনা মসি অভিরাম স্বামীগী মফমদগী লোইহল্লুবনি।

তিলোত্তমা অদু তুমিন্না লৈরে, মহাক কিবনা নিংদোল চোংবা হৌরক্লে। ওহাক লৈরগা বিমলানা হংলকই, "নহাক ওসি ফিজেৎ অদু হোংলরোইত্রা ?"

তিলোত্তমানা হায়রকই, "হোংলরোই"।

বিমলা। অগোই ইমৈ তোকমদত্ত চৎলরোইত্রা ?

তিলোত্তমা। চৎলোই।

বিমলা। মদুনদু নাম্বোকপদি য়াব্রোই।

মদু তাবদা তিলোত্তমা কপ্পা হৌরক্লে। বিমলানা হায়রকই, "পুক্লিং চংনা তাও, ঐহাক নওগী নাম্বোকনবা উপায় অমা লৌরে"।

তিলোত্তমানা মপুক্লিং থোগ্গাংবগা লোয়মনা বিমলাগী মাথোংদু চিংনা গেংলক্লে। বিমলানা তিলোত্তমাগী মখুত্তা ওসমাদা পীরকপা খুদোপ অদু পীরগা হায়রকই, "খুদোপ অসি লৌ, অগোই শঙলোমদা চৎলগদু; লোংয়াম হৌরকপা ফাওবা কুপৈ লোইরোই; মতম অদু ফাওবা ঐ থাঠানবু লেংহন্দনা থবা ওমগনি। ঐহাক নওগী পোক্লবী মমানি হায়রসি

মহাক থঙলে, অদুনা ঐনা মনাক্তা লৈখিদ্রেদো নহাক লাকপা হল্লোইগনি চায়বগোমদা লৌশিং তৌদুনা অগোই লোইহন্নবা ফাওবা মহাক্কা নঙগী নশক উনিংবহ্ ফাখদুনা থমগে। নোংখাই মৌরকপদা নহাক কোংহং মচুংগী থোংজাও তাম্না চৎলু, মফম অদুদা নিপা অমথক্কা নঙোন্দা থুদোপ অনিগা চপ মান্নবা অমা উৎলকনি। নহাক নপুক্সিদা কর্দিমতা কিবা তৌদনা মহাকা লোয়মনা অতুপক চৎলু, নহাক্কা চৎকে হায়বা মফমদু তাম্না মহাক্কা শোয়দনা নঙবু থিনগনি। নহাক মঙোন্দা অভিমান খাঙীগী খাংলোক তাম্না থিল্লু হায়দু।"

মসি তাবদা তিলোত্তমাদু পুমঙক ঙকখ্রে। ঙকপদগীমু ওইরমগ হয়া ওবদগীমু ওইরবহ্ মহাক ঙাহাক্তং রা ঙাংবা থোকখিদরে। মতমদুদা হায়রকই, "নঙনা হায়রিবসিমু অওইবরা ? খুদোপ অসি নঙোন্দা কনানা পীরক্লিবনো ?"

বিমলানা হায়রকই,—"মদুদি মামনা শাংগ্রবা রাঘিনি, তাঙা চাবা মতম অমদা তমগে। হৌজিক্কি চিংনবা লৈতনা ঐনা হায়রিবদু তৌ।"

তিলোত্তমানা হায়রকই,—"নঙদি করম তৌগনি ? করমা নঙ মপাল থোক্লকনি ?"

বিমলানা হায়রকই,—"ঐঙীদমক্তদি থোইনা থমুম। ঐহাক উপায় অমা থিদুনা মপাল থোক্লগা হয়েং অমুক নঙগা উনরগনি।"

অসি হায়দুনা বিমলানা তিলোত্তমাগী মপুক্লিং ফাথরে; অদুবু মহাক্না তিলোত্তমাগীদমক্তা মশাগী নাহোক্লবা লবী থিংজিনজমবনি হায়বসিদি, তিলোত্তমানা শউম খজিক্তা কাওবা ঙংবা ঙমখিদ্রে।

অমুক হুইরবসি তিলোত্তমাগী মায়থোংদা হুংঙাইবা হায়বদু মচেৎ অমা কাওবা উথিরবদি; অদুবু ওসিদি বিমলাগী ম-রা তাবদা মহাকী মায়থোংদু হয়াও-মকা লায়জমক্লে।

মহ উবদা বিমলাগী মথৱায়হ চংজাইবগী ঙমখৈ লৈখিস্রে। পিগা ইথোয়নবা ৱাহৈনা হায়রকই,—"অহুদি ঐ চৎলগে"।

তিলোত্তমানা হাইফেৎ চিংনরপ তৌনা হায়রকই,—"নহাক্কি লানবলগী পাউপূবা থজলমাগে, ঐথোগ ইমুংগী মীপুবা কনাইদা লৈ? কনানা কয়দৌনা লৈরি অমুক্তা তাক্লম্।"

বিমলানা থজদে, অহাবা-ঈপাক্তা-তাযবসিমক্তদম জগৎসিংহবু তিলোত্তমানা কাওবা ঙমদ্রে। মহাক্কি রাজকুমারগী চংশিনহৈজবা চিঠি অহু ফংলবনি, মহ্না তিলোত্তমাগী মখিং কাওবা পঙক্তে, রা অসি তিলোত্তমানা তাযগা চাকপগী মথক্তা অমুক্তা হেক্তা চাকপদমক ওইনা থোক্লগনি, মরম অহুনা রা পূম্মকসি কবিমতা কাংথোক্তনা মহাক্তা থমকই, "জগৎসিংহ হৌজিক লানবল অসিগী মহুংদা লৈরি, মহাক শাইফন্নি"।

তিলোত্তমা রা মথা অমুক তাখিস্রে।

বিমলাম্ব মথিৎতগী পি তৈথোক-তৈথোক্তহনা মকম অহুদগী মপাল থোকস্রে।

তরাহুমদোইশুবা তাঙক

খুদোপ উৎপা

বিমলানা চৎস্রবা মতুংদা, তিলোত্তমা মথক্তা কা অহুদা ফমলহনা অহা-চংজাইগী মথমদা রাখল কয়া তৌরকই। পাপকী পুকচেল-চেক্লবা-মীগী পোম্‌ংদগী থিন্দনমক নাহোকপা মাবগী কীতম লৈরে হায়বসি মাগী থমোইহুংদা অতৎপা লৈতনা নিংশিংলকই। অহুদম্ব নত্তনা বিমলানা মাম্ব পবামদগী হেক্তা হুংশিবদগী মহাক্কী নাহোম্রবা থোরাং তৌবিম্রিবনি

হায়বসি হয়া হয়া খল্লবদা, মাগী হৃৎতাইবদু শরুক অনি অমুক হেনগৎখিরদি। অদুদগী অমুক খল্লকই, "নাহোক্লগা চৎকদবসিবু কদোমদনো? ইপাম হায়বদবু অমুক লৈরমখিগদ্রা?" তিলোত্তমা অমুক কল্লক্লে। বাখল পুন্নমকসি নমহৎলগা অংতাপ্পা বাখল অমহোমদা অমুক শঙ্কক্লে। "অদুদি রাজকুমার হৌজিক য়াইফনা লৈরিদনা? অদুবু মফমদৈদা, কয়দা ফীতমদা লৈরমগবা? মহাকদু বন্দী ওইরবরা?" মসি খল্লবদমু মহাকনী মিৎলুদা পিগী জৈবা চেল্লক্লে। "ওহোকপগী লাইবকনিদা। ইতংলাংগী রাজকুমারদু বন্দী ওইরবনিদকো। মাগী থুমাদা খবায় অসি থাজরবা কাওবদা, মতুংগী যাতক চাবা লম্মন শিংবা হায়বদু ওইখিগদ্রা? ঐ মাগীদমক্তা কখি তৌগনি?" অদুদগী অমুক খল্লকই, "মহাকপু কৈদৌমথৌদা লৈরিগদ্রা? কৈদৌমথৌ অদুবু করম তৌরমগদগে? মফম অদুদা মী অমতা চৎবা য়াবিরোইদ্রা? মহাক কৈ-
দৌমথৌদা ফমদুনা করি বাখল তৌরিগরা? তিলোত্তমাবু নিংশিংবিরমগদ্রা? শোয়দনদি নিংশিংলবা তাই। ঐ অসিনা মাগী অরাবা তাবিবসিগী মরুনি। কনানা খঙনি, মানা ঐবু মপুন্নিংদা—শাবীমা চৈরবদু য়াই।" অমুকসু খল্লকই,—"করিনো? ঐনা বাখল অসি খন্নবিবা করিগীনো? মহাকবু মী চৈ-থাংদুনা তৌরমগদ্রা? থক চৈরম্মোই, অদুদা চিংনবা অমদি, ঐবু কাওথোকপিরমলগদ্রা, নত্রগা ঐ অসিবু যবনগী ইমুংদা লৈকয়রীনি হায়দুনা তুরুচবনা, ঐগী বাখল অমুক খনবিনিংতম্মরোইদ্রা অসিনি।" অদুদগী অমুক খল্লকই, "নত্তে নত্তে—মতমনা করিগী খনবিকম থোকপগে? মহাকদু দানবল মহুংসিদা বন্দী লৈবত্তম, ঐসু চুমগী বন্দী অমা ওইনা লৈবত্তনি, অদুদি করিগী তুরুচবিকম থোকই? করিগুম্বা মতম তৌবি-
রম্মবদু, ঐহাক মথোং পায়দুনা তশেংবা থাজনবা রাকম্বদু হায়জগনি। মতুংদু থাজবিরোইদ্রা? শোয়দনা থাজবিকম থোকই। থাজবিরমনা মথংদগী খরাম্মসি হেক্তা থাগনি। মমাংদ্রেদি মৈহুংদা চংদুনা পরীক্ষা তৌখৈ হায়, কদিসিদদি মদু য়াদ্রে; অদুমকপু, ঐদি মাগী মমাংদা

মৈতংদা চোংশিন্দুনা থবাবসি হেক্তা থাগনি।" মতুংদুদা অমুক থললকই, "করদা মতমদা মাগী মশক, উবা ফংগবা? করম তৌরগা মহাক নাহোকপা যাগবা? ঐ ইশা ইথক্তা নাহোরুপা থবক পাঙথা লায়বদু করম্না ওইগদৌরিবনো? খুদোপ অসি বিমলানা কপাইদগী ফংবা ওইরম-গদগে? মাবু নাহোকক্তবগীদমক মসিগী লৌশিং অসি তৌবা যাবোইদ্রা? খুদোপ অসি মাগী মনাক্তা থাবা কায়রোইদ্রা? কনা ওইদিগবা ঐদু পুত্না চৎকদৌরিবা মীসিথো? মহাক অদুমা করিগুম্বা পাইবা অমত্তা শীনথা ওৎলোইদ্রা? কৈ মহাক ওমগনি ওথোই হায়বদু হংদুনা য়েংগে। অমুকং উনবা ফাওবা যয়াররোইদ্রা? অদুদগী অমুক থললকই, "উনগে হায়দুনা করমনা চিনশিনা পাকস্ত হেক হায়সিগে? উনবগনা করি হায়রগনি? করবা বাইবা হায়দুনা থথোয়রদুংগী মৈতাকসি মুৎলমগনি?"

অদুমা তিলোত্তমা অবেশ্না নাইদনা বাথল তৌদুনা লৈথিল্লে। মীনাই-দুগী অমথক ইমুংদা চংলক্লগা উদুনা তিলোত্তমানা হংলকই, "অহিং অসি কদা থেংলে?"

মীনাইদুগীদুনা খুমকই, "মুথক অনী হোৎলে"।

অদুদগী তিলোত্তমানা মীনাইদুগীদু চৎথিবা ওইদুনা লৈরে। মহাক্না তৌগদবা মথৌ তৌরমগা চৎপ্রবদা, তিলোত্তমানা বিমলানা পীরবা খুদোপ অদু পুরদুনা কা অদুদগী মপান থোরক্লে, মতম অদুগী মহাক মপুক্কিংদা অকিবা পোক্লে, মকপ্লাক নিক্লে, নিংদোল [illegible] চিনথান অদু প্রক প্রক কংলক্লে। থোংবাপ অমা থাংদোক অমুক [illegible] তৌদুনা লৈরক্লে। মতুং অদুদা লৈজবা মথৌনাপুবা পু[illegible] কোহুং মহংগী থোঙজাও তায়না চৎথোক্লে। কোহংগী মীপুবা, থোগল-লাংগমচিংবা লোইনমক হয়াও-তরাবদা মপুক্কিং পুংদুপ-দুপনমে; কয়ার্বঙমা বাপ হৌমা য়েংলকপা তৌরে; উবা যাওরবদু থোইনা পুক্কিং থিংথিংলক্লে, মহৈবু তিলোত্তমানদি মরামক অদু মতৌদা থেংলশ্লবারে হায়নদা থনক্লে

মমৈথংদা উচিন-নাচিন থোঙজাও অদু যৌরক্লে; মকম অতমা লৈরম্বিবা থোঙগঙবশিং অদুস হয়াও-তয়ামদা কুত্তোন-কাদুনা লৈরগলে; কনানা তুমদ্রি, কনানা মিকপ থোক্লি, কনানা অন তাদে, কনানা কাবক অন তাবস মাংজিনপ্র্ট কনাখেতা মতোংদা হমা যেংলকপা লৈতে। নিপা অমথক্তং থোঙ মনাক্ত দাদেপ্তুনা লৈরম্মী, মহাক অদুম থোঙগঙবগী ফিজেৎ শেৎলি। মহাক্না তিলোত্তমাবু হেক উরদা হায়রকই, "খুদোপ অদু মাওবিরকপ্রো?"

তিলোত্তমানা .কিনা কিনা বিমলানা পীরকপা খুদোপ অদু উৎলে। থোঙগঙবগী ফিজেৎ শেৎপা নিপাদুনা মায়া কুপ্না খুদোপ অদু যেংলগা, মাগী মথুত্তা শিন্নিবা খুদোপ অদু তিলোত্তমাদা অমুক উৎলক্লে, অদুগী হায়রকই, "কন্নিমত্তা কিবিক্লচ, ঐগী তুং হৈনবিরকউ"।

তিলোত্তমানা খোদক খোদক তৌনা থোঙগঙবা অদুগী তুং অমুম ইরক্লে। কোম্বুং মরুংগী থোঙগঙবশিংনা কোম কোমথোক্না লৈহৌবত্তম মকব পুম্নমকী শগ্নীশিংস অদুমক কোমথোক্না লৈরম্মি। মথ ওইনা অসি অহিংদি থোঙ পুম্নমক চৎথোক চৎশিন্দা থিংবা লৈতে, কনা অমত্তনা কবিত্তবা বা অমত্তা ঙাংলকপা তৌদে, থোঙগঙবা অদু তিলোত্তমাবু পুরদুনা থোঙ কয়া, মুমজাও কয়া, মাপোল কয়া মথং মথং লাম্বোম্মক্লে। মমৈথংদা লানবগী চিংদাইদা অথোঙ মমা যৌরক্লদুনা হায়রকই, "হৌখিক্তি মরুম কদাইদা লেংগ্নবগে তাকপিরো, ঐহাক থিনজরবগে"।

বিমলানা কচি হায়খিবগে দুগমদু তিলোত্তমানা নিংশিংবা থোক্লে। অহানবা মরুদা জগৎসিংহবু নিংশিংলক্লে। থোঙগঙবা অদুনা 'রাজকুমারনা লৈবিবা মফমদুদা পুক্লনা চৎনু' হায়গে হায়রদি থম্লি। অদুবু মমাংতৈ যেক্ষবা, .ইক্লাইবা হায়বদু লাক্‌না অমুক্ল লেকনবা ওইরবে। বা অদু চিন্দা কাংথোকপ্রা কম্রে। থোঙগঙবা অদুনা অমুকম হংলকই, "কদাইদা তারা লেংখিগদৌরিবনো?"

তিলোত্তমা অদু বা মচেৎ মমত্তা ঙাংবা ঙমখিজে, অন মাঙলবী

অমগুমদ্রে, মশা মথন্তা নিংদোল চোংবা হৌরক্রে। মসিং উবক্রে, মনাম্ভ তাশিনক্কবে, মচিন্দা কখি হায়দোকপ্রবগে হায়বম্ থওবা ওমজক্রে, খোঙশঙবা অদুগী মনাকোংদা কয়াদি খেংলম-খেংফাম্ভনা "জগৎসিংহ" হায়বা রাটৈহ্ অমা তাথিবন্তুম তৌরে।

খোঙশঙবা অদুনা হায়রকই, "জগৎসিংহদি হৌজিক কৈতমশঙদা বন্দী ওইনা লৈ। মকম অদুদি মীতোপ চংবা য়াদে। অদুবু ঐহোন্দা হকুম তৌরক-পদা, লেংবিনিংবা মকম তাম্না থিন্নু হায়না তাকপিরকই, অদুনা লেংলসি।"

খোঙশঙবা অদু লানবল মপংদোমদা অমুক হন্না চংলক্রে। তিলোত্তমাদি কখি তৌরিবা, কদাঙদা চৎলিন, হায়বদি করিমত্তা ইথঙ-থঙদনা হংগী লাইফদীবীগুম খোঙশঙবা অদুনা লৈ-বা মাপকৈথোমদা অদুম লৈরক্রে, অদুমনা অদুমক মাগী মতুং ইরদে। খোঙশঙবা অদুনা কৈতমশঙগী খোঙ লৌরকপা মতমদুদা উরে, অতৈ মফমশিংদা খোঙশঙবশিংনা হবাও-তয়ামদা ময়াই কাথিদুনা মশা মশাগী মপেগী কোমখোকপা অদুগুম্না মফম অশিংদুদি তৌরমস্রে, মী পুম্নমক মাগী মাগী মফমদা চেকপিন্না শন্না তৌদুনা লৈ। মখোয়গী মমক্তগী অমদা হংই, "রাজকুমার কদোমদা লৈ?" নিপাদুনা খুদোনবী খিন্দুনা মকমদু তাক্রক্রে। খুদোপ-পুরিবা-খোঙশঙবদুনা কৈতমশঙ-পুরিবা অদুদা হংলকই, "বন্দী অদু হৌজিক ফুম্নিন্না তুমদত্রা?" কৈতমশঙ পুবা অদুনা কা অদুগী খোঙজিন তাম্না চৎনুবগা হক্ক্না হায়রে, "ঐনা হংবদা বন্দী অদু তুমত্রি খুমলকই"।

খুদোপ-পুরিবা খোঙশঙবা অদুনা কৈতমশঙ-পুবা অদুদা হায়রকই, "কা অদুগী খোঙ অমুক্তা হাংদোকউ, ঙগী অসি বন্দী অদু উনবা পাম্বিনি"।

কৈতমশঙ-পুবদুনা ওক্লদুনা হায়রকই, "কখি বাদো হায়রিবদুবো? অদুগুবা হকুম লৈতে হায়বা নঙ থঙত্রা?"

খুদোপ-পুরিবা অদুনা কৈতমশঙ-পুবদুদা ওলমানগী অয়োনবা পুদম

হাপ্পা খুদোপ অদু উৎলে। মদু হেক উবদা মহাক্না মকোক নোল্লহুনা কা অদুগী খোঙ হা'দোক্লে।

রাজকুমারদি কা অদুগী মচুংদা চমলবা চারপাই অমদা ছিঙ্খ্নরা লৈরম্মি, খোঙ হাংদোক্লকপগী মখোল তাবদা ওক্না খোঙলোমদা য়েংলকই। তিলোত্তমাসু মপান্দোমদা খোঙজিন য়ৌনা চংলক্লগা অমুক চংশিনবা ঙমদ্রনা লৈরে। অমুক খোং থাংবা য়াত্রে, খোঙ মনাক্তদা খোঙবা পাম্বরনা লেপ্তুনা লৈরে।

খুদোপ-পুম্বিবা নিপাহুনা, তিলোত্তমানা কা মচংহুদা চংনিংদবা মতৌহ্ উবদা হায়রকই, "করি তৌবিরবগে! মকম অসিদা লেপ্তুনা লৈবিবিরসিরু করিগীনো?" অদু কাওবদা তিলোত্তমা খোং থাংজিনবা তৌখিদ্রে।

খোঙথংবা অদুনা অমুক হায়রকই, "লেংশিনরোই হায়রগা লেংথোক্লসি। মসিদা লেপ্তুনা অদুম লৈবদি য়াবা মকম নত্তে"।

তিলোত্তমা অদু হন্দোক্লগে হায়না খোয়াং তৌরকই। অদুবু অহোম্বদম চৎপা ঙম্ত্রে। করিনো তৌরিবসিদে। খোঙথংবা অদু হুংগা থিরক্লে। অদুম থম্না থম্না মপাদি তকথঙ-থঙজনা তিলোত্তমা খোংকাপ অমা থাংজিল্লক্লে। তিলোত্তমা কা মচুংহুদা চংখ্রে।

কা মচুং য়ৌরক্লগা রাজকুমারবু হেক উবদা তিলোত্তমা অমুক খোং থাংবা ঙোক্লে। অমুক হন্না খোঙ মন্নাদা চেক্নী কক্লাংদা তায়রনা মমায় নুকথরনা লৈরে।

রাজকুমারদি অহানবদা তিলোত্তমাবু মশক খঙবা ঙম্দ্রে। হুপী অমা চংলকপা উবহুদা ওক্তুনা লৈকরবনি। হুপী অদুনা মনাক্তদি চংথুনা চেকপন পাম্বদুনা মমায় নুকথনা লৈখিবদু উবদা অমুক্তা হেন্না ওক্লে। কয়ুংদগী হৌগৎলক্তুনা খোঙ মনাক তান্না লাক্লে। মুন্না য়েংশিল্লকপদা মশক খঙলে।

হাইকেদং মিৎকা মিৎকা হেক চানকরে। খুদক্ মক্তা তিলোত্তমাগী

মমিংতু লৈমায়থক্তা ভমখ্রে, অদুবু মশাগীদি রাজকুমারগী শোংথক্তা ডুথগে হায়বগুমনা মমাংলোমদা লোম্বরক্তে।

রাজকুমারনা হাইরপ ডুং থংহন হন্দুনা হেক লেপ্লি, মতৌদুদা তিলোত্তমাগী মপা অদু মত্রনা ভমহৎলবগুম চুংথংননা লৈরে। হাইরেংতং লাংকায়রজদবা থশোয় থবালদু মদুগা লোয়না লোয়ননা কংশিনরে। রাজকুমারনা বা ঙাংবা হৌরকই, "বীরেন্দ্রসিংহগী মচা ইবেম্মা নত্রা ?"

তিলোত্তমাগী থংম্মায়দা ভা-না লেংবগুমখ্রে ! "বীরেন্দ্রসিংহগী মচা-ইবেম্মা নত্রা ?" হৌখিবী মিংগোবু অনিমা ? জগৎসিংহনা তিলোত্তমাগী মমিং খাওবা কাওরবা ? মবানিমক ঙহাক ডুমিন্না লৈনরে। অদুদগী অমুক হন্না রাজকুমারনা বা ঙাংলকই, "মখম অনিদদি কয়ি থন্দুনা ?"

"মখম অনিদদি কয়ি থন্দুনা ?" কয়ি বাহংনো অনিদে ? তিলোত্তমাগী মকোক অদু উক উক লৈরক্তে, মায়কৈ মথিমক্তা কা, কমুং, থাওমৈ, চেকপল পুমমক অদু কোয়মৈ লৈবা হৌরক্তে ; মপা ডুথনবা চেকপল অদুদা মকোক্না ঙাথদুনা লেপ্তুনা লৈরে। রাজকুমারনা কুইনা পাউথুম পীরকত্রা হায়দুনা ঙাইদুনা লৈরে ; অদুবু কনানো থুমলকদবা ? খুমলক্রোই হায়বদু উবদুনা হায়রকই,

"নহাক বায়বদি হলো, মমাংতৈগী বা পুমমক কাউরো।"

তিলোত্তমা অদু অমুক চিংনবা লৈরে, থদোয়দনা উপালদগী নাহোরক্লবা উবিগুম লৈমায়থক্তা ডুথরে।

তরাথরিশুবা তাঙ্কক

শুমহৎপা

জগৎসিংহনা কুম্বক্ক্না লেংবদা উরে, তিলোত্তমা জ্ঞান গাওরে। মশাদা ইরিবা ফি অদুনা হুমাই হুমদ্না নাক্কবকই, অদুবু জ্ঞান মতাংঙক্ বতুদা থোঙনাংবদুবু কৌরক্লে।

তিলোত্তমাগী লোয়নবকপা নিপাহ্ মনাক্তদা চাদক্লে। জগৎসিংহনা মখোন্দা হায়রকই, "মহাক খওহৌদনা বাফ্রক্লে। মহাকা লোয়নবকপা মী অদুবু চংতক্না লাইকররো হায়ক"।

থোঙনংবা অদুনা হায়রকই, "ঐ ইথত্তমক লোয়নরকই"। মহু তাবদা রাজকুমারনা ওক্লদুনা হায়রকই, "নহাক্না ?"

থোঙনাংবনা হায়রকই, "অদৈ থোহদোকপা য়াওরক্তে"।

"অদুদি কয়ি উপায় তৌগনি ? কনাগুম্বী কোঙং মক্তংগী মীনাই তপী অমতং কৌরকো।"

থোঙনংবা অদু চৎলগে হায়দুনা মপাল থোরক্লে। অদুদগী রাজকুমারনা অয়ুক কৌশিরুদনা হায়রকই, "ভাইগো, অদৈ অতোপ্পদা পাড়সি তাকলুররদি রা থোক্তরকপর্তু পঙদে। অদুগা ভসি অহিংসিদা কনানো কুথৈ থাদোক্তনা লাকপিয় য়াগদবগিস্তু ?"

থোঙনংবদুনা হায়রকই, "মদুম অদুবনি। কৈথমগী চাক্লিবগীং অসিনম্ অদৈ অতোপ্পরুদি করম্বা চংহনগদগে ? অদৈ মীতোপ পুশিহনবদি ঐস্ কিদে"।

রাজকুমারনা হায়রকই, "অদুদি করম তৌনি ? মসিদা তৌগদবা উপায় অমতং হায়রবু, নহাক থোগাল চংবী মীনাই তপী অমা থিরগা নবাবকী মজা ইবেম্মদা পাও অসি থজহনবা অসি মতাইবে"।

থোকশনবা অদু, থুনা যাংনা হায়রিবদু, তৌফনবা চেনখ্রে।

তারকপিদা রাজকুমারনা ঙমজবমথৈ তিলোত্তমাবু লায়কনবা হোৎনখ্রে। মতম অদুদা রাজকুমারগী মপুক্কিংদা কয়া থরকপা, অদুবু কনানা হায়বা ঙমগনি? মথিক্তা লৈগী ইবা চেনকপ্রা: চেনক্ত্রা হায়বদুসু, কনানা খঙবা ঙমগনি?

রাজকুমার মথক্তা কৈন্থরগা অদুদা তিলোত্তমাগা লোয়ননা ওথোক্লা অরাবা হায়বদুমা ওইরে। কদিগুম্বা আপেশাদা পাও অসি থৌহনবা ঙমজবদি, করিগুম্বা আয়েশানা উপায় অমত্তা তৌবা ঙমজবদি, অদুদি কয়াম তৌনি?

তিলোত্তমা অদু মতুং অদুদা অনা থবা থবা তাখ্রে। থুদক্কুমক্তা হাংদোক্নকুনা লৈরিবা থোঙ অদুদা জগৎসিংহনা পোকশনবা অদুগা লোয়ননা চপী অনিথক লাক্নখ্রে। অমদি মমাংদা ফিজক থুমি, অথাক্পগী ফিজক-থুমিবী অদুগী তোজানবা শান্নরে, তানগা লোয়নবরা থোংথাং, নিংথিজরবা শাথেক অমত্তু উবদা রাজকুমারনা খঙলে, মনাই চপীগা লোয়ননা আয়েষা মশামক লাক্লে; মদু উবদগী মাগী মপুক্কিংদা অরাবা কোকপগী মশাল অমা থাওরক্লে।

আয়েষানা মনাক চপী পুদুনা, পোকশনবা অদুগা লোয়ননা কৈথেল-শঙগী থোঙ থোরক্লবদা, থোঙডাকপা অদুনা থুদোপ-পুরিবা মিপাদুদা হংলকই, "মথোরশিং অসিন্থ চংহল্লু হায়রিদ্রা?"

থুদোপ-পুরিবা মিপাদ না হায়রকই, "নঙনা খঙনা অদুম তৌ— ঐদি খঙদে"।

থোঙডাকপা অদুনা "ফরে" হায়রদুনা চপীশিং অদুবু মহুৎদা চংহল্লে। মদু উবদা আয়েষানা মথাদা থুরক্লগা ফি অমা হাইদোক্লগা হায়রকই, "থোঙডাকপা! ঐহাক মহুৎদা চংগে, করিগুম্বা মদুনা শঙগী নথক্তা ফরবা থোক্লবদি, ঐহোঙদা তাইনো"।

থোঙজাকপা অদুদি অ'য়েষাবু মথক থঙদবা মী ওইরমলে। অদুবু মনাই হুপীদুনা লোয়না মীশক তাক্লকখদা, থোঙজাকপা অদু চঙক্ল্লা খুকমলক্লে অমসুং মথুং লোয়রদুনা হায়রকই, "ননাইবু ঙাকপিয়ু, মজা-ইদেশনা লোর্ৌশিন্নিংবা মকখদা লে'শিনবদা থিংবা তৌতে"।

আয়েষা কৈতুমশঙদা চংলক্লে। মতম অদদা মহাক নোকপা থোংপদি তৌদে; অদুবু মোমোন মিনোক্লা তৌতে'ঙনবা লৈবনা নোকপগুম্বদি উই। কৈতুমশঙ অদু ফজবগী ভুংলকমগুম তৌরক্লে, কনামতৌক্বু মকমদু কৈতুম-শঙনি হায়না খল্লবগুম উরক্লে। আয়েষানা রাজকুমারবু খুকমলগা হায়রকই, "রাজকুমার! করি পাউনো ভাবিরবসিবো?"

রাজকুমারনা খুমগদবসি করিনো? পাউথুম পীবা তৌদনা খুদোনবী থিন্দুনা লৈমায়থক্তা তুবিবী তিলোত্তমাবু ভাক্লক্লে।

আয়েষানা তিলোত্তমাবু মুন্না য়েংলগা হায়রকই, "কনানো মহাক অসিবো?"

রাজকুমারনা চিংনরপ তৌনা খুমলকই, "বীরেন্দ্রসিংহগী মচা-নুপীনি"।

আয়েষানা তিলোত্তমাবু মতশাক্তা কোনথক্ননা কমলে। অতৈ অমা ওইরবদি কনা য়াম্না চিংনরম থোকপনি, তরেৎ তম্না থোক্লা থহগদবনি, অদুবু আয়েষাদি করিমত্তা খদ্ধবা তৌদনা মতশাক্তা হেক্তা কোনথৎক্লে।

আয়েষানা তৌথোমকপা পুবা, ইকদ-ফজৈ; থবকপুবা ফজনা তৌবা ঠে; মহাক্লা তিলোত্তমাবু মতশাক্তা পমথক্তনা কমলকপা মতমদুদা, জগৎসিংহগা মনাই হুপীগা মথোয় অনিমক মপুক্লিংদা থমকই; কমাদা কজখ্রবনো" I

মনাই হুপী অদুবু আয়েষানা গোলাবজল, সববৎনচিংবা পুহল্লকই, মহুপুবা তিলোত্তমাদা শিজ-শিথক-তৌয়ে অমসুং চাই-থোক্তনা হোৎনরো মনাই হুপীদুনা হমাই হরে। হায়না তিলোত্তমা অদু থমা থমা জান

তাঙ্গকখনি, অদুবু হৌজিক অমুক আয়েষানা নিংথিনা লাইকরবদুবা মপুং ফানা আন লাক্লদুনা হৌগত্তুনা ফমলক্লে।

মায়কৈ মখি কোয়ংয়ং য়েংলকপদা থোকখিবা থৌদোক পুম্মক নিংশিংলক্লে। খুদক্তমক্তদা তিলোত্তমানা কা অদুদগী মপান থোক্লগে হায়দুনা হৌগৎলক্লে, অদুবু অহিং অদুদা হকচাং খাবগা লোয়ননা মথখায়দা খায়নখিবনা, ফংলবা মশা অদু পুমচোক-চোকথল্লে, চৎপা অমুক ঙমল্লে। থোকখ্রিবা থৌদোক অদু হেক নিংশিংলুবদা মকোক অদু উক উক লৈথক্লদুনা অমুক তনকর-করথরক্লে। আয়েষানা মথুং অদু পায়র্দুনা হায়রকই, "ইনাও ইবেম্মা কম্মিগী অদুক ফিংলিবনো? নহাকী নশাফি মাহা শোক্লে, ঐগী মুমদা খরদং পোথাকখিফি, অদুদগী নঙনা অপাবা মতুংইন্না চৎনিংবা মকমদা ঐহাক শোয়দনা থিনজগে"।

তিলোত্তমানা ছুমিন্না খা ডাংদনা লৈল্লে।

আয়েষানা থোঙাঙবা অদুগী মচিন্দগী, মানা থঙঙবা মথৈ তমদুনা তাবে, মরম অদুনা তিলোত্তমাগী মপুক্লিংদা চিংনবা ম্রাই থন্দুনা অমুক হায়রকই, "ঐবু কম্মিগী থাজন্নিবনো? ঐহাক অসি নঙগী য়েক্লবগী মচা-হুপীনি হায়দুনম, থাজবম থোক্তবীনি হায়নদি খক খনগন্নু। ঐগী ইচিন্দগী বা মচেৎ অমা ফাওবা তানরক্লোই। নোং ডাবম-ডানফাংঙ্গিটেনা নঙনা চৎনিংবা মফমদুদা মীনাই হুপী থাদুনা থিলহনগে। কনামতনদু বা অসি হায়দোক্লরোই"।

খাশিং অসি আয়েষানা অমুকী মতিক হুংশিনা ডাংল্লে, মদুদি, তিলোত্তমাগী মপুক্লিংদা চিংনবা মচেৎ অমা ফাওবা পোকথল্লে। মক ওইবা মরম অমনা, হৌজিকমক মহাক চৎপা ঙমগী পাদম লৈত্তে, অদুগা জগৎসিংহগী মনাক্তা অদুমক ফমদুনা লৈথোকপদু মাদে, মরম অদুনা হায়খিবা খাকমদুদা-মহাক মাদে। আয়েষানা হায়রকই, "নহাক চৎপা ঙম্মোই, অদুনা মীনাই হুপী অসিদা কোমগা চৎলু"।

তিলোত্তমানা মীনাই হুপীতগী মখেৎবান্দা কোজহুনা তপনা তপনা চৎপা হৌরক্নে। আয়েষাস্থ চৎলগে হায়রুনা রাজকুমারগী বিদাগ লৌরকপা মতমদা রাজকুমারনা মঙোন্দা চিংনা য়েংলহনা কবিগুরা অমা হায়নিংবগুম ভৌবদু উরে। আয়েষানা তাব তারহুনা মনাই হুপীতদা হায়রকই, "মহাক মাবু ঐগী তুন্দম কাদা থনমলগা, ঐবু লৌবা অমুক লাকউ"।

মা অসি তাবদা মীনাইহুপীতু তিলোত্তমাবু পূতনা চৎরে।

জগৎসিংহনা মথন্তা মপুক্রিংদা হায়রকই "নঙগা ঐগা ওসি উনবা অসিনা অরোইবনি"। অচদগী হুৎশাঙ্গরূপী অমা চাওনা হোৎলগা তুমিনা লৈরে। তিলোত্তমাবু থোঙ ম-পাদা উথিবা মতম অহক্পা মথৈ, মাবু মূপ্না য়েংহনা অহমক লৈ।

তিলোত্তমাস্থ মপুক্রিংদা থনথৈ, "মসিনা ঐগী অরোইবা উনবনি"। উগদবা মকমদা লৈবিবা মথৈদি মহাক অমুক্তা কাওবা হয়না য়েংলক্কে। মতুংদা হয়না য়েংলকপদদি মহাক জগৎসিংহস্থ অমুক উবা ফংথিরে।

খুদোপ পুথিবা নিপাহনা তিলোত্তমাগী মনাক্তা চংলক্লগা হায়রকই, "হৌজিক্তি ঐ চৎচবা য়াগেদ্রা ?"

তিলোত্তমাদি কথিমতা থমলক্কে, অদুগু মীনাইহুপীহনা হায়রকই, "য়াগনি"। থোঙগংবা অদুনা হায়রকই, "অদুদি ইবেথদা লৈবিবা খুদম থাওবা খুদোপতু পীনবিরো"।

মসি তাবদা তিলোত্তমানা খুদোপ অদু লৌথোক্লগা থোঙগংবদুদা পীরে, থোঙগংবদু মদু পুরগা চৎরে।

তরামথাশুবা তাঙ্ক

অশেংবা হায়দোকপা

তিলোত্তমাগা মীনাক্ষপীগা কা অতদগী থোকখ্রবা তুংদা আয়েষানা ফমুং অতদা চংঙক্ত্রা মতমদগী, অদু নত্তনা ইমুংতুদা ফমনবা মফম অতৈ লৈতে। জগৎসিংহনা মনাক্তা চংঙক্ত্রদা লেপলয়ে।

আয়েষানা শয়জীদগী গোলাপ অমা শজ্জোরুগা লৈনাশিং অদু মখুজিনা শিঙ্ক-শিঙ্কদুনা হায়রকই, "রাজকুমার, ঐনা অসুম উবদা, ঐঙোন্দা কবিশুবা তাকপিনিংবা লৈমাদে হায়না নিংই। ঐনা ওমগদবা থবক কবিশুবা লৈরবদি চিংনবা লৈতনা তাকপিদু; ঐহাক রাজকুমারগী থবক্ পাংথোক্লবা হোৎনবদা য়ামনা চংঙাইজবা অমা ওইগনি"।

রাজকুমারনা হায়রকই, "নবাবকী মজা-ইবেমা! হৌজিকসিদদি ঐগী থোইনা অপাম্বা অমুক লৈত্রে। মতুংদমক্তা ঐহাক উনজনিংলুবগী বা নত্তে। ঐনা হায়জনিংলিবা বাফমদি, ঐনা তাবিবা বশা মতা-অসিনা, ইবেমবু অমুক উবা ফংগনি হায়বসি থাজফম থোক্ত্রবনি, ঐনা থনবদা, চেসিগীসিনা অরোইবা ওইরবা য়াই। ঐনা ইবেমগী মফমদা তোলিবা লম্বন অসি কয়বা মরমদা শিংবা ওমগনি? অতুগা থবকদা কবিশুবা মতম অমদা শিংবা ওমলক্কনি হায়বসু থাজত্রে। অদুবু ঐনা নিজবিবদি, কবিশুবা ওমলকপা থোকলকপা, কবিশুবা মতম অসিনা হোৎলক্লবা, অদু ওইরবদি ঐঙোন্দা তাকপিনিংবা বা তাকপিবদা চিংনবা পোকপদি তৌবিগদ্বু"।

জগৎসিংহগী থোক্কেন অদু অসুক্কী মতিক য়ানা অমদি নিংবা-কায়না তাত্রে, মতুদি মতু তাবদা আয়েষাসু মপুক্লিদা থুক লাওবা অমা পোকখ্রে। আয়েষানা হায়রকই, "যুবরাজনা অসুক শাথৌনা নিংবা কায়রিবসি কদিগীনো? নোংমা থোকখিবা থুদোংথৌবদু তুং কোইনা অতুথক লৈবা হৌনদে"।

জগৎসিংহনা হায়রকই, "ঐহাক নিংবা কায়বদি তোদে, অহুম অপাবা হায়বছদি অমুক থমনিংঙ্রে ; পুন্সি অসি লোইথিবা নত্তনা হিংনিংবগী বাখল লৈঙ্রে। কৈত্তযগও অসি প'মঙ্রে ; ঐগী খম্মোয়হুংগী অরাক্তা মৈচাকসি নহাক্না থত্তবিরোই, ঐহাকমু থত্তনবা ঙমগ্রে"।

রাজকুমারনা হায়রক্লিবা বায়বা খোঞ্চাংত্থ তাবদা আয়েষা ত্তকপগী পম্বোল লোয়প্রে, বাবগীমু থম থেংঙ্রে। মতম অহুদা নবাবকী মঙোমনি হায়বা বাখলছ মাঙ্গ্রে,' কোই-নবগী তাব কোকপ্রে। হুংশিচাওবী-হুগী অমা ওইনা থোৎলবা খুবামহুংত্থদা চেকশিন্না রাজকুমারগী মথুৎ অত্থ পায়শিল্লুরে, অত্থদগী থুদক্‌দা খুৎ অত্থ খাদোক্লগা, রাজকুমারগী মায়থোংত্তমনা য়েংথৎলক্‌না হায়রকই, "কুমার! অমুক ত্তমথীরবা অরাবমু খম্মোয়হুৎদা থমলিবা করিগী- নো? ঐমু মীত্তোপ অমনি থনবিগনু। করিত্তবা বারোবিরোইদোবা লৈঘরদি, ঐহাক থত্তনিংই, বীরেন্দ্রসিংহগী মচা-ইবেমসিমু করিগুবা—"

আয়েষাগী বা অজ লোইযম লোইকাস্ত্রিঙৈমো জগৎসিংহনা মযক থৎলত্থনা হায়রকই, "বাফম অত্থ ঙাংনরবগী করি অমুক কায়কম লৈঘ্রিবগে? মত্ত অত্থ কায়ঞ্জে"।

আয়েষা তুমিন্না লৈঞ্জে,—জগৎসিংহমু তুমিন্না লৈঞ্জে ; মবানিমক কনা কুইনা বা অমত্তা ঙাংনদনা লৈঞ্জে ; অহুগী মথক্তা আয়েষাদি মমায়ত্থ দুকথঞ্জে।

ইথত্ত থত্তহোদনা রাজকুমারত্থ কোকচাওবী কাঞ্জে ; মহাকী খুবাক্তা দুত্থ দুত্থ শাবরা ঊশিং মরিক খরা তায়রে। জগৎসিংহনা মমায় দুকথ- রক্‌না আয়েষাগী মায়থোং থাজ ত্তমনা য়েংলকপদা উবে, আয়েষা কপলি, লংলবা মথজাই অনিদা পি মরি মরি শিহরি।

রাজকুমারনা ওক্সত্থনা হংলকই, "করিনো অহুদে আয়েষা? নহাক কপলিবা করিগীনো?"

আয়েষানা করিমত্তা খুমলকপা তোদনা তপনা তপনা আত্তমগোলাব

অদু পুরলোই-লোইনা শেগায়বা হৌরক্লে। মৈ অদু মকুপ মকুপ থোক্লা তাপ্লবা মতুংদা হায়রকই, "যুবরাজ! ঙসি মতৌ অমম্মা, নঙগী নক্সবগী বিদায় লৌগনি হায়বসি, ঐহাক নোংমতা কাওবা থমুদে। ঐহাক পুম্মক থাংবা ঙম্মি, অদুবু কৈতুমশঙসিদা নঙ নথন্তা থবাম ঙডাইতবগী মৈচাকনা তৌদুনা থনথসিদি, ঐহাক ঙমদ্রে। জগৎসিংহ! নহাক ঐগী লোয়ননা চৎলসি; শগোলশঙদা শগোল মৈ, ঐ পীগে। ঙসি অহিংমক নঙগী লানশঙ তায়া চৎল্রো"।

মিদুপ অদুমক্তদা, নিংথরিবী লাইরেম্বী ভবানী মশাংপক লাক্‌না থর পীনবিরবদু রাজকুমার অদু অতুক শাথীনা ঙকপা তৌখোই। ঙহাক পাক হেক পাউথম পীবা ঙমদ্রে। আয়েষানা অমুক হায়রকই, "জগৎসিংহ! রাজকুমার! লাকও চৎসি"।

কনা ফুইনা মৈরবতুংদা জগৎসিংহনা হায়রকই, "আয়েষা, নঙনা ঐবু কৈতুমশঙ অসিদগী থাদোক্লগে হায়রিব্রা?"

আয়েষানা হায়রকই, "মিদুপ অসিমক্তদা থাদোক্লগদবনি"।

রা। নপা ইবুঙো থঙহন্দনা?

আ। মহাকপু কম্মিমতা থনবিকদু, নঙনা লানশঙ য়োকবা মতমদুদা— ঐনা মঙোন্দা তাকনি।

"থোঙাকপশিংনদি কররমা থাদোকউ হায়বসি য়াগনি।"

আয়েষানা মঙগী মপি পরেং অদু থৎলগা উৎলদুনা হায়রকই, "ম-না অসি পাবদগী থোঙাকপনা লৌবী থাদোয়রক্কদবনি"।

রাজকুমারনা অমুক হায়রকই, "থোদোক অসি থঙনরক্লবা মতমদা, নহাক নপাবুংগী খুত্তা শোয়দনা অরাবা তাগনি"।

"তাজসগু কৈদৌগে।"

"আয়েষা! ঐ চৎলরোই।"

মসি তাবদা আয়েশাগী মায়পোংদু থংমক-মকশিনখ্রে। মথরায় চংগাইজত্না হংলকই, "কনিগীনো"!

মা! নঙগী থোজান্দগী থরায় ফাওবা হিংজরবনি, নঙনা অরাবঃ তাগদবা ফীভমদুদি ঐ কৈদৌঙৈদা তৌরোই।

আয়েশানা খোঙেল হিক্লা হিক্লা হায়রকই, "অওইবরা চৎলয়োইত্রা"?

রাজকুমারনা হায়রকই, "মহাক' নথন্তমক চৎখ্রো"।

আয়েশা অদু অমুক রা ঙাংখিদ্রে। অমুকতম্না অরেপ অথম লৈতনা পিগী ঊরা শিন্নরক্লে, মামনা রানা মহাক পি অদু খিংবা হোৎনরক্লে।

রাজকুমারদি আয়েশানা খোল-খোঙনা কময়ু উবদা পুমঙক ঙকখ্রে। মহাক্না হায়রকই, "আয়েশা! নঙনা কপ্নিবসিযু কনিগীনো?"

মচনগু আয়েশা খুমলক্লে। রাজকুমারনা অমুক হায়রকই, "আয়েশা! ঐনা হায়জবিবসি অমুক্তা তাও, নঙনা কপলিবগী মরমদু হায়দোকপা যাবা ওইরবদি, ঐঙোন্দা তশেংনা অমুক্তা হায়যু। ঐগী থরায় অসি থারগা নঙনা তুগিন্না কপলিবগী মরমদু কোকদবা লৈরবদি, ঐহাক হৃয়াওনা শেম শাবি। ঐনা বন্দিদগী নাহোৎকসি যাদে হায়বা, রাক্ষম অশিগীদমক্তদি, আযেষাগী মিত্তা পি শিন্নকম থোক্লে। নঙগী নপাবুংগী কৈহুমশহসিদা, ঐন্দুনা বন্দি কয়া কয়া অরাবা তাদ্বনা লৈরি"।

অদু ফাওবদা আয়েশানা রাজকুমারদা পাউখুম অমত্তা পীবা তৌদনা ফিভিনা পি তৈথোক্লনা লৈরে। তদোক অন্নমা চিক্লা তুমিন্না লৈকখ্রবগী মতুংদা মানা হায়রকই, "রাজকুমার! ঐ অমুক কপলরোই"।

রাজকুমারনা মাগী রাহংগী পাউখুম ফংদবদা হাইরপ মথরায় চংগাইতবা অমা পোক্লে। মরানিমক মক দুকথদুনা তুমিন-তুমিন্না অমুক লৈনখ্রে।

তামকদা পোঙভিন মগাগী ফক্লাংদা মী অমথকী মমি তারক্লে; মথোয়দি মধু কনারত্তনা উবা যাওদে। লাক্লিবা নিপাদুনা চংঙক্লনা মরানিগী মনাক্তা লেপলরবা ফাওবদা, মথোয়দি উবা লৈখিদ্রে। তদোক

চৎখংননা তুমিন্না লেপ্লবা তুংদা লাক্লিবা নিপাছুনা শাওনিংবগী তনিক তনিক্না খোম্লাংদা হায়রকই, "নবাবকী মজা-ইবেম্মা ! ফজখ্রে"।

মবানিমক মগায় হেক হাইগৎলকপদা উরে—ওসমাননি।

ওসমান্দি মহাক্কী মনাই খুদোপ-পুবা অছুগী মচিন্দগী লোইনমকসি তারকুনা, আয়েষা খিবা লাকপনি। রাজকুমারনা, মকখ অছুদা ওসমান লাকপত উবদা আয়েষার ওসমান্না নক্রগা কতলুখানা য়ামনা চৈথিরগল্রা নক্রগনা ইকাইবা পীথিবগল্রা হায়না মপুক্লিংদা য়াম্না চিংনবা পোক্লক্লে। ওসমান্না শাওনিংবা খোম্লাংদা কয়েরবা বাঙাং ঙাংবগু তাবদা চিংনখিবা অত্তুমক শোয়দনা খোকপা তাই হায়না খল্লক্লে। কয়েরবা বাঙাংদু হেক তাবদা আয়েষানা ওসমানগী মপুক্লিংগী বা লোইনবা খঙলে। খুদক্তু মকদা মাগীং মায়থোংদু ঈমুক ঙাংলক্লে। অদুবু শাওনিংবগী কীওমদি কথিমতা উৎলক্লে। তপ্লবা খোম্লাংদা খুমলকই, "কবি. কখয়ে হায়বা ওসমান ?"

ওসমাননা হায়গী মওংচুদা অত্তুমক হায়রকই, "থেংনবা অহিংদা কনাসু য়াওদনা বন্দিগা লৈগনবসি—নবাবকী মজাইবেম্মগী ফজরবা শাজেংনিদনা। অদুগা বন্দিগা উননবগীদমক অহিংদা কৈতমণগুদা নিয়ম কায়না চৎবসিসু ফজরবা খবক্লিদনা"।

আয়েষাগী শেংলবা পথোয়দুদা অসিগুম্বা মীচৈসি খাংবা অমুক ঙমলক্লে। ওসমানগী মায়থোংদু শংত্রিক য়েংলগা খুমলকই। অদুগুম্বা নাপলগী বাঙাংদি ওসমান কদ্রিগুম্বা মতমদা আয়েষাগী মচিন্দগী তাখিল্লি।

আয়েষানা হায়রকই, "থেংনবা অহিংসিদা ইথত্তা কৈতমণগুদা লাক্লনা বন্দী অসিগা বা ঙাংনবসি ঐনা পামজুনা তৌরিবনি। ঐনা তৌরিবা খবকসি কৈজে কখদে হায়বা, নঙনা কবিমতা ঙাংফম থোক্কে"।

মসি তাবদা ওসমান পুমঙক-ঙকল্লে, ওকপদগী শাওনিংবনা অমুক হেনক্লে, মানা হায়বকই, "ঙাংফম থোকই থোক্কে হায়বা, হয়েং অদুক নবাবকী মফমদগী শোয়দনা তাগনি"।

আয়েষানা হায়গুম হায়রকই, "ঐগী ঈশানা ঐহোক্পা হংলক্রবা মতমদা, ঐ ঈশানা অচুম্বক খুমজগনি। নঙনা মহুগী করিম্ হ্রাবিকম থোক্কে"।

ওসমাননস্, হায়গুম করেমনবা ৱাঙাংদা হায়রকই, "অচুগা করিগুম্বা ঐনা হংবা থোক্রবদি ?"

আয়েষা অদু ফমখদগী হৌগৎলক্লে। হায়গুম ওহাক ওসমানতম্না শংত্রিক মূমা য়েংলক্লে। মহাক্কী কোয়-থাওনরবা মমিৎ অদু অমুক্তা হেন্না লাওথোরক্লে। মায়থোং থমালদু হায়দগী হেন্না শাৎকায়না উৎরক্লে। মুখবা শন্নাংশিং অচুগা লোয়ননা মতক অদু হাংকেৎ নাকল অময়োমদা চেপথ-রক্লে; মনিংতোল অদু ঈথক্না থৈরবা পুংলবা চরোং হাপুংগুম থক থক নিকপা হৌরক্লে; অদুগী মায়া লেংলবা থোহাংনা আয়েষানা হায়রকই, "ওসমান, করিগুম্বা নঙনা হংবা থোক্রবদি, ঐনা খুমগদবা পাওখুমদি অসিনি, বদি অসি ঐগী থবাগী মথুংতোনি" ।'

খুদক অদুদা করিগুম্বা কা মথুংদুদা থম্ম ভাবকপা থোক্রবা, রাজপুত অমদি পাঠান অনিমক, মদুগী হেন্না থোইনা তেনি নিংদে। রাজকুমারীগী মমলবা থশোমহুংদা কনানো অমনা থাওমৈ থাদংলকপগুম তৌরে। আয়েষাগী লোয়না শিন্নবা পিগী মমম মহাক হৌজিক থংলক্লে। ওসমানদি হাইকেৎ হাইকেৎ মসিগী মমমসি মমাংতেংগী চিংনরক্রবনি, অদুনা আয়েষাবু মানা করেমবগা লোয়ননা চৈথকপনি, অদুবু আয়েষানা মাগী মমাংমক্তদা তশেং তশেংনা থাকমগি হায়দোকখনি হায়রবদি, মখতদা কাওবা মঙলমদে। ওসমান অদু, তুমিন্না লেপ্নুনা লৈরে।

আয়েষানা অমুকত্তং হন্না হায়রকই, "ভাও, ওসমান, ঐনা অমুকত্তং হায়বিরমিনি, বদি অসি ঐগী থবাগী মথুংতোনি,—পুন্সিচুপ্নসিদা কনাগুম্বা অমত্তনা ঐগী থশোমহুংদা চংলকপা ওইরোইদবনি। হৌজিক করিগুম্বা মহাক্কী ঈনা মীহাৎপুং অদু চোৎপা থোক্রবা,"—অসি হেক হায়রকপদা

আয়েষা অদু কোকচাওবী কায়রকই, "অদু ফাওবদগী নহাক উবা ফংগনি, ঐগী থম্মোয় মন্দিরদা মহাক্কী মূর্ত্তি অসি ইরাচ্চদুনা পুন্সিলোম্বা কাওবা অদুম্মক লেপ্পগদবনি। মিকুপ অসিগী মতুংদগী মহাক্কা পুন্সি অসিমগী অমুক উনবা ফংরবস্থ, হয়েংমক মাবু করিগুম্বা থাদোকখিদুনা মহাক হুপী চায়গী মপুঙো ওইদুনা লৈরবস্থ, আয়েষাগী মিং তাবতদা মপুক্কিংদা তুকচবা হন্দোইবা পোকরবস্থ, ঐহাক্কি মহাক্কী হৃংশি-ইথৌ-লাংলবী মীনাইহুপী অমা ওইনা অদুম্মক লৈরগদবনি। অদুগা মসিমহ তাও, ওসাইমথে ঐ চথম্বা ভার্গিরৈদা ঐনা করি হায়রম্বি থত্রা? ঐনা হায়রম্বিমদি, ঐহাক লৌশিং তৌদুনবু ওইরবস্থ, শেল-থুম্বু ওইরবস্থ, থোক্তশঙবশিং অসি মাচম্বগে, ইপাগী শগোলশঙদগী শগোলমহ পীরগে; বন্দি অসি ইপাবুংগী লানশঙ অসিদগী চেনখো হায়রম্বিবনি। অদুবু বন্দি মশানা চেনবা হায়বড পাম্নদে হায়তুনা মাদদুনা লৈরম্বিবনি। অদুবু নংলমরবদি নহাক, হৌজিক অসিদা মহাক্কী থুজিন মথৈ অমা ফাওবা উবা ফংলমোইদবনি"।

অসি হায়রগা আয়েষা অমুক মখিত্তগী মপি তৈতোখয়ে। ওহাক তুমিন্না লৈকরগা অত্তোপ্পা থোম্বাং মওং অমদা অমুক হায়রকই; "ওসমান, মা পুম্নমকসি ঐনা ওসি নওবু তাহন্দুনা নপুক্কিংদা হুংগাইতবা পোকহনে, মতগীদমক্তা ঐবু ভাকপীয়ু। নওনা ঐবু হৃংশি, ঐনসু নওবু হৃংশি, অদুনা ঐনা হায়গ্নিবশিং অসি হৌনদবা থবক্নি। অদুবু নওনদি ওসি আয়েষাবু থাজকম থোক্তবীনি হায়না খনখত্তবা অমা তৌরে। আয়েষানা অতৈ মমাল কমা কমা তৌমবদি মাই, অদুগা থাজকম থোক্তবীদি লৈদোক্তংদা ওইরোই। আয়েষাদি মহাক্কা তৌকবা থবক অদু তশেংনা হায়দোকপদা করিমতা নাচুংবা পোক্তে। হৌজিক নওগী নমাংদা অশেংনা হায়রিবসিনি, তারানা মাড্রগা, হয়েং ইপাগী মাংদগী অদুম্মক হায়গনি"।

অদুদগী জগৎসিংহরোমদা ওনশিনকুনা হায়রকই, "রাজকুমার। নওহ ঐবু ভাকপীয়ু। করিগুম্বা ওসমাননা ওসি—ঐগী থম্মোয় পোকপা মবক

তৌরমল্লবদি; চান্নবা থম্মোয়গী মৈপা অসি কৈদৌঙ্গুম ফোংদোক্লম্মোই-দবনি, কৈদৌঙ্গদম অতোম্পা মী অমগী নাকোং য়োহল্লম্মোইদবনি"।

রাজকুমার অহ থম্মোয়হংদা নিংঙমদবা মৈচাক অমনা ওয়ঠুনা তুমিনা লেপ্তুনা লৈরে।

ওসমানসু বা হাংখিরে। আয়েষানা অমুক হন্না হায়রকই "ওসমান, বা অমতংগা হায়খিগে, কবিগুম্বা ঐগী ইমাল লৈরবসু লাকপীয়ু। ঐ অসি নংগী মবাংতগী তংশি-চাওবা নচন অদু অদুমক ওইদি, নঙম্ব নচিন্নি থনবিদুনা ঐখু হায়গী তংশিবিবসিদগী মখোং তাহনবিগদ। ন।ইবক্তা তমখিবনা হৌজিক নিংঙমদবা ইপাক্তা চোংথরে, মসিদা অমক ইবুংগী তংশিবা ফংহনবিবসনা ঐখু লেপ-পৌ থুমবা ঈরোম্ব্রদা ঈমাক্লহনবিগদ"।

অসি হায়রমলগা নিংথিরবী অদু মনাইন্নুপী অমুক ওাইবা তৌদনা মথক্তা মপালদোমদা থোকরে। ওসমানসু হোক তংবানা তুমিনা লৈরমলগা মাগী মহুম মায়গে পাংরে।

তরাতরুকশুবা তাকক

মনাইন্নুপীনা থুয়াথাদা

অহিং অহু কতন্ন থাগী হয়াও-তায়াব শঙ্গা জগোই শাবি। মফম অহুদি, অতে অতোম্বী জগোইশাবী য়াংদে, অদুগা অতে অতোম্বা অয়েংবদু থাদে। মপোক হমিবা মোগোল সল্লাটশিংনা অহুম-অথোনা তোয়শিনহনা হয়াও-তায়াব তৌবদম কতন্ন থাদি তোদে। মহাক্তি

মথক্তা হুংগাইজবা পাম্বা, মথক্তা মথৱাগ পেনজমবা হোংবনবা মীওংনি। ঙসি অহিং অসি মহাক মথক্তা, মাগী হৱাও-তয়ান-তৌফম-শঙ্গী চপী ময়ামনা কোয়শিনহনা, মখোয়গী অগোই চৈশেদা লুপ্ত্না লৈরি। কৈদা (খোজা) নত্তনা অতৈদি মফম অদুদা চংনবা হকুম লৈতে। চপীশিং অদু ফনানা অগোই শাবি কনানা চৈশ শক্লি, কনানা মত্র পোংলি, অতৈ অতৈনা কতলু থাগ্র কোয়শিনহনা ফমলি।

পুক্লিং হেক ওমহৎপা পোৎচৈ ঙাকনা মফম অদু পুমথম-থম্রা লৈরি। কা অদুদা চংখ্রক্তদা, অতৎপা লৈতনা খিক্লবা মমম হাপলবা ঈশিংগী হুংশিনবা মনমনা কোকপী-তোন কাওবা তইং-তইংলি। মশাং লাকমেম্রবা লুপা-মনা মণিমুক্তা-হৎলবা থাওমৈগী লংলবা মঙালনা মিং অসি ঈথক থক্লি, চাংদমকম থঙ্গ্রবা লৈরাং মপৈনা, মকম অমদা পমেং ওইনা, মকম অমদা লৈপুং-ত্তমা, মকম অমদা চখোং চখোং ওইনা, মকম অমদনা চপীশিংগী শমজিলক্তা, মঙকশমদা হেমা নিংথিবা মঙালগা লোয়ননা শক্লোক্লি। কনা অমনা লৈগী হমাই শেমলি, কন অমনা লৈতনা মশাপুম্বা লৈক্তেনবা হোৎমদি; অমুক কনা অমনা ওক্তোঙ্গী অমদা লৈ থুবাম থুবাম চাইখি; লৈশিংগী হুংশিনবা লৈনম, মমম হুংশিনবা ঈশিংগী হুংশিনবা মমম, মনম হুংশিনবা ধুপফী মেংনা হুংশিনবা মনম, হুংশিনবা থাও তৈবথা চপীশিংগী মশাগী হুংশিনবা মনম, পুমমক অসিনা কা মতুংদু হুংশিনবা মনমতনা পুমশীল শীনখ্রে। থাওমৈশিংগী মঙাল, লৈগী মঙাল, লিক কোলগী মঙাল, অদুগী মথক্তা চুপীশিংদুগী তোয়মা মেংলবা মিৎচিত্তেংগী মঙাল, পুম্নমকসিনা পুমলং লংখ্রে। খোৎচাং-তরেং পুনবা হুংশিনবা বীণাঅচিবা মথগী মখোলনা অতিয়া থনখ্রে, মতুপগীম্ব হেমা শেংলবা কজবা চপীগী ইশৈগী খোমোঙ্গা মথক্লা য়ানশিনক্লি; মদুগা খোমন-লোয়ননা, তাল-লয় চানমবা অগোই শাবীগী, লিক-কোলগী মখোলগা-লোয়নবা খোংথাং অদুমা, অমুক্তা হেমা পুক্লিং ঊমহৎনবগী মথক ওইহল্লি।

য়েংউ অসে পাবিরিবা! থবালগী বন্দা কাংও অয়োম্না চুংশিংকী-শউমনা-কায়কপা লাইজ ঈপোমলঙা অগোই পাবগুম্নি, নৈকা কয়া পাংলবা পদ্মমুখী মমামনা ইকোম্ন-কোমশিন্নি। য়েংউ য়েংউ, অশংবা ফিজোন শেংলিবী, ফিবাম্দা সনাগী তাম্ন-না হংলিবী নিংথিজরবী অসি য়েংউ! উরবয়া, নিংথিজরবী অসিনা শম্নদোনলঙা হীরাগী মমি য়েংলিবসে, য়েংউ, কয়া ফজঞ্জবা লাইবক-মতানো। চৌং-জেশি, পাক-চাওই, তঙ-তঙই; লাইবক অসিদম্ন নোংদম্না ঈমাং-শঙ হায়না ইবিয়মলব্রা? অহুগা অসে, কুচু হাইফেং নৈশনবী, নৈরাংতনা হুকচাংপুম্বা নৈতেংবী অসি উরবরা, কয়াদা ফজনা নৈরাংগী নৈতেং শেমলিবা? চুপী ওইবীশিংগী নৈতেংগীদমক্তা নৈ হায়র্বসিবু শেমলম্বরা! অমুক অসে উরবরা, মপুং ফাবরা, ঙাংতক তৌরবা চিনবানদা মহাক্তী ওইরিবা চঞা অসে, মচিনবান অসি থোইরপ তৌনা চিকশিল্লি, য়েংউ, মহাক্তী পাবরা অশংবা ফিজোন অসি ফাওদোক্না হুকচাংগী কুচু মঙাল শন্দোক্লি; লুবা-অশংবা লাইজঙকা পূর্ণিমা থাজ উবগুম্নি। নিংথিরবী অমনা অমুক কাংলবু চেমজরবা শাথেকা লোয়নদা নোক্ল-নোক্লগনা হা ঙাংলি, উরবরা, মহাক্তী ফজরবা নাইননা কয়াদা নিংথিনা হাই-হমলিবা? কনানো নঙনা অমুক শাংলবা শমলাংনা নৈতেং ওইবী শকহেনবী? কবিগীদমক থুকউ য়োনা থোইরপ তৌবা শমলাংশিং অদু থাদম্রিবনো? থহাদ নৈখোক্তা লীলহানা য়েংলম্ কয়ামুক শকচবগে উংলিবয়া?

অহুগা নহাক্না অমুক কনানো শকহেনবী, কতনু থাগী মনাক্তা ফমলমনা সনাগী তেজোংতা য়ু হৈরিবী? কনানো নহাকপু, পুম্নমকপু নাকওইননা লেয়েপ্রগা নঙগী নিংথিনা মপুং ফাবরা পাওং অহুতন্ন কতনু থানা থোইরাংবা মিৎয়েংনা তোয়না তোয়না য়েংলিবী? কনানো নহাকপু শোয়বা নাইত্রবা মিৎচিগী তেম্ন কতনু থাগী থমোয় কাওনা লেংলিবী? ফজরবা মিৎয়েং অদু মশক থঙই, নহাক বিমলানি। চু অহুক মায়না

হৈরিবা করিগীনো ? হৈয়ু, হৈয়ু, অমুকস হৈয়ু, কিচংদা চুরিদি য়াওরিদনা ? য়াওদি খঙই। অদুগা য়াম্না নোক্লিবদি করিগীনো ? কতলু খাঁনা নঙগী মায়থোংচুক্তা য়েংছনা লৈরে !—করিনো অদুরে ? মিংচিংগী তেন। অদুগা করিনো অমুক তৌরিবছনা ! য়েংউ অনে, নুংশী নেশাদা লুপলবা যবন ওয়না মিংচিংগী তেন অদি থাকিনরে। অদুমনা লৌশিং তৌ-তৌতনা মরাখকপু হন্দোকহনগা নঙনা কতলু খাংগী খুদিংদগী হেন্না চানবী ওইরবা নত্রা ? করিগীদু ওইরোই, মিনোক অডুনবু, শাথেক অডুনবু, ইয়াংগী হাঙাংশিংডুনবু, মিংয়েং অডুনবু; অদুগী মথক্কতু দু। কতলু খাঁ চেকশিনু। কতলু খাঁনা করিনো তৌগদবা ! চংশি মিংয়েংগী অয়োৱী মিংয়েংগা লোয়নবা বিমলানা দুগী তেঙ্গোং লানশিললকপদা ! করিনো ভাবিবা থোক্কেন অনে ? কনানো ইশে শক্লিবনে ? মশিবু তাইবংগী ইশেগী নত্তগা লাইরেম্বীনা শক্লিবরা ? বিমলানা হৌজিক ইশে শকশীনিংগা ইশে শকপা হৌরক্কে। কপাবা চংশিল্লবা থোক্লাংনো ? করাদা কল্লবা মথোঙ্গনো। করাদা য়েংল্লবা লৈহেকনো ! কতলু খাঁ, করিনো তৌরিবনো ? নপুক্লিংদু করোমদা লুপখ্রে ? করিনো য়েংলিবছনা ? অনগা ঊবোমনা নোক্ত—নোক্লডুনা মিংচিংগী তেন থাদ্রি, চুরিদগী হেন্না নুনা নঙগী থম্মোয়দা লেংদি, মন্ত্রা নহাক্না য়েংলিবনো ? চুমনগী মিংয়েংতনদু নঙগী থম্মোয় ওমহংলিবনি, অদুবু হৌজিক্কি ইশেগা কোয়রবা মিথোং থাজিনরে। অদুগী মথক্তা অমুকস ঊরবগা, মিংচিংগী তেনগা কোয়নবা ওক হাইকেংস চেপথক্লিবসে ? ঊরবগা, মতমগা লোয়ননা করাদা নিংথিনা নাপল্লি নাইননা হাই-হল্লিবা। হৈ অমুকস দু হৈরে, শীপকউ, দুড শীপকউ, করিনো। করিনো ! বিমলা হৌগত্তুনা কদায়দি থাদ্রে ? করাদা কল্লবা ! করাদা নৌল্লবা। দু, লানশিং, ! করাদা কল্লবা হকচাংনো ! করাদা নিংথিল্লবা থাবাদো। কতলু খাঁ ! খাঁ হোপানা ! তগথৌ তগথৌ ইম ! কতলু খাঁগী মশাপুম থৈজাগাংলকে। দুগী শাত্র ! অহো ! কথাই এগী শাস্ত্র ! চায়থোইবা ! করিনো অমুক তৌরিবছনা ?

অমুকস্ হুংশি মিনোক, অমুকস্ হুংশি মিংয়ে। হু। কদায় শীরো হু।

কতলু খাঁ পুরক্তাও ভাওরে। বিমলাসু কৌরক্লনা হায়রকই, "নহাকপু কদাইদনো হুংশিখোইররী"।

বিমলানা কতলু খাঁগী মরেংথাক্দা খুৎ না-মনা পায়রক্তনা হায়রকই, "ননাই খুমাখাদা লৈজত্রি"।—অতোপ্পা মখুৎ অমদনা ছুরি—

খুদক অহুমক্তদা অকিবা কংনা লাও-খোংলহুনা বিমলাসু কতলু খাঁনা থাপনা ইথোয়কে অমত্তং হেক ইথোকখিবগা মপাক্ত লৈপাকথত্তা দুথরে। বিমলানা মাগী মথবাক্তা ছুরিনা থুম্না থিনজিনলমলে।

"হিংচাবী—তৌ'ওবী!" হায়ে অদি হায়রক্লনা কতলু খাঁনা করা লাওরকে। "ঐ হিংচাবী নত্তে, তৌ'ওবী নত্তে—বীরেন্দ্রসিংহগী মুপ্পা ওইরবী চপীনি।" অদি হায়রবলগা বিমলা অহু কা মচংচুদগী ওথমথৈ থুনা মাংনা চেনখ্রে।

কতলু খাঁগী বা চাংনবা পাক্তল মায়া থুনা মাঙশিনখ্রে। অহুমকপু ওয়েজবমথৈ লাওরকই। বীবীশিং অহুম মানা মানা ওয়েজবা খোহাংদা তিংথত্তুনা লাওনরে। বিমলাসু লাওর-লাওরহুনা চেক্লরে। কা অহু হেক লাম্বোয়রকপগা বাবি শাবগী মখোল তারে। অহুবু বিমলানা নাথৈহুনা করা অত্থক চেরকই। কা অমগা লাম্বোয়রকপদা খোংনংবশিংগা কৈদা থবগা লৈরবা খেংনৈ। মখোয়না লাও-খোংবত্ত তারহুনা, 'বিমলানা তফিং তফিং চেনবা অহু উবদা হংলকই, "কৈদোরে?"

পাইরক্লী লোশিং লৈরবী বিমলানা হায়বকই, "মাঙলে মামনা থুন্‌ চৎলু, কোহুং মতংদা খোগল চংলকে! নবাবপু হাৎখ্রবয়া করিনো অম: তোরে"।

খোঙগংবশিংহুম কৈদাশিংহুম মাখা ফিংনা কা অদোমদা চেনখ্রে। বিমলাসু ওয়েজবমথৈ মাংনা কোহুং মতংগী মখোং তায়া চেক্লরে। মখোংগী খোঙগংবশিং

অদু কুইশদা চোকথরক্ত,থা গুম্না তুমথনম্লে, বিমলানা কহিত্ত অপনবা লৈতনা মখোন্ড অত্থ লাংহোকখ্রে, গহাক্না মফম অতৈ অতৈদগী হায়রিবা কীভম অমিদা লৈরবা ওম্না লেংনবে, অদুনা অথিংবা লৈতনা কম্না অদুথক চেম্নক্লে। অদুদু মপালগী মখোন্ড মোয়রকপদদি থোঙনংবশিংহু কনামতা তুমলম্লে। মখোয়গী মরক্তগী অমনা বিমলাবু উবদা হংলকই, "কনানো, কদাইদনো ?"

মতম অদুদা কোয়ং মহুংলোমদা মাম্না নিনখোংবা মখোল তারক্লে, মী পুম্নমক মিকপ থোক্রম্লনা মাংখৈ অদোমদা ওম্না চেনখিনম্লে। বিমলানা হায়রকই, "নখোয় তুমিম্না অক্ষমক লৈখোকলিবশিবু কম্লিনো ? লাংলিবশি তাম্রা ?"

থোঙনংবদুনা হংলকই, "কহিগী লাংলিবনো ?"

বিমলানা হায়রকই, "কোয়ং মচুংদা শাথীরবা থোদোক থোক্লে, নবাবকী মথক্তা লাক্দারক্লে"।

মসি হেক তাবদা থোঙনংবশিংহু থোঙ থাদোক্নমগা চেনম্লে, বিমলানা অপনবা লৈতনা মপাল থোক্লক্লে।

বিমলানা মপোঙ অদুদগী থরা চখোয়রক্লগা উথা অমদা নিপা অমথক লেপ্তুনা লৈবা উরকই। হেক উবদা নিপা অদু অভিরাম স্বামীনি হায়বা বিমলানা খঙলে। বিমলানা মনাক হেক মোয়রকপদা অভিরাম স্বামীনা হায়রকই, "ঐহাক পুক্নিং য়াম্না লাংতক্ননা লৈরম্মবনি, লামবল মচুংদা অমুক নিংলিবশি কহিগীনো ?"

বিমলানা খুমলকই, "ঐহাক মুত্রা ওইবগী চণ্ডাইতবা মৈচাক্কী লম্মন থুম্লম্মবনি। মফম অসিদ্রাইদা অমুক পহবা চুমদ্রে, য়াম্না থুনমক আশ্রয় তাম্না লেংলসি, ঐহাক কোম্না বাপুম্না তমজগে। তিলোত্তমাদি আশ্রয় মোয়ম্রবা ?"

অভিরাম স্বামীনা হায়মকই, "তিলোত্তমাদি মাং থানা আশমামীগা চংম্লে, থিজনমক থেংনমগনি"।

অসি হায়রদুনা মবানিমক খোঙথোং য়াঙনা চৎলক্লে। মথোয়না থাংগোক হেক মৌরকপদা, আয়েষাগী থৌজাম্না আশমানীগা লোয়ননা তিলোত্তমা অদু, ওহোক্তংগী মমাংদা থাংগোক হেক য়ৌরখ্রে থেংনরে। তিলোত্তমানা অভিরাম স্বামীগী মখোং কোল্লদুনা কপলক্লে। অভিরাম স্বামীনা মাগী মপুক্নিং ফাওরদুনা হায়রকই, "ঈশ্বরগী কৃপানা নথোয়বু কল্লবা মীগী মখুত্তগী কনবিরক্লবনি, অদুনা হৌজিক লৈপাকসিদা মিকুপ অমা লাওবা পঙ্বা চুমদ্রে। যবনশিংনা হন্দক থেংনখিবা থোক্লবদি, ঐথোয়গী থবায়সি লৌদুনা, মবুঙো শিখিবগী মৈচাক কোল্লবা হোৎনরগনি। ঐথোয় ওসি 'অহিংসিমক মফম অসি থাদোক্লু'না চৎলসি চৎলো"।

মমাঙ্কক হায়রিবা বা অসি পানরে।

তরাতরেৎশুবা তাকক

থবায় থারমদাহি

বিমলানা চেনখিবা, ওহোক্তংগী মতুংদা কমনাইবা অমা য়াম্না তকিং তকিংনা জগৎসিংহনা লৈরিবা কৈথলগী মথক্তা লাক্লুনা হায়রৈ, "যুবরাজ! নবাব সাহেব নোঙ্গাখিগদৌরে। মহাক্না যুবরাজবু উনশিংই হায়থরকই"।

যুবরাজ অদু য়াম্না ওক্লদুনা হংলকই, "হায়রিবশিংবু কদি কদম তৌবশীনো?"

কমাইবা অদুনা হায়রকই, "কোকাং মঙ্গয়: যেক্লবা চৎলক্লুনা নবাব সাহেবপু থাগনা শিললমগা চেনখ্রে! হৌজিক ফাওবা থবায়রক্তি থাদি, অদুবু থোইনা পক্তুইদি কুইমরোই, থমা থুবা লেংলসি, নত্রবদি উনহৌবা ফংলরোই"।

রাজকুমারনা হায়রকই, "তাঙা অসিদা ঐগা উনগদৌরিবা মরম্ করিগনো ?"

পাণ্ড-লাকপা মীহুনা হায়রকই, "মহুদি কনানো খঙগনি ? ঐদি পাণ্ড লাকচরভনি"।

যুবরাজনা নিপা অহুগা লোয়ননা কোঙং মচংদা লাক্লে। মকম অহু লৌরকপদা উবে, খাদৈলেংনমক কতলুখাগী পুজিগী থাওমৈজু মুৎলি মুৎলি তৌরক্লে, পুংমম মনখিগদবা থোইনা কুইরে। মায়কৈ মৃঠিমজ্জুদা ওসমান, আয়ে., শিগদৌরবা নবাবকী নৌরিবা মচাশিং, মতুশিং, লোয়নবীশিং, মীনাই চপীশিং, ফারাইবশিং, ইকোম-কোয়না লেপ্তুনা লৈরি। কপ্প-লাওনবগী থোক্লেন-চাক্লা চাইরে ; মীপুম থোক্লেন রাংনা কপ্পরি ; অচাংশিং অহুনা মরমদি থোইনা খঙলুবা তৌদনা কপলি আয়েবাদি থোক্লেন থোক্লা কল্লে, মমিত্তগী শিহুরকপা পিনা মাগী মায়থোংহু পুমচোৎ-চোৎলে ; তুমিন্না মপাগী কোক্ক তম্পাক্লা কোনথজ্জুনা লৈরি। জগৎসিংহনা, মাগী মামা চীং-লেমলবা, মোংহাদবা, তুমিন্না লেংদনা লৈবা, শক্কমদু উরক্লে।

যুবরাজনা হেক মৌরকপগা খ্বাজা ইসা কোবা মস্ত্রী অমনা মথুংতু শায়রহুনা কতলু খাগী মনাকতা পুশিলে ; মনাপওবা মীদা হৌনা চাংবা বাঙাং অহুগুন্না মানা হায়রকই, "যুবরাজ জগৎসিংহ লাক্লে"।

কতলু খানা শোয়বা থোহা'দা হায়রকই, "ঐদি মেরুবনি ; শিগদৌ-রবনি—খাওনিংবা, কংচাইডবা খাদোক্লো"।

জগৎসিংহনা তাব তারহুনা হায়রকই, "খুদক অসিদা খাদোক্লনি"।

কতলু খানা অমুক হল্লা হায়গী থোহাংচদা হায়রকই, "হায়কল্লা—রাগল্লা ?"

জগৎসিংহনা হংলকই, "কত্রি রাও হায়বগে ?"

কতলু খানা অমুক হায়রকই, "খচাং চাকনি—লাল—ঈশিং মাৱা থৌরাংলে"।

আয়েষানা সয়বৎ থম্ব ময়াদা ইরকই।

"লান—তৌবা—কায়দে—সন্ধি—"

কতলু খাঁ তুমিল্লা লৈরে। জগৎসিংহক কহিগুম্বা অমতা খুদা তৌরে। কতলু খাঁদি মাগী মায়থোং তম্না পাউথুম তাগদবগী মেংদুনা লৈরি। খুমলক্‌ বদুদা য়ায়া ঙানা হায়রকই, "য়ানিংঙবরা ?"

যুবরাজনা হায়রকই, "পাঠানশিংনা দিল্লীশ্বরগী মথা লোনগে হায়রবদি, ঐহাক সন্ধিগীদমক হায়জক্কবদা য়ারে"।

কতলু খাঁনা অমুক হন্না অম থবেৎ থবেৎ ঙোরদুনা হায়রকই, "উড়িষ্যাদি ?"

রাজকুমারনা হায়রিবদু ভাব তাবদুনা হায়রকই, "কহিগুম্বা থবক মহৈ য়ানবা থোক্লবদি, নবাবকী মজা-ইবুঙোশিংনা উড়িষ্যা লেংদনা অদুমক লৌগনি"।

কতলুগী শিরমদাই-মৈচাক অংলথ' শায়থোক্ল মক' শায়রে।

অদুগী মাঙলক্লবা অদুদা হায়রকই, "যুবরাজ—নশিং তম্নেং—অাইবং মপুনা—য়াইকহনসু"—অদুদগী জগৎসিংহ চৎনবা থোৎনা লেং্ঙের, হাক্লা-দুদা আয়েষানা মথাই শুকথদুনা মপাদা কহিনো ঙা থম্না হায়' কতলু খাঁনা খ্বাজা ইসাদা হায়রা মেংলমলগা চৎভিবা রাজকুমারগোমদা অমুক মেংলকই। মহু উবদা খ্বাজা ইসানা রাজকুমারবু কৌদুনা হায়রকই, "যুবরাজদা হায়নিংবা থম্নু লৈরিগাদে"।

রাজকুমার অমুক হলক্লে, কতলু খাঁনা হায়রকই, "নাকোং"।

রাজকুমারনা ভাব তাবদুনা শিরমদাই মৌরবা মী অদুগী মনাক মৌনা চংশিল্লগা মচিনবান ময়াদা মনাকোং শুকথরক্লে। কতলু খাঁনা হায়দগী হেন্না য়ায়া লোনবা থোক্লাংদা হায়রকই, "বীর—"

ঙহাক তুমিল্লা অমুক লৈরে, অদুদগী অমুক হায়রকই, "বীরেন্দ্রসিংহ—উশিং থোক্লাংলে"।

আয়েষানা অমুক চিনবান্দু ঊশিংনা চোৎহল্লে।

"বীরেন্দ্রসিংহগী মচানুপী।"

মসি হেক তাবদা রাজকুমারন্থ থংহোৎদনা লীন্না চিকপগুম তৌরে, মায়া ফিংনা মশা ত্তিংশৎলগা থবা থাপলপ লেপল্লে। কতলু খাঁনা মথা হায়রকই, "মশা লৈত্রবীনি—ঐদি ফজরনি—ইস ঊশিং"।

আয়েষানা হন্না হন্না ঊশিং থিকশা হৌরক্লে। অদুবু মহাক বা ঙাংবা ঙমলকতরে। খর মপী হোন্না হোন্না হায়রকই, "ওহোন্না চান্নে—মহাক ধর্ম কায়দবীনি—নহাক্না ৱেংবিয়ু—"

রাজকুমারনা চাম্নরকই, "করি হায়বা?" কতলু খাঁগী মনাকোংদা রাহুং অসি নোং থাকপগুমনা তাল্লে। কতলু খাঁনা হায়রকই, "মপী মচা—অসিগুম্না—শেংলবী—নহাক—ওঃ! খোৱাংবনা চান্নে—চৎলে—কো—আয়েষা"।

অদুগী বা মথা অমুক তাখিল্লে, মহাক্না হেক ওমজবমথৈ থাদবা হোৎনরমবনি, মতুদা হেনমনখিবনা মথবায় মাওব্রবা মকোক্ত লৈমায়থক্তা ওইরল্লে। মচানুপীগী মগিংহু পদা পম্না নবাব কতলু খাঁ অদ্রমক নোক্লাল্লে।

ভরানিপালওবা তাহক

চায়নবা

জগৎসিংহনা কৈতুমশঙদগী থোমক্লগা মশাগী লানশঙ্গা চৎলচুমা মোগল পাঠান সন্ধি তৌমহল্লে। পাঠানশিংনা দিল্লীশ্বরগী মথা পোনবা রাজবন্থ উৎকলগী মপুদি লেংদনা অন্তুমক ওইরে। সন্ধিগী ওপাইবা

মহোলদি ইতিহাসতা ইকয় থোকই। মকম অসিদদি অহুক হাক্রা খঙোক্না ইকয়গী কাময়ম লৈতে। মসি তৌনবা মতুংদা কাংবু অনিমক মতম থরা মাগী মাগী মকমদা হংনা লৈনরক্লে। নোঙা চাম্ববা উৎপা ওইনা কতলু খাঁগী মচাশিংবু পুরকনা মকোক ওইবা মন্ত্রী খ্বাজা ইসা সেনাপতি ওসমাননা মহারাজ মানসিংহগী লানশঙদা চৎলে; শারু মাখৈগা, অতৈ মমল য়ামলবা পোৎচৈ কয়ামকমগা, থুমোজ পোৎ ওইনা পীদুনা মহারাজগী মপুক্সিং পেন্দহলে; মহারাজনা মথোয়বু মথল কয়াগী ইকাইখুম্নবগা লোয়ননা, মনা-মপুম পীদুনা বিদায় তৌমহে।

অমমা লমিগী মক্কম অসি শেংদেক্রবা অমমং লানশঙ পীবা-থোৎপা হোৎনবদা, মতম থরা হৌদ্রে।

মতৈবংদা রাজপুত্রকী লাম্মীশিংনা পাটনাদা চৎনবা মতমদুমৌরক্রবদা জগৎসিংহনা লোংমা হুরখিল মনাই মশদ থরগা লোয়ননা পাঠানগী লানশঙদো, ওসমানচিংবা পুরমকী মকমদগী বিদায় লৌবা লাক্লে। কৈরমশঙদা উনখিবা মতুংদগীদি ওসমাননা রাজকুমারবু মকপকী মতৌ থোইনা উৎখিক্লে। ওসিনু ইচম-চবা বাখি-বাতায় থরা শারগা বিদায় তৌমক্লে।

জগৎসিংহনা ওসমানগী মকমদগী মথরায় হংঙাইতনা বিদাই লৌদ্রুগা খ্বাজা ইসাগী মনাক্তা বিদায় লৌবা চৎলে। মকম অহুদগী অমুক আয়েষাগী মনাক্তা বিদায় লৌকগে হায়দুনা লাক্লে। কোজং মহুৎপী শন্ত্রী অমা থাদুনা আয়েষাগী মকমদা, পাও অসি থাহক্লে, "নবাব সাহেবনা লোজাপ্রবা মতুংদগী অমুক্তা উনবা ঙমহন্দ্রি। হৌজিক্তি ঐহাক পাটনাদা চৎপা তারে, মতুংদা অমুক উনবদি য়াদা তাদ্রে ঙমলগনি: অহুনা নাবু ইকাই খুমনবা উৎলমলগা চন্দনিংই"।

শন্ত্রী অদু হোক লৈরগা অমুক হন্দক্না হায়রমে, "নবাবকী মজা-ইবেরনা তাকপিরকপদি, মহাক যুবরাজগা উনরবোই, বারৌবিন্ন হায়জমকই"।

রাজকুমার অমু লুকা লেহা মথরায় হংখ্রাইড়না রাগী লানশঙলোমদা হুরকপদা, লানমনগী মখোওদা, ওসমাননা মাকু ভাইদুনা লৈরবা থেংনরে।

রাজকুমারনা ওসমানমু উবদা অমুক হন্না ইকাই খুমবা উৎলমদুগা অদুমক চৎপা হৌরক্লে, অদুবু ওসমানদি রাগী মতুং অদুম ইরমকলে। মহু উবদা রাজকুমারনা হায়রকই, "সেনাপতি, করিগুম্বা ভাকপীগিংবা বা লৈরবদি চিংনবা লৈতনা ভাকপীয়ু, ঐ মহু পাখোকচন্না তৌবিয়ম থম্বা উচ্চগে" ।

ওসমাননা হায়রকই, "যুবরাজগা ভাংনগদবা অকম্বা বা অমত্তং লৈ, ননাই-নপল অমুক মাখোগী মমাংদগি হায়জনিংঙ্গে, মুসলমানসিনু মাং থাগৎখিনবা ভাকশিল্লো, অতগা যুবরাজ নথক্তা ঐগা লোয়ননা লেংবিয়রুউ"।

রাজকুমারনা করিমত্তা চিংনবা লৈতনা মনাই-নপলপুমমু মাং থাগৎ-খিনবা থাখং পীরগা, মথক্তমক শগোল অমা ঝোংলহনা পাঠানদুগা লোয়ননা লাক্লে, ওসমানস্ত শগোল অমা লৌহনুহনা তোংলে। থমা থাপলপ চৎলবা মতুংদা ওসমাননা রাজকুমারবু পুহনা ভক্কা চীংত উগী উমং অমদা চুংলক্লে। উমং অদুগী মমায়দা অকায়বা লোলান অমা লৈরম্মি, মহু থায়না মমাংঙৈদা কনাগুম্বা নিংথৌ-লেম্বা অমনা; মকম অসিদা লাক্লনা, উমং মহুংদিদা লোক্তনা লৈননবগীদমক্তা থাম্বাক্লে হায়না নিংই। চীংত উ অমদা শগোল অদু পুনশিনদা ওসমাননা রাজকুমারবু অকায়বা লোলান অদুগী মহুংদা পুশিনক্লে। লোলান অদু মী অমত্তা লৈতে। মমায় অদুদা শাকলবা তুমাং অমা লৈ, মদুগী মুতাই অমদা মমনগী সুমাধি তৌকম অমা লেমদুনা লৈ, অদুবু মী অশিবদি লৈবা উবে; অতোমা চিদাইমনা সংবারগী শীং লেমহনা লৈমি, অদুবু মহদম মী অশিবদি লৈতে।

তুমাং অদু থৌমকলবদা রাজকুমারনা হংলকই, "তৌবিবগীংং অদি করিনো?"

ওসমাননা হায়রকই, "পূরমক অদি ঐগী মাখংনা তৌহনজিবনি,

ওসি ঐনা করিগুম্বা শিবা থোকলবদি, মহাশয়না ঐবু কবর অসিদা ফুমগদবনি. কর্নানিংঙ্ঘ মহু থঙলোই'; অহঙ্গা মহাশয়না শিবা থোকলগনা, শেমলিবা নীতি অসিদা ব্রাহ্মণশিং কৌরগা মৈ থাহনগনি, মী অতৈ থঙহল্লোই"।

রাজকুমারনা ওয়াহনা হায়রকই, "হায়রিবশিং অহুমী মরু করিগীনো ?"

ওসমাননা হায়রকই, "ঐখোয় পাঠাননদি থবায় হুংঙাইরক্লবদি হৌনবা হৌনদবা থোইনা থদে; পৃথিবী অসিদা আয়েষাগী হুংশি-খুদোল-তাম্বা মী অনী লৈবা য়াদে, অমদি মকম অসিদা থবায় থামগদবনি"।

মসি তাবদা রাজকুমার অহু তৌখিবা কীংতহ লোইনমক থুখি তাবহুনা য়াম্না শাওনা হায়রকই, "সেনাপতিনা পাম্লিবদি করিনো ?"

ওসমাননা খুমলকই, "মহাক খুৎলাই থাওদি, ঐগা লান তৌ। ওমলগা ঐবু হাৎহুনা নংগী লবেল শেংদোকউ, নত্রগনা ঐগী খুত্তা নথবায় থাহুনা ঐগী লথী থাদোকউ"।

অসি হেক হায়রগা ওসমাননা জগৎসিংহবু পাউখুম পীনবা মতম পীহনা থাং শৎলহুনা য়াম্বা হৌরক্লে। রাজকুমারনা কীতম অহুনা য়াদহুনা, মশা কমনবা, খুৎলৈ-খুনা থাংখুমদগী থাং শস্তোয়্রহুনা, ওসমাননা য়াথয়কপহু ঙাঁকথোক্লে। ওসমাননা রাজকুমারগী মথবায় লৌনবা হয়া হয়া ওমজবা মথৈ কয়া হোৎনরম্লে, অতম রাজকুমারদি, শোয়খিহুনা কাওবা, ওসমানবু য়াম্বা অমুক্তা হোৎনকদে, মশা কমনবতা হোৎনহুনা লৈ। মরানিমক খুৎলাই নিংথিনা হৈরবা তাকলি, কনা মুইনা লাল থেংনম্লে. অমনা অমবু লাকচবা ওরক্লে। মতুনা তারকপদি, যবনগী খুৎলাইনা শোক্না রাজকুমারগী মশা অচৌ য়ায়া শোকচিরক্লে; মশাগুম্বা ঊহিং নাহিং তাক্তা তারশিনক্লে, ওসমানদদি মহাক অর্থুকথ য়াহকপবা মখা ওসমাননি ইখৌক শোক্লে। ঐ অমম চেংখিবনা মশা অহু চোকথরকপদগী, লাজোং অহুদা অতম চৎথরবদি পীথ শোয়ক্লে হায়বা ঊবহুনা। জগৎসিংহনা

মথৱায় হুংজাইতনা হায়রকই, "ওসমান, ভোক্নো, ঐহাক মায়থীবে হায়বা ইশানা য়াবে"।

ওসমাননা থাকনা নোক্লদুনা হায়রকই, "রাজপুত সেনাপতিনা শিবা কি হায়বসিদি ঐ থজলমদেদনা; লাল লেপকচ্ছ. ঐহাক নঙবু শোয়রনা হাংলগদবনি, ঙাকপীবা থক ভোয়রোই। নহাক হিংলবদি ঐনা আয়েষাবু কংকম নৈত্তে"।

রাজকুমারনা হায়রকই, "ঐহাক্তি আয়েষাবু ঐগী ওইনবা থব্বা ভৌদে"।

ওসমাননা থাংশাং অদু হাইব-হাইরকনা হায়রকই, "নঙনা আয়েষাবু পামদুরবস্ন, আয়েষানদি নঙবু পাম্বি। লাল ভৌ ঐদি লেপরোইদবনি"।

রাজকুমারনা থাং অদু থাপনা লংথোকল্লগা হায়রকই, "ঐদি লাল ভৌরোই। নঙনা ঐগী অবাবা ভারবা মতমদা ইত্তেং পাংবিশি; ঐ নঙগা লাল শোক্নবা পামদে"।

ওসমাননা য়ায়া শাওনা রাজকুমারদা থোংপারা কাওরগা হায়রকই, "লাল শোক্নবদা কিরবা সিপাইদুদি, অমম ভৌরগা লাল শোক্নদি"।

ফীডমদু যৌরক্লবদুদদি রাজকুমারদু মপুন্নিং কাথবা অমুক ওয়রক্লে। খুৎলৈ-খুনা ফলোকল্লবা থাং অদু লৈবাক্তগী লৌথংলগা, শমছইনা কয়োয়বা নোংশাঙম শাক্সু কয়া চোংশিল্লক্লা যবন অদুগী মথক্তা লাল্লারক্লে। শাক্সু কয়বা থাংয়ান অদু যবন অদুনা থাংবা ওমত্রে। রাজকুমারগী চাও-শাংলবা থাঙ অদুনা শোক্লনা ওসমান লৈমায়ৎত্তা তুন্দ্রে। রাজকুমারনা মাগী মথথাক্তা চোংশিল্লুনা কয়লগা মখুত্তগী থাংশাং অদু মুন্দে অমমুং মখুত্তা পায়রিবা থাং অদুগী মক্তোয়া মথৈঁ মপাদা থমলগা হায়রকই, "কয়দোই, লাল শোক্লনিংলিব্রা?"

ওসমাননা হায়রকই, "থরাম থাজ্জিনবৈদি শোক্লখিংগদবনি"।

রাজকুমারনা হায়রকই, "খুদকসিদা নখরায় লৌবদা করানা থিংলগনি ?"

ওসমাননা হায়রকই "লৌরো, নত্রবদি নঙবু হাৎকে থৌরাংবা লেকনবা অমদি নপুন্সিচুম্না লৈরগদবনি"।

জগৎসিংহনা হায়রকই, "লৈজসচ, রাজপুত্তি মচু কিবিবা জাৎ নত্তে, নঙ নখরায় অসি হেক লৌরগে হায়রবু ঐবু মঙনা করখি, অদুনা ঐহ নঙবু কনবিরবনি"।

অসি হায়রক্তুনা মখোং অনিনা ওসমানগী মখুৎ অনিচু লেৎলগা মশাদগী খুৎলাইপুক্তচু অমত্তা চিথদনা লৌখোক্লে। অদুদগী মাবু থাদোক্লগা হায়রকই, "হৌজিক্তি নহাক অশোক অপন অমুক লৈত্তনা নমুমদা অক্তমক হনগ্রে, নহাক যবননা রাজপুত্তকী মশাদা খোংপাকনা কাওথিবদগী অত্তক শাথীনা ত্তৌবিবনি, নত্রবদি রাজপুত্তনা মাগী মত্তেং পাংথিবা মীদা, মশা কাওবা শোক্তনা অমুক ত্তমথিনা ত্তৌবিমদ থত্তদবা উৎপদি, থক ত্তোরোইদবনি"।

ওসমান অদু থাদোক্লবা মতুংদা, রা মত্তেং অমা কাওবা ওাংলদবনা, পগোল ত্তোংখত্তুনা লানবল তায়া চুমজিং অঙ্গমক খুনা-থাংরা চৎখ্রে।

রাজকুমারদি মফি লৌখোক্তনা তুমাং অদুদা লৈবা কুহা অমদগী উখিং লৌকৎলগা মশাপুমা চাংখোক্লে। চাংখোক্লগা লোইবগা চৌংত্ত উ পাথীদগী পগোল লৌখোক্তনা ত্তোংথৎলে। মহাক্কা পগোল মথক ঘোরবা মত্তমতুদা, পগোল চুমিদা উথিনা কিমচুনা চিঠি অমা থেৎলবা উরে। চুমিদগী চিঠি অদু লৌখোক্লগা মেৎবদা, চিঠি অদু মীগী শমা থেংশিজি হাযবা উরে, অদুগা মথক্তা অমমা ইথি, "চিঠি অসি মুখিৎ নিনৈসিগী মহুৎদা থাক্তোক্তুর; করিস্কুবা ত্রাক্তোকরুবি, মুসিগী কায়বা মাংগনি"।

রাজকুমারনা ওহাক রাখল ত্তৌরগা চিঠি ইরক্রিবা মীনা পামজবিরদুমক

তৌরগে থরে। চিঠি অসু মুখিং মতুংদা হাপচিল্লগা, শগোল শাইজ থাদুনা লানশঙলোমদা চৎলে।

রাজকুমারনা লানশঙ য়ৌরবা মতুং নোংমা কোনবদা, অতোপ্পা চিঠি অমহ দুত অমনা পুরক্‌না পীরমে। চিঠি অসিদি আয়েষানা থারকপনি। মসিগী মরোলদি মথাগী মতাংদা হায়রগে।

তরামাপললুবা ভাগ

আয়েষাগী চিঠি

আয়েষানা কলম পায়রদুনা চিঠি ইবা হোৎনরি। মায়থোং অসু য়াম্না চৌং-থেম্নি, ইংই; অগৎলিংহবা চিঠি ইবি। এচে অমা লৌথোক্‌লুবা চিঠি ইবা হোৎকই। অহানবদা ই, "থম্বাবদগী হেমন্না" দুদক্‌ মতুংদা রাইদ্রে কককথক্‌না অমুক ই, "রাজকুমার" "থম্বাবদগী হেমন্না", হায়বা রাইদ্রে কককথক্‌না "রাজকুমার" হায়না হৌবদা আয়েষাগী মিৎলুদগী পিগী ঈক্ত চেহক্কে্‌না চিঠি মথক্‌দা তারমে। দুদক্‌ মতুংদা আয়েষানা চে অসু শেগাদ্রে। অমুক অতোপ্পা চে অমদা ইবা হোৎরে, অদুমু রাইদে থম্বা ইবতা তাররিবৈনা মম্‌ক পিনা ইটৈত তৈহল্লে। আয়েষানা চে অদুমক শেগাদখোকল্লে। হন্দমুক্তি পি-লাং পক্‌পা চিঠি মপুং অমা ইবা লোইরে। হেক লোইবগা অমুক হয়না পায়রে; অদুম 'তুম্বকপদা পিগী ইরানা মথিং অসু উৎলক্লে। অদুগা পাংনা-শানা চিঠি অদু কাদিল্লগা দূতকী মখুত্তা লাংদোক্লে। চিঠি অসু পুরগা দূত অদুনা রাজপুত্তকী লানশঙ তানা লাক্লে। আয়েষাদি মথক্তা কম্‌নবা দুখখদুনা কপ্পুনা লৈরে।

জগৎসিংহনা চিঠি অছু হংলহুনা পাবখই।

"রাজকুমার!

ঐনা নঙবু উনখিদবগী মরমদি, ইপুরুচেল কাবা ওন্নোই হায়নঃ থাজকদবগী নত্তে। অয়েষাবু পুকচেল অমাং অমাংবৌনি হায়বদি থক থনবিরুগনু। ওসমান হৌজিক খম্নোমহুংদা মৈ হৌবগুম শাখি। নহাকা ঐগা উনবদা, মহাক্কী থবাক্তা হুংঙাইহৌবা অমা পোকখিবরু কনানা থঙগনি; মরম অদুনা ঐনা নঙগা উনখিদ্রবনি। ঐগা উনরগা নহাক্কী নথবাক্ত হুংঙাইরোই হায়বসি, ঐ থোইনা থাজবা পোক্কে। ঐ ইশাগী অবাবদি—অবা-হুংঙাইপ্‌বা ডাইবং মপুঙ থুমাদা লাখোকক্লে। নঙগা শক শক উনহুনা বিদায় পীবা ঙমরমলরু, ঐহাক অবাবহ লোইনা অচুম্বক থাংবা ঙমলমগনি। নঙগা উনখিদবগী অবাবসিমু হুংগম্লবা ওইনা অচুম্বক থাংহুনা লৈরি।

অঙুদি চিঠি অসি কবিগী ইরুরিবনো? ঐনা নিজগদবা থমডং লৈরৈ, অদুনা' ইহিরবনি। নহাকপু ঐনা হুংশি হায়বসি নহাক ভাখিবা লৈরবস, মচু কাউথোকপীম্নো'। থবামসি থাগ্রিফাওবা রাকম অসি কোংদোক্লোই হায়না হাশকচবনি, অদুমু নোংদবগী খুজিদা কোংদোকখ্রে, হৌজিক্কি মচু অম্‌ক নিংশিংবিরুগন।

ঐহাক নঙগী হুংশি-থুদোল পাময়বা নত্তে। ঐনা শীজগদবহ শীজবগনি; মতোংদগী মতগী মহৎ কবিগতা পাময়দে। ঐমা হুংশিজবিবনিদি অহুক্তী মতিক মরা চেৎশ্রবনি মহুদি, নওনা হুংশিবিত্রবরু ঐহাক অচুম্বক হুংঙাইরৈজ, অহুমু মদি প্‌রমবসি হায়রুবগী কবি কায়দম অম্‌ক লৈ?

মহাক্কী মথবাক্ত হুংঙাইবনা লৈখিদৈদ্রা ঐনা উখি। কবিগুব হুংঙাইমকপা মতম ডাক্রবদি আয়েষাবু নিংশিংবিহুনা পাও থজনবিরকউ থজ্জীবিনিংশ্রবরু' তৌকপীর। "কবিগুবা খম্নোমহুংহুদা অবাবা হংলক্রবদি, আয়েষাবু' নিংদি-মনিংশিংদ্রিগকজা?

ঐনা নঙগী নকমদা চিঠি ইখিবসিহ্ মক্তগা মচুংদা কখিজবা 'ইবা থোক্লবম, মীনা উ-তাখগদি থীনা ঙাংনগনি। অদুবু ঐদি ইমাল লৈজদবীনি, অদুনা মহুগী মমমদা ফজবা থোকনি হায়না কখিমতা খনবিকগছ— ইবিনিংবা মতমদা চিঠি ইবিমকউ।

নহাক হৌজিকমক্তি লৈপাক অসি থাদোক্লা চৎপদা মতাবে। অদুবু পাঠানশিং অসিদি ইংনা-দৈবা থক হৈনদে। অদুনা নহাক অমুক হন্না লৈপাকসিদা লাক্কবা মাং। অদুবু মতমদুদদি ঐগা উনগনি হায়বদি থাজদ্রে। হন্না হন্না খঙবা ভুংদা হায়েপ লেপলবনি! ছুপীগী থম্বোয়দি লাকঙম ফাঙমদবনিনা, থৌনা মায়া লৈকবদি চুমদে।

অমুক্তংদদি নঙগা উননিংই। নহাক লৈবাক অসিদা কখিজবা লুহোংবা থোক্লবদি ঐহোন্দা খংহনকউ; ঐহাক নঙগী লুহোংবদু মাঙজনা ইশামক্না নঙবু লুহোংবিবা পাম্মি। নঙগী থাগী ওইগদৌখিবী অদুগীদমক চমলবা লিক-কোল থম্না লাওজনা থম্লে, তাঙা হংলবদি, ঐ ইশানা মতোন্দা শিখিনিংই।

অদুগা হায়জখিবা অমনা, অগ্রেথানা শিখিবগী পাঙ হেক তাবদা নহাক অমুক্তং লৈবাকসিদা লাকপীয়ু নঙগীদমক য়োৎকী উপু মচুংদা ঐনা থমজংবখিবা পোৎ অসি, ঐবু চাংবিজনা লৌবতদি লৌবিয়ু।

অতৈ কখি অমুক ইকথিগনি? য়া কমা কমা ইনিংবদি লৈ, অদুবু কায়দে। তেংবান মপুনা নঙবু মাইকবা পীনবিসহ।" আয়েষাগী মমবদা খনবিজনা কৈদোয়ুংদা বাবা তৌবিগছ"।

জগৎসিংহনা চিঠি অসি পায়গা মায়া ফুইনা তাদুনী মচুংদা চিঠিদু পায়থজনা হৃদৎ-হন্দা চত্লা লৈমে। অদুগী থঙহৌদনা তখিং তখিংনা চে অমা পুথোক্লা মথাগী চিঠি মযোলসি ইমগা দুতকী মপুতা পীরকে।

"আয়েষা, নহাক্কি ছুপীলকপী মথোইবীনি। তেংবান-অসিদা মতম-চুমদা, থবাম ফংঙাইতবা পোকহনবা হায়বসি, লোংবগী থুজিল ওইরমজে।

ঐহাক্ নঙগী পাউখুম ইনবা মখোল থনকম থঙলে। নঙগী চিঠিসিনা ঐহু থগোয় ওহোঙলা পোকহল্লে। চিঠি অসিগী মতিকচাবা পাওখুমসি হৌজিকমক পীবদি ঙমল্লে। ঐনু কাওবা তৌগনু। হিংবা থোক্লবদি চহি অমগী মতুংদা পাউখুম পীরকে।

দূত অহুনা পাউখুম অসি পুরহনা আয়েষাগী মনাক্তা হনল্লে।

হুমনশুবা তাঙক

থাওমৈ মুৎলমদাই

তিলোত্তমানা আশমানীগা লোয়ননা আয়েষাগী মনাক্তী চৎখোরকপা মতমদুদগী, মাগী মরা-মপাউ কনামতনা থঙনখিদ্রে। তিলোত্তমা, বিমলা, আশমানী, অভিরাম স্বামী, মখোয় কনাগুম্বা অমত্তগু উবা ফংখিদ্রে। মোগল পাঠান অনিনা মুক্তি রাপেপ তানবা মতমদা, বীরেন্দ্রসিংহগী অচুগা মাগী ইমুং মচং মীপুমপী, তাইত্রবা থুদোংথীবা থৌদোকশিং অমত্তা থকনহনা, মায়ৈ অনিরকা, বীরেন্দ্রসিংহগী মচু-মচায় কোয়থি-থিরগা গন্ধ্যাজানবা অরুক শাগহনবা হায়বসি যানমে। মরম অহুমগী ওসমান, খ্বাজা ইসা, মানসিংহ অসিনচিংবা পুরমমা মখোয়বু খিবা নাক্লক্কে; অদুনু তিলোত্তমানা আশমানীগা লোয়ননা আয়েষাগী মনাক্তা চৎখিবা অয়েবগী হেন্না অটৈ করিগুম্বা মথা অমতা পুখোকপা ঙমল্লে। মরৈবাক্কী মানসিংহনা খিংবা কায়রকনা মাগী থাজবা মায়বা অমসু গড়মান্দারণ থাকবা হাপ্পগা, মাথং অসি তৌরগা, "নহাক মচম অসিদা লৈরগা, লৈথিল্লবা কায়গীরদারগী মচু-মচাহ খিবা থোৎনো, খিবা

ফংলবদি, মখোয়বু লানবল অসি ঙাকহল্লমলগা ঐগী ইনাক্তা লাকয়বনি; ঐহাক নঙবু মতুংগী মতিক চাবা মনা পীগনি অমসুং অতৈ লম অমম্ম পীগনি"।

অতঙনা লেপলদুনা মানসিংহ অদু পাটনাদা চৎনবা খোঙ্গাং তৌরে।

শিবমন্দাইগী মতমদা কতলু খাঁনা হায়খিবা বাক্যদু ভাবদা জগৎসিংহগী খঙ্গোয়মুংদা করিগুম্বা রাখল হোংখিবগুম তৌরা হায়বদুগী ময়মদা করিমতা কোংদোকপা তৌখিরে। জগৎসিংহনা লেপ মাম্না তিংনা অমসুং মশা মায়া বানা হোৎনৈদি হায়বদু হোৎনখিবদু মমাংঙৈগী থওনা—চায়বগীদমক্তা, মানসিংহনচিংবনা মরম অতৈ শম্বা নৈবদগী হোৎনরিবা মহোৎনদ্রবা, নত্রগা হায়দগী নৈরক্তবা দুংশিন্নৌচিং অদুনা। চিংলকপবা হায়বদুগী ময়মদি কনাগুম্বনা থওবা ঙমদ্রে। মরম অমদগীবু ওইরবস অমদগীবু ওইরবস, হোৎনবদু মহৈদি চাদ্রে।

মানসিংহগী লাম্নীপুবা লানশঙ ঙমা পীদোক্লরে; মতুংগী নোংঙানবদা লাম্নীগী হৌনবী মতুং ইমা খোংশাক্লগদবনি। চৎকদবা মোংবা বাৎলিঙৈদুদা শগোল চুপ্লিদা খেংনবা চিঠি অমা পাবগী হুমিৎ থোক্লে। রাজকুমারনা খোয়-রাংবগা লোয়ননা চিঠি ফাক্তোক্না পায়রে। মদুদা ইরমলিবদি অসিনি,—

"ধর্মবু কিরবা, ব্রহ্ম শাপপু কিরবা, অদু ওইরবদি চিঠি অসি হেক পাবগা, মরুম অসিদা নৎত্তমক লাকউ। ইতি

—অহং ব্রাহ্মণঃ"

চিঠি পাবদা রাজকুমার পুমক্কে ওখল্লে। মহাক্না খল্লকই, কনাগুম্বা রেঙ্কবগী লৌশিং ওইরবস মাই, চৎপনিবু চুবা? রাজপুতকী খঙ্গোয়দদি ব্রহ্মশাপ কিবদগী হেনবা অতৈ অকিবা হকচিনবা অমা লৈতে; অদুনা মহাক চৎপদা লেপলে। অমুক্তা খনবদগী মহাক্না মাগী খোংলোয়শিংদা মাখং তৌবে মদুদি, করিগুম্বা মহাক লাম্নীশিংনা খোংশানবা মতমদা মৌরকপা ঙেরবদি মখোয় মাবু ঙাইথবা তৌরগদ; লাম্নীশিংনা বাং

থাবরম খোইনা কারবা লৈতে, মতুংদা বর্দ্ধমানদা নত্রগা রাজমহলদা মহাক্তা পোকদনা খেংনবা ওযগনি। অদুগা রাণা পীরমলগা জগৎসিংহ মথক্তা চীংও উপী থনলোমদা খাত্রা তৌরক্লে।

মথক্তা হায়ব্রবা, অকায়বা খোলান' অদুগী খোঙজিন য়ৌবক্লবদা, রাজকুমারনা হায়ওম চীংও উ অমদা শগোল অচ পুনশিনে। কোয়রৈ লৈহনা য়েংলকপদা কনামতম্ত মকম অস্থাইদা লৈবা উদে। অদুদগী মহাক খোলান মচুং তাম্না চংলক্লে। মচুংদুদা হায়ওম, নাকল অমদা সমাধি মন্দির, নাকল অমদনা পোৎলোইনবা শীঙ শেমদুনা লৈবদু থেংনরে, অদুগা ব্রাহ্মণ অমথক্তি শেমনিবা শীঙ অদুগী মথক্তা ফমদুনা মরাই-লুক্লা কপ্তুনা লৈরি।

রাজকুমারনা হংলকই, "মহাশয়, নহাক ঐবু মকম অসিদা লাকউ হায়না তাকপীবরা?"

"ব্রাহ্মণ অদু মমায় হাইগৎলক্লে; রাজকুমারনা রা অমুম ঙাংনবকপদগী থংলে, অভিরাম স্বামীনি।

রাজকুমারগী মপুক্লিংদা অঙকপনে, খোয়রাংবনে, হরাওবনে, অচম অসি পুরুপ অমুক্তা কাওরক্লে; ব্রাহ্মণ অদুবু থুকম্নগা খোনদাংবগা লোয়ননা হংলকই, "অমুক্তং থুক্মজনিংবনা মাম্না খোয়াংনা লৈজরক্লবনি; মকম অসিদা লৈখিরম্মিবদি কপিগীনো?"

অভিরাম স্বামীনা থপি ঙৈখোক্লদুনা হায়রকই, "হৌজিকমক্তি মকম অসিদা লৈ"।

স্বামীগী পাউথুম অদু তাবা লোইরম লোইকাৎখিনৈনো রাজকুমারনা বাহং অমগী মথংদা বাহং অমা হংবা হৌরক্লে। "ঐনু উনসি তাকপীবনা করি মরমগীনো? অদুগা কপ্পিরিবসিনা কবিগীদমক্তনো?"

অভিরাম স্বামীনা হায়রকই, "ঐনা কপ্পিবা মরম অসিগীদমক নত্তবু কৌরিবনি; তিলোত্তমাগী পুন্সি লোইরমদাই য়ৌশিনক্লে"।

ডপ্পা ডপ্পা, যোং-হাদনা, লেংবোই-লেংদবোই তৌনা, থৌনা কলবা সেনাপতি অমু মথম অমুদা লৈবাকথক্তা কমথবরে, মহাক মকোক্তগী লোইবা কাওবা থোকখিবা থৌদোকপুবা মথং মথং অমম নিংশিংলরে; থৌদোক অমমমা মাগী থম্মোয়-দা মচিন তুম্লবা তুবিনা থুম্না থিনবত্তম নৈচাক কাওবরে। মন্দির মহুংদা অহানবা মিৎ চানখিবা, শৈলেশ্বরগী মমাংদা বাশকখিবা, ইমুংদা অহানবা শকথঙনবদা অনিমক চংশিন্নী লাইজ শিঙনখিব', তমখিম্নবা অহিংচুগী থৌদোক, তিলোত্তমানা বাম্ছুনা নৈবগী শকতম, যবনগী মুমদা তিলোত্তমাবু ওৎ-নৈবিবা, কৈতত্রগশদা মহাক্না চংখিবা তুংশি হৈত্রবা শাঙৎ অমুদগী হৌজিক উষ্মং-বামুংদা নৈনা নৈনা পুজি লোইবা পূম্নমক অসি অমমম ওইনা রাজকুমারগী থম্মোয়মুংদা কাওরক্লা কলবা নোং-তুংশিংনা হমদোকপত্তম থোক্লবে। হায়গী মৈচাকগী শকক চায়বা হেম্না কয়া অমুক চাকথৎলরে।

রাজকুমার অমু য়ায়া কুইনা তুম্নিম্না কমতুনা লৈরে। অমুদগী অভিরাম স্বামীনা বা তাংবা হৌরকই, "বিমলানা যবন হাত্তনা পুম্না ওইবগী লমন খুমলবা চমিং অমুদগী হৌনা, ঐহাক-ইচাহনবীগা ইচ হুনীগবু পুন্না যবনশিংবু কিবদগী মথম কয়া লোয়না লোয়না কোয়চং চংলম্নবনি; অমুগী তুমিক্তগী হৌনা তিলোত্তমাগী লাইনা অসি পোকল্লবনি। মহাকী লাইনা অসি পোকখিবগী মরমদি, নঙনা হেম্না খঙলিবদুনি"। ——

জগৎসিংহগী থম্মোয়দা তাশোয়না থিনখত্তমরে। "মতম অমুদগী হৌনা মহাকপু মথম কয়াদা পুত্থনা লাইয়েং মথল কয়ানা লাইকমবা হোৎনম্লরু-বনি, ঐহাক ইনামক নহা ওইরিবৈদগী লাইয়েংবগী শান্ত্র তমলম্নবনি, অনাবা লাইওং কয়া লাইয়েংলম্নবনি; অতৈনা থংনদবা হিদাক কয়াম খঙলিবনি, অমুম্ন থম্মোয়মুংগী অনাবদি, লাইয়েংবুনা কহনবা থক ওমদে। মকম অসি য়ায়া চিকই হায়দুনা, যোলান অসিগী মহুংদা চিরুবা কাচিন অবদা, ওসি হুমিং তরুক তরেৎনি অসি লৈয়ম্বনি। লাইগী নোংদমদগী

নহাক লাকপা থেংনহনা নঙগী শগোল চুপ্লিদা চিঠি কিহনা থনখনি। মমাংদৈগী হৌনা ঐনা থমকপসু, তিলোত্তমাগী মথক্তা কনবা ওমজ্রবদি, নঙবু অমুক্তং উনহন্দুনা শিরমদাইদা মাগী মথক্তাতদি পেনহনখিগে হায়খিনি। মরম অদুনা নঙবু লাকউ হায়না কৌখনি। নঙন্দোম্দা চিঠি ইবা মতমদু কাওবদি, তিলোত্তমা জগৎসিংহপা মাবগী আশা থবা লৈরম্মি; অদুবু হৌখিৎ নিনি লাইরেংবদা থরুং চত্তবক্তুবদি শিবা শোয়দ্রে হায়বদি থঙই। অদুনা নংন্দোম্দা হৌখিৎ নিনি লৈরগা চিঠি পানবা হায়রিবদুনি। হৌজিক্তি কিরবা অদুমক থোক্রে। তিলোত্তমা হিংবগী আশা অমুক লৈত্রে, পুন্সিগী থাওদৈ মুৎখ্রক্রে"।

অসি হায়রগা অভিরাম স্বামীনা অমুক হন্না কপ্লক্রে। জগৎসিংহসু কপ্লক্রে।

অদুদগী স্বামীনা অমুকসু হায়রকই, "মকম ইথঙ থহৌদনা নহাক তিলোত্তমাগী মনাক্তা হেক চৎলদি চুমদে, কনানা খঙনি, কীডম অসিদা হবাওমনখিহনা রাম্বখিবসু। ঐহাক সাংজোননা মক্তোন্দা, নঙবু লাকউ হায়হনা পাও থাক্রে, নহাক শোয়দনা লাকপা য়াই হায়বসি, হায়হনা থম্মবনি। হৌজিক ঐহাক হান্না লাক্লে হায়না পাউ তাক্লখিগে, অদুদগী নহাক্তা উনৌ"।

অসি হায়রক্লগা পরমহংসসু অকায়বা লোমান অদুগী হুপী লৈফম অচিকপা কা অদোমদা চংলে। ওহাক লৈরগা অমুক হলক্তুনা রাজকুমারদা হায়রে, "লাক্লো।"।

রাজকুমারনা পরমহংসগা লোয়ননা অচিকপা কা অদোমদা চংলক্লে। মহাক্না অসুম চংলক্লদা অতেক-অকায় থোইনা লৈত্তবা কা অমা থেংনরে, মদুগী মতুংদা মলবা অতেকপা কমুৎ অমদা, ফুইনা মপা ওমলক্তখনা ময়াং কংশিলবী, অদুমদি ওইমগা ফজবা শককমদি লেংদনা লৈরিবী তিলোত্তমাদু হিরদুনা লৈরি; মতম অসি কাওবদা মমাংদৈগী ফজবা শকলমগী ইংলৈবা

মতৌলদু অদুমক শন্নোক্নি ;—মুৎথরক্রবা অকৌ থবাক্তম, খুঙ্গিং তমহৎনবদগী মশক ওইবি ; মনাক্ন্দা দুম্লাবী অমথক কমলম্নী মশা অদু নামবি-থোৎপীবি ; মশাদা লৈত্তেং পক্ন্বী, চযোৎনবী, লাইথক থীমবী অদু থিমলানি। রাজকুমারনা অর্হানবদি মহাকপু মশক খংলুপ্নে ; কমায় খঙ্ললগদগে, মথোক কাবকপীগী কীতমদতা লৈমবী অহল্না ওন্দি অহল খংওই ওইশিন্নমলে।

রাজকুমারনা চংলক্না তিলোত্তমাগী ফমুং মনাক্তা লেপ্লবা মতমদুদা, তিলোত্তমাদি মখিৎ উইশিল্লুনা লৈদি। অভিরাম স্বামীনা মাবু কৌরদুনা হায়রকই, "তিলোত্তমা! রাজকুমার জগৎসিংহ লাক্নে"।

তিলোত্তমানা তপনা মখিৎ পাংথোক্লক্না জগৎসিংহ তম্না য়েংলকই ; থিৎখ্রে অদু ওথোক্না য়েংই, হৃৎপিণ্ড রাখলদু তপেংবা কোংলোকই ; মায়থম ফি খুমথবগী খুদমদং রাৎপদনি। তিলোত্তমানা জগৎসিংহবু উবমক্তা মখিৎতু লুকথম্লে, অদুদগী উনা উনা অতৎপা লৈতনা-পিগী উবা শিংথম্লে। রাজকুমার অদু অমুক লেপ্তুনা লৈবা ওমশিল্লকয়ে, ইকাই-ইকি অমুক পক্লক্নে, তিলোত্তমাগী খুরাদা কমথক্লদুনা ভুমিদা থিংকী পি মরী মথীনা তিলোত্তমাগী মশা অদু চোৎথরক্নে।

ছুমনাথোইশুবা তাঙ্কক

মহে য়ানবদা কান্নদবা মঙ

মশা লৈজরবী মযাইবক্ত থীমবী অদু লাযকমদদা কমুংগী যাতাফম্না লৈদি, জগৎসিংহনা ফমুং নাক্তা লেংদনা লৈ। হৎবিল কবা হৌদ্রি,

অহিং কয়া চেৌখি, অমুকম হংখিদা মরাকই, অমুকম্ম হংখিদা মরাকই, অমুকম্ মচংখি, অহিংনা মশিটে। রাজপুত শাটেংগী মৈতাল অয়াবা অহনা, মহাক্কী অত্তেরপা কমুংনাক্তা কুমলহনা কমশেনরি, তোকবী, মা মচেৎ অমতা থাংমুরী লুমখৌ অতুগী, পোথাবা নাইজবা থবক্তা মতেং পাংদি। শোয়বী বাবুবী অহুনা মরোম্না য়েংলকপনা—মাগী লিঙ্গানা নৈহৎলবী মায়খোং থমলহনা, থামনগী মীনোক্ত, হঙ্গিদ্রবমা হাকথি, উল্লিংবগী খোয়বাংবগা লোয়ননা, মাগী মায়খোং ত্রুয়া মিং কুপ্তনা থেংলি।

লাসনঙনা কদাইদা? লাখীনা কদাইদা?—লানশঙ শিলোক্তনা লাম্মীপূবা পাটনাদা চৎলে। অহুগা মাগী খোংলোয়শিংদি কদায়?—লাকখেনর তুরেলগী মপান্দা মখুংতো লাকপা ওইদি। অহুগা মখুংতোদি কদাইদা? মাঙ্গবা হংশানৈমা লাংলবা, খোংথলবা লৈমাং লৈকাদা মিৎকী লাইক শিক্তনা অমুক তেকথৎনবা লাক্লি।

" লৈমাং লৈকায় মথং মথং তেকথৎলক্লে। 'তেংবান অসিগী মতুদা থ্বাইদগী পুমহেন থেনবা মিত্রংদি, হংশিবনি। অমাবা ফহনা' অখোইবু হিদাকম হংশিবনি। নত্রবদমু থম্মোয়গী লাইনাবু কনানা ফহনবা ঙমগদগে?)

মৃৎথয়রুবা থাওমৈনা থাও মথিক মথিক হাপচিক্রবদা তপ্না তপ্না তানথৎলকপগুম, কালেনগী হংশানা পথংনা উবীনা ইডা থাগী অহানবা নোংহৌ ফংবদা তপ্না তপ্না অমুক তেকথৎলকপগুম, জগৎসিংহবু ফংবদা তিলোত্তমাম্থ, নোংমা নোংমগী পুঙ্গি নৌনা ফংবগী মাথকৈখোমদা চংশিনক্লে।

মতুং অহুদা মপাদল করক্তনা অপ্রুংদা কয়া ওমলক্লে। বিমলা লৈতবা তাকায়্ দুবানি, নকশিন্না কমফিরহনা কুইনা হুররুবা পুক্নিংগী বা থাংমবা ওমলক্লে। বারী কয়া খারমে, থম্মোয়হৎনা লংথথিবা মরাল কয়া তাক্লমে, মহুম তমখোকনবক্তে। 'থিকপ 'খোক্লা' খোক্লা' খৌমদি তুমা তুমা

ফংঙাইরবা মঙ কয়া মঙনখিবা, মঙ্গু হায়দোক্লয়ে। অনাবা অমা ওইনা কমুৎদা জ্ঞান মাঙদুনা য়াত্তাবিদৈদা মঙখিবা মঙ অমা, নোংমা ঙম্লক্লে—

অনৌবা বসন্তগী মঙবপুৰনা তিঙবা চৌংদুৰ মচা অমগী মত্তোন্দা মহাক্তা জগৎসিংহগা লৈ চাইৱ-চাইবদুনা শাৱবগুম তৌবদি; মপৈ মপৈ ওইনা বসন্তগী লৈয়াং হেকলুবগা পরেং কয়াম্ব লেংই; মহাক মশানা লৈ পরেং অমা শিজিনৱে, অদুগা পরেং অমনা জগৎসিংহগী মঙক্তা হয়ে; অদুবু জগৎসিংহগী খ্বাংদা য়ানিবা থাংখাং অদুদা লোঁদুনা লৈ পরেং অদু ভৎখোকয়ে। "নঙক্তা অমুক হৱুবোই; খোঙদা থুমৌ ওইনা চল্লগনি" হায়বা হায়দুনা লৈগী নোংথ্রো-কোল্লো অমা লেপ্পে। মদুনা খোঙদা থুমৌ চনগে হায়না চংখিনবা তাঙাতমক্তদা জগৎসিংহনা ফিংনা হেক চৎখোকয়ে। তিলোত্তমানা মতুংদা অদুম তাম্নদকই; জগৎসিংহদি য়ামা ফজিনা চৌংদুৰগী কুমথয়ে, লমীদা য়াদংলবী খোং মচা অমা চেন্নখি, জগৎসিংহদি মদু চোংদুনা ইৱায় লায়না লাম্বোকয়ে, তিলোত্তমাদি দুর্গীনি—চোংদুনা লানবা ঙমদ্রে, খোং অদুনা খবা থুজিনবা মরুমদা লাম্বোক্তে হাননুনা মপাল অদুদা চেন্না চেন্না চৌংদুৰগী অতুং বরুৎখদকই। খোং 'অদু খুজিনরকপাদি লায়রদুনা চৎল চৎলগা অতুম পাকথোকপা থেঁরক্লে,' অদুবগীদি খোং অদু পীক্তক তৌবা তুরেল অমা ওনয়ে। অপিকপা তুরেল অদুনা অমুক অচৌবা অমা ওনয়ে, মতুংইন্দদি জগৎসিংহবু অমুক উবা ফংখিদ্রে, তোর্বান অদ, য়ামা য়াংই, য়ামা থেক-খোই, অদুনা খোঙ থাংবা অমুক ঙমখিদকরে; অদুগী মথক্তা তিলোত্তমাগী খোঙনা নেৎলিবা তোর্বানগী নৈবাক অদুদু ঘচেং ঘচেং কেনখিরক্না য়াংবা থৌরবা ঈশ্বাঙখোনগা লোয়ননা ঈশিংদা তাবা চোঁখ্রে, মথাদনা ইহৈ কাইবা ঈশিংগী ঈচেম্না পানা চেলি, য়েংখবদা ঙকিবা পোকই। তিলোত্তমানা চৌংথক্তা অমুক কাপৎতুনা তুরেলদা তাপদবগী চেক্লেংলবা তৌংবরকই অদুবু লমীদ, খোয়মনখিবনা খোং থাবা য়াওে,' [illegible]

অদুগা তিলোত্তমা খোৎকেন বাংনা কপ্লে; তাবাক্লবকদা মুত্তক মুরবা কতলু খাঁ অদু অমুক হিংদেৎলক্‌না মাগী নখৌ থিংলরে; ওক্তা শিথিবা লৈগী পরেং অদুগী মতমদুদা মূরলবা য়োৎফিরোং অমা ওনখ্রে, খুত্তা পায়রিবা লৈগী খুত্তো অদুনা খুত্তগী নাহুথিদুনা খোঙথক্তা তাখ্রে—খোঙ হেক য়ৌবদা মতুম য়োৎকি খুত্তো ওন্দুনা খোঙদা চনখ্রে; অদুগী থঙ্গহোৎনা হকচাংপুম্বা থক থক থিল্লক্লে; মতমদুদা কতলু খাঁনা মাগী খোৎথিহু চেৎনা পাবথিল্লগা নোংথক্তা হক হক লৈবদ্‌না তুমেলগী কররা ঊচেলচদ্‌দা লংথরে।

মঙগী বাথি অসি লোইরবা তুংদা তিলোত্তমানা মথিত্তা পিগী উরা চেন্না চেন্না হায়রকই, "যুবরাজ, ঐগী অসি চুমগী মঙ ওইবতা নত্তে; নঙগীদমক্তা লৈগী খুত্তো শেমজরবদ্‌না, অওইবমক ঐগী ইথোংদা য়োৎকী খুত্তো চনবত্তা খোৎখ্রে, হকচথিবা লৈগী পরেং অদ্‌না খাংনা ককথত্‌না তথক্রে"।

মদু তাবদা যুবরাজনা নোক্ক নোক্কদ্‌না মথ্‌াংদগী খাংশাং অদু লৌথোক্‌না তিলোত্তমাগী মখোং মরাদা থমলে; অদুদগী হায়রকই, "তিলোত্তমা! নঙগী নমাওমক্তদা ঐ থাং মাওদবা হায়বদ্‌মা ওইরবনি; নঙগী দৈ পরেংদ্‌ অমুক্তমা হকলরো য়েংলসি, নমাংদা থাং অসি মক্তেক অনি খোক্রা খুদেকে"।

তিলোত্তমাদা খুমলক্তবদ্‌ ঊবদা রাজকুমারনা হায়রকই, "তিলোত্তমা, ঐনা হায়রিবসি চুম্না কাগী তৌদ্‌না হায়বা নত্তে"।

তিলোত্তমাদু ঈকাইরদ্‌না মথাম নূকথক্রে।

অদুগী ঙমিত্তা হাক্তবা মতমদা অভিরাম স্বামীনা অত্তোপ্পা কা অমদা কমলদ্‌না থাওবে থাদংমুনা লাইথিক পাদ্‌না লৈরম্মি; রাজকুমারনা মকম অদুদা লাকপা নোক্লা হায়রকই, "মহাশয় ঐনা হায়জনিংবদি, তিলোত্তমা ঙোইজিক অত্তোপ্পা মকম অমদা চৎপা খোইনা থাবত্তবি, অদ্‌না অত্তোপ্পা হন অসিদা অদুমক লৈদ্‌না অরাবা থাংবগী কথি

থাম্বা লৈখিবগে ? হয়েং'থদি খোইনা কল্লবা ফুঙ্গিৎ নত্রবদি গড়মান্দারণদা পুক্না লেংখিবে। অদুগা মহাশয়না শাখিদবা লৈত্রবদি, অদুম শাইগদা নত্তপী পীনখিহনা ঐবু পোকপগী মতৌ মাশহনখিবু"।

মসি তাবদা অভিরাম স্বামীনা লাইরিক লংখোক্লনা রাজকুমারবু চেক্লেৎ-কোনশিন্নকে; লাইরিক মথক্তা খোংনা নেৎলে হায়বা থাওবা শকেখিরে।

রাজকুমারনা স্বামীগী মনাক্তা লাকপগী ভাব অদু, বিমলাগা আশমানীগনা শঙলহনা তপ্না তপ্না রাজকুমারগী মতুং ইন্নরুপি; অদুগা মপান্দা দুমহনা ভাংনখিবা পুন্নমক্ত তামখি। রাজকুমারনা মপান্দা থোক্লক-পদা. বিমলা অদু হান্নগী মওং-মতৌগুম লৈরবা খেংনমে; লেপ্না লৈতনা নোক্ল নোক্লহনা আশমানীগী মখম থোয়নখি অমসুং গুহুমনা তখি; আশমানীত কুমিবা অদু -কবিমতা খোঁওইদনা, বিমলাগী মমাংদা অগোইগী অটৈ-তৈত উৎলি। মদু উবদা রাজকুমার অদু নাকল অগমোমদা থৈদোক্লনা চৎখ্রে।

কুমশিখোইশুবা তাঙ্কক

অরোইবা

লৈরাং শাৎকায়বে। "অভিরাম স্বামীনা গড়মান্দারণদা চৎলক্লমা হয়াও কুচৈগা লোয়নদা মওংঙ্গীবু জগৎসিংহগী খুদেং পাক্লোইনবী ওইহল্লে।

হয়াও-কুচৈ ত্তোনবা জগৎসিংহ মপানা যাগী খোংলোম মরাদু

তাহানাবাহতগী ব্যর্থ তৌহনা কৌরম্বি। তিলোত্তমাগী মপাবুংগী মরুপ অমাবম্ বার্তোন কহন্না হুংঙাইববা থবক অসিদা লাক্‌না হয়াও মপুং ফাহন্নরে।

আয়েষানা হায়খিবা মতুং ইদা জগৎসিংহনা মহাকপুম্ পাও থাখি। আয়েষানা মাগী নৌখিবা মৌপমাম্ পুরক্লনা কোহং মহংগী হুপীশিংগা লোয়ননা লাক্লে।

আয়েষাদি মথনী অমা ওইরুবম্ তিলোত্তমা অমসুং জগৎসিংহনা মায়া লুনা তৌজবী অমা ওইবদা মাগী খোংলোম মথাবগা লোয়ননা লানবল মহুংগী কোহংদা লৈরে। পাখিখিবখিংনা থনবিয়দা মাই, আয়েষাদি মথবাম চাকপনা লুহোংবগী হয়াও-হুইৰদা হংঙাইবা পোক্লম-থোই হায়না। থাজৈদেংনেমক মঙুদি নত্তে। আয়েষানা মাগী মপুক্লিং-মকা-লাবগী হুংঙাইবা মতৌনা, থৌ পুমমক্‌ন হুংঙাইবা পোকহনকই, হুগামনা শাংলবা শমংকী লাইজথকী লৈমাংনো, খোংনা নৌনা অগোই শাবতম, মাগী মেংলবা-হুংশি-মিনোক্লা মকম পুমকন্না মরুবা হেন্নগংনা ওইনতা থোকহল্লি।

লুহোংবা অহ অহিং মৌয়রুবা মতমদা লোইরে। অহনগীদি আয়েষা অহ মাগী খোংলোমশিংগা মমমদা হয়বা থৌবাং তৌরক্লে; নোক্ল-নোক্লা বিমলাগী মকমগী বিদায় লৌরে। বিমলাদি মহংগী মা অমতা থজরে, অহনা নোক্লহনা হায়রকই, "নবাবকী মজা ইবেম্মা! ঐথোয়মু অয়ুক নঙগী লুহোংবদা বার্তোন তৌবিয়কদবনি"।

বিমলাগী মনাক্তগী লাক্লগা আয়েষানা তিলোত্তমাবু কৌরহনা চিক্লবা কা অমা তাক্লা পুরক্লে। মহাক্না তিলোত্তমাগী মখুদাং শাগথহনা হায়রকই, "ইনাও ইবেম্মা! ঐদি হললগে। থৱাব হকচাং মাওনা ঐনা আশীর্বাদ তৌখিবসিনি" নহাক অমাং-অতা লৈজবা হুংঙাইবা ফহনা পুদি লেনবা ওইনহু"।

তিলোত্তমানা হায়রকই, "কয়রা মতমদা অমুক নংমু উবা ফংজগদবগে ?"

আয়েষানা হায়রকই, "উনবিংবগী রাখলমু কয়রা অমুক পোক্নকখিগ-দবগে ?" অসি তাবা তিলোত্তমাগী মায়থোংদু মকশিনরে; মমানিমক তুমিন তুমিনা লৈনরে।

অহাক লৈরবা তুংদা আয়েষানা হায়রকই, "উমু উনবরদু উমু উনদবদু নহাক আয়েষামু কাওদি-কাউরোইদবনা ?"

তিলোত্তমানা নোক্নদুনা হায়রকই, "আয়েষামু কাউরবদি রাজকুমারনা ইশকসি হন্না কাওবা য়েংবিরোই"।

আয়েষানা চাৎ-লেমনা হায়রকই, "নঙগী রানি তাবদা ঐগী পুক্নিংদা হংডাইবা পোক্কে। নহাক ঐগী মমমদা কৈদৌহংদা যুবরাজদা রা অমতা য়োদোকরু। ঐগী রানি ডাকনি হায়না রাশকউ"।

আয়েষানা নিংথিনা থঙই, জগৎসিংহগীদমক আয়েষানা পুন্সি অসিমগী চংডাইবা হায়বদু পুমথা-থাদোক্নবনি হায়বগী রাখংসিনা, জগৎসিংহগী থপোয়মদা তা-না লেংবগুমনা লৈরি। অদুনা আয়েষাগী রা হেক হোয়োকপদা মহাক পোয়দনা নিংডমদবা মৈচাক হেক হেক ফংবা য়াই।

তিলোত্তমানা হায়রিবদু রাশক্রে। অদুগী আয়েষানা হায়রকই, "অদুগা কাউরদু থক তোগদু, নিংশিংনবগীদমক ঐনা শীংদৌখিবা থুদমসি থক থাদোকদু"।

অসি হায়রদুনা আয়েষানা মনাই হুপী কৌরদুনা রাখং পীরক্রে। রাখং-মতুং-ইন্না মনাই হুপীদুনা শামু মমাগী উপুদা হাম্না মণি-মুক্তাগী লিক-কোল থম্না পুররে। আয়েষানা মনাই হুপীদু চৎহনরগা লিক-কোল পুরমক্ মথুংমন্না তিলোত্তমাগী মশাদা শিজিনখিরে।

তিলোত্তমা মশামক ইনাকথুনবা লৈবাক-মপু অমগী মচা চপীনি; অদুম ওইনমক লিক-কোলশিং অদুগী ওঙবা থুংইরেনবগী ম-মশা অমমং মন্না থিজিনা মমল শামলবা হৌরানচিংবা মণি মুক্তাগী অংকপা ফনা

লংলিবা মতোই উবদা, মহাক তকখা ওইখিরে। অওইবদকি আয়েষানা, মচানা মপান্দুনা পীবা খঙাগী লিক-কোল পুরমক, থুগাইরগা তিলোত্তমাগী মীরুপংগী থৈতেনা কংজবা লিক-কোল পুরমকদি শাদনকদনি। তিলোত্তমানা পুরমক অমা উবদা মায়া থাগৎলকই। আয়েষানা হায়রকই, "ইনাও ইংখো। মসীগী মহিং খোঙচা থাগৎকম লৈতে। নঙনা ওদি নঙগী থমোয়দগা কমজবিবা মথি অমগা মৈনকয়বদি, পুরমকদি মাগী থুনাগী উজুনবকম তারেদবা উবা মত্তে"। মসি থদি হায়রকপা মতমদা আয়েষানা কয়া হানা যিৎকি পি থিংবা হৌখনবিরগে হায়রগদি, তিলোত্তমানা খঙবা ওখিরে।

লিক-কোল পুরমক পিজিনবিবা লোইরবা মতুংদা, আয়েষানা তিলোত্তমাগী মখুৎ থানিরক পাম্পিজনা মায়থোং অমা চিংনা চিনো য়েংলকই। মপুকনিংবা থরকই, অমিগুম্বী লৌখুপ লৌকোই পকৎখী থুংথি-চেংলো অদি উবদা, "ঐগী ইবুংঙোনা মথক চৎলাইওইবগি তোউবইনা। কররিবা লৌলিবগী পুরিলনা কৈখেংনবা খংবা পুক্রিবদি, মাগী মুখাবা ঐনা মীতদি, মহাক অমিনা ইবুংঙো মহাকী পুম্নমক ইংঙাইবা চিংদহনবা উইহনলহ।

তিলোত্তমাদা হায়রকই; "তিলোত্তমা! ঐদি হৌজিক চৎলগে। নঙগী নবুং-ঙোদি হৌজিক মখো যায়া চিংবা য়াই, ঐহাক মাগী মকথাগী থিবায় লৌকহনা মাগী মতম থাজহনবা তৌবথোই। তাইবং মপুনা নখোয়বু পুদি তোলোইবা পীনবিসন। ঐনা পিবম্নিবা মপি মুক্তাশিং অসি নপাদা অতুমক পিয়ু। অমগা ঐগী-নঙগী অর্থাইবা নুংশিনবা থমোয়দা চেংনা থম্"।

"মঙগী থমোইদগী লৈখিদে" হায়না শজকপদা আয়েষাগী খোকেল অমা কাইখৎলকই; মীনপুঙলৈবকী শিগী মীবা চেজকপহৎ তিলোত্তমানা উই।

তিলোত্তমানা মঙনিংদা খেঙজা হায়রকই, "করিগিনিবগী কসিবনো?" থগি মৈখোকলৈবগী আয়েষাগী মিখপুকগী পি অমুক মথি মতিং পিরকে।